# করিকুলম, তমগদৌবশিংগী য়েংলগা শেম্বা পেদাগোজি, তম্বদগী কান্নবশিং অমদি ইনক্লুজিব এদুকেসন

Module 1

**মিৎয়েং অমা ঃ**

রাইট টু এডুকেসন এক্ট (আর.টি.ঈ.), ২০০৯ অমদি ঐখোয়গী এডুকেসনগী পোলিসিশিংগী মপান্দগী চহি খরসিদা, ক্লাসরুমশিংদা লৈগদৌবা মচাকশিং অঙকপা ফংনা হোংখ্রে। ওজা ওইনা অমদি ওজাশিংবু তম্বীবা মীওই অমা ওইনা নহাক্না ছাত্র/তম্লিবশিংগী মখলশিংগী খেন্নবা, অমদি মদুনা নঙোন্দা শুকশোই শোইদনা খঙহল্লম্লগনি মদুদি মহাক্না খেন্নবা অঙাংশিংবু মান্নবা মওং অমত্তদা তাকপী তম্বীবা ঙম্লোই অমসুং তৌসুতৌরোইদবনি। তম্লিবশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংগদৌবা অমদি মায় পাকহন্নবা তাকপা অমদি তম্বগী মওংশিংবু মরিক চুন্না লৌশিনবগী দরকার অসি মাংলমচৎতগী হৌজিক্না ময়েক শেংবা হেন্না ওইরক্লে।

করিগুম্বা অঙাং খরনা ঐখোয়না তাক্লিবা মওং অদুদা হৈয়ু য়াদ্রবদি ঐখোয়না মখোয়না হৈনগদৌবা মওংদা তাকপিগদৌবনি...

– ইগ্নেসিও এসত্রাদা

মসিগী মোদ্যুল অসি ওজাশিং অমদি ওজাশিংবু তাকপী তম্বীরিবা নখোয়গুম্বা মীওইশিংদা ক্লাস রুমশিংগী লৈরিবা মখল কয়াগী খেন্নবশিংদা অমদি খেন্নবশিং অদুগী মতুংইন্না তাকপী তম্বীগদৌবা মওংশিং অদুদা হন্না য়েংখৎনবা অমদি তাকপা অমদি তম্বা হায়বসিদা অমুক্কসু হেন্না পুক্নমকপু কোনশিনবা ঙম্নবনি। পিরিবা সজেসনশিং অসি রিছার্স অমদি হন্না হন্না থেংনবদগী খোমজিল্লকপা ঙাক্তনি অমদি মসিনা নঙোন্দা ক্লাস অমত্তদা লৈরিবা ছাত্রশিংগী খেন্নবশিং অমসুং তম্বা অমদি হৈনবগী তাকপি তম্বিনবা পাল্লিবা মান্নদবা মওংশিং অদুবু ফঙহনবদা মতেং পাংগনি।

য়াওরিবা মচাকশিং অসিনসু নেস্নেল এডুকেসন পোলিসিশিং, করিকুলম, সিলেবস, টেক্সবুকশিং, মরুওইনা নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক, ২০০৫ অমসুং হন্দক্তা নৌনা শেমগৎপা তল্লুবগী কান্নবশিংগী অপুনাব মশক অমা (করিকুলমদা পীরিবা হীরমশিং অদুগা তাকপী তম্বীবগী মওংশিং অদুগা চান্নবা মরি অমা লৈনহনবা)।

মরুওইবা ৱারোল ঃ ওজাশিংবু তাকপী তম্বীরিবশিং অমদি মরুওইবা রিছোর্স পার্সনশিংনা ট্রেনিং য়াওরিবশিংবু অনি অনিগী জুরা নত্রগা গ্রুপ শেমদুনা মরি লৈননা ৱাখল চংবা মওংদা খন্নবা অমদি মোৎ পীননবগী তাঞ্জা অমমম পীনবা শিনবীগদবনি। টেক্সতা য়াওবা খন্ন-নৈনবগী হীরমশিং লৌখৎলগা অদুম শিজিন্নবা য়াই।

১। এদুকেস্নেল পোলিসিশিং, নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্কশিংগী শেল্লকপগী মশক, মসিগী মথৌশিং অমদি পাল্লিবশিং, শিজিন্নখ্রবা অমদি নৈনখ্রবা করিকুলমশিংগা লৈনবা মরিশিংবু শন্দোক্না তাকপদা মতেং পাংগনি।

ভারত অসি মশিং য়াম্লবা লম লমগী অমদি মফম মফমগী কলচর/নাত মখল কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বা অদুগুম্লবা সমাজ অমনি। প্রজাশিংগী ধর্মগী থাজবশিং, পুন্সি মহিংশিং অমদি মখোয়গী সমাজদা অমগা অমগা লৈনরিবা মরিশিং অমগা অমগা য়াম্না খেন্নে। কাংলুপ খুদিংমক্না পুন্না থোং মান্ননা অমদি পূকচেল খোইজেল তিন্ননা হিংমিন্নবগী হক চপ মান্ননা লৈ অমসুং এদুকেসন সিষ্টেম অসিনা ঐখোয়গী মশিং য়াম্লবা অমগা অমগা খেন্নবা কলচরশিংনা পুল্লগা শেম্বা সমাজ অসিগী অপাম্বশিং অদুগা চান্না চৎপা তাই।

২। নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক - ২০০৫গী পান্দমশিংবু শন্দোক্না তাকপা অমদি মসিনা সিলেবাই অমদি টেক্সবুকশিংদা ওম্থোরকপগী থৌওংশিংবু মরিক চুন্না খঙহনবদা মতেং পাংগনি।

৩। ধর্ম্মা, নাৎ, শক চু খেন্নবা ময়াম্বু হেন্না মমুৎ তাবা মওংদা ভাব তাহনবা অমদি পুন্নমকপু য়ারিবমখৈ কোনশিনবা মওংগী লাইরিক খুত্তম অমা ওইহনগনি।

৪। হেন্না চুনবা তাকপী তম্বীবগী পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা অঙাংশিংদা হেন্না হৈহন্নবা হৌজিক লৈজরিবা পাম্বৈশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কলহনগনি।

৫। জেন্দর সেন্সিতিব ওইবা মওংগী লাইরিক খুত্তমশিংবু শিজিন্নহনগনি অমসুং লৌশিলহনগনি।

**থিমসিগী মতাংদা ঃ**

টর্মিনোলোজিশিং, পোলোসিশিং অমদি ফ্রেমৱার্কশিংবু খঙদোকমিন্নবা

মতাং অসিদা মথক্তা পনখ্রিবা পান্দমশিং অসিবু ফংননবগীদমক্তা ঐখোয়না অমুক্কসু নেস্নেল এদুকেসন পোলিসিশিং, নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্কশিংদা হেন্না কুপশিন্না য়েংবা মথৌ তাই অমসুং মসিনা ঐখোয় পুন্নমকপু করিকুলম, সিলেবস, টেক্সবুক অমদি তম্লুবগী কান্নবশিংগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহনগনি।

**নেস্নেল এডুকেসন পোলিসি ঃ**

ভারতকি অদুগুম্লবা চাওখ্রবা লাইরিক লাইশু তম্বগী পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং অমদি ওইরিবা শক্তম অসিগী মওং মতৌ, মশক, খল অয়াম্বা শুনবা কোনশিনবা ড্রাফ নেস্নেল এডুকেসন পোলিসি (এন.ই.পি. ২০১৯) বু প্রজা মীয়ামগী মফমদা অপাম পামদা ফোংদোক্লবগীদমক্তা পুথোকখ্রে। রিকমেন্দেসনশিংগী মতাংদা ভারতকি মফম খুদিংমক্তা খন্ন-নৈনরি। (www.mygov.in) মরুওইবা ইষ্টেকহোল্দরশিংগী মরক্তগী ওজাশিংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংনা য়াম্না হেন্না মরুওইবা ওইরি। মসিগী মমাংদা এডুকেসন পোলিসি অনিরক শেমখ্রে অমুক্তা ইং ১৯৬৮ অসিনা জাৎ বিজাৎ, শক চু, লৈফম অমদি নুপা নুপী খায়দনা অঙাং খুদিংমকপু চৎনবা য়াবা মগুণ য়াওনা লাইরিক লাইশু তম্বা ফংহন্নবা নেস্নেলগী থাক্তা লৈগদবা অদুগুম্লবা এডুকেসন লৈগদবা অদুগুম্লবা এদুকেসন সিষ্টেম অমা শেম্নবা পান্দম থমখি অমদি হেন্না পুক্নিং চংনা হোৎনখি। পোলিসি অসিনা নেস্নেল কাউন্সিল ওফ এডুকেস্নেল রিছার্স এন্দ ত্রেনিং (এন.সি.ই.আর.তি) দা মরি লৈনবা লোইশঙশিংগা খুৎশম্নরগা তঙাইফদনা নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক শেম্নবা শিন্নখি। http://www.ncert.nic.in/newpolicy.html হায়রিবালিঙ্ক অসিদা চংদুনা পোলিসি অসিগী চে চাংশিং পাবিদুনা ৱারোলশিং খঙবিবা য়াগনি।

এডুকেসনগী নেস্নেল সিষ্টেম অসিনা কমন ওইবা কোর অমগা শেমদোক শেমজিন য়াবা অতৈ মচাকশিং খরগা য়াোবা নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্কতা য়ুমফম ওইগনি। কমন ওইবা কোর অদুদা ভারতকি নিং খা তম্বগী ইহৌগী ইতিহাস, ভারতকি সংবিধানবু ঙাক্না চৎনবগী ৱাখল্লোন অমসুং নেস্নেল আইদেন্টিটি শাগৎপদা চংবা অতৈ মচাকশিং য়াওগনি। হায়রিবা মচাকশিং অসিনা ভারতকি ফজরবা অমত্তা ওইবগী কলচরেল

হেরিটেজ অমগা অমাগ মান্নবগী, দেমোক্রেসি অমদি ধর্ম্মগী খেৎনবা লৈতবগী, নুপা নুপী খেৎনবা থমদবগী অকোইবগী ফিভম কায়দনা ঙাক শেন্নবগী, সমাজগী ওইবা অমগা অমগগী মরক্তা লৈবা পলশিং থুগায়নবগী অপিকপা ইমুং ওইহন্নবগী নিয়মশিং ঙাক্নবগী অমদি সাইন্টিফিক টেম্পর হেনগৎহন্নবগী পান্দমশিং থল্লি। এডুকেসনগী প্রোগ্রাম খুদিংমক সেকুলার ভেল্যুজ (নেস্নেল পোলিসি ওন এডুকেসন, ১৯৮৬) কি ৰারোলশিং চেৎনা ঙাক্লা চৎকনি।

**নৈনগদৌবা পোইন্টশিংদি ঃ**

মতমগী মতুংইন্না পোলিসিশিং অসি হোংই অদুগা মসি ঐখোয়না এন.ই.পি. ১৯৮৬ তগী ড্রাফ এন.ই.পি. ২০১৯ দা লাকপা কান্দা ময়েক শেংনা উবা ফংই। খুদম ওইনা হায়রবদা এন.ই.পি. ১৯৮৬ তা লৈখিবা স্কুলিং ষ্ট্রকচর অসি ১০+২+৩নি অদুগা হৌজিক্কি এন.ই.পি. ২০১৯ অসিদনা পুখৎলিবসি ৫+৩+৩+৪নি। নহাক্কী পার্টনর অদুগা খন্নৌ অদুগা অনৌবা স্কুল্লিংগী ষ্ট্রকচর অসিগী মতাংদা করি করি খঙলবগে হংনৌ। লোইননা পোলিসি দোক্যুমেন্ট অনি অসিদা করি করি খেৎনবগী হায়বদু থিদোক্তুনা পুন্না খঙদোকমিন্নৌ।

**নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক্স শেম্লকপগী ৱারীশিং ঃ**

এন.সি.এফ. ২০০৫ অসি মশক থোকপা দোক্যুমেন্ট অমনি। ক্লাস মনুংগী ওইবা ৱারিশিংদা হেন্না লুনা চংশিন্দ্রিঁঙৈদা পোলিসি মখলশিংগী অমদি ফ্রেমৱার্কশিংগী হৌরকপগী পুৱারিশিংদা মিৎয়েং অমা থম্বা মথৌ তাই। এন.সি.ই.আর.তি. অসি করিকুলমগী মচাকশিং শেম্নবগীদমক্তা ইং ১৯৬১ দা লিংখৎখিবনি অমসুং ইহান হানবা করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অসি ইং ১৯৭৫ দা শেমখি। এন.পি.ই. ১৯৮৬ কি মখা তারকপা ওইনা ইং ১৯৮৮ দা এন.সি.ই.আর.টি.না অতোপ্পা করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অমা পুথোকখি, মমিংনা নেস্নেল করিকুলম ফোর এলিমেন্টরি এন্দ সেকেণঅডরি এডুকেসন - এ ফ্রেমৱার্ক হায়না কৌই।

মসিনা এন.পি.ই. ১৯৮৬ না পিখিবা কোর প্রিন্সিপলশিং অদুবু য়াম্না লুনা নৈনৈ। ইং ২০০০ দা দি নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর স্কুল এদুকেসন ২০০০ সু শেমখি। করিকুলম অসিগী খ্বায়দগী মরুওইবা পান্দমদি ইন-ইক্বেলিটি হায়বদি অমগা অমগা

থোং মান্নদবা অসিবু থেংনদুনা কোকহন্নবা অদুগুম্লবা লাইরিক খুৎতম্বি অদুগা তম্লিবা ময়ামদা ফংহন্দুনা কান্নহন্দুনা অফবা সমাজ অমা শেম্বদা, নাৎ য়োকখৎপদা, অৰাংবা ৰাখল্লোন চেলহনবদা অমদি তম্লিবশিংগী শেন্মিৎলোন ফগৎহনবদা মতেং পাংহনবা অসিনি।

**এন.সি.এফ. - ২০০৫ ঃ তেন্তক্না ঃ**

ইং ২০০৫ দা এন.সি.ই.আর.তি. না স্কুল এদুকেসনগী হীরম কয়াগী মতাংদা ইবা পোজিসন পেপর ২১ গা লোয়ননা নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ২০০৫ পুথোকখি। ইং ২০০৯ গী রাইট ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এডুকেসন এক্টনা তম্লিবা ছাত্রশিংদা করিগুম্বা অয়েৎপা অপনবা অমত্তা লৈহন্দনা নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ২০০৫ অসি চৎনহন্নবা ফজনা ময়েক শেংনা পল্লি। অহেনবা ই-পাউগীদমক্তা ৱেব লিঙ্ক http://mhrd.gov.in/rte দা চংদুনা য়েংবিয়ু।

হোংলক্লিবা সমাজগী অমদি শেন্মিৎলোনগী ফিভমশিং য়েংলগা, নেস্নেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ২০০৫ (এন.সি.এফ. ২০০৫) অসিনা স্কুল এদুকেসনগীদমক্তা মখাগী পান্দমশিং অসি থম্মী ঃ

১। অঙাংশিংনা ৱাখল খনবদা অমদি তৌথোরকপদা নিং খা তমহনবা লোয়ননা মীগী ফনবা খনবা অমদি মী অতোম্পগী ৱাখলবু খঙবা সেন্সিটিব ওইহনবা।

২। অনৌ অনৌবা ফিভম, মতম্মু লৈথোক লৈশিন য়ানা অমদি মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা থেংনবা ঙম্নবা অঙাংশিংদা পাঙ্গল শক্তি হাম্পিবা।

৩। শেল থোক্লবা শেন্মীৎলোনগী ওইবা থবকশিং অমদি সমাজদা অহোংবা পোরক্লবগী মাইওলদা করিগুম্বা খরা তৌবা ঙম্ননবা অঙাংশিংবু শেম্বিবা।

হায়রিবা পান্দমশিং অসিবু ফংননবগীদমক্তা স্কুলশিংনা অমগা অমগা চপ মান্ননা য়েংবা, মগুণ লৈবা থবক তৌবা, অমদি শেমদোক শেমজিন য়াবা ওইগদৌবনি। লৈপাক অসিগী অমগা অমগা খেন্নবা ময়াম অসিগী য়েংলগা, ছাত্রশিংগী মাগী মাগী ওইরিবা তাঞ্জা ফিভম (কন্তেক্স) শিং অদু ক্লাস রুমদা পুশিল্লক্তবা য়াদে। এন.সি.এফ. ২০০৫ অসিনা ওজাশিংনা লাইরিক্কি ৱাংমদগী ছাত্রশিংবু মশা মশানা লিলা দ্রামা কুমহন্দুনা, লাই য়েকহন্দুনা, মফম মফমদা হকথেংননা চৎহন্দুনা অমদি চাংয়েং কয়া মশা মশানা

তৌহন্দুনা অমদি থেংনহন্দুনা করম হায়না হৈহনগদগে হায়বসিদা হেন্না পুক্লিং চংই। এন.সি.এফ. ২০০৫ অসিনা ক্লাস রুম অমদা তল্লিবা অঙাংশিংগী অমদি কা অদুগা এসেসমেন্ট অমা চাং নাইনা তৌবা তঙাইফদনা মথৌ তাই হায়না য়াম্না লুম্না হায়রি। মসিদা ওজাশিং অদুনা অঙাংশিং অদুবু লেপ্পা লৈতনা অমদি কাচিন কোয়া য়ৌনা শেন্নবগী মথৌ তাই। মসি মখোয় মখোয়না লৈরিবা ফিভম অমদি চৎচরিবা মওংশিং অদুদা তেষ্ট রিজল্টশিং ঙাইদুনা রেকোর্দিং অমদি রিপোর্টিং তৌদুনা মতম মাংহন্দ্রিঙৈদা খুদক খুদক্তা ওজাশিংনা মতেং পাংবিনবনি। মখা তানা মসিনা মেঠমেটিক্স, লেঙ্গুএজ, সাইন্স অমদি সোসিয়েল সাইন্স তম্বখক্তদা নত্তনা পুন্সিদা চংদবা য়াদ্রবা স্কিলশিং, সমাজকি ওইবা, পার্সনেল, ইমোস্নেল অমদি সাইকো মোটোর স্কিলশিং তম্বিবগী মরুওইবশিংসু থমখি। এন.সি.এফ, ২০০৫ অসিনা তল্লিবশিংগী য়েংলগা শেম্বা পেদাগোজি হায়বদি সিলেবস, টেক্সবুক অমদি ক্লাস রুম শেম্বদা তল্লিবদুনা ফোকস ওইরগদি য়াবা অদুগুম্লবা লার্নর চেপ্তরদা পেদাগোজি অসিদা হেন্না মরুওইনা নৈনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা, করিগুম্বদা ঐখোয়না প্রাইমারি লেভেলদা পাম্বীশিংগী মতাংদা তম্বীনিংলবদি সিলেবস অদুদা অঙাংশিং অদুনা নুংতিগী উবা, পাইবা য়াবা, ৰারিদা য়াওবা পাম্বী ওইনা হাপকদৌবনি। টেক্সবুক অদুসু পাম্বীশিং অদুগী মরমদা য়াওবা ওইগদৌবনি। ওজাশিংনসু অঙাংশিং অদুদা মখোয় মখোয়গী য়ুমদা, স্কুলদা, অকোইবদা হৌবা পাম্বীশিংগী পোষ্টরশিং নপতুনা পুরক্লবগী তাঞ্জা অমা লৌবিগদৌবনি। মসিদা মখোয়না থেংনজবশিং অদুগা মখোয়গী লাইরিকশিংদা য়াওরিবশিং অদুগা শমজিন্নজবা ঙমগনি। মসি তৌবা মতমদা ওজাশিংনা ছাত্র অমমদা তম্বগী কয়াম কান্নরবগে হায়বদু উজবা ফংগনি।

**করিকুলম ঃ**

ঐখোয় লোয়নমক স্কুলিং তৌরকই, থেংনরগা লাকএ। ঐখোয়না খঙই মদুদি তল্লিবশিংগী কান্নবা খ্বায়দগী ফনবগী খোঙথাং খুদিংমক করিকুলমগী মখা লোয়না পোল্লি। করিকুলম অসিবু মমুৎ তানা খঙবা অমসুং মরম চুম্না শিজিন্নবনা ষ্টেকহোল্দরশিংগা টেক্সবুক্তা য়াওরিবশিংগা, লৌশিনবগী অমদি মীওইবগী ভেল্যুশিং শাগৎপগা, নুপী নুপাগী মান্ননা য়েংবা মীৎয়েং তম্বীবগা অমদি তল্লিঙৈসিদদি তল্লিবা খুদিংমকপু কোনশিন্দুনা কান্ননবা শিনবগী মওংগা মরি লৈনহনবা ঙম্মী।

করিকুলম অমা শেম্লকপগী মচং ওইবা ফেক্তরশিং অদুগী মনুংদা মখাগীশিং অসি য়াওই - তম্বগী মওং মতৌ, ময়াম্না য়ানরবা থিয়োরিশিং অমদি সমাজগী ইথিলশিংদগী ফংলকপা হ্যুমেন দেভেলপমেন্টকি ওইবা লৌশিং জ্ঞান। চাউরপ্লা মসিগী মথক্তা সমাজ অদুগী অনিংবা অপাম্বা, দরকার লৈবগী মতুংইন্না করিকুলমগী, কন্টেন্টকি, সবজেকশিংগী অমদি ওর্গেনাইজেসনগী মশক লেপ্পি। করিকুলমগীসু অচৌবা অওনবা পুরক্লবা রোল/ থৌদাং অমা লৈ।

ওজা ওইনা অমসুং ওজাশিংবু তম্বীবা মীওই অমা ওইনা ঐখোয়না খঙই মদুদি ফোর্মেল ওইনা ঙাক্তা তাকপা য়াদবা হীরম কয়া অমসু লৈ। মখোয়শিং অদুদি হিদন করিকুলম (উদবা) হায়না স্কুলগী সিষ্টেম্না খঙনৈ। হিদন করিকুলম হায়বসিনা স্কুলগী মতমদা ছাত্রশিংনা ফংজবা বিহেভিয়রশিং, পর্সপেক্টিবশিং অমদি এটিচুদশিংনচিংববুনি। অদুগা ঐখোনয়া খঙজিনবা মরুওই মদুদি ছাত্রশিংনা স্কুলদগী লৌশিল্লক্লদৌরিবসি মসিগী হিদন করিকুলম অসিনি, তৌবতবু মসিদি তল্লিবা ফোর্মেল কোর্স অদুদদি য়াওরম্বসু য়াই য়াওরমদবসু য়াই।

**সিলেবস ঃ**

সিলেবসনা ঠিমশিং, তোপিকশিং য়াওবা লিষ্ট অমা পীরক্কনি। ক্লাস ক্লাসকি, সবজেক্ট সবজেক্কি ওইনা পীরক্কনি। মসিনা তোপিক অদু তাকপদা মতম কয়াম চংহনগনি অমদি কয়াম হৈরবগে য়েংবগী মওংসু তাক্লক্কনি। সিলেবস হায়বসিদি তমগদৌরিবা কোর্স অদুগী মরমদা অমদি তম্বা মতমদা করি তৌগনি অমদি কান্নগনি হায়বগী মতাংদা ইবা অদুগুম্বা দোক্যুমেন্ট অমনি। মসিদি লাইরিক তাকপগীদমক্তদি চংদবা য়াদ্রবা দোক্যুমেন্ট অমনি হায়বদি মসিনা কোর্স অদুদা করি তোপিক তাক্কনি, হপ্তাগী চাংয়েংনা করম কান্দা তৌগনি, এসাইনমেন্টনা করম্বা মওংদা পীগনি অমদি মার্কনা করম হায়না পীগনি হায়বা লোয়না তাক্কনি। সিলেবসনা তম্বদগী ফংলকপশিং, এসেসমেন্টশিং, কন্টেন্ট অমদি তাকপী তম্বীবগী মওংশিংগগী মরক্তা লৈনরিবা মরিগী মতাংদা শন্দোক্লা উৎলি। মসিনা উৎলি মদুদি কোর্স অদুনা অফবা মায়কৈরোমদা ছাত্রশিংবু মখোয়না তমজদুনা হৈজবগী মওং অদুগী মায়কৈদা চৎকনি হায়বা। একাদেমিক ওইবা সিলেবস অমদি তঙাইফদবা মচাক মরী লৈঃ ঠিম অমদি ৱাহংশিং, ওবজেক্টিবশিং, চান্নবা এক্টিভিটিশিং, রিছোর্সশিং অমদি ওজাশিংগী নোটশিং।

**টেক্সবুক্স ঃ**

সিলেবসতা য়াওবা তোপিকশিং/ঠিমশিং অদুগী কন্তেন্ট টেক্সবুক্তা পিগনি। টেক্সবুক হায়বসি ছাত্র খুদিংমক্কি নমথোক্লবা/ডিজিটেল রিছোর্সশিংনি। টেক্সবুকশিং অসি তম্লিবশিংগা চান্নবা অমদি এন.চি.এফ.কি ৱাখল্লোনগী মমি তাবা ওইগদৌবনি।

- তম্লিবশিংগি য়েংলগা নম্বা লাইরিকশিংগী ফিচর্সশিং
- ইনফোর্মেসন হস্তরগা এক্টিবিটি য়ামহল্লগা ফাওনবা।
- তম্লিবশিংগী মশাগী ওইবা জ্ঞান শাগৎচনবা অমদি ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লবগী মফম পীবা।
- লৈপাক অসিদা লৈরিবা খেৎনবা ময়াম অসিবু খঙবা।
- কন্সটিটুসন্নেল ভেল্যুশিংবু ঙাক্লা চৎহন্নবা হোৎনবা।
- সমাজদা নুপী নুপাগী খেন্নবা লৈহন্দনবা অমদি পুন্নমকপু কোনশিন্নবা হোৎনবা।
- থবক্কি মফম লৈহন্নবা হোৎনবা।
- আই.সি.টি.গী জ্ঞান লৈহন্নবা হোৎনবা।
- মশা মতোমতা য়েংশিঞ্জনবা পাম্বে য়াওবা।
- য়াওরিবা পরাশিং পুন্নমক অচম্বা লোন্দা লোইনা ইবা।
- আর্টস, হেল্থ অমদি ফিজিকেল এডুকেসন য়াওগনি।

**স্কুলশিংদা লাইব্রেরিগী থৌদাং ঃ**

এন.সি.এফ ২০০৫ না য়াম্না ক্লা হায় মদুদি স্কুলগী লাইব্রেরি অমা হায়বসিদি ওজাশিং, অঙাংশিংনা অমদি মফম অদুগী লৈকাই অদুগী মীওইশিংনা মখোয়গী লৌশিংগী পুক্কে অদুবু হেন্না লুন্না পাক শন্না হেঙ্গৎহন্নবগী পাম্বে অমা ওইনা লৌগদবনি হায়না। স্কুল লাইব্রেরি অসিনা তম্লিবশিং পুন্নমক অদুগী নৈনফম অমদি পুনফম ওইবা য়াই।

**লার্নিং আউটকম্স (তম্লুবদগী ফংলকপশিং) ঃ**

এন.সি.ই.আর.টি. না ইকুই কুইদ্রিবদা হান্নগী অয়াওবা পরা হঞ্জিন হঞ্জিন ফারগা চাংয়েং তৌবগী মওং অদুদগী লাপথোকখিনবগীদমক্তা লার্নিং আউটকম্সশিং শেম্মী। মসিগী তম্লিবশিংদা করি ফংলকপগে য়েংলগা তম্বিবগী মওং অসিনা অঙাং অমনা চহি অমদা করি করি তম্মে, করি হৈরে, করি অওনবা পুরক্লে, সমাজগী করি কান্নবা তৌরকপা য়াই অমদি মওং মতৌদা করি হোংহল্লবগে হায়বদু ভাব তাহনবদা মতেং

পাংগনি। লার্নিং আউটকম্স হায়বসি অঙাংশিং অদুদা ওজা ময়ান্না ফগনি খনবা পেদাগোজিসিং শিজিন্নদুনা মতেং পাংলবা মতুংদা কোর্স অমা নত্রগা ক্লাস অমা লোইবদা করি লৌশিং হৈহৌই অমদি থমহৌই হায়বগী ষ্টেটমেন্টশিংনি।

**অঙাং খুদিংমক্তা তম্লুবগী কান্নবা ফংহন্নবা তাকপি তম্বিবগী পান্বৈশিং ঃ**

ওজাশিংনা ক্লাসরুমশিংদা পাংথোক্কদৌবা পুন্নমকপু কোনশিন্নবা থৌদাংশিং

এডুকেসনগীদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা শোইনাইরবা অমদি মীরাইবিরবা অঙাংশিংবুসু কোনশিনবা লাইরিক খুৎতম্বী অসিবু য়ান্না কুপ্পা মওংদা নৈনবা দরকার লৈ করিগীনো হায়রগা ময়ামগী চৎনরিবা মেনষ্ট্রিম এডুকেসন সিষ্টৈমগী লাইরিক খুৎতম্বী অসিনা হায়রিবা মখলগী লাইরিক তম্বা য়ারবা চহিগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা থোইনা কান্নবা পীবা অমদি ফজনা লাইরিক তম্বীবা ঙমদ্রিবসিনি। মসিনা লৈরিবা রিছোর্সশিং অমদি মফম মফণদুগা চান্নবা অনৌ অনৌবা তোঙানবা মওংশিং মশক খঙদোক্লবা থি, অমসুং শরুক য়াহনবা অমদি লাইরিক তম্বদা অপনবা পীরিবা পল খুদিংমকপু থিদোক্তুনা থুগাইনবা কন্না হোৎনৈ। এনিমেল স্কুল হায়না মীংথোনবা ৱারীগী হেন্দ আউট অসিবু নশা নতোমতা পাজৌ। ৱারি অদুগী অরোইবদা নৈনরিবা ৱাহংশিং অদু অমমমতা নৈনৌ অদুগা ক্লাস অপুম্বদা খন্নৌ।

ওজাশিংনা নিংশিংবিগদৌবনি মদুদি পুন্নমকপু কোনশিনবা অমদি ইফেক্তিব ওইবা লাইরিক খুত্তাকনা অঙাংশিংদা ফৈ। মসিনা অঙাংশিংগী তোঙান-তোঙানবা অকনবা অমদি অশোনবা মফমশিং মরিক চুন্না খঙদোকপদা মতেং পাংই অণসুং মসিনা মখোয় মখোয়গী তান্নবগী অপাম্বা মওংশিং অদুবুসু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমহল্লি। তমজরিবা পুন্নমকপু তম্বগী কান্নবা অমদি খুদোংচাবশিং ফংহন্নবগীদমক্তা এক্সক্লুসিবিটিদগী ইনক্লুসিবিটিদা হায়বদি খন্দোক খঞ্জিন থৌরম্বদগী পুল্লপ কোনশিন্দুনা শরুক য়াহনবরোমদা মশক থোক্লা হোংবা মথৌ তাই। করিগুম্বদা মহে তমদুনা মাই পাকহনগে হায়রবদি ঐখোয়না নাৎকি খেন্নবশিংখক্তা নত্তনা মান্নদবা অঙাংশিংগী তোঙান তোঙানবা সমাজকি, শেল থুমগী, হকচাংগী, পুক্নিং ৱাখলগী, লৌশিংগী খেন্নবা মশক মওংশিং অদুবুসু কুপ্পা নৈনবা মথৌ তাই।

# সাইনস তাকপি- তম্বীবগী মওং, পেদাগোজি ওফ সাইনস (অপপর প্রাইমারি ষ্টেজ)

Module 11

## ১ ওভরবিয়ু:

সাইনস তাকপি- তম্বীবগী মওংগী ওইবা মোদুল অসি অপপর প্রাইমরগী ওঝাশিংগীদমক্তা শেমগৎচবনি। মসিগী মোদুল অসিগী পান্দমদি, করম হায়না অঙাংশিংবু সাইনস হায়বা সবজেক অসি অপপর প্রাইমারিগী থাক্তা তম্বীগদৌরিবনো। মোদুল অসিনা মখাগী হিরম অসিবু মচা খাইনা তাকলি-

- শিন্দমগী পান্দম (লরনিং ওফজেক্তিপ)
- সাইনস হায়বসি করিনো ?
- অপপর প্রাইমারিগী থাক্তা তম্বীগদবা হিরমশিংগী পান্দম (করিকুলার এস্পেকতেসন)
- শিন্দমগী ফংফম থোকপশিং (লরনিং অউটকম)
- শিন্দমগী ফংফম থোকপশিং ফংহননবা হোৎনবদা শিজিননবা য়াবা লাইরিক মতাকশিং
- এন.সি.আর.টি.গী অপপর প্রাইমারিগী থাক্কী লাইরিক্তগী খুদম খরা
- ট্রেনিং প্রোগ্রামদা কে .আর. পি. শিংনা তৌবা য়াবা থবক - থৌরাংশিং

## ২ শিন্দমগী পান্দম (লরনিং ওফজেক্তিব)

মোদুল অসি চৎথরবা মতুংদা, শিন্দমলিবশিংনা ফংলে হায়না লৌবা য়াবাশিংদি।

- অপপর প্রাইমারিগী থাক্তা সাইনসপু সবজেক অমা ওইনা জ্ঞান লৌশিং লৌশিনবা ঙম্বা।
- তম্বীগদবা হিরমশিংগী পান্দম (করিকুলার এস্পেকতেসন) অমসুং শিন্দমগী ফংফম থোকপশিং (লরনিং অউটকম)গী মতাংদা জ্ঞান ফংবা ঙম্বা।
- সাইনসপু শিজিননদুন থিজিন খোচিনবগী মওং অমসুং জ্ঞান শাগৎপা ঙম্বা।
- ওঝানা মহৈরোইশিংগী শিন্দম্বু করম্না তেংবাং পিগনি শন্দোক্না তাকপা।
- লাইরিক্তা য়াওবা জ্ঞানশিং (কন্তেন), শিন্দম্বগী মওং (পেদাগোজি), অদুগা চাংয়েং লৌবা (এসেসমেন্ট)বু তাকপি- তম্বীবগী থৌওংদা পুনশিনবা।
- মহৈরোইশিংবু মখল- মখাগী শিন্দমগী মওং শাগৎতুনা সাইনসকী ওইবা ৱাখল্লোন ফংহনবা।

## ৩। সাইনস হায়বসি করিনো?

মীওইবনা অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী মরমদা মতম লৈবা খিবিক্তা খংনিংদুনতা লাকলি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী পাওখুম ফংনবগীদমক্তা মহৌশাগী অকোয়বদা লৈরিবা থৱায় পানবা অমসুং পানদবশিংগী মরমদা লৈনরিবা মরি অমসুং মচৎ অমদি থৌওংশিং য়েংশিনদুনা মালেম অসিগী মরমদা চুনবা ৱাখল্লোন অমা শাগৎলি, থিওরি, লোস, অমদি প্রিনসিপল কয়া পুথোরকখি। মীওইবনা অসুম্না হোৎনদুনা থিজিনবা অসিবুনি সাইনস হায়রিবসি।

সাইনস হায়বসি লেপনাইদ্রবা লোইদ্রবা পাকথোক চাওথোকপা নাইবা জ্ঞান লৌশিং ওইবতা নত্তনা চাংয়েং কয়াসু কোনশিল্লি। সাইনস হায়বসি মহৌশাগী মওং অমদি অওনবদা থিজিন-হুমজিনবা, মরম চাবা ৱাখল্লোন (লোজিকেল রিজনিং) অমসুং চাংয়েং তৌবদা যুমফম ওইদুনা মওং-মরিন নাইনা শেম্লবা জ্ঞানগী পুকৈনি। চাওখৎলকলিবা সমাজ অমদা সাইনসনা শাথিরবা লাইরবগী,খংদবদগী লাননা থাজবগী ইরোননুদগী নাম্থোকহন্দুনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঙসি মীওইবনা হাকথেংনরিবসি থুনা অওনবা নাইবা সমাজনি মসিদা মরুওইরিবদি হোংদোক হোংজিননাইবা অনৌবা ৱাখল্লোন অমনি হৈথোই-শিংথোইবনি। হাইরিবা গুনশিং অসি মাংওইননা থম্লগা মহৈরোইশিংবু মওং মরিল নাইনা সাইনস লমতাকপিগদবনি।

### ৩.১ অপপর প্রাইমারিগী থাক্তা তম্বীগদবা হিরমশিংগী পান্দম (করিকুলার এস্পেকতেসন এট দা অপপর প্রাইমারি ষ্টেজ)

অঙাংশিংনা অপপর প্রাইমারিগী থাক হেক য়ৌবদা সাইনসপু সবজেক অমা ওইনা তমজবা হৌই। মতাং অসিদা মহৈরোইশিংবু তপ্পা - তপ্পা ইনভাইরোন্তেল ষ্টদিজতগী সাইনসকী মচাক মথুম অমসুং শিশারোন(টেক্নোলোজি) লোমদা মাই ওনশিনহল্লকই। থাক অসিদা তম্বীগদবা সাইনসকী ওইবা ৱাখল্লোনশিংদি নুংতিগী ওইনা হাকথেংনরিবা থবক থৌরমশিংদগী খনগদবনি। তাকপি-তম্বীবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মওংদি মহৈরোইশিংদা থবক - থৌশিল অমসুং চাংয়েং তৌহনবনি।

সাইনসপু অপপর প্রাইমারি থাক্তা তম্বীবদা তোঙানবা সবজেক অমা ওইনা তম্বীরোইবদনি। থাক অসিদা সাইনসপু অপুনবা সবজেক অমা ওইনা তম্বীগদবনি অদুগা সেকেন্দরি ষ্টেজগী চমথোক্লবা মওং অমা ওইনসু খল্লোইদবনি। অঙাংশিংবু মখোয়না তোইনা থেংনজবা থৌদোকশিংদা, লোয়না লোয়ননা মখুৎ মক্না তৌহন্দুনা অচম্বা মখলগী শিনশারোনগী ওইবা নোম্না শেম্বদা মাই ওনশিনহনগদবনি। হেননা পুক্নিং চিংশিনবিগদবদি

অকোয়বগী অমসুং মহৌশাগী ফিভমবু ফনা অমসুং হকচাং ফবা লোয়না লোয়ননা রিপ্রদকতিপ অমদি সেক্সচুয়েল হেলথগী মতাংদনি। সাইনসকী ৱাখল্লোনশিং অসি মরুওইনা হাকথেংননা য়েংশিনবদগী, থবক- থৌশিলশিংদগী অমদি থিজিন- হুমজিনবদগী ফংলকপা ওইগদবনি। মহৈরোই ময়াম পুননা থবক- থৌশিল পাংথোকমিনন্বা (গ্রুপ এক্তিবিটি), পুননা মমানবশিংগা, ওঝাগা, অদুগা লৈকাইগী অখং- অহৈ মীওইশিংগা খননা- নৈনবা, থিজিন- হুমজিনবা, দাটা খোমজিনবা অমসুং মচা নাইনা পুনশিনবা অমদি সাইনসকী মেলা (একজিবিসন) স্কুলদা অমদি লৈকাইদা পাংথোকপা অসিনচিবনা সাইনসপু তম্বীবগী মরুওইবা মওংনি। শিশারোন (তেক্নোলোজিকেল) কী ওইবা শরুকশিং হায়বদি অচম্বা নোম্না অমদি তোইনা শিজিনবা মেকানিকেল অমসুং এলেক্ট্রিকেলগী ওইবা পোৎলমশিংগী মরমদা থবক থৌশিল ওইনা পাংথোকহনবা অসিনচিংবশিং অসি সাইনসকী কুরিকুলমদা য়াওগদবনি। অচম্বা চাংয়েংশিং অমদি খুৎনা পাইদুনা তম্বা অসিগী মথক্তা য়াম্না মরুওইবা অপপর প্রাইমারিগী থাক্তা সাইনস তম্বীবগী মওংদি মহৈরোইশিংবু মখোয়না মরুওই হায়না খঙবা সাইনসকী ওইবা সমস্যাশিংবু (সাইনসতিফিক প্রোব্লেম) অর্থ লৈনা অমসুং মমুৎ তানা থিজিন হুমজিনবনি। মসি করম হায়না তৌগদবগে হায়বদা পুননা মমানবশিং খনন- নৈনবা, পাওচেদগী মরি লৈনবা ঈ- পাও খোমজিনবা, লৈকাইগী অখং- অহৈগা ৱারি শানবা, লাইরিক, জর্নেল, মেগাজিন অমসুং ইন্তরনেট অসিনচিংবদগী মরি লৈনবা দাটা খোমজিনবা অমদি অঙাংশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা অচম্বা থিজিন- হুমজিনবগী থবক- থৌশিল তৌগদবনি। অপপর প্রাইমারি থাক্তা লৈবা সাইনস কারিকুলমনা মহৈরোইশিংদা শেমগৎনবা হোৎনরিবশিংদি -

- সাইনসতিফিক ওইবা গুন অমসুং ৱাখল্লোন

- সাইনসকী ওইবা মখাদা পিরিবা থৌরমশিংসিদা হৈথোই- শিংথোইবা
    - কুপ্না য়েংশিনবা
    - ৱাহং হংবা
    - শিন্দমবদা শিজিননবা য়াবা মখন- মখা কয়াগী পোৎচৈ- থিবা
    - থিজিন- হুমজিনবগী থৌরম য়াৎপা
    - ভাবনা শাবা অমসুং মদুবু চাংয়েং তৌবা

- মখন- মখা কয়াগী তুলস শিজিননদুনা দাটা খোমজিনবা, নৈনবা অমসুং ৱাহন্থোক

পিবা

- তশেংনা উরাবা খুদম চাংদমশিং অমদি মীচং- মীখাই নাইদবা ৰাখল্লোন্দা য়ুমফম ওইরগা শন্দোক্লা তাকপা
- তোঙান- তোঙানবা মওংগী ৰাহন্থোকপু মমুৎ তানা খন্দুনা শিংথাবিবা, নৈনবিবা অমদি চাংদম্নবিবা
- মখোয়না খল্লিবা ৰাখলদুদা মমি তাহনবা ঙম্বা
- থৌদোক অমগী মতাংদা মখোয়না ৰাখল খঞ্জদুনা ফিরেপ লৌবা ঙম্বা
- থাইনগী লৈরম্বা অমদি ওল্লকলিবা সাইনসকী হিরমশিংবু থাগৎপা ফোংদোকপা
- অকোয়বগী মতাংদা মিৎশিং নাশিংবা
- মীওইববু ইকাই খুম্নবা অমসুং নুপা নুপী মানৈ হায়বগী ৰাখল্লোন
- পুকচেল শেংবা অমসুং তিংবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা, পুনসি অমদি মীয়ামগী লনবু থৌশাবা অমদি মমল লৈ হায়না খনবা

এন সি এফ, ২০০৫ গী অপপর প্রাইমারিগী থাক্তা সাইনসকী কারিকুলম অসি দিসিপ্লিন অমগা অমগা মখাগী ক্রোস দিসিপ্লিনারি ওইবা থিমশিং অসিদা শেমগৎলি-

- চিঞ্জাক
- পোৎলমশিং
- হিংলিবশিংগী মালেম
- করম্না পোৎশিংনা থবক পাংথোকপগে
- অচৎ-অরেংবা পোৎশিং, মীওইবা অমদি মীওইবগী ৰাখল্লোন
- প্রকৃতিগী থৌওংশিং
- প্রকৃতিগী পোৎথোকশিং

**৪ অপপর প্রাইমারি ষ্টেজতা সাইনস শিন্দমগী ফংফমথোকপশিং ( লরনিং অউটকম ইন সাইনস দা অপপর প্রাইমারি ষ্টেজ)**

শিন্দমগী ফংফমথোকপশিং হায়বসিনা কোর্স নত্রগা ক্লাসকী অরোইবদা মহৈরোইশিংনা খংগদবশিং অমদি তৌবা ঙমগদবশিং অদুবু করি করিনো হায়না তাকই।

**ক্লাস সিক্স (৬)**

মহৈরোইদুনা-

- পোৎচৈ অমসুং ওর্গানিজম হায়বদি পান্বীগী মশিং (প্লান্ট ফাইবর), লৈশিংবু মওং

মতৌ অমসুং থবক মপাংথোক কুপ্না য়েংদুনা খংদোকপা ঙমই

- পোৎচৈগা ওর্গানিজমগী মচাক, মওং- মতৌ অমসুং মথৌদাং মফোংদোকশিং য়েংলগা খেৎনবশিদু খন্দোকপা ঙমই। হায়বদি মশিং (ফাইবর) অমসুং লং (য়ারন), মরা মখনশিং তেপ রুট অমদি ফাইবর রুট, ইলেক্ট্রিক্লা ফাওবা ঙম্বা পোৎশিং (কন্দতর) অদুগা ফাওবা ঙমদবা পোৎশিং (ইনসুলেতর)।
- পোৎচৈশিং, ওর্গানিজম অমদি থৌওংশিংবু মিৎনা উবা মগুনশিংদা য়েংলগা তুম্বা নাইবা (সোলুবল) অমদি তুম্বা নাইদবা (ইনসোলুবল) মঙান ফাওবা ঙম্বা (ত্রানসলুসেন), ময়েক শেংন মঙাননা ফাওদোকপা ঙম্বা (ত্রানসপরেন) অমদি মঙাননা ফাওবা ঙমদবা (ওপেক), অহোংববু অমুক হনজিনজবা ঙম্বা পোৎশক (রিবরসিবল) অদুগা অহোংববু অমুক হনজিনজবা ঙমদবা পোৎশক (ইরিবরসিবল): পাম্বীবু মখন- মখা কয়া থোক্লা হায়বদি নাপি (হার্ভস), অপিকপা পাম্বী (সার্ভস), লৈমাইদা মশা শন্দোকপা (ক্রিপর), য়েৎলগা হৌবা (ক্লাইমবর) : হিংফম জগাশিংদা ফংবা পোৎলমশিং (কমপোনেন্ট ওফ হেবিতেট), থৱায় পানবা (বাইওতিক) অমদি পানদবশিং (এবাইওতিক) হায়না খন্দোকপা ঙমই : অরেংবা পোৎশকশিংবু চুম্না চৎপা (রেক্তিলিনিয়ার), কোয়না চৎপা (সর্কুলর) অমসুং চাং নাইনা চৎপা (পেরিওদিক) হায়না তোঙান - তোঙাননা খন্দোকপা ঙমই।
- ৱাহংশিংগী পাওখুম ফংবা অচন্বা মখলগী থিজিন হুমজিনবগী থবক হায়বদি শা ষনশিংনা চারিবা শাজিক্তা করি কাননবা মচল য়াওবগে? মপানথোংগী ওইবা পোৎশক্কী অহোংবশিং অসি অমুক হঞ্জিনবা ঙমব্রা? য়োৎচাবী অমবু হেক্তা য়ান্দুনা য়েংবদা মায়কৈ তাকপা ঙমব্রা?
- থৌরম পরেং(প্রোসেস) অসি থোরকলিবা থৌওংগী (ফেনোমেনন) মওং য়েংলগা হায়বা ঙমই। খুদম ওইনা চিঞ্জাক ৱাৎপদগী থোরকপা য়াবা লায়নাশিং, পাম্বী অমসুং শা ঙাশিংনা করম্না মখোয়গী লৈফমগা চুশিননবা হোৎনগে? প্রকৃতিবু মোৎহল্লিবা অমোৎ অকাইশিং (পুলুতেন) না করম্না নুংশিৎকী মগুন হন্থহনবনো?
- চৎথরিবা থৌরম পরেং (প্রোসেস) অমসুং থৌওং (ফেনোমেনন) শন্দোক্লা তাকপা ঙমই। খুদম ওইনা পাম্বী মশিং (ফাইবর) বু লং ওইনা শিজিননবা শেম শাবগী থৌওং: পোৎলমশিংগী মমি (সেদো) অসি করম্না ওইরিবনো? অপাকপা মিংশেল (প্লেন মিরর)দগী করম্না মঙান থক্তোরকপগে? নুংশিৎতা য়াওরিবা খেৎনবা মচলশিংদু করিনো? ভামিকমপোস করম্না শাগনি।
- মপান থোংগী ওইবা পোৎশকশিংগী চাংবু ওনবা ঙমই , খুদম ওইনা অশাংববু এস.

আই, য়ুনিটতা ওনবা

- জিবা পানবশিংগী মতাংদা অমদি থৌরম পরেংগী মরমদা অয়েকপা (দাইগ্রাম) অমসুং লিক্লম তাকপা (ফ্লো- চার্ট) ওইনা উৎপা ঙমই খুদম ওইনা পান্বীগী কয়াৎশিং, তাইনফম (জোইনস), অমোৎ- অকাই চুমথোকপা (ফিলত্রেসন), ঈশিং ফিভম হোংদোক হোংজিনগী থৌওং (ৱাতর সাইকল) অসিনচিংবা ।
- অকোয়বদগী ফংবা পোৎশকশিং শিজিননদুনা নোম্লা শাবা অমদি নোম্লাদু শিজিননদুনা থৌওং অদু শন্দোক্লা তাকপা ঙমই। খুদম ওইনা পিনহোল কেমেরা, পেরিসকোপ অমদি ইলেক্ট্রিকেল তোর্চ অসিনচিংবা।
- নুংতিগী ওইবা পুনসিদা সাইনসকী ওইবা বুধি জ্ঞানশিং শিজিননবা ঙমই। খুদম ওইনা চাং নাইবা চিঞ্জাক (বেলেনস দাইট)কী মচলশিং খনবদা, পোৎশকশিং খাইদোক্লবগী, কুন্বী কালেন নাইনা শিরোল খাইদুনা শেৎপা, কোমপাস নিদল শিজিননদুনা মায়কৈ তাকপা, ঈশিং - ইচাও অমদি ইকং করম্না মাইয়োক্লগদগে হায়বশিং অসিনি।
- অকোয়বগী খল কাইহন্দনবগী থৌরাং লৌখৎপা খুদম ওইনা চিঞ্জাক, ঈশিং অমসুং ইলেক্ট্রিকপু লিক্লা মাংহন্দনা শিজিননবা অমদি অরেম্বা হাপুশিং মফম চান পুথোকপা, নোংগী ঈশিংবু য়োকশিন্দুনা থন্বগী কাননবগী পাওদম মীয়ামদা পীবা অমদি পান্বীশিংবু চেকনিনা থন্বীবা।
- থৌওং- থৌশিনগী হিরম পরেং শেন্বদা অমসুং অফংবা পোৎলমশিং শিজিননবদা হৈথোই- শিংথোইবা উৎপা ঙমই।
- পুকচেল শেংবা মীচং মীখাই নাইদবা অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমদি ওইদবা শনে দাকপদগী নিংতম্বা ঙমই

**ক্লাস ৭**

**মহৈরোইদুনা-**

- মওং মতৌ অমসুং থবক মপাংথোক কুপ্পা য়েংদুনা পোৎচৈ অমসুং থৱায় পানবশিং হায়বদি শাগী মতু য়াগী মখলশিং মিংশেল অমসুং লেনসনচিংবশিংবু খন্দোকপা অমসুং মশক তাকপা ঙমই।
- মচাক মওং মতৌ অমসুং মথৌদাং মফোংদোকশিং য়েংলগা পোৎচৈগা ওর্গানিজমগা খেৎনবদু খন্দোকপা ঙমই। হায়বদি জিবা কয়াগী চিঞ্জাক চাবা তুমহনবগী খেৎনরিবা থৌওং অমোম লাবা নাইবা অমসুং নাইদবা লৈশিং মৈশা ফাওবা ঙম্বা অমসুং ঙমদবা এসিদ বেস অমসুং ন্যুত্রেল পোৎলমশিং মিংশেল অমসুং শুজমনিনা শেন্বা মমিশিং অসিনচিংবা।

- মওং অমসুং পোৎচৈ অমদি অহিংবা জিবাগী কাংলুপ শেন্থা ঙমই। খুদম ওইনা পান্থী অমসুং শাগী মশিং ফেজিকেল অমসুং কেমিকেলগী অওনবা ৱাহংশিংগী পাওখুম ফংননবা অচন্বা মখলগী থিজিন হুমজিনবগী থবক, খুদম ওইনা লৈগী মচু শিজিননরগা এসিদ বেস খন্দোক্লবা পোৎলম হায়বদি ইন্দিকেটর ওইনা শিজিননবা য়াব্রা? অশংবা মনাশু ফোটোসিনথেসিস পাংথোকপ্রা? অঙৌবা মঙাল অসিবু মচু অতোপপা মঙাল অতৈগী অপুনব্রা ?
- মরম পিদুনা চৎথরিবা থৌরম পরেংগা ওইরকলিবা থৌওংগগী মরি পুথোকপা খুদম ওইনা নুংশিৎকী শাহুমনা শাফু পিবা, লৈহাও খেৎনবদা হৌরিবা পান্থীশিং, মীওইবনা মরম ওইদুনা লৈনুংগী ঈশিং ৱাৎশিনহল্লকপা অসিনা চিংবা।
- চৎথরিবা থৌরম পরেং অমসুং থৌওংবু শন্দোক্লা তাকপা ঙমই। খুদম ওইনা শাগী মউন শিজিননবগী শেম - শাবগী হিরম, মৈশা ফাওহননবা পান্থৈশিং, পান্থী অমসুং মীওইবগী কয়াৎশিং অমসুং লিক্লমশিং, ইলেক্ট্রিক্লা থোকহনবা মৈশা অমসুং য়োৎচাবি গুম ওইবগী মওং মতৌ।
- পোৎচৈ য়াশিনবগী থৌওংদগী ওল্লকপবু ৱাহৈ ওইনা ইথোকপা ঙমই। খুদম ওইনা এসিদ বেসতগী ওল্লকপা, কোহিং কাবা পান্থীনা চিঞ্জাক শুংবা অমসুং শ্বর হোনবগী থৌওং অসিনচিংবনি।
- চাং ওনবা অমসুং খোৎপা খুদম ওইনা অশাবগী চাং, মিহুনগী চাং, পোৎচৈ লেংবগী চৎপগী চাং, পোৎ অমনা হাইবদা চংবা মতম।
- মতম মমিং থাবিদুনা য়েকথোক্তুনা উৎপা অমদি লিক্লম তাকপা চার্ট য়েকথোকপা ঙমই খুদম ওইনা মীওইবগী হকচাং অমসুং পান্থীগী কয়াৎকী ওইবা লিক্লমশিং। ওর্গান সিস্তেম ইলেক্ট্রিক সার্কুইট চাংয়েং তৌনবা শেমগৎ শাগৎপা মুগা তিনগী পুনসি ৱারি অসিনচিংবা।
- গ্রাফ য়েকপা অমসুং অর্থ হনবা ঙমই। খুদম ওইনা অথাপপা অমদি মতমগী গ্রাফ।
- অকোয়বদা ফংবা পোৎলমশিং শিজিননদুনা নোম্না শাবা অমদি মথৌ মশিন অদু শনে দাক্লা তাকপা ঙমই। খুদম ওইনা মিহুন থাহুন ওননবা খুৎলাই এথেসথেসকোপ নুংশিৎকী শাফুবু ওননবা খুৎলাই এনিমোমিটর এলেক্ট্রোমিটর অমদি ন্যুটনসকী কলর দিক্স অসিনচিংবনি।
- হাননা লৈরম্বা পোৎশকশিংবু সাইনসনা পুথোরকপগী ৱারিশিংবু খনন নৈনবা অমদি থাগৎপা ফোংদোকপা ঙমই।

● নুংতিগী ওইবা পুনসিদা সাইনসকী বুধি জ্ঞান শিজিননবা খুদম ওইনা এসিদিটি হন্থনবা হোৎনবা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবা অমসুং শেমদোক শাদোকপা, কোলিং কাহন্দবা পান্থী মশা মউদগী পান্থী থাবা অমসুং শন্দোকপা অনি নত্রগা অনিদগী হেনবা সেলশিংবু মওং চুম্না শমজিননবিবা , মহৌশাগী ওইবা শাথিবা খুদোংথিবশিং থোরকপদা মাইয়োক্ল নবা পান্থে থিবা ঙন্বা মোৎশিল্লবা ঈশিং পুলুতেট ৱাতরবু অমুক শিজিননবা য়াবা মওংদা ওন্থোকপা ঙন্বা অসিনচিংবনি।

● মহৌশাগী খল ঙাক - শেনবা ঙম্নবা হোৎনবা খুদম ওইনা অফবা থবক থৌরমশিং তৌদুনা মীয়াম পুনবা জাগাশিংবু লু- নাননা থন্বা অমোৎ- অকাই থোকহনবা হন্থহনবা উ পান্থী থাদুনা লৈবাক লৈহাও মাংথরকপদগী থিংনবা হোৎনবা মহৌশাগী খুদোনশিং শিজিননথোকপদগী ওইরকপা অমাংবশিং মীয়ামদা খংহনননবা হোৎনবা অসিনচিংবনি।

● থৌরমগী হিরম অমদি পরেং শেম্বদা অমদি অফংবা পোৎলমশিং শিজিননবদা হৈথোই শিংথোইবা পুকচেল শেংবা মীচং মীখাই নাইদবা অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমদি ওইদবা শন্দোকপদগী নিংতম্বা ঙমই।

**ক্লাস ৮**

মহৈরোইদুনা -

● পোৎকী মগুনশিং শওং শাদা অমদি মথৌ মশিন য়েংদুনা পোৎ অমদি অহিংবা জিবাগী খেৎনবা উৎপা ঙমই। খুদম ওইনা মহৌশাগী ওইবা লং অমদি খুৎশেমগী ওইবা লং হকথেংননা ফংবা অমদি হকথেংনদনা ফংবা শাফু ইলেক্ট্রিক্লা ফাওবা ঙন্বা মহি অমদি ফাওবা ঙমদবা মহি পান্থীগী সেল অমদি শা- ঙাগী সেল মরুম ওইনা কোল্লগা মচা ওনবা অমসুং মচা ওইনা পোকপা জিবশিং।

● মওং অমসুং মগুন য়েংদুনা পোৎচৈ অমদি অহিংবা জিবাগী কাংলুপ শেন্বা ঙমই। খুদম ওইনা ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবা কালেন অমসুং নিংথমগী মহৈ মরোং, কাননবা অমদি কাননদবা মিৎনা উবা ঙমদবা জিবশিং, হকতিননবা অমদি হকতিননদবা মখলগী চাবোক লোইবা নাইবা অমদি লোইবা নাইদবা মহৌশাগী পোৎথোকশিং অসিনচিংবনি।

● ৱাহংগী পাওখুম ফংনবা অচন্বা মখলগী থিজিন- হুজিনবগী থবক পাংথোকপা ঙমই। খুদম ওইনা মৈ চাকপগী থৌওংদা করি করি চংবগে ঐখোয়না করিগী থুম অমসুং চিনিবু অচার অমদি মুরাবাসতা হাপলিবনো ? মহি খুদিংমক অকক্লবা অরুবদা মাননবা প্রেসর পিব্রা? অসিনচিংবনি।

● মরম পিদুনা চৎথরিবা থৌরম পরেংনা ওইরিবা থৌওংগী মরি পুথোকপা ঙমই। খুদম

ওইনা নুংশিত্তা য়াওবা অমোৎপশিংনা মরম ওইরগা স্মোক করম্না শেন্নকপগে থাইনগী লৈরন্বা ফুরা দলালসি এসিদকী নোংনা মরম ওইরগা ফিভম কাইহল্লকপা অসিনচিংবা।

- চৎথরিবা থৌরম পরেং অমসুং থৌওংবু শন্দোক্লা তাকপা ঙমই। খুদম ওইনা মী অমসুং শা- ঙাগী চাবোকপগী মওংশিং, মখোল পুথোকপা অমদি শন্দোকপা ইলেক্ত্রিক করেননা করম্না কেমিকেল রিএক্সন থোকহন্দুনা পোৎচৈশিংদা অহোংবা পিবা, মমি চবুলশিং করম্না পুথোকপা, মৈবুলগী শওং শাদা অসিনচিংবা।
- পোৎচৈ য়ানশিনবদগী ওল্লকপবু ইথোকপা ঙমই। খুদম ওইনা ধাতু অমদি ধাতু নত্তবা পোৎলমশিংনা নুংশিৎ ঈশিং অমদি এসিদকা য়ানশিনবগী থৌওংশিং,মঙাননা অপাকপা মিংশেন্দা তারকপগী এঙ্গল অমদি থক্তোরকপগী এঙ্গল ওনবা।
- মিৎনা উবা ফংদবা জিবশিং তিলহৌ মকু, মীওইবগী চিক সেল অসিনচিংবা কয়াবু স্লাইট শেমদুনা উৎপা অমদি পোৎলমশিংগী অকুপপা মগুনশিংগী মরমদা ফোংদোকপা ঙমই।
- মশক মমিং থাবিদুনা লাই য়েকথোক্লগা উৎপা অমদি লিক্লম তাকপা চার্দ য়েকথোকপা ঙমই। খুদম ওইনা সেল, মিৎ, মীওইবগী চাবোকপগী কয়াৎশিং, চাংয়েংগী শেমগৎ শাগৎপা অসিনচিংবগী।
- অকোয়বদগী ফংলকপা পোৎলমশিংদগী শিজিননদুনা নোম্না শাবা অমদি মথৌ মশিন অদু শন্দোক্লা তাকপা খুদম ওইনা ইলেক্ত্রা, ইলেক্ত্রেসকোপ, মিহুন থাহুন খংননবা খুৎলাই (এথেসথেসকোপ) অসিনচিংবা।
- নুংতিগী ওইবা পুনসিদা সাইনসকী বুধি জ্ঞানশিং শিজিননবা ঙমই। খুদম ওইনা ঈশিংবু শেংদোকপা, মিৎনা উবা ঙমদবা জিবশিংনা পৎথ পুমথহনবগী থৌওং তৌবা ঙন্বা অমদি ঙমদবা ফৎত- হৌদিশিং খন্দোকপা, মহৈ মরোং হেননা পুথোকহনবা চাননবা ধাতু অমদি ধাতু নত্তবা পোৎলমশিং, হিরম কয়াদা শিজিননবা অথিংবা ফ্রিক্সন থোকপবু দরকারগী মতুং ইননা হেনগৎহনবা অমদি হন্থহনবা, ইনখৎলকপগী মতাংদা সমাজনা থল্লন্বা ওইদবা মিথ এন্দ তাবুস কয়া থাজদবা অসিনচিংবনি।
- হাননা লৈরন্বা পোৎশকশিংবু সাইনসনা পুথোরকপগী ৱারিশিংবু খনন- নৈনবা অমদি থাগৎপা ফোংদোকপা ঙমই।
- অকোয়বগী ফিভম্মু ঙাকশেনবা ঙম্নবা হোৎনবা ঙমই। খুদম ওইনা পোৎলমশিংবু চেকশিননা শিজিননবা, হার অমসুং তিলহাক হিদাকপু অকক্লননা শিজিননবা, অকোয়বগী অমাং- অতা থোকহল্লিবশিং মাইয়োক্লবা পান্বৈশিং পুথোকপা অসিনচিংবা।

- শেম- শাবদা থৌরমগী হিরম পরেং শেমবদা অমদি অফংবা পোৎলমশিং শিজিননবদা হৈথোই- শিংথোইবগী মওং ওৎপা ঙমই।
- পুকচেল শেংবা মিচং মিখাই নাইদবা অমগা অমগা মতেং পাংনবা অকিবা অমদি ওইদবা প্রচারদগী নিংতম্বা অসিনচিংবনি।

এন সি ই আর তি না লরনিং অউটকমদা য়ুমফম ওইরগা পাংথোকখিবা নেসনেল এচিবমেন্ট সরভে ২০১৭দা ক্লাস ৮কী সাইনসতা নেসনেলগী থাক্তা চুন্না খুন্না খুন্বা পাওখুমদি মখাগী অসিনি ক্লাস ৮ তা ৪৪%। ঐখোয়গী ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্কী থাক্তা মহৈরোইশিংগী অফংবা এভরেস অদু হায়বা ঙমব্রা? মদুগী মতাংদা মখাগী অসিদা ফংগনি- http:/www.ncert.inc.in/programmmes/NAS/SRC.html. মমুৎ তানা খননদুনা অমদি হোৎন্দুনা মহৈরোইশিংদা সাইনসকী শিন্দমগী মহৈ ফংবা হেনগৎহননবা হোৎনাব দরকার ওইরে।

**৫ শিন্দমগী ফংফমথোকপশিং ফংহননবা হোৎনবদা, খননবা য়াবা তাকপি তম্বীবগী থৌওংশিংদি -**

মহৈরোইশিংদা জুরা নত্রগা কাংলুপ ওইনা শেল্লগা নত্রগা নাইতোম ওইবগী খুদোংচাবা পিবিদুনা মখাগী হিরম অসিদা পুক্নিং থৌগৎপিগনি-

- উবা,তাবা, তংবা, নম্বা অমদি ফাওবগী পাম্বৈনা অকোয়বা প্রকৃতিগী মওং অমদি থৌওংবু থিজিন খোৎচিনবা।
- ৱাহং হংবিদুনা মদুগী পাওখুম ফংননবা ৱাখন খন্থবা, তাথোক তাশিন তৌবা চুনবা থৌশিল কয়া অমা শাদুনা উৎপা, মতৌ তমদুনা উৎপা, অচুম অরান য়েৎনবা অমদি আই সি টি শিজিননদুনা থিজিনবা।
- থৌরমশিং তৌদুনা চাংয়েং কয়া তৌদুনা মরি লৈনবশিং খোমজিন্দুনা মফম কয়া চত্তুনা ফংলকপশিংদু মচা খাইনা থম্বা।
- মচা খাইনা থমখ্রবা দাটাশিংবু শিজিননরগা চাংদম কয়া য়েংদুনা ফংলকপা ফলশিংগী ৱাহন্থোক পুথোকপা অদুগা ৱাহন্থোক অদুবু মমানবশিং অমদি অহল- লমনশিংদা পাওদমবা।
- হৈশিংবা উত্তুনা অনৌবা ৱাখল্লোন থৌশিন মগুন হাপপা, থৌওং কয়া পুথোকপা, গুনশিং হায়বদি মতেং পাংবা, হোৎনমিনবা, চুন্না পাওদম্বা অমদি ফংলকপশিংবু চেকশিননা শিজিননবা অসিনচিংবশিং অসিবু লৌশিনবা খংজিনবা অমসুং শিংথাবিবা।

মথক্তা পিরিবা তাকপি তন্বীবগী থৌওংশিং অসি শুপ্পতংগী ওঝানা করন্বা মওংদা মহৈরোইশিংগী ফিভম য়েংদুনা তম্নবগী হিরম শাগৎকদগে হায়বা খক্তনি, ওঝাশিংনা তৌফম থোক্লিবদি মহৈরোইশিংশু সাইনসকী থবক থৌরমদা অমদি লৌশিং শাগৎনবা হোৎনবদা শরুক য়াহনবগী খুদোংচাবা ফংহনবদুনি। সাইনসকী লৌশিং শাগৎহননবা তাকপি তন্বীবদা চংলিবা অসি তাকপিগদৌরিবা অনৌবা ৱাখল্লোন অদুগা অঙাংশিংদা হাননা লৈজরন্বা ৱাখল্লোনগা মরি লৈনহননবগী পান্বে পুথোকপনি অমসুং শিজিননগদবা পোৎলমশিংদি অকোয়বদা লাইনা ফংবা পোৎলমশিংনি মরম অদুনা ওঝানা মহৈ তন্বীনবগী ফিভম শাগৎপদা তমগদৌরিবশিং অদুনা থেংনখ্রবা অমসুং অঙাংশিংদা হাননা লৈরন্বা ৱাখল্লোনবু খংদোকপা য়াম্না মথৌ তাই। মরম অসিননি মফমগা চুনবা অমসুং অফংবা পোৎলমশিং য়েংদুনা ছাত্রশিংগী থেংনখ্রবা লমশিংগা চুশিনননা ওঝাশিংনা তাকপি তন্বীবগী ফিভম শাগৎফম থোকই হায়রিবসি মখাদা খুদম খরা ওইনা শিন্দমগী ফংফমথোকপশিংগা ফংলকপা মহৈগা চুশিননা তাকপি তন্বীবগী পান্বেশিং মখাদা খুদম চাংদম খরা উত্তুনা নৈনরি।

## ৬ এন সি আর টি বিজ্ঞান লাইরিক্কী ওইবা ফিভম মথক থংবা প্রাইমারি ক্লাস ৬দগী ৮ কী থাক্তা

লমদমদুদা ফংবা পোৎলমশিং শিজিননদুনা লাইরিক তন্বীবা হায়বসি ওঝা অমগী তৌফম থোকপনি তাকপি তন্বীবদা মগুন হাপ্পবা চেকশিননা শিজিননবা য়াবশিং পল্লবদা সাইনসকী পোৎলমশিং, আই সি টি, কালা অমসুং খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং অসি ওইবা য়াই।

### ৬.১ খুদম ১

**ক্লস ৮**

**চেপ্তর ৪- ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবা**

মরুওইবা ৱাখল্লোনদি ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবশিংগী মপানগী ওইবা গুনশিং (পেজ নং ৪৪ সেক্সন ৪.১)

**শিন্দমগী ফংফমথোকপশিং**

মহৈরোইশিংদুনা

- অচন্বা থিজিন হুজিনবা খরা পাংথোকপা
- পোৎকি মগুন য়েংদুনা ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবা হায়না খাইদোকপা।
- চৎথরিবা থৌওংবু শন্দোক্লা তাকপা।

- ৱাহৈ থাদুনা তাকপা লাই কয়া য়েকপা।
- নুংতি পুনসি মহিংদা সাইনসকী ৱাখল্লোনবু শিজিননবা।
- পুকচেল শেংবা মতেং পাংমিননবা অমসুং।
- অনৌবা ৱাখল্লোন খনবা ঙম্বা অকোয়ববু লু- নাননা থম্নবা হোৎনবা।

## নহাক্কী ছাত্রবু খঙজিল্লু (নো ইয়োর ষ্টুদেন্ট)

থবক থৌশিল য়াওনা তাকপি তম্বীবদা চংদ্রবা য়াদ্রবা অমদি লুনা লৌনরিবসি তাকপি তম্বীবদা চংগদবা পোৎলমশিং অসিনি। পোৎলমশিং ফংবা হায়বসিনা থৌশিল য়াওনা তাকপি তম্বীবগী খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। ওঝা অমগী খ্বাইদগী অহানবা চংদ্রবা য়াদ্রবা গুন অদুদি মহাক্কী মহৈরোইশিংবু মুননা মশক খঙবা অমসুং মখোয়গী মরমদা খংবিবা হায়বসিনি মসিনা ওঝা অদুবু করম্না অঙাংশিংবু তাকপি তম্বীবদা শরুক য়াহনদগে অমসুং হিরম শাবদা মতেং পাংহনগদগে হায়বদা মতেং পাংই।

মহৈরোই খরাদি খুৎ- শা য়াম্না হৈ অমসুং খরানা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা য়াম ফজনা ইবা হৈ অদুগা খরা অমদি থিজিন খোচিনবা অমদি পোৎচৈ খোমজিনবদা য়াম্না হৈ করিগুম্বা অঙাংশিংনা হায়রিবা অসি উৎলক্লবদি মসিনা তাকলিবসি সাইনস তাকপি তম্বীবগী থৌওংদা মহৈরোইশিংসু থৱায় য়াওনা শরুক য়ারে হায়বনি । মথক্তা পিরিবা খুদমশিং অসিনা হোৎনরিবদি করি তাক্কনি করম্না তাক্কনি অমসুং করম্না চাংয়েং পাংথোক্কনি হায়বসি য়াম্না অর্থ লৈনা পুনশিননদুনা সাইনস তাকপী তম্বীনবনি।

## অশুম্না হৌরক্কদবা (তু বিগিন ৱিথ)

সাইনসকী ক্লাস অমদা ওঝা অদুনা মহৈরোইশিং মখোয়গী নুংতিগী পুনসিদগী ধাতুগী মরমদা খরা খংলমলগনি হায়না লৌই। মসিদা নত্তনা মখোয়না ক্লাস সিক্সতশু ধাতু মরমদা খরা তমখ্রবনি মহৈরোইশিংদা ধাতু মরমদা লৈরিবা ৱাখল্লোনদু খংদোক্লবা ওঝাদুনা হংলকই। ধাতু খরাগী মমিং হাইয়ু ? মহৈরোইশিংনা অসুম্না খুমলকপা য়াই মদুদি য়োৎ, লুপা, সনা, এলুমিনিয়ম, ষ্টিল, কোরি অসিনচিংবা। ওঝাদুনা অমুকশু হংলকই, অদুদি নখোয়না হাইরিবশিং অদু ধাতুনি করম্না হায়রিবনো ? পোৎলমশিং অদু কল্লি, লংই অমসুং করিগুম্বা নুংথংনা য়ৈবদা মখোন পুথোকপা ঙমই হায়না মহৈরোইশিংনা খুমলকপা য়াই।

মহৈরোই নং ১। ( উবগী পাঙ্গল শোল্লবা )ওঝানা য়োৎনা শাবা শো, শোজৈ অসিনচিংবা পিবিদুনা মহাক্কী খুৎশাশিংদুনা ফাওবদা খংননবা হোৎনৈ।

ওঝাদুনা মহৈরোই অমদা উনা শাবা পাথাপ অমনা উগী তেবলদা য়ৈয়ু হায়খি অমসুং মহৈরোই পুম্নমকপু মুননা য়েংউ হায়না পুকনিং থৌগৎখি। থৌদোকতু মুননা য়েংলগা মখোয়না উশু

মখোন পুথোকপা ঙমই, কনশু কললি অমসুং লংশু লংই খংখি অদুবু হায়রিবা পোৎশক অসিশু ধাতুনি হায়বা য়াব্রা?।

মতাংসিদদি মহৈরোইশিংদুনা পাওখুম পিবা ঙমবশু য়াই নত্রগা ঙমদবশু য়াই। থৌদোক্তুদগী ওঝাদুনা মহৈরোইশিংদা লৈরিবা ধাতুগী ওইবা ৱাখল্লোন অসি মখোয়না নুংতিগী ওইবা থৌদোকশিংদগী ৱাখল শাগৎপনি হায়বা খংবা ঙমলে। অদুবু ধাতুগী মতাংদা চপ চাবা ৱাখল্লোন লৈত্রি হায়বা ওঝানা খংলে অদুনা ওঝাদুনা ধাতুগী মরমদা থবক থৌরম খরা মহৈরোইশিংদা পাংথোকহন্দুনা ধাতুগী মগুনশিং খংহননবা মহৈরোইশিংবু পুক্নিং থৌগৎনবা হোৎনরগে হায়না লেপলে।

## এক্তিবিটি - ১

ওঝা অদুনা মহাক্কী ক্লাসকী মহৈরোই অমদা য়োৎকী পুখম অমা লৌরুনবা হায়খি অদুগা অহানবদা উগী পাথাপ অমনা পুখম  অদু য়ৈহনখি, য়োৎকী চামচ অমনা অমুক য়ৈহনখি, ওঝাদুনা মহৈরোইশিংবু থোরকলিবা খোঞ্জেনশিংগী খেৎনবদু  মুননা তাননবা পুক্নিং থৌগৎখি।

মহৈরোই নং ১। ( উবগী পাঙ্গল শোল্লবা ) পুখমদুবু চামচনা য়ৈরবদি খোঞ্জেন অহৌবা - অনিনবা মখোন অমা থোলকই অদুবু উগী পাথাপনা য়ৈবা মতমদদি অমেংবা মখোন ওইনা থোরকই।

ওঝা: অঙাংশা, নখোয়গী মরক্তগী কনাগুম্বা অমনা মসিদগী ধাতুগী মগুন খরা হায়বা ঙম্লদ্রা?

মহৈরোই নং ২ : হোই ওঝা ধাতু অনি য়ৈনবা মতমদা অয়াকপা - অনিনবা মখোন থোকই, ধাতু অমগা ধাতু নত্তবা অমগা য়ৈনবদদি অমেংবা মখোন থোকই অদুগা করিগুম্বা ধাতু নত্তবা পোৎশক ঙাক্তা য়ৈনরবদি মখোন য়াম্না হন্থনা থোকই।

ওঝা : য়াম্না ফরে, অসিগুম্বা অহৌবা অনিননবা মখোন অসিবু সোনোরস কৌই। ধাতুশিংদি সোনোরস ওইবা পোৎশকশিংনি নখোয়না খনবদা অসিগুম্বা ধাতুগী মগুন অসিগী শিজিননফম করি ওইগনি?

মহৈরোই ৩: কাংশি খুদিংমক ধাতুদগী শাই খুদম ওইনা হায়রবদা স্কুলগী কাংশি, খোংজি, শরিকনচিংবা অসিশু ধাতুনা শাই।

**শিন্দমদগী ফংফমথোকপশিং**- ধাতুশিং অসি অনিনবা মখোন থোকই খংনবা চম্না থিজিন- হুমজিন তৌবা, শিন্দমদগী ফংলকপা মহৈবু নুংতিগী পুনসি মহিংদা শিজিননবা। অঙাংশিংদা এলুমিয়িম তরা, কোরিগী তরা, য়োৎপি, কোয়লা, সলফরগী পাওদরনচিংবা

পিবিবা। পিরিবশিং অসিদগী অরংবা ধাতুশিং খন্দোকপা ঙমব্রা ?
ছাত্রশিংবু অহুম- মরিনা শাবা কাংলুপশিং খাইদোক্তুনা খনন- নৈনবদা পুক্লিং থৌগৎলি। ওঝানা মহৈরোইশিংগী কাংলুপ শেম্বদা হৌরকফম খেৎনবা, হৈথোই- শিংথোইবা খেৎনবা অসিনচিংবা খেৎনরবা গুনশিং চেনবা কয়াবু পুনশিন্দুনা কাংলুপ শেমই।
মখোয়না পোৎলমশিং অদু কাংলুপ খাইদোকই অরংবা কাংলুপ- অমসুং লংদবা কাংলুপ।
মহৈরোই ৪: অহানবা কাংলুপকী পোৎশকশিং অসি ধাতুনি মরমদি মখোয় লংখৎলি অমসুং অনিনবা খোনজেল থোকই অদুবু অনিশুবা কাংলুপকী পোৎশকশিং অসিদি ধাতু নত্তবা ঙাক্তনি।
মহৈরোই ৫: মহাক্তী ৱাখল খনজাননদুনা লৈ, মহাক্না কোলিং কাবা য়োৎপি অমা পুথোরকই অদুগা হায়রকই য়োৎপি অসিনা ধাতু ওইরগা করি মরমগী লংদ্রিবনো ?
মহাক্না পুথোরকলিবা ৱাখল্লোন তাবদা ওঝাদু য়াম্না হরাওরমই লোয়ন - লোয়ননা জ্ঞান তাদ্রিবশিংবু ৱাহং হংদুনা পাওখুম ফংনবা হোৎবদুদা নুংঙাইবা ফাওরমই। ৱাহং হংবা অমদি চমম্নববু ফোংদোকপা হায়বসি তাকপি - তম্বীবদা য়াম্না মরুওইবা পাম্বে ওই হায়বসি মহৈরোইশিংদা খংহল্লে।
ওঝা অদুনা মহৈরোই ৫শুবা অদুদা কোলহিং নানথোক্লবা চেদু পিরগা কোলহিং কারবা য়োৎপি অদু চে অদুনা তকথোক্লবা হায়রমই।
মহৈরোই ৫ : কোলহিং নানথোক্লবা চেদুনা য়োৎপি অদু তকপা হৌরমই। ইস! হাইমা! মসিদি লংথোরকলেনে।
ওঝা : ধাতু অয়াম্বনা মখোয়গী অরংবা মাংশিল্লকপগী মরমদি নুংশিৎ অমসুং ইনিননিনি। ধাতু অয়াম্বা লংই অদুবু অরংবা খক্তনদি ধাতুগী গুন নত্তে, গুন ময়াম অমা পুনশিল্লবা মতুংদা পোৎ অমবু ধাতুনি হায়না উৎপা অমসুং শক্তাকপা য়াই।

## এক্তিবিটি ২:

থিজিন- হুমজিনবগী থবক হৌদ্রিঙৈদা, ওঝানা মহৈরোইশিংদা করিগুম্বদা অপিবা পোৎশক অমবু য়ৈবদা মওং হোংগদ্রা নত্রগা হোংলোইদ্রা হায়বসি ভাবনা শাগৎনবা পুক্লিং থৌগৎখি। মহৈরোইশিংনা ভাবনা শাগৎলবা মতুংদা ওঝাদুনা মহৈরোইশিবু থিজিন- হুমজিনবগী থবক চৎথনবা পুক্লিং থৌগৎখি।
মহৈরোইশিংনা পোৎলমশিংদু লৌখি অদুগা নুংথং অমনা অমমমতা ওইনা য়ৈখি অমসুং মখোয়না থেংনবশিংদু রেকোর্ট তৌশিনখি, মখোয়বু ওঝাদুনা থৌরমদু পাংথোকপদা চেকশিননবা অমসুং অশোক- অপন থোক্তনবা নিংশিংখি।

নুংথংতমক লৈবা মরমনা, মহৈরোই অমদি পোৎলমশিংদুবু য়ৈবদা শিজিননবা অচৌবা নুং অমা মপানদগী থিরুই।
মহৈরোইশিং: য়োৎকী য়োৎপী, এলুমিনিয়মগী ৱাইয়ার অমদি কোরিগী ৱাইয়ারদি য়ৈবদা মওংদমক হোংই অদুগা কোয়লা, সলফরগী মতুমদি য়ৈবদা মচেৎ- মচেৎ থোক্লা কাই।
মহৈরোই ১: য়োৎকী য়োৎপী, এলুমিনিয়মগী ৱাইয়ার অমদি কোরিগী ৱাইয়ারদি য়াম্না কল্লি হায়না খল্লি অদুগা কোয়লা, সলফরগী মতুমদি খিতং য়ৈবদা ইরাই লাইনা কাই।
মহৈরোই ১দা পোৎচৈশিংবু নুংথংনা য়ৈদ্রিঙৈ অমসুং য়ৈরবা মতুংদা মখুত্তা পিবিদুনা অহোংবদু ঙমহল্লি।
মহৈরোইনা অতোপপা পান্বে শিজিননবা হায়বদি নুংথংগী মহুত্তা নুং থিদুনা শিজিননখিনচিংবা অসিবু থাগৎপা ফোংদোকই।অদুদা নত্তনা মহৈরোই ১ (উবগী পাঙ্গল শোল্লবা) অদুবু মমাননবশিংনা মতেং পাংবিবদু ওঝাদুনা থৱায় তানা য়েংখি।
ওঝা: নখোয়গী কনা হায়বা ঙমই, উরিবা থৌদোকশিং অসিদগী অরেপপা ধাতুগী মগুন খরা।
মহৈরোই ৬ : ধাতুশিংদি ইরাই লাইনা মকুপ তানা থুগাইবা ঙমদে, অদুগা ধাতু নত্তবা পোৎশকশিংদি ইরাই লাইনা থুগাইবা ঙমই।
শিন্দমদগী ফংলকপা মহৈ: অচন্বা থিজিন- হুমজিনবগী থৌওং চৎথদুনা ৱাহংগী পাওখুম ফংনবা হোৎনবা, ধাতু হায়বসি অয়াম্বা কল্লি হায়না ৱারোইশিন পুরকপা, অমসুং অমগা - অমগা মতেং পাংনবগী মওং উৎপা।
ওঝা: ধাতু অমবু য়াম্না পাবা মপাক ওইনা য়ৈথোকপা য়াগনি হায়না নখোয় খনবা ঙমব্রা? ওঝাদুনা সিলভরগী ফোইলনা য়োম্বা মীথাইবু মহৈরোইশিংদা উৎখি। মতাংসিদা ভিদিও ফিল্ম উত্তুনা ধাতুগী পানা য়ৈথোকপা য়াবগী মগুনবু উৎপা য়াই।
অসুম্না ধাতুশিংবু চাং নাইনা পানা য়ৈথোকলবদি, অকাই- অতোই অপাবা মপাক ওইবা ঙমই। অসিগুম্বা ধাতুগী গুন অসিবু মেলেয়েবিলিটি হায়না খংনৈ।
মহৈরোই ৬ না মহাক্কী তল য়োল্লিবা এলুমিনিয়ম ফোইল অদু লৌথোরকই।
লৈকাই অমসুং মমা- মপা য়াওনা (ইনভোলবিং কম্যুনিটি /পেরেনস)
মহৈরোইশিংনা মমা- মপা ওইবশিংদা য়োৎ শাফম নত্রগা সনা শাফম খুদম ওইনা হায়রবদা শাননপোৎ, লৈতেংগী ওইবা সনা- লুপা, লিক- কোন শাবা মফমদা পুবিয়ু হায়বা য়াই, নত্রগা স্কুলনা শিন্দুনা সনা শাবা অমসুং য়োৎ শুবা মীগী দুকান্দা পুবিবা য়াই।
য়াম্না হৈ- শিংলবা সনা শাবা মী নত্রগা য়োৎশুবা মীবু মখোয়গী স্কুলদা কৌদুনা মহৈরোইশিংদা

মখোয়না তৌরিবা থবকশিংদুগী মরমদা ৱারি- ৱাতাই য়াই।

এক্তিবিটি ৩:

হৌজিক ওঝানা হাননা মমাংগী ক্লাসতা সেল, তারাশিং অমসুং অপিকপা ব□ অমা শিজিননদুনা ইলেক্ট্রিক সর্কুইট করম্না শেম্নকখিবনো হায়বদু নিংশিংনবা হায়। ওঝানা অমুক মহৈরোইশিংদা পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হায়রমই মদুদি মপুং ফাবা সর্কুইট অমা য়োৎকী য়োৎপী, কোপপরগী ৱাইয়ার, এলুমিনিয়ম ৱাইয়ার, কোয়লা মচেৎ অমা সলফর, পেনসিল লিদনচিংবা অসিনা সর্কুইটকী শরুক ওইনা শিজিননরগা সর্কুইট অদু ফাওদুনা করেন চেনব্রা চেন্দব্র খংদোক্নসি হায়খি।

মহক্না মহৈরোইশিংবু চাংয়েং তৌরিবা থৌওং অদুদা ফংলকপা ফলশিংদু মখাদা দাইগ্রাম অমসুং তেবল ১ দা রেকোর্দ তৌনবগীদমক্তা পুক্নিং চিংশিল্লমই।

ছাত্রশিং অদু ৩দগী ৪ ফাওবা কাংলুপ খাইদোক্তুনা থিজিন- হুমজিনবগী থবক তৌবা হৌরমই। ওঝা অদুনা মহৈরোই কাংলুপশিং অদুদা পুনশিনবদা হৌরকফম মাননদবা অমসুং হৈথোই- শিংথোইবা মাননদবশিং অদু পুনশিন্দুনা শেমই। মহৈরোই খরাদি য়াম্না পুক্নিং চংনা মথৌ তৌই, খরা অমনা অতোপপশিংবু মতেং পাংই হায়বসি ওঝানা উবা ফংই। মহৈরোইশিংদু মখোয় মশেল অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনৈ।

তেবলসিদা পিরিবা রেকোর্ট অসি মহৈরোইশিংনা তুংদা শিজিননবগীদমক মখোয়গী পোর্টফোলিওদা থমগদবনি।

তেবল ১

| সে:নং: | মেটরিয়েলস | ব□ ঙাল্লি | ব□ ঙান্দে |
|---|---|---|---|
| ১। | য়োৎপী | | |
| ২। | কোপপর ৱাইয়ার | | |
| ৩। | এলুমিনিয়ম ৱাইয়ার | | |
| ৪। | কোয়লা মচেৎ | | |
| ৫। | সলফর | | |
| ৬। | পেনসিল লিদ | | |

মহৈরোইশিং: য়োৎপী, কোপপর ৱাইয়ার, এলুমিনিয়ম ৱাইয়ার, পেনসিল লিদনচিংবা থমদুনা য়েংবদা ব□ অদু ঙানবা ঙমই অদুবু কোয়লা মচেৎ অমসুং সলফর থন্বা মতমদদি ব□ অদু ঙানবা ঙমদে।

মহৈরোই ১না ব□তুদা শোকপদা হানন্দগী শাগৎলকপদৌনা ফাওরমই। মখোয় মশেল খনন- নৈনরবা মতুংদা য়োৎপী, কোপপর ৱাইয়ার, এলুমিনিয়ম ৱাইয়ার, পেনসিল লিদ অসি ইলেক্ট্রিক্লা ফজনা ফাওবা ঙমই অদুগা কোয়লা অমসুং সলফরদি ইলেক্ট্রিক্লা ফাওবদা ৱাই হায়না ৱারোইশিন পুরকলমই।

ওঝা অশুম্না শন্দোক্লা তাকপা য়াই অদুদি ধাতুশিং অসি ইলেক্ট্রিক্লা ফজনা ফাওবা ঙমই অদুম ওইনমক ধাতু নত্তবা পেনসিল লিদ (গ্রাফাইট) অসিশু ধাতু নত্রবসু ইলেক্ট্রিক ফজনা ফাওবা ঙমই। মরমদি মদিদা ফ্রি ইলেক্ট্রোনশিং কার্বোনগী এল্লোট্রোপিক ফোর্মদা ফংই মরম অসিননি। হায়রিবা মরম অসি মখা তানা শুগাইনা মহৈরোইশিংনা হাইয়ার ক্লাস্তা নৈনরক্কনি।

**আই সি টি শিজিননদুনা মখা তানা থিজিনবা (য়ুজিং আই সি টি ফোর ফরদর এক্সপ্লোরেসন)**

নৈনরিবা মতাংসিগা মরি লৈনবা সিমুলেসন, ভিদিও, এনিমেসন অসিনচিংবা কয়া ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংদা য়েংহন্দুনা হেননা মখা তানা নৈননবগী খুদোংচাবা পিবিবা য়াই। অসিগুম্বা ইলেক্ট্রিক সর্কুটকী সিমুলেসন, মখাগী অসিদগী উবা ফংগনি:- *https://nroer.gov.in.*

**চাংয়েং তৌবা (এসেসমেন্ট) :**

ওঝা -

১। কোরি অমদি এলুমিনিয়ম তারানচিংবা অসি কদায়দা শিজিননবা উবগে?

২। তারাশিং অসি কোয়লানা শাবা য়াগদ্রা ?

মহৈরোইশিং অদুনা মখোয় মশেল খনন- নৈনবা অদু উবদা ওঝা অদু অঙকপা মওংদা হরাওবা পোল্লমই। মহৈরোইশিং অদুনা পোৎচৈশিং অদুবু মফম চানা থম্দুনা অমসুং লুনা- নাননা লৈহনবদু মহাক্লা উরমই।

(শিন্দমদগী ফংফমথোকপশিং :- অচম্বা থিজিন- খোচিনবা তৌবা- শন্দোক্লা তাকপা, মমিং থাদুনা লাই য়েকথোকপা, দাটা রেকোর্ট তৌবা অমসুং দাটাদুবু অর্থ লৈবা ৱাহন্থোক পিবদা পুকচেল শেংবা, মতেং পাংনবা অমসুং অকোয়ববু নাননা থম্নবা হোৎনবা।)

ওঝা :

১। করিগীদমক্তা ধাতুগী খাংশিংগী মনা পাইফমশিং অদু প্লাসটিক নত্রগা উগী হেন্দল পাল্লিবনো, নখোয় হায়বা ঙমব্রা?

২। ঐখোয়না করিদমক উগী নত্রগা প্লাসটিক্কী হেন্দল অদুনা ধাতু অদুদগী হেননা ইংলিবা থেংনরিবনো? অঙাংশিং অদুনা মতাংসিগী মরমদা নৈনবা হৌরকলমই। ওঝা অদুসু মখোয়না ক্লাসতা নৈনরিবা অদু মুননা তারমই।

নৈনবা অদু হেক লোইবগা, মহৈরোই ৭শুবা অদুনা হৌগৎতুনা শৈরেং অমা থিরক্লমই-

ঐ, চহি লিশিং অমগা চাক্রুক শুরে
ঐগী হৌরকফম শহরদি দেল্লিনি
ঐবু শেননবিরিবনা চন্দ্রগুপ্তা ২নি
ঐ, ৭ মিটর ৱাংই ৬.৫ তোন লুমই
ঐগী ইশা অসি ধাতুনা শেমবনি
ঐ হৌজিকসু চপ য়ুংনা লেপপা ঙমলি
অদুগা কোলহিং ওন্দুনসু মাংদ্রি।
ঐ কনানো ?
ঐ কনানো ?

| |
|---|
| ওঝাদুনা মহৈরোই ৭শুবা অদুবু মহাক্কী শৈরেং হেননা কননা লাওনা থিদুনা মহৈরোই - ১ (উবা ঙম্বগী শক্তি ৱাৎলবা)অদুসু তানবা পুক্নিং থৌগৎলমই। মহাক্না অতোপপা মহৈরোইশিং অদুবুসু শৈরেং, ঈশৈ, পাওখোং, এনেকদোটস,অসিনচিংবা কয়া ইননবা পুক্নিং থৌগৎলমই। |

**শিন্দমগী ফংফমথোকপশিং-** তম্লুবা সাইনটিফিক ওইবা ৱাখল্লোন নুংতিগী পুনসি মহিংদা শিজিননবা, মতেং পাংনবা, পাওখোং চন্দুনা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপা।

| |
|---|
| ওঝা অদুনা মহৈরোইশিংদা ধাতুশিংদি কল্লি, লংই, মখোল নিননা থোকই, য়াম্না পানা য়ৈথোকপা য়াই, য়াম্না শাংনা চিংথোকপা য়াই অদুবু ধাতু নত্তবশিংদি অশুম্না ওইদে হায়না ৱারোইশিন পুরকই। ওঝাদুনা মহৈরোইশিংদা ওইথোকপা য়াবা খরাশু হায়বা য়াই মদুদি ধাতু খরা খুদম সোদিয়ম অমসুং পোটাসিয়ম য়াম্না থোৎলি মদুদি থাং অমা হেক্তা ককপা য়াই। মহৌশানা ধাতুশিং অসি মপং ওইনা লৈ অদুবু মারকুরিদি লৈনরিবা অইং- অশা অসিদা মহি ওইনা লৈ। |

মহৈরোইশিংদুনা ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবশিংগী মগুন অমদি ওইথোকপা য়াবশিং অদু ফজনা জ্ঞান তারবদা, ওঝানা মখোয়বু য়াম্না হরাওবা মওংদা মখোয়না খংলিশিং অদু হেননা পাকথোক চাওথোক্লবা পুক্নিং থৌগৎলমই। ওঝাদুনা নুংতিগী পুনসি মরেলদা মরুওইবা ধাতুশিং শিজিননরিবশিংগী মরমদা খংনবা অমসুং নৈননবা ভিদিও উৎপা য়াই। অসিগুম্বা ভিদিও অসিগী লিঙ্ক অমা মখাদা পিরি।

*https://nroer.gov.in*

**চাংয়েং লৌবা (এসেসমেন্ট)-**

- মহৈরোইশিংবু ধাতু নত্তবা অমসুং ধাতুশিংগী উরিবা মগুনগী মরক্তা লৈবা ওইথোকপা য়াবা মরি উৎনবগীদমক ভেন দাইগ্রাম য়েক্লবা অমসুং খনন- নৈননবা পুক্নিং চিংশিনবিয়ু।
- ইন্দিয়াগী করম্বা মফমশিংদা তুংশিনবা আইরন অমসুং এলুমিনিয়ম ফংবগে হায়বদু খংননবা! পুক্নিং থৌগৎপিয়ু। করম্বা মওংদা ধাতুশিং অসি তুংশিন্দুনা লৈবগে? ক্লাসতা খনন- নৈনবিয়ু।

Module
12

# পেদাগোজী ওফ সোসিয়েল সাইন্সেস (অপ্পর প্রাইমারি ষ্টেজ)

## চাওরাকপা মীৎয়েং

সোসিএল সাইন্স অঙ্গপবা তাঙ্কক্কী লাইরিক লাইশুদা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লাক্লি। মসিদা য়াওরিবসি চাওরাক্লা মীওইবা অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মরিগী হিরমদা মৈয়াম্নি। ঐখোয়না খঙজিনবা মতম তাই মদুদি সোসিএল সাইন্স নেচরেল অমসুং ফিজিকেল সাইন্সতগী তোঙানবা মওংদা সাইন্স এককারিদা ইন্নে পীরি। সোসিএল সাইন্স য়ুম্ফম ওইনা তাক্লবা হোন্নেরিবদি নিং খা তম্বা, নাজবা অমসুং মীওইবগী মরক্তা লৈন্নেরিবা খেন্নেববু ইকায় খুম্নবা হায়বসিনি। খ্বাইগী মৌদোক ৱাল্লোকশিংনা মীওইবা অমগী পুন্সিরোলদা নত্রগা খ্বাইদা পীরিবা শাফুবু অৱাবা মীয়েং চংহনবা, মুং হুঞ্জিা য়েংহনবা অমদি খঙহনবা ঙমহনবা হায়বসিনি। মীনুংশি, মৌজাল, নিং-তম্বা, মরুপ মপাং ওইবা, ইশ্না ইশাবু ইকায় খুম্নবা, মীয়ামগী ওইবা অমদি তংদু লৈতাবা হায়রিবা ৱাখল্লোনশিং অসি সোসিএল সাইন্স তম্বীরি । সোসিএল সাইন্সকী মখাদা লৈরিবা দিসিপ্লিনশিংনা মশা মশাগী ওইবা মওংদা মৌদোক অমা ওইহনবগী মরম, মৌদোক্তুনা ওইহল্লকপা য়াবা ফিবমশিং, মসিসিগী মরি অসিবু লোজিকেল অমসুং রেসনেল ওইবা মওংদা মৈবা পরিং পীরি। অসিগুম্বা নিঙ্জি হুমজিনবগী নীতি-নিয়ম শিজিন্নদুনা মৌদোক অমগী ৱারোইশিন্নি পীনবা হোৎনৈ।

সোসিএল সাইন্স তাকপীবা অমসুং তম্বা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী অকোইবা ফিবম, মরা তরগী গ্রুপশিং, পা পি, এস সি, এস তি অমসুং মাইনোরিতিশিংগা মরি লৈন্নেবা ৱাফমশিং পুরক্লবা হোন্নেরক্লি। এ সি এফ ২০০5 অমসুং এ এফ জি টি এস এস, ২০০5না সোসিএল সাইন্সকী পেদাগোজিকেল প্রোব্লেমশিংদা (ইপিষ্টেমোলোজিকেল শিফ্‌ত) অহোংবা পুরক্লবা হৌদোক্লি।

| | ফ্রোম | টু |
|---|---|---|
| ১. | টেক্স বুক্কা অমত্তা ঙাইরবা ঈ-পাউগী পুক্কে ওইরম্বা | টেক্সবুক্কা মৌদোক ৱান্নোক খঙনবা পাম্বে ওইরকপা |
| ২. | টেক্স বুক্কা লেঙমদ্রবা পুক্কে | টেক্সবুক্কা অহিংবা ওইবা ৱারোল |
| ৩. | ময়োলগী পুৱারি | চিংথহৌরবা ফুরুপশিং অমদি লমদমশিং কেন্নশিন্নবা |

# শাফবা অমদি অফবা মহৈলোইশঙগী অকোয়বগী ফীভম শেমগৎনবা লনাইগী খুন্নাইগী মগুণশিং শেমগৎপা

## চাওরাকপা মীৎয়েং

ওঝাশিংগী মহৈরোইশিংবু মপুং মরৈ ফংনা চাউখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকই। অহেনবা লৌশিং তাকপী তম্বীবগী মক্তা ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংগী মপুংদা লৈবা হৈশিংবা কয়া মপানা এাক্না পুল্লাকহনবা ঙমহল্লি। খুদম ওইনা মী অমগা মী অমগী মরক্তা মতেংগা খুৎহাইগী মুংদা পাউ ফাওদোক্নবা অমসুং ৰারী ৰাতাই শানবগী হৈশিংবদু মপুং ফাহল্লি। মসিনা মহৈরোইশিংবু লনাইগী খুন্নাইগী অমদি লাইরিক লাইশুগী লমশিংদা মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিংদু খ্বাইদগী ৰাংবা মতক্তা থুপা ঙমহল্লি। ওঝাশিং, মহৈরোইশিং অমদি স্তেকহোলদরশিংনা লনাই খুন্নাইগী ওইবা মগুণশিং হায়বদি - য়েংশিন্নবা, খঙবীবা, মপুংশিবীবা, মতেং পাঙবশিং অসি লৌশিন্নবা অমদি থুনারকপা মতমদা মহৈলোইশংশিংদা তাকপী তম্বীবগী চপ চাবা ফিবম অমা লৈহনবা ঙম্মী।

২১ শুবা চহী চা অসিদদি ঐখোয়না ভর্চুএল ৱার্ল্ডগা লোইনবগী খুদোংচাবা কয়া লৈ। মসিগী মহৈ অশেংবা খুন্নাইগী ৰাহন্থোক নৈনা লোইনবগী চাং হন্থরক্লি। মহৈরোইশিংদা চপ চাবা পাউ ফাওবগী অমদি ৰারী ৰাতাই শাবগী হৈ শিংবশিং অদু লৈহনবা মখোয়বু অশেংবা খুন্নাইগী মরুওইবশিংদু তাকপী তম্বীগদবনি। ৰারী ৰাতাই শাবগী হৈশিংবা অসিনা মহৈরোই অমগী লনাইগী পুন্দা অচৌবা মতেং ওইবখক্তদা তাকপী তম্বীবগী চপ চাবা ফীবম অমা শেম্বা ঙমহল্লি।

মসিগী মোদ্যুল অসিনা মহৈরোইশিংদা লনাইগী খুন্নাইগী মগুণশিং শেমগৎনবগী কয়া অমা পীরি। ষ্টেট রিছোর্স গ্রুপ অমসুং ওঝাশিংদা মদু অমুক হন্না য়েংশিন্নবগী অমদি থুনারক্নবগী খুদোংচাবসু পীরি।

**তাকপী তম্বীবগী পান্দমশিং**

মোদ্যুল অসিনা ওঝাশিংদা ওইহনগদবা মতেংশিংদি

- মখোয়দা লনাই অমদি খুন্নাইগী মগুণশিং খঙবা হেনগৎহনবা

- মহৈরোইশিংদা ল্লাইগী অমসুং খ্মাইগী মগুণশিং ফগৎহনবা তাকপী তম্বীবদা মতেং ওইহনবা
- ক্লাসরূমদা লমজিং লমতাক পীবদা দরকার লৈরিবা মগুণ অমসুং হৈরোই শিংল্লোইবশিং হেনগৎহনবা

## ল্লাইগী অমদি খ্মাইগী মগুণশিং

মহৈরোইশিংনা শাংলবা চহি কয়া মহৈ লোইশংদা লেপ্লরগা মহৈলোইশংনা মহৈরোইশিংগী পুন্সিদা য়াম্না চাউবা মফম অমা কল্লি। মহৈলোইশঙগী অকোইবগী ফিবম্না মহৈরোইশিংনা লাইরিক লাইশু তম্বগীদমক্তা অচৌবা ইহৌলি অমা পী। মহৈরোই অমনা করি অম্বৌবা তমশিল্লে অমদি কমদৌনা তমশিল্লে হায়বসি মহৈরোইদুগী পুক্নিংদা করি খল্লি অমদি ফাওই হায়বসিগী মখা য়াম্না পোল্লি। পুক্নিংগী মতুংঙাইবা ফীবম অমদি ৱাখল্না লাইরিক লাইশু তম্বদা হেন্না পুক্নিং চংহল্লি, মন্নৌ হন্নী। অদুগা মতুংঙাইতবা অমদি অৱাবা পুক্নিংগী ফিবম্না মহৈরোইশিংবু লাইরিক লাইশু তম্বদগী ৱাই চংহন্দে, তন্থহল্লি। মরম অসিনা মহৈরোইশিংনা ক্লাস চংলকপা মতমদা মখোয়গী পুক্নিংগী ফিবম করম তৌই হায়বসি খঙদোকপা মরু ওই। ক্লাসরূমশিংদা মহৈরোইশিংবু হৈনিংহনগদবা ফিবম অমা লৈহনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। তাঙ্খ তোঙ্খবা মফমশিংদগী হৌরকপা তোঙ্খ তোঙ্খবা মগুণশিং চেঞ্জবা অমদি তোঙ্খ তোঙ্খবা হৈনবী লৈজবা মহৈরোইশিংনা তেঙ্গা তিরকপা মতমদা মখোয়দা লৈজবা ল্লাইগী খ্মাইগী ওইবা গুণশিং অদু হেন্না মপুং ফাহল্লি। ল্লাইগী অমদি খ্মাইগী মতাংদা লৈবা তৌবা ঙম্বগী গুণশিংনা মহৈরোইশিংবু মশানা মশাবু মতাজবা মী অমা ওইহল্লি। মসিনা মখোয়বু পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা চুবা ফিরেপ লৌবা ঙমহল্লি।

কম্যুনিকেসন্স ক্লাসরুম মেনেজমেন্ট অমদি দিসিপ্লিনারি তেক্নিকশিংদা মখু চলবা ওঝাশিংনা তম্বীবগী অমদি তমশিনবগী অফবা ফীবম অমা শেম্বা ঙম্মী। মাগী মাগী সবজেক্ট এরিয়াদা হৈরোই শিংল্লোইবা হায়বসি মরু ওই। মহৈরোইশিংনা খঙবা ঙম্বা মওংদা তোঙ্খ তোঙ্খবা ৱাখল্লোনশিং তাকল্লোকপা ঙম্বা হায়বসিনা অমুক্তা হেন্না মরু ওই। ওঝাশিংনা মখোয়গী ৱারী ৱাতাই শন্নবগী অমদি পাউ ফাওদোক্নবগী হৈ শিংবদু শিজিন্নদুনা মহৈরোইশিংবু ৱাহন্থোক লৌনা ৱারি ৱাতাই শন্নবা, পাউ ফাওনবা তম্বী। ওঝাশিংনা মখোয়গী ল্লাই অমদি খ্মাইগী ওইবা গুণশিং মহৈরোইশিংগা লোইনবা মতমদা উখোক্তুনা লমচৎ শাজককী পাদম অমা মহৈরোইশিংগী মাংদা মমই।

**ওঝাশিংনা মখোয় মশাদা অমদি অতোপ্পশিংদা য়াওরিবা লাইগী অমদি খুনাইগী গুণশিং খঙদোকপা তৌগদবশিং**

- ওঝাশিংবু প্লান ফমনবা
- গ্রুপ খুদিংদা শরুক য়ারিবশিংদা মখোয়না লুনা লৌজবা মীওইশিংগী লিষ্ট অমা শেম্নবা খঙনবা। মীওইশিংঅদু মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং, য়ুম্লোন কৈরোলবা, নবক মফম পুবা, ক্লাসরূমশিংদা এরেঞ্জ ৌরচিংবা ওইবা য়াই।
- মখোয়না অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী অফবা গুণশিং খনবা
- সমাজদা কানবগী অমদি ফগনবগী হায়না মখোয়না খনবা মরু ওইবা গুণশিংগী লিষ্ট অমা শেম্বা
- অপুনবা নবক তৌবা মতমদা মখোয়দা ফাওরকপা গুণশিংগী লিষ্ট অমা শেম্বা

**লাইগী অমদি খুনাইগী ওইবা গুণশিং শেমগপদা স্কুলনা পীরিবা খুদোংচাবশিং**

- করিকুলমনা লাইগী অমদি খুনাইগী নাক্তা তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎনাকপগী মফম পী।
- ওঝাশিংনা মসিবু কুপ্না য়েংবীদুনা করম করম্না মহৈরোইশিংনা করম করম্না হীরমদা হোৎ হৈবগে হায়বদু খঙদোকই। মসিগীদমক মহৈরোইশিংবু কাংলুপ কাংলুপ শেমদুনা তোঙান তোঙানবা এক্তিবিতি কয়া তৌনবা য়াই। হেল্‌থ, স্পোর্তস, ফিজিকেল এজুকেসন, আর্তস এজুকেসন হায়রিবা করিকুলমদা য়াওরিবা হীরম খরা অসিনসু মহৈরোইশিংগী মনুংদা য়াওজবা লোতনা লৈবা মগুণ কয়া মপান থোক্না ফুদোকনবদা চাওনা মতেং পাঙই।
- স্কুলগী তোঙান তোঙানবা এক্তিবিতিশিং মোর্নিং এসেমব্লি, এ্যুএল দে, কুম্মৈ হরাও, মিদ দে মিল, কিতচন গার্দেন, ইকো ক্লব, য়ু ক্লব অসিনসু মহৈরোইশিংবু মখোয়গী লাই অমদি খুনাইগী মরি লৈনবা মগুণশিং অমসুং অকোয়বগী ফিবম ঙাক শেনবা, প্লান নবক তৌনবা , প্রোব্লেম সোলবিং, ক্রিতিকেল থিঙ্কিং, ক্রিএতিবিতি থিচিংবা হিরমশিংদা লৈজবা হৈ শিংববু হোৎ মপুং ফাহল্লি।

প্রি ভোকেসনেল এজুকেসন (অর প্রাইমারি ষ্টেজ) - হৌজিক্কী মতমদা ক্লাস সিক্স তগী হৌরগা প্রি ভোকেসনেল এজুকেসন হায়বসি অকনবা মীয়েংনা থম্নরক্লি। মসিগী মখাদা মহৈলোইশঙশিংনা কনবা পোথোক লৈবা থৌওং খরা খন্দোক্লগা মখোয়শিংদু সাইন, মেমেতিক্সচিংবদা পুশিনগনি। খুদম ওইনা - হিষ্টরি তাকপা মতমদা ম্যুজিয়ম অমদি মোনুমেন্ত হায়বসি য়াওদবা য়াদে। অদুনা ওঝাশিংনা ম্যুজিয়ম অমসুং মোনুমেন্ত তাকপীবা মতমদা লম কোইবগী

ৰাখল্লে অসি ভোকেসনেল এজুকেস্ন সেক্তরগী শরুক অমা ওইনা তাকপীবা য়াই। মস্নি মহৈরোইশিংনা ক্লাস ত্রে দা ভোকেসনেল এজুকেস্ন খ্নবদা মতেং পাংগনি।

**মহেরোইশিংবু শকখঙবা**

এলিমেন্তরি ষ্টেজকী মহৈরোইশিংগী বুধি গয় অমদি সমাজগা মশাগগী মতাংদা অহোংবা পুরকপবু য়েংবদা ওঝা মহৈরোইশিংগ মশাগী ইহুল অমদি সমাজগা মরি লৈবা ইহুলশিংগী মতাংদা লৈবা তঙাইফদবশিং অদু দোকপা য়াই। হায়রিবশিং অদুদি

- যুম /প্লে স্কুলদগী ফোর্মেল স্কুলদা লাকপদা অমদি ফোর্মেল ওইনা মহৈ তম্বদা মহৈারোইশিং অদু তপ্না ইনা অহোংবা পীদুনা তমহল্লকপরা
- মহৈরোয়শিং অমদি মহৈলোইশংদা লৈরিবশিংগা চুশিনবা ঙম্লব্রা
- মশানা তৌজবা বক ৱৗরমশিং মরু ওইনা মহৈ মশিংগী লমদা দাইত্য লৌজবা ঙম্লব্রা
- মশাগী হকশেল, পুক্নিংগী ইহুল অমদি মহাক্না সমাজগা লোয়নবগী মওংশিংগী মরমদা শকখংজদুনা মশানা মশাবু অৱো গুঞ্চ চেবা মীওই অমা হায়না খঙবা ঙম্লব্রা
- হকশেলগী ওইবা অফবা হৈবীশিং হায়বদি হকচাং ফবা চিঞ্জাক চাবা, তরু অবা অমসুং মপেম মচৈশিংবু চেকশিন নম্বা ঙম্লব্রা
- মশাগী ওইবা শক্তম অমা শেমগৎচবা অমদি মশানা মশাবু বেবাহার তৌবা ঙম্লব্রা
- মশুং মমাবশিংগা নুংশি চনবা মহৈন নম্বা ঙম্লব্রা
- সমাজগী মরি ফগৎহনবা চনবা পান্বেশিং শিজিনবা ঙম্লব্রা
- খে- খেরবা মহৈরোই পুম্নমকপু মশক খঙনা ফজনা লোইনবা ঙম্লব্রা
- জম বিজ্ঞ অমসুং অমেম অৱাং পামপী ওইবগী খেবা অস্নিচিংববু বেবাহার তৌবা অমদি খেরিবশিং অদুবু গৎপা ফোঙদোকপা ঙম্লব্রা
- মহৈরোই কাঙলুপকী মহৈরোই অমা ওইনা অপ্পুবগী পাঙ্গল, সমস্যা গেবা ঙম্বা অমদি ফিরেপ লৌবা ঙম্বগী হৈল্লোই শিংল্লাইনচিংবা লৈরব্রা
- মরৈ শংদ্নগবা মীওইশিং অমদি মফম মতমবু খঙদোকপা ঙম্লব্রা
- মশা মন্তবক তৌজবা ঙম্লব্রা অমসুং মহৈরোই কাঙলুপশিংগী মুংদা য়াওদুনা অমগা অমগা মতেং পাংশিনদুনা শরুক য়ামিদুনা বক তৌবা ঙম্লব্রা
- মহৈ মশিং হৈনবা হেনদুনা মতম লিক্না মরম চনা শিজিনবা ঙম্লব্রা’
- সমাজগী অমদি মহৈলোইশংশিংগী প্মোলম্বু মশামক্কী প্মোলমশিংনি হায়না খঞ্জবা ঙম্বা চেকশিঞ্জবা অমসুং গৎচবা ঙম্লব্রা
- করম্বা মহৈগী হিরম চনবগে অমদি পান্দম অমগী মখাদা জবা মদুনা হেনবা ঙম্লব্রা

**অর প্রাইমারি ষ্টেজদা ওঝা মহৈরোইশিংদা ঙাক্লৌ পীবিবা দরকার লৈবা হিরমশিংদি**

- মহৈ মশিংগী ওইবা লমদা মায় পাক্লবা করম্না হোৎগদগে
- শিন্দমদা শিজিগদবা প্লেলমশিং অমদি পন্থেশিং করম্না শিজিগদগে
- ভারা শাবা ৰাহংশিং ফংবা অমদি পাউখুম ফংবা নীজি হুমজিবা হৌবদা মহৈরোইশিংবু পুক্লিং থৌগপীবা
- মী অমগা করম্না ৰারী শাগদগে অমদি মীওইদুগী পুক্লিং ইহুল করম্না ময়েক শেংনা খঙদোকপি
- মহৈরোইশিংগী মশাদা মপুং মরৈ ফারকপগী হোংলকপা অহোংবশিংবু মহৌশাগী থৌওং হায়না খন্দোকহনবা তম্বীবা
- মহৈরোইশিংগী মশাদা মপুং মরৈ ফারকপগী হোংলকপা অহোংবশিং অসি মহৈরোইশিং অমগা অমগা চাং মান্দে হায়বসি গম্না তাবা ঙমহনবা
- মশুং মমাবশিং মরুপ মপাং ওইবগী ৰাখল্লো শাগপা ঙমহনবা হৌবা
- নুপা নুপী ওইবগী থৌদাং অসি অকক্লবা নত্তে শুপ্নতগী সমাজগা নাইনবা হায়না খঙহনবা ঙম্নবা হৌবীবা
- মরুপ মপাংশিং অমদি মহৈরোইশিংবু মশামক্লনবা হায়না খঞ্জবা ঙম্বা চেকশিঞ্জবা অমসুং নাগচবা ঙম্লব্রা
- মশাগী অমসুং অতোগী ইহুলবু খঙজবা ঙমদ্রা বুধি গম্না অমদি পুক্লিং ৰাখলবু শেমগচবা ঙমহনবা

**স্কুল অমসুং ক্লাসরূমদা অফবা অকোয়বগী ফিবম অমা ওইহনবদা দরকার লৈবা গুণ অমদি পায়খকদবশিং**

মহৈলোইশিং অমদি ক্লাসরূমদা অফবা ফিবম অমা নাম্নবা অমদি মহৈরোইশিংবু লমজিংনবগীদমক ওঝাশিংদা চৎগদবা গুণশিং অমসুং পায়খকদবা খরা মখাদা পীরি -

**স্নেহিতিবিতি এন্দ কিয়ার**

মী অমগা মী অমগগী মরক্তা মরি শেমগপা অমদি ফগনহনবদা চংবা মরুওইবা গুণ অমদি অমা অমগী খবা অমসুং মতেং পাংনবা হায়বসিনি। তাকপীবা তম্বীবগী মফমদা হায়রিবা গুণশিং অসি ওঝাগা মহৈরোইশিংগা, মহৈরোইগা মহৈরোইগা, ওঝাগা ওঝাগগী মরক্তা মরি শেমগপা অমদি চেশিলহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই।

ক্লাসরূমদা ওঝাগী মহৈরোইশিংগীদমক অমসুং মহৈরোইশিংনা ওঝাশিংগীদমক খল্লি অমসুং পুক্নিং ৱাজে হায়বসি ৱাহৈ্ন ত্রগা ইঙ্গ্লি ফোঙদোকপা মতমদা অম্না অমগী অশ্নেবা অমদি হৈ শিংবশিং খঙবা ঙমহল্লি। অসুন্না অশ্নেবশিং অদু খঙ্গরবা কান্দা পুন্নমকপু মখোয়গী অশ্নেবশিং অদু মেখ্নবা হো ক্না হোংবগী পুক্নিংগী ইহুল অমা পী। ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংগী অশ্নেবা, হৈ শিংবা হিরমশিং অমদি তোপ ত্মো গুশিং মীচং মীখাইনাইদ্না খঙদোকপদা স্নেতিবিত্রিা মতেং পাংই।

স্নেতিব অমদি মীগী অৱাবা খঙবা মীওই অমা ওইরবদি মশ্না অমসুং অত্মো মীনা ফোঙদোক্লিবশিং অদু য়ান্না কুপ্না য়েংগদবনি। মী অম্না ফোংদোক্লিবশিং অদু য়েংলগা ম্না করি ফাওই, করি খল্লি হায়বদু খঙবা ঙমগদবনি। মশাগী হৈশিংবগা লোয়্না মীগী হৈ শিংববুসু ইকাই খুম্নগদবনি। স্নেতিব ওইবা মীওই অমা ওইরবদি পুক্নিং ফ্নবা ঙমগদবনি।

***ক্লাসরূমদা লৈরিবা খ্নেবশিংগী মতাংদা খঙদোক্লবা ওঝাশিংনা তৌগদবা অপ্নুবা থৌদাংশিং***

নহাক্কী ক্লাসতা ময়ুমগী অহল লমশিংগা য়ুমগী মতেং পাংব্না মরম ওইদ্না মশা মশাগী হোমৱার্ক তৌবা মতিক চাবা মতম ফংদবা মহৈরোই ৪-৫ য়াওরে হায়্না খল্লো। মহৈরোই খন্না মখোয়দা তাকপীরিবশিং অদু লৌশ্নিবা ঙমদ্রে অমসুং ৱাহং পাউহং তৌবদসু মতম পুন্নমক্তা তুমিা লৈরে। স্কুলনাদোক্লুরবা মতুং চহী অহুমগী মতুংদা থ্নৌ মীং চল্লকপা ২-৩ সু য়াওরে।

**অফবা ওঝা অমা ওইনা হাক্না মতৌ করন্না মখোয়শিং অদুগী চেকশ্নি থৌরাং লৌই হায়বদু করম্না ঊকনি**

- মহৈরোইশিং অদুদা মখোয়গী খুদোংচাদবশিং অদু লাইথ্রোকহল্লু।
- মখোয়বু ল্নু ফজ্না লোইনবিরি হায়বদু মশা মশাদা পোকহল্লু।

**মহৈরোইশিংগী মরক্তা স্নেতিবিতি অমসুং কিয়ার লৈহনবানবক থৌরমশিং**

‘ঐখোয়দা ম্নবা ম শিং করি করি লৈ’

- নহাক্কী ক্লাস অদু কোইনা লেপহল্লো অমসুং মশিং ১-৫ ফাওবানহিল্লো
- অমা তাবা খুদিংমক গ্রুপ অমা শেমহল্লো, অসুম তৌদ্না ২, ৩, ৪ অমসুং ৫ শিংগী ওইবা গ্রুপশিং শেমহল্লো।

- গ্রুপ খুদিংমক্তা মখোয় মশেল মরক্তা ৱাহং পাউহং তৌবা মিমি ৪-৫ গী মতম পীরো অমসুং মখোয়গী মরক্তা মারিবা ম মঙা খন্দোকও
- মাবা মশিং অদু মখোয়গী ক্লাস/স্কুলগী ত্রগা ইখং খনবা মরমদা ওইহল্লোইদবনি
- পীরিবা মতম লোইবগা গ্রুপ খুদিংমক্কী মেম্বরশিংনা মখোয়গী মরক্তা মারিবা ম শিং অদু করি করিনো হায়বা শিয়ার তৌহল্লো অমসুং মখোয় মশা মশানা ইন্ত্রোদ্যুস তৌহল্লু।
- হাক্কা মৌ শেন্নবা গ্রুপশিং অদুনুমি চুনা অমা প্মা ফম্মিহন্দুনুমি অদুদা মখোয়না লৌখিখিবা মৌদাংশিংগী মতাংদা অমা অমদা মতেং পানহল্লু।

## জবা য়াবা অমা ওইহনবা

মহৈরোইশিংবু ক্লাস, স্কুলদখক তক্তা মী অমা ওইনা পুক্লিং ৱাখলনুঙাইহনবদা মহৈরোইশিংগা ওঝাশিংগা লৈনবা মরিগী মখা য়াম্না পোল্লি। ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবুনুংশি, মখোয়গীদমক খবী, পুক্লিং ৱাই হায়বসি মহৈরোইশিংনা খঙলকপা মতমদা মখোয়দা মহো খঙংবগী, মহো হোংবগী ইমো অমা পী। মতৌ অসুম্না ওঝাশিংনা মখোয় জবা য়াবা মীওইনি হায়বদু মহৈরোইশিংদা উৎলি। মসিনা অমুক মহৈরোইশিংবু জবা য়াবা মী অমমম ওইহল্লকবা লম্বী শেন্মী।

জবা য়াবা ত্রগা জবা য়াদবা হায়বসি মীওইদুগী পুকচেল শেংবা অমসুং মীনুংশি লৈবগী মখা পোল্লি। জবা য়াবা মীওই অমা হায়বসি লম্নৌপ লৌকোই লৈতনা, পুকচেল তিনা ৱারী ৱাতাই শাবা ঙমগদবনি। ক্লাসরুমদা ওঝাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী পুকচেল শেংবদু ফাওরকপদা অমা অমবু ইকাই খুম্নজৈ হায়বদু ময়েক শেংহল্লি। মসিনা ওঝাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা মরক্তা লৈরিবা মরি অদু মহো চেশিলহল্লি। মরি চেশিল্লকপগী মহো মহৈরোইশিংদা প্মা অমদি মহো কনা হোংবগী ইমো অমা পী।

ওঝাশিংনা মখোয়গী অপাম্বশিং, চিন্নবা হিরমশিং অমদি মহৈরোইশিংগী তৌবা ঙম্বদা ন্নিবা জবা অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্কদবনি। ওঝাশিংনা মহৈরোই খুদিংমক্কী তোপ তানা মঙ্গলশিং লৈরিবদুসু ইকাই খুম্নবীগদবনি। ওঝানা মহৈরোই অমা হায়রিবদু তশেংনা তারি হায়বদু মাইয়োংদা মীয়েংনা মমি তাহনগদবনি। ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংগীদমক তশেংনা খল্লি হায়বসি ৱাহৈ ফোঙদোকপখক তক্তা তোঙান তোঙানবা মওংদসু ফোঙদোকপীগদবনি।

**ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংগীদমক খল্লি অমসুং মখোয়দা পুক্নিং চঙলি হায়বসি মখাগী থৌওং খরস্না ফোঙদোকপা য়াই**

- স্কুল অমদি ক্লাসরূমদা চংলকপা মতমদা মহৈরোইশিংবু তরাম তরাম্না ওকপীবা।
- ক্লাসরূমদা অমদি স্কুলগী অতোপ্পা মফমশিংদা মহৈরোইশিংবু মখোয়গী মীং পন্দুনা কৌবীবা।
- মহৈরোইশিংবুনা লৌংঙাইরিবরা, করম তৌরি হংবিবা অমদি মখোয়না হায়বশিংদু পুক্নিং চঙনা তাবীবা।
- মহৈরোইশিংনা হোৎনজরিবা তৌজরিবশিং অদু খঙবীবা অমদি পুক্নিং থৌগৎপীবা।
- মহৈরোইশিংদা তোঙান তোঙানবা ৱাহং হংদুনা মখোয়গী মরমদা হোৎনা খঙদোক্নবা হোৎনবা।
- স্কুল শো ওফ বোর্দ শেমদুনা মহৈরোইশিংগী পুক্নিংগী ৱাখল অমদি হৈ শিংবা কয়া অদু ইথোকহন্দুনা বোর্দতা থমহনবা।
- পেরেন্ত তিচর মীতিংদা পেরেন্তশিংদা মহৈরোইশিংগী অফবপা মতৌ বকশিংগী মরমদা হায়বা য়াম্না মরু ওই।

**দিস্কশন পোইন্ত**

গ্রুপশিংদা শরুক য়ারিবশিংবু মহৈরোই, মমা মপা, ওঝা অমসুং প্রিন্সিপালশিং ওইনা এক্ত তৌবা তোঙাননা তোঙানবা খাইদোক্লগা মখোয়দা পেরেন্ত তিচর মীতিং শরুক য়াদ্রিঙৈ মমাংদা মখোয়দা ফাওরিবশিং অদু খন্নহনবা মীৎয়েং মঙাগী মতম পীগদবনি।

মখোয়গী ৱাখল্লোন অমসুং ইসুশিংগী মতাংদা খন্নবা মীৎয়েং অনীগী মতম পীগদবনি। অমা অমবু ইকাই খুম্নহনবা মহৈরোইশিংদা ৱাখল লৌশিং পোকহনবা থৌওংশিং

- করিগুম্বা মখল অমত্তগী খেন্নবা মতমদা ক্লাস অদুবু গ্রুপ মরি থোক্না খায়দোকপা
- গ্রুপ এক্তিবিতিগী দরকার লৈবা পারা অমা খন্দুনা গ্রুপ অনী হায়বদি গ্রুপ এ অমসুং বি দা থৌদাং অমা পীয়ু
- লেমহৌরিবা গ্রুপ অনী হায়বদি সি অমসুং দি দগী অমদা এ দা পীরিবা থৌদাং অদু মতেং পাংহল্লু। অতোপ্পা গ্রুপ অদুনা বিদা পীরিবা থৌদাং অদুগী ফীদবেক পীনবা অদুগা থৌদাং অদুদা মতেং অমত্তা পীদনবা খঙহল্লু।
- থৌদাং অদু লোইরবা মতুংদা গ্রুপ এ অমসুং বি দা অতোপ্পা গ্রুপশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা মখোয়দা ফাওরিবা ৱাখল্লোনশিংগী পাউ ফাওদোক ফাওজি তৌহল্লু।
- গ্রুপ সি অমসুং দি দসু মখোয়দা পীখিবা থৌদাং অমসুং মখোয়না পাঙথোকখিবশিংগী মতাংদা মখোয়দা লৈরিবা ৱাখল্লোনশিং শিয়ার তৌহল্লু।

- অমা অমদা মতেং পাংন্নোক পাংশ্নি ত্তৌবগী মরু ওইবা ন্নৌদাংশিং অদু খ্নবা গ্রুপ দিস্কস্ন অমা শ্নীবীয়ু।

***খ্নগদবা পোইন্টশিং***

মহৈরোইশিংবু মমা মপা, ওঝা অমসুং প্রিন্সিপালশিং ওইনা এক্ট তৌবা গ্রুপ কয়া ন্নোক্লা খাইদোকউ। মখোয়া পেরেন্ট টিচর মীটিংদা শরুক য়াদ্রিঙৈ মমাংদা গ্রুপ অমা ওইনা মখোয়দা ফাওরিবশিং অদুগী মতাংদা খ্নন্নবা মিনি মিঙাগী মতম পীয়ু

ইসুশিংগী মতাংদা খ্নবা অমসুং মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা পোকপশিং শিয়ারিং তৌবা মখোয়দা মিনি অীগী মতম পীয়ু

***মহৈরোইশিংবু অমা অমবু ইকায় খুম্নন্নবা, মতেং পাংন্নোক পাংশ্নি ত্তৌবগী মতাংদা ৱাখল্লোন ফাওন্নবা পায়খ্নকদবা-বক ন্নৌরমশিং***

- করিগুম্বা মখল অমত্তগী খ্নেবা লৈত্রা ক্লাস অদু গ্রুপ মরি ন্নোক্লা খাইদোক্লো
- গ্রুপ এক্তিবিতি ওইনা পাঙন্নোকপা য়াবা পারা অমা খন্দোক্লা গ্রুপ এ অমসুং বি দা ন্নৌদাং অমা শ্নিরো
- গ্রুপ সি-ত্রগা দিদা গ্রুপ এ দা পীরিবা ন্নৌদাং অদু মপুং ফন্না লোইশ্নিবা মতেং পাঙবা ন্নৌদাং শ্নিরো। অত্তো লেমহৌরিবা গ্রুপ অদুদা করিগুম্বা মখোয়া পাম্বা তারবদি গ্রুপ বি-া তৌরিবা-বক অদুগী ফীদবেক পীবা হায়রো অদুবু মখোয়া করিগুম্বা সন্নোর্ত অমত্তদি পীবা য়াহল্লোইদবনি।
- শ্নিরিবা ন্নৌদাং অদু লোইরবা মতুংদা গ্রুপ এ অমসুং বি দা মখোয়দা ফাওরিবা ৱাখল্লোনশিং অদুগী মতাংদা শিয়ার তৌহল্লু, মখোয়া শিয়ার তৌগদবশিং অদুদি
- এক্তিবিতি অদু পায়খ্নপদা অত্তো অদ্দুা লৌখিবা ন্নৌদাং অদুগী মতাংদা
- মখোয়দা মতেং ওইখিবা অমসুং ওইখিদবা ক্বালিতিশিংগী মতাংদা লিষ্ট অমা শেমদোকউ
- গ্রুপ সি অমসুং দ্বি-সু মখোয়দা শ্নিখিবা ন্নৌদাংশিং অদু পাংন্নোকপদা ফাওখিবা ৱাখল্লোন অমসুং খংলকপশিং অদু শিয়ার তৌহল্লু
- অমা অমদা মতেং পাম্নবদা লৌখিবা অখ্নবা ন্নৌদাংশিংগী মতাংদা গ্রুপ দিস্কস্ন অমা পাঙন্নোকহল্লু

**মশাদা অমসুং অতোপ্পশিংদা অফবা ৱাখল্লোন লৈহনবা**

ওঝাশিংনা অফবা ৱাখলতমক খন্দুনা মহৈরোয়শিংদা অফবা ৱাখল্লোন চেলহন্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ওঝাশিংদি মহৈরোয়শিংগী তমজফম্নি। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংদা অফবা ৱাখল্লোন চেলহনবা হায়বসিদা ওঝাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। ওঝাশিংনা মহৈরোয়শিংখক্তমক নত্তনা মখোয়গী মমা মপা মরুপ মপাং অমদি স্কুলদা লৈবক তৌরিবা মীওই খুদিংমকপু ইকায় খুম্নদুনা অমদি মখোয়গী খল্লি হায়বসি উখোকপগীগদবনি। মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী ইথিলকপা মতমদা থাগৎপা পল, শিংনবশিং মায়োং য়াবা অমদি খুদুম চবা ঙম্নবা মখোয়বু ওঝাশিংনা লমজিং লমতাকপীগদবনি।

**মশা মশাদা অমসুং অতোপ্পদা লৈরিবা অফবশিং য়েংথোক্লবা ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংগীদমক থৌরমশিং**

মখাদা পীরিবা লিষ্ট অসিদা মহাকনশা অমসুং এক্স ৱাই জেদকী মপাঙ্গল অমসুং অফবা মগুনশিং ইথোকউ

ঙসিদি ঐহাক য়াম্না........

ঙসিদি এক্স ৱাই জেদ সি........

***খুদম ওইনা***

- ঙসিদি ঐহাক য়াম্না 'মতেং পাঙ্গংবি'গী ৱাখল্লোন পোকই
- ঙসিদি ঐহাক য়াম্না 'খাংবা নুংব'গী ৱাখল্লোন পোকই
- ঙসিদি ঐহাক য়াম্না 'লাংতক্লবা' পোকই
- ঙসিদি এক্স ৱাই জেদ সি 'নাজিংঙাই ওইবা' ৱাখল্লোন পোকই
- ঙসিদি এক্স ৱাই জেদ সি য়াম্না 'মরুপ মপাং' ওইবগী ৱাখাল্লোন পোকই
- ঙসিদি ফুতবোল শান্নরবা মতুংদা এক্স ৱাই জেদসি 'হরাও তয়াম্ব'গী ৱাখল্লোন পোকই

***নোত***

মীপুম খুদিংমক্তা মখোয় মশাগী মতাংদা অথৌবা ক্বালিতি অমা ফংবা মতমদা করম্না মতমদা অমসুং করম্নানা হায়না মখা তাম্নিগদবা মশাগী ওইবা 'ঐহাক'না হৌবা হায়বা লিষ্ট অমা লৈগনি।

এক্স ৱাই জেদ কী মতাংদসু পোজিতিব ক্বালিতি অমা ফংবা মতমদা করম্না মতমদা অমসুং করম্নানা হায়না মখা তাখিগদবা মখোয় মশাগী ওইবা এক্স ৱাই জেদ লিষ্ট লৈগনি।

- মহৈরোইশিংনা ৱাইনুংঙাইতবা/ ৱারবা মতম/নুংঙাংবরচিংবা পোকপা থেগেতিব ইমোশনশিং পোক্লকপা মতমদা মখোয়গী ‘ঐহাক’ হায়বা লিষ্ট অদু য়েৎনবা অমসুং এক্স ৱাই জেদকী মতাংদা থেগেতিব ইমোশনশিং পোক্লকপা মতমদা এক্স ৱাই জেদ লিষ্ট অদু য়েৎনবা খঙহল্লু।

*লিদরশিপ কলিতি খঙদোক্লবা ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংগী তৌগদবশিং*

শ্লা খ্ব- থৈবা অমা পাঙথোকউ

- নহাক্কী মতা নহাক্কী গ্রুপ নত্রগা ক্লাসতা কনাবু লিদরনি হায়না খনবগে?
- মীওই অদুগী মরমদা খল্লগা নহাক্কী মীয়েংদা মহাকপু করিগীদমক লিদর অমা ওইনা লৌরিবনো হায়বদু ইথোকউ।
- নহাক্না লিদরনি হায়না খনবা নহাক্কী ইমুং মনুং, কৈরোল লৈকাইগী মীওই অহুমগী মরমদা খল্লু অমসুং মীওইশিং অদুবু শিংনবা ৱাহৈ খরা ইথোকউ।
- লিদর অমগী ক্বালিতিনি হায়না গ্রুপ অদুনা নত্রগা ক্লাস অদুনা খনবা ক্বালিতিশিংগী লিষ্ট অমা শেম্মু।
- নহাক্না খল্লিবা ৱাখল্লোন অদু নহাক্কী ক্লাসমেতশিংগা খনথৌ।

*‘অমা অমবু মতেং পাংবা’ হায়বা ৱাফম অসি য়াহনবা ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংগী লৌখ্নকদবা নবক থৌরমশিং*

- নহাক্কী ক্লাসতগী মেম্বর ১০ খন্দোক্লো
- টিম অমা ওইনা ওঝা পুন্নমক্না মহৈরোইশিংবু মখোয়গী ক্লাসতা মোতিবেত তৌনবা নমিগী মতাংদা পোষ্টর অমা থৌরাং তৌরো।
- ‘ ঈশিং মাঙহন্দবা’ হায়বা নমিদা মহৈরোই পুন্নমক্তা পোষ্টর অমা থৌরাং তৌহল্লো।
- মখোয়না তৌরিবা নবক থৌরমশিং অদুদা মখোয়দা মপুং ফনা মনিং মখা তন্না পীয়ু
- মখোয়না টিম অমা ওইনা নবক তৌরকপা মতমদা ক্লাস অদুদা লৈরিবা অতোপ্পা মেম্বরশিং অদুনা য়েংশিলহল্লু
- তৌরিবা নবক থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা গ্রুপ মেম্বরশিংদা মখোয়না গ্রুপ অমা ওইনা নবক তৌমিবদা ফাওরকপা ৱাখল্লোনশিং অমসুং এক্সপরিয়েন্সশিং অদু শিয়ার তৌহল্লু

**ঌোত**

মহৈরোইশিংগী ওইনা: এক্তিবিতি অসি অখ্নবা সবজেক্ট তিচরশিংসু তৌবা য়াই অমসুং গ্রুপ অদুদা তৌরিবা থৌদাং অদু মখোয়গী টেক্সবুক্তগী খ্নবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা, ওঝা মহৈরোইশিংদা তোঙান তোঙানবা মওং মতৌশিং তাকপা মতমদা ওঝা মেম্বর মরি মঙাগী গ্রুপশিং শেমদুনা মখোয়দা ক্লাসরূমগী মুং অমসুং মপান্দা মখল কয়াগী মওং মতৌশিং মশক খঙদোক্নবা থৌদাং পীবা য়াই (মেমেতিক্স ক্লাস ঝ)

অপ্পুবগী থৌ / অমগা অমগা তেংবাঙ্বগী কন্নবা খঙবা ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংগী ৎবক থৌরমশিং

- শরুক য়ারিবা খুদিংমক্তা চেশিং য়েন্থোক্তুনা মখোয়গী ৱাখলদা লাকপশিং অদু য়েকথোক্নবা খঙহল্লু
- শরুক য়ারিবশিংদা চে অদু মংদা লৈরিবা মীওই অদুদা অমুক পীহন্দুনা মহাক্না অতোপ্পা অমদা অমুক পীদ্রিঙৈদা করিগুম্বা খরা য়েক্নবা খঙহল্লু।
- থৌওং অদুদা মিতি ৫-৭ রোম মং মং লমহন্দুনা চে অদুদা য়েকহল্লু
- শরুক য়ারিবশিংদা চেশিং অদু গ্রুপ অদুগী ময়ায়দা মন্নবা খঙহল্লু
- লমজিং লমতাক্লিবা মীওই অদুনা চেশিং অদু অশেংবদুনা শরুক য়ারিবশিংদা মখোয় মখোয়না হায়না য়েকখিবা চেশিং অদু খন্দোক্নবাখঙহল্লু।
- মখোয়না চেশিং অদু খন্দোকপা লোইরবা মতুংদা লমজিং লমতাক্লিবদুনা মখোয়দা
- . মশাগী চে অদু করম্না মশক খঙই
- . চে অদু উবা মতমদা ৱাখলদা করি ফাওই
- . মহাক মশাগী মতুংইন্না চে অদুদা য়েকপদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদু করিনো হায়না হংবীয়ু

এক্তিবিতি অসিনা চে অদুদা শরুক য়ারিবা খুদিংমক্না য়েকখিবাগা লোয়না অপ্পুবগী পাঙ্গল / অমগা অমগা তেংবাঙ্বগী মরু ওইবা অদু ভাব তাহন্নবা ঙমহন্নগনি। মরমদি য়েক্লিবা লাই অদু ল্লাই মীওই অমত্তগীৎত্তে শরুক য়ারিবা খুদিংমক্কনি।

***ঌোত***

এক্তিবিতি অসি লোইরবা মতুংদা ওঝাশিংদা মখাগী ৱাহংশিং অসি হংবা য়াই

১.    এক্তিবিতি অসিদগী মহাক্না করি খংবা ঙমই?

২.    মহাক্কী মাংমগী ওইবা মবক মীরমদা ঙসি তমখিব অসি করিদা শিজ্জিবা য়াগনি

**এক্তিবিতি অসি লোইরবা মতুংদা মহৈরোইশিংদা মখাগী ৱাহংশিং অসি হংবা য়াই**

১.    এক্তিবিতি অসিদগী মহাক্না করি খংবা ঙল্লে?

২.    মহাক্না এক্তিবিতি অসিদগী খঙলকপশিং অদু মহাক্না য়ুম অমসুং স্কুলদা শিজ্জিবা য়াগদবা মতাংশিং অদু খন্দোকউ।

## ইফেক্তিব কম্যুনিকেস স্কিলস

ওঝা অমা ৱারী ৱাতাই শানবা অমদি পাউ ফাওদোক্লবদা হৈন্নোই শিংনোইরবদি তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং ৱাহন্থোক নৈনো অমদি য়াম্না মুংঙাইবা মওংদা পাউদমবা ঙম্মী।

ৱারী ৱাতাই শানবা অমদি পাউ ফাওদোক্লবা হায়বসিগী অচৌবা শরুক অমদি হায়রিবা ৱাফম অদু মমু অা খঙহনবনি। ওঝাশিংনা মখোয়না হায়রিবা তাক্লিবা ময়াম অদু মহৈরোইশিংদ চপ চানা ফাওহনবা ঙল্লেমত্রগা ঙমদে হায়বসি খঙদোকপীগদবনি। ওঝাশিংনা মখোয়না তাক্লিবশিং অদু মহৈরোই পুন্নমক্তা শুকশোই শোইদনা খঙহনগদবনি। মহৈরোইশিংদা পীরিবা এসাইনমেন টশিংদু মচা খাইনা তাকপীবগী মক্তা ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংদগী করি পম্মী হায়বদুসু ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। মহৈরোইশিংনা মখোয়দগী ওঝাশিংনা পাম্লিবা অদু করিনো খঙলবদি মখোয়দা পীরিবা এসাইনমেন্ট শিংদু লাইনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি। অফবা ওঝা অমা হায়বসি পুক্লিং চঙনা তাশ্লিবগী হৈবী লৈগদবনি। ওঝাশিংনা ৱাহং কয়া হংবগা লোয়না মহৈরোইশিংনী পীরকপা পাউখুম পুন্নমক পুক্লিং চঙনা তাশ্লিগনি অমদি চুবা পাউতাক পীবীগনি।

### তাশ্লিবা অমদি পাউ ফাদোক ফাওজ্জি তৌবা

তাশ্লিবা হায়বসি ৱারী ৱাতাই শানবা অমদি পাউ ফাওদোক্লবগী মরু ওইবা মচাক অমনি। কনাগুম্বা অমবু মতেঙ পাঙদ্রিঙৈদা মহাক্না করি পাম্লি হায়বদু পুক্লিং চঙনা তাশ্লিবা চঙই। মতৌ অসুম্না ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু মতেং পাঙদ্রিঙৈদা মহৈরোইশিংনা ৱাহৈ অমদি অতোপা পান্নো ফোঙদোক্লকপা অংবা অপান্বশিং অদু পুক্লিং চঙনা তাগনি অমদি খঙদোক্কনি। ওঝাশিংনা তাশিল্লবা মতুংদা পীরকপা পাউখুম অদুনা মাজ্জবগী অমদি লৈপুপ লৌকোই নৈদবগী চাং হেগনহনগদবনি। অসিগুম্না ওঝাশিংগী পাউখুম অদুনা মহৈরোইশিংবু মখোয়গী পুক্লিংগী ৱাখল ফোঙদোকপা ঙমহল্লি, চুবা ৱারেপ লৌবা ঙমহল্লি অমসুং অফবা লমচন শাজ্ঞ শেমগনপা ঙমহল্লি।

এস আর জি, ওঝা অমসুং প্রাইমারি মহৈরোইশিংগী রিফ্লেক্তিব এক্তিবিতি

- ꯉহাক্লা য়াম্না তোইনা মীওইশিংনা হায়বা ৱাফমশিং ভাব অমা হঞ্জি হঞ্জি হায়হনবা হায়বা লৈব্রা
- মীনা হায়রকপা ৱাফমশিং মমা তাবা মতমদা মাংলোমদা লুকশিন্দ্রা, মীচমদুচিংবা তৌব্রা হায়না য়েংশিল্লু
- ꯉঙোন্দা তাবগী শক্তি হেনগৎহনবগী দরকার লৈবশিং অদু ইন্নাকউ

**ইম্পেথি**

ইম্পেথি হায়বসি অতোপ্পা মীওই অমগী পুক্নিংদা ফাওরিবশিংদু মীওই অদুমক্কী মীয়েংদগী য়েলগা খঙবা ঙম্বদুনি। ইম্পেথি হায়বসি মীওই অমনা অতোপ্পা মীওই অমগী মহুত্ত শিন্দুনা অমাশুং মীওই অদুনা খল্লিবা ফাওরিবা অদু খঙদোক্লবা হায়বনি। ওঝাশিংনা অসুম্না মহৈরোইশিংগী পুক্নিংগী মহুত্ত শিন্নবা মতমদা মহৈরোইশিংদা ফাওরিবা তৌফম খঙদবা, শাওংবা, অকিবা, হৈংিদবা অমদি তোঙান তোঙানবা ইহুল পুম্নমক খঙবা ঙমগনি। মসিগী হৈ শিংবা অসি ওঝাশিংদা লৈরবা মতমদা মহৈরোইশিংনা মখোয়গীꯁুংঙাইতবা পুম্নমক ওঝাশিংনা খঙবী হায়না খল্লি।

***ইম্পেথি মমু অমা খঙ্গবগীদমক এস আর জি, ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংনা তৌগদবশিং***

- শরুক য়ারিবশিংবু কোইনা লেপহল্লো
- শরুক য়ারিবা খুদিংমক্তা মখোয়গী খোঙউপশিং লৌদোক্লুনꯕাকন্দনꯕনবা খঙহল্লু
- লমজিং লমতাক্লিবা মীওইদুনা খুবাক খুদুনা মখোয়বু কোইনা চহল্লো
- খুবাক খুবা লেগা শরুক য়ারিবশিংদা মখোয় মখোয়গীꯕাকন্দা লৈরিবা খোঙউপশিং তোংশিন্নবা খঙহল্লো
- খুবাক খুবা হৌবগা শরুক য়ারিবশিং অদুবু মখোয় মখোয়না তোংলিবা খোঙউপশিং অদু অদুমক তোংদুনা চনবা খঙহল্লো
- শরুক য়ারিবশিংনা মশা মশাগী হন্নগী লেপফম/ফম্ফমদা হল্লক্তুনা খোঙউপশিং ওন্থোক্লবা তৌদনা ফম্নবা খঙহল্লু

এক্তিবিতি অসি লোইশিল্লকপদা শরুক য়ারিবশিংদা অতোপ্পগী খোঙউপ তোংদুনা চনপগী এক্সপরিএন্স অদু শিয়ার তৌহল্লু

*নোত -*

এক্তিবিতি অসিগী শরুক য়ারিবশিংনা ইন্স্পেক্টরগী অশেংবা অর্থ অদু মমু অমা খঙবা ঙমগনি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী অফবা মগুনশিং মমু অমা খঙহনবা লমজিং লমতাকই।

**অতোপ্পা/ইশাগী ৱাখল্লোনশিং মমু অমা খঙহনবা এস আর জি, ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংগীনবক থৌরমশিং**

- লাংতক্নবা, নুংশাংবা, নুংশিবা, শাওবা অমসুং খুংঙাইরবচিংবা ইমোস্ন খরা মশক খঙদোকউ
- ইমোস্নশিং অসি মায়থোং অমসুং ৱা ঙাঙদবা অতোপ্পা পান্নৈশিং শিজিন্নদুনা ফোঙদোক্নবা গ্রুপ/ক্লাসতা হায়য়ু।
- মখোয়না হায়রিবশিং অসি ইকুই কুইদনা মখোয় মশাদা অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংদগী নত্রগা স্কুলগী মীওইশিংদা উখিবা য়াওব্রা নিংশিংবীয়ু

ইন্স্পেক্টরগা মরি লৈনবা স্কিলশিংদি

***পুক্নিং চপ্পা ৱাহৈশিং নত্রগা ৱাহৈ নত্তরা ঈ পাউ ফাওবা***

ইন্স্পেক্টর হায়বসি মীওই অমা অতোপ্পা মীওই অমগা নৱাই হকচাং অমীমক য়াওনা প্লা লৈনমিরবা মতমদা ফোঙদোকপা ঙম্মী । পুক্নিং চাঙবা হায়বসি ৱাহৈ অমদি অতোপ্পা পান্নৈ ফোঙদোকপীগদবনি। মসিনা মহৈরোইশিংদা ওঝাশিং মখোয়গীদমক লৈরি হায়বদু চপ চানা ফাওহল্লি।

পুক্নিং চপ্পা তারি হায়বসি মখা তাও হায়বা ৱাহৈশিং, কোক নোন্মচিংবা অসিনা ফোঙদোকই।

ইন্স্পেক্টর ফোঙদোক্নবগী অতোপ্পা মওং অমা মহৈরোইশিংনা মখোয়না নৎরকপশিং অদু তমথোকপা/ ফোঙদোকপগী মওংশিং অদুনা ওঝাশিংনা তাশিন্নবগী মওং অদুগা চুশিনহনবনি। মহৈরোই অমা তোইনা শিজিনবা লোন্দা অমদি ৱাহৈশিং অদু য়েংশিন্নবা/ খঙদোকপা হায়বসিসু মরু ওই।

***ন-ভর্বেল এতেন্টিবনেস গেসচর এপ্রিসিএত তৌবা ওঝা অমদি মহৈরোইশিংগী রিফ্লেক্টিব এক্টিবিতি***

- নহাক্না অতোপ্পশিংগা ৱারী শানবা মতমদ নহাক্না শিজিনবা বোদি গেসচর, মায়থোংগী ফিবম অমসুং ভোইস ক্কালিতি অদু চয়োল অমা য়েংশিল্লু
- নহাক্না তোইনা শীজিনবা ন-ভর্বেল ভিহেবিয়রশিং অদুগী লিষ্ট অমা শেমদোকউ

- মহাক্না শেম্লিবা লিষ্ট অদুদা করম্না ফৈ অমসুং ফগৎহনবগী দরকার করম্বদা লৈ হায়রচিংবগী মতাংদা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি লোইন্নরিবশিংদগী ফীদবেক লৌ
- মহাক্কী ইস্পেন্স অদু অঙোশিংদা রিফ্লেক্ট তৌগনি মহাক্কী নন-ভর্বেল এতেন্টিবনেস বিহেবিয়রশিং অদু করম্না ফগৎহনগনি হায়বগী মতাংদা ইন্নাকউ

***মীওইশিং খংবগী ওইবা ওঝাশিংগী ৱাখল চংখো তৌগদবা খেবক মীৎয়েংশিং***

মহাক্কী মরুপ অমগা টি ভি সেরিএলগী মহাক্না খোইদাজবা কলাকার অমা হন্দক্তা খুদোংচবা অমগা উংঙাইতবা মীৎদোক অমা তেৎখ্রে হায়বসি মহাক্না খংলে খল্লসি খুদম ওইনা হায়রবদা মহাক্না মুংশিজা মীওই অমা লৈখিদবা অমগা মহাক্কী লমা ত্রিজবা অমা কাইন্নরচিংবা। মতাংশিদা মহাক্না তৌগদবসি- মহাক্না তেৎরিবা অদু মহাকনা শামক্তা চেকপনি খিল্লগা মহাক্না ফাওরমগদবা ৱাখলদু খন্দুনা য়েংবীবা মতাংসিদা মহাক করি খল্লমগনি অমদি মহাক্না মীৎদোতুবু করম্না মীৎয়েংদা য়েংলমগনি হায়বসি খ্নবীয়ু।

নোত

হায়রিবসি ক্লাস মনুংদা পম্নশিনবীবা য়াই মস্নিা মরম ওইরগা ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু মখোয়না তেংবা অৱা মুঙাইদা শরুক য়াবীদুনা মুঙাইতবশিংদু মায়োক্নবদা মতেং ওইগনি।

***রিফ্লেক্টিব এক্টিবিতি***

(কে আর পি, ওঝা অমসুং অর প্রাইমারি ওঝাশিংগীদমক)

| স্কিলশিং | মশাদা হন্না য়াওরবশিং | ফগৎহনবগী দরকার লৈবশিং |
| --- | --- | --- |

- হৈশিংবগী গমন
- অঙোশিংবু য়াবীবা ঙম্বা
- করিগুম্বা অমবু খংদোকপদা অকক্নবা নয়িম মদবা
- চপ চানা মরাই য়াওশিনবা
- অঙোগী ৱাখলবু খংবীবা
- নিংখা তম্না ৱাখল খ্নবা
- য়াম্না হেনা অকক্নবা মদবা
- ৱারেপ লৌবা ঙম্বা
- কাংলুপ অমগী মীহুৎ অমা ওইনা মতেং পাংবা
- খংহৌদবা মীৎদোকশিং/মাইথিবিশিংবু অচুম্ব মীৎয়েংগা লোয়্না মায়োক্নবা
- মাংজিল চাবা

মক্কী থৌদোকশিং অসি পাংথোক্লকবদি হাকচাংগী ওইবা হৈ শিংবশিং অদু ফগৎহন্নগনি। মসিনা অতোপ্পা মীশিংবু খংদোকপগী অমদি মখোয়গা ওন্নমরিনবা ঙমগনি।

**শাফবা অমসুং অফবা অকোয়বগী ফিবম লৈবা স্কুল অমগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নগদবশিং-**

থৈবা য়াবশিংদি

- শাফবা স্কুল অমা হায়বসি করিনো

- পুন্নমক্কী ওইনা হিরম খুদিংদা ফগদবা স্কুল অমা লৌখৎকদবা খোঙচাংশিং অদু করিনো

- ওঝা/মহৈরোই অমা ওইনা হাক্লা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং করিনো

**চাইল্ড হেল্পলাইন (১০৯৮-২৪/৭ হেল্পলাইন ফোর চিলড্রেন) সার্বিসেস**

চাইল্ড হেল্পলাইন ১০৯৮ অসি অৱাবা তারবা অঙাংশিংগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুং ২৪ হাংদুনা লৈরবা ইমর্জেন্সি ফোন সার্বিসনি। অঙাংশিংগী হেল্পলাইন অসি হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক অসিগী অকোয়বদা মফম ৪১২ দা থম্লবক তৌরি। চাইল্ড হেল্পলাইন অসিদা এপ্রিল ২০১৬ - মার্চ ২০১৭ ফাওবদা কোল ক্রোর ১.৪৫ লাকখ্রে অমসুং এপ্রিল নবেম্বর ২০১৭ দা কোল লাখ ৭৮ হেন্না লাকখ্রে। চাইল্ড হেল্পলাইন অসিনা অৱাবা তারবা অঙাংশিংদা দিলি কাউন্সেলিং ফংহনবগা হকথেংনা কন্নবা য়াওনা মতেং কয়া পীরি।

পোক্সো (প্রোতেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস)

পোক্সো ই- বোক্স অসি অঙাংশিংদা সেক্সুএল ওফেন্সেশিং চথবগী মতাংদা লাইননা হকথেংনা রিপোর্ত পীরক্নবা অমদি পোক্সো এক্ত ২০১২ কী মখাদা ওফেন্দরশিংগী মথক্তা মতম চানা এক্সন লৌখৎনবা ওনলাইন কমপ্লেন্ট মেনেজমেন্ত সিস্তেম অমনি। link of the POCSO e-Box is - http://www.ncpcr.gov.in/user_complaints.php. Link for students to know about 'being safe online' : http://www. ncpcr.gov.in/showfile.php? lan g=1 &level=1&&sublinked=1660&lid=1661. Link for teachers to know and make students aware about POSCO act: http://www. ncpcr.gov.in/ showfile.php?lang=1&level-1&&sublinkid=1289&lid=151

***এক্তিবিতি ফোর ষ্টুদেন্টস - ক্রিএতিং এৱার্নেস অবাউত এব্যুজ***

এক্তিবিতি অসিনা মহৈরোইশিংবু পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা তুমিনা লৈতোক্নবগী মরু ওইবা মরম অদু খঙহন্নবা ঙমগনি-

মহৈরোইশিংদা অয়েৎপা ওইনা থম্নবা খঙহন্দুনা অপীবা সিচুএসন অমগী মতাংদা খন্নবা মহৈরোইশিংদা খঙহল্লু

- অহানবা সিচুএসন্দা, ইচো মতম কয়াদগী পামদ্রা লাকপা পেলম অমা মহাকপু অঙকপা পোকহৃবা ওই‌া পীবা ঐগী ইপা/ইয়ান্বা মীরাং তৌরি। অদুবু ৰাফম অসি কাদসু হায়দোক্তা লৈবা মহাক্লা পাল্লি।

- অীশুবা সিচুএসন্দা, গ্রেদ ১০ গী মহৈরোই অমা স্কুলদা অয়ুক খুদিংগী ঐহাক্কী তিফিন মঙোন্দা মদ্রা পীহল্লি অমসুং ঐহাক্লা ওঝা ত্রগা ইমা ইপাদা হায়দোকপা তারবদি অফবা ওইরোই হায়া কিহল্লি।

- পীরিবা সিচুএস অী অসিগী মরক্তা করন্বা ইফোর্মেস মখোয়া অতোশিংদা শিয়ার তৌগ হায়বগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা ইবা খঙহল্লু। মহৈরোইশিংদা পাউখুম অদু লাউরা পাবা অমসুং সিচুএস অী অদুগী মরক্তা অমবু খল্লিবা অদুগী মতাংদা শন্দোক্লা হায়হল্লু।

-মতুং তারকপদা মহৈরোইশিংনা করন্বা সিচুএসন্দা তুম্মি লৈগ অমসুং করন্বা সিচুএসন্দা মখোয়গী ৰাখল্লে অদু অতোগী শিয়ার তৌগ হায়বগী মতাংদা তাকপীয়ু।

- মহৈরোইশিংনা অতোগা শিয়ার তৌবগী ঙমদ্রবা/ংঙাইতবা/ ইকাইবা মীদোকশিং ইরোক্ন বা/ খাবা মখোয়বু মীা হায়ীয়ু।

- অতোগী মীওংশিংদা/ংঙাইতবা পোকপা লৈবা তারবদি মদুগী মায়োক্তা ঙাঙবা অমসুং ইমুং মুং, মরুপ মপাং, ওঝাশিংগা খবা মহৈরোইশিংগা খ- মীবীয়ু।

***মহৈরোইশিংগী এক্টিবিতি - মহৈরোইশিংদা মখোয়গী ৰাখল্লোশিং ফোঙদোক্নবা শক্তি পীবা***

- মীওইশিংনা অতোশিংবু/ংঙাইহল্লোই হায়া খবশিং অদুগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা হংদোকউ অমসুং ইরোকউ

- মখোয়গী পাউখুম অদু হকচাং/ংঙাইহল্লোইদবা অমসুং ৰাখল্লোন্দা/ংঙাইহল্লোইদবা অী চাক্লা খায়দোকউ

. হকচাংনা/ংঙাইহল্লোইদবশিং অদুদি - ফুবা, ইবা, কা শিকপা, সেক্সুএল এব্যুজচিংবা অসিনি..

. ৰাখল্লোন্দা/ংঙাইহল্লোইদবশিং অদুদি - হন্বা য়েংবীবা, লাউবা, ইকাইবা পীবা, স্কুলদা/াইতোম তাহবা, য়ুমদা ফাজি পুশিন্দু/ন্বা, মমা/বশিংনা লৈদোক্তা লৈবা,/হাক্লা য়া/িংদবশিং/মদ্রা তৌহবা অসিচিংবনি

হকচাংনা অমসুং ৰাখল্লোন্দা চৈথং পীবশিং অদু শন্দোক্লা হায়য়ু। অসিগুম্বশিং অদ্রা ঐখোয়দা/ংঙাইতবা, শাফরে হায়া খবা ঙমজদবা, শাউহবা, অমদি ইকায়হবা পোকহল্লি

মহৈরোইশিংদা হংউ

- ঙাক্নবা শিংনা হাকপু হকন্নবা ত্রগা ৱাখল্লোন্দা চৈথেং পীখিবা লৈবরা

- ঐখোয় ইশ্না ইশাবু চৈথেং পীজবরা? মতৌ করম্না?

- মরু মপাং, মরি মতা, ওঝা.....না ঐখোয়দা চৈথেং পীবা হায়বসি ওইথোকপরা? করিগুম্বা মদু থোক্লকপা তারবদি ঙাদা হায়গনি/ ঙাগা ৱারী শানগনি।

মহৈরোইশিংনা চেবাং অমদা মখোয়গী মখুং অদু মন্নবা মদুগী শক্তম চে অদুদা য়েকহল্লু। য়ামদ্রবদা অহল মরি য়াওবা ৱাখল্লোনশিং শিয়ার তৌবা য়াবা মীওই মঙা খনবা মহৈরোইশিংদা হায়য়ু। মীওই মঙা অদুগী মীংশিং খুশাশিং অদুদা ইবা মখোয়দা হায়য়ু।

- মীওইশিং অদুগী মরমদা মখোয়না পামজবশিং অদু ইহল্লু

- মখোয়শিং অদুবু নাজজবগী মরম অদু অতোপ্পশিংগা ক্লাসতা শিয়ার তৌহল্লু

-নাজবা য়াবা মীওই অমগী করেক্টরশিংগী মতাংদা থীহল্লু। মসিনা মহৈরোইশিংগী ৱাখল্লোন্দা চৈথেং ফংবা, পেন্দ্রবচিংবা লাকপা মতমদা ঙাদগী তেংবাং লৌগনি হায়বা অদু মহৈরোইশিংনা খন্থবা ঙমহনগনি।

ক্লাসরূমদা লাইরিক লাইশু তমশিন্নবগী চুনবা ফিবম অমা শেম্বদা ওঝাশিংনা অচৌবা থৌদাং লোই। অকোইবগী ফিবম শাফরবা অমদি থীংনা শেম শারবা মতমদা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী খ্বাইদগী ঙমজবী মাত্তা তমশিন্নবা ঙম্মী। মরম অসিনা ওঝাশিংনা ক্লাসরূমদা অসিগুম্বা চুনবা অমদি হৈথেংগদবা ফিবম অমা শেম্বা থোন্নী। মহৈরোইশিংনা মশাদা চপ চান্না নাজব লৈরবা অমদি কিমিংঙাই লৈতে খঙলবা মতমদা ক্লাসরূমদা তাক্লিবা তৌরিবা পুন্নমক অদু খঙহনবা পুক্নিং হকচাং লুপশিন্নবা ঙম্মি। মহৈরোই খুদিংমক অফবা মী অমা ওইরক্নবা গুন্না চেল্লি অমদি মহৈরোই খুদিংমক তোঙান তোঙানবা হিরমদা হৈ শিংবা, তৌবা ঙম্বা কয়া লৈ হায়বসি ওঝাশিংনা চেনা নাজবীগদবনি। মসিগী নাজবশিগা লোয়ন্না ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু মখোয়গী খ্বাইদগী ঙমজবী মাত্তা থৌ পাঙথোকপা ঙম্নবা লমজিংবীগদবনি, পুক্নিং থৌগৎপীগদবনি।

মহৈরোইশিংবু লাইরিক লাইশু তম্বদা হৈথেংহনবা হায়বসি ওঝাগী থৌদাংগী মুখ্য চল্লি। ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু ক্লাসরুমদা, লাইব্রেরিদা, শান্নবুংদা অমদি অতৈ মফমদা য়েংশিল্লি। মসিনা মহৈরোইশিংগী অপাম্বা, ফুংঙাইতবা অমদি লমচৎ শাজৎতা হোংলকপশিং ওঝানা খঙবা ঙম্মী। ওঝাশিংনা মমা মপা ওইবশিংগা ৱারী শাবা মতমদা মহৈরোইশিংগী মরমদা হেন্না খঙবা ঙম্মী। মহৈরোইশিংগী মরমদা খ্বাইদগী ম্নুং খঙগদবসি ওঝাশিংনি। মসিমক্না ওঝাশিংনা মহৈরোই খুদিংমক্কা অচেৎপা নাজবগী অমদি ইকাই খুম্নবগী মরি শেমগৎপা ঙমহল্লি। মতৌ অসুম্না ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু খ্বাইদগী চাওনা মতেং পাংবা ঙম্মী।

**ক্লাই অমদি খ্বাইগী গুশিং মম্মু অমা খঙদোক্লবা ওঝাশিং অমসুং মহৈরোইশিংগা তৌবা য়াবশিং -**

- ক্লাস অমবু মেম্বর মরি মঙা লৈবা গ্রুপশিং খাইদোক্লা মখোয়দা হ্যা ব্লেকবোর্দতা ইন্নাক্লা চল্লবা ৱাহৈ খরা হায়বদি কোওপরেস্ন, তিমৱার্ক, পেস্নে, ইফেক্তিব কম্যুনিকেস্ন অম্নিচিংবশিংদগী অমমম খলহল্লো। মখোয়া খল্লিবা ৱাহৈশিং অদ্রা গ্রুপ অদুগী মমিং ওইহল্লো।

- গ্রুপ অদুগী মীওইশিং অদুদা মখোয়া খল্লিবা ৱাহৈ অদুগী মতাংদা খ্নহন্দুা মখাদা পীরিবা পোইন্তশিং অসিগী মতাংদা প্রজেন্তেস্ন পীহল্লো।

- মখোয়া মদুদগী খঙবা ঙম্লে অমদি মদ্রা ওঝা/মহৈরোইশিং নৈহল্লিবা মরি অদু করিনো

- মদ্রা ওঝা/মহৈরোই অমা ওইনা মখোয়গী থাংমগী পুন্দিা কদাই ফাওবা কানবা পীবা ঙমহল্লে

- মদ্রা স্কুল অমদি য়ুমদা অকোয়বদা লৈরিবা অতোশিংদা কদাই ফাওবা কানহল্লে

এক্তিবিতি অম্নি ওঝা অমসুং মহৈরোইশিংদা কদায় ফাওবা মতেং ওইহল্লে হায়বদু খঙবা ঙ মহ্ম গনি।

রিফরেন্সেশিং

গাইদলাই ই এক্স, ২০১৭. দিপার্তমেন্ত ওফ ইদুকেসনেল সাইকোলোজি এন্দ ফাউন্দেস্ন ওফ ইজুকেস্ন, এ সি আর টি।

ইন্ত্রোদক্স টু গাইদলাইন্স ২০১৭. দিপার্তমেন্ট ওফ ইজুকেসনেল সাইকোলোজি এন্দ ফাউন্দেস্ন ওফ ইদুকেস্ন, এ সি ই আর টি।

সাইকোলোজি টেক্স বুক ফোর ক্লাস এলেবেন, ২০১৮. দিপার্তমেন্ট ওফ ইজুকেসনেল সাইকোলোজি এন্দ ফাউন্দেস্ন ওফ ইদুকেস্ন, এ সি ই আর টি।

সাইকোলোজি টেক্স বুক ফোর ক্লাস টুয়েল্ব, ২০১৮. দিপার্তমেন্ট ওফ ইজুকেসনেল সাইকোলোজি এন্দ ফাউন্দেস্ন ওফ ইদুকেস্ন, এ সি ই আর টি।

দি কাউন্সেল্লিং প্রোসেস এন্দ স্ট্রাটেজিস, ২০১৭, দিপার্তমেন্ট ওফ ইজুকেসনেল সাইকোলোজি এন্দ ফাউন্দেস্ন ওফ ইদুকেস্ন, এ সি ই আর টি।

Module 3

# আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিং

**চাওরাকপা মীৎয়েং ঃ**

ভিজুয়েল আর্ট, পার্ফোর্মিং আর্ট অমদি লিটরেরী আর্ট হায়বশিংসি লাইরিক লাইশু তম্বীবগী মওং-মতৌ অতোম্পা সবজেক্টশিংগা পুনশিন্দবা য়ারক্লে। মসিনা হায়রিবদি আর্টপু করিকুলমদা য়াওহনবা অসিনা অঙাংশিংবু তম্বীবগী মপুংওইবা হিরম অমা ওইহল্লি। মসিনা মখোয়দা চমন্নবশিংদু শেংনবা খঙহল্লি। মসিনা খেন্নবা সবজেক্টশিংগী অমত্তা ওইবগী পাউ ফাওনহন্দুনা আর্থ থোক্লা অমগা অমগা খঙনহল্লি। আর্ট হায়বসিনা খেন্নবা সবজেক্টশিং হায়বদি মেঠমেটিক্স, সাইন্স সোসিয়েল সাইন্স অমদি লোনগী সবজেক্টশিংগা পাউ ফাওনহন্দুনা কান্নবা মওংদা ফংহল্লি। অসিগুম্বা থৌওং থৌদা অসিনা লাইরিক তম্বগী মহাও নুংঙাইনা ফংহল্লি। মসিগী মোদুল অসিনা আর্টপু অতোপ-অতোম্পা সবজেক্টশিংদা করন্না য়াওহনগদগে হায়বদু খুদমগা লোয়ননা উৎলি। অফবা মওং মতৌগী মহৈ মশিং হৈহন্নবগী তাকপিরিবা মীদুনা সি.সি.ঈ. অমদি অতোম্পা পাম্বৈশিং ফগৎহনবা য়াই। খনগৎলবা লার্নিং আউটকম ফংনবা তাকপিরিবা মীওইদুনা মহাক্কী ওইবা পাম্বৈশিংবু শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই।

তাকপিরিবা মীওই অদুনা অহেনবা অমদি মহুৎ শিন্দোকপা য়াবা পাম্বৈ ওইনা সেসন্স ৪-৫ মোদুল অসিদা পীরি।

## লার্নিং ওবজেক্টিভস

মসিগী মোদুল অসিনা মখাগী পান্দম অসি থল্লি।

- অঙাং খুদিংমক্তা নুংঙাইনা মহৈ-মশিং তম্বা অমদি হেন্না ফগৎনবা আর্টপু খঙহনবা।
- মখল খুদিংমক্কী আর্টকি মওং মতৌ খঙহন্দুনা মখোয় মশানা খঙহন্নবা হোৎনবা।
- চহিগী চান্নবা আর্টপু খঙহন্দুনা মখল মখলগী সবজেক্ট তম্বদা নুংঙাইহল্লি।

# আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিংদা ৰাহং অমদি পাউখুম

## আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং হায়বসি করিনো?

আর্ট ইন্টিগ্রেসন হায়বসি আর্টকা অতোম্পা করিকুলরগী শরুকশিং তম্বীবগা পুনশিনবনি। করিগুম্বদা আর্টসনা সাইন্সকি ওইবা ৰাখল্লোনবু লায়না খঙঙনবা ঙম্মী। মসিগুম্নাময়েক শেংনা তাকপা ঙমদবা অতোম্পা সবজেক্টকী শরুকপু মখল কয়াগী আর্ট ফোরম শীজিন্নদুনা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্মী। আর্টনা ফোঙদোক্লিংবা অমদি মসিগী ওইবা মিৎয়েং অমদি তৌথোরক্লিবগী মওং মতৌনা য়ান্না নুংঙাইহন্দুনা মপুং ফাবা মহৈ তম্বগী মহাও ফংবা ঙম্মী।

## ভিজুয়েল অমদি পার্ফোর্মিং আর্টপু ঐখোয়না করম্না খল্লি?

আর্টকী মওং-মতৌ হায়বদি পেন্টিং, ফোটোগ্রাফি, প্রিন্ট-মেকিং ষ্টেজ আর্ট, ক্লে মোদেল্লিং, স্কল্পচর, এপ্লাইদ আর্ট অমদি ক্রাফ অসিনচিংববু ভিজুয়েল আর্ট হায়না খঙনৈ। অমরোমদা জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামা, মার্সিয়েল আর্ট, ৰারী লিবা, মেজিক তৌবা, সিনেমা অসিনচিংববু পার্ফোর্মিং আর্ট হায়না খঙনৈ।

## আর্ট ইডুকেসনগা আর্ট ইন্টিগ্রেদেদ ইডুকেসনগা করি খেৎনৈ?

ৰাহৈখক্তনা ফোঙদোকপা ঙমদবা অমদি মদুনা ফোঙদোক্লিবা ঈশৈগী, লাই য়েকপগী অমদি তৌথোরকপগী মওংদুনা খঙহল্লিবা অদু আর্ট ইডুকেসনগী চৎন-পথাপ অমনি। আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ ইডুকেসন্না অঙাংশিংবু মখল কয়াগী হৈ শিংবা অমদি তৌবা ঙমহন্নবা মখল কয়াগী আর্টকী মওংশিং খঙহনবগা লোয়ননা ৰাখল, থম্মোইগী ঈহুল অমদি হকচাংগী ওইবা খঙহনগনি।

## মহৈ তম্বীবগী মওং অমদি মতৌদা আর্টনা লৌরিবা হোলিষ্টিক অমদি এক্সপরিয়েন্স করিনো?

মসিগী মহৈ তম্বীবগী মওং মতৌ অসিনা অতোম্পা সবজেক্টশিংবু হেন্না ফজনা কান্নহনবগা লোয়ননা খঙননবা পাঙ্গল, অনৌবা অমা পুথোক্নবা, চাংয়েং তৌদুনা শেমগৎ শাগৎপা অমসুং ফোঙদোক্নবগী মরুওইবা থৌদাংশিং অদুনি।

**লার্নিং আউটকম ফংনবা হোৎনবদা আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিংনা করি মতেং পাংবা য়াই?**

পেডাগোজিকেলগী দরকার ওইবা হেন্না মপুং ফাবা লার্নিং আউটকম ফংনবগীদমক আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিংনা কোগনিতিভ, সাইকো মোটোর অমদি এফেক্টিভ দোমেন ফংহন্দুনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌই।

**আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিং অসিবু করন্না নুংঙাইবা মওংগী লাইরিক তম্বীবনি হায়না লৌরিবনো?**

আর্ট হায়বসি মহৌশানা কনাগুম্বা অমগী খনবা অমদি তৌনিংবা অদু মনিং তন্না খেৎনবা লৈরগসু মশা মশাগী তোপ তোপ্পা অমমম লৈ। স্কুলগী থাক্তা আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিংনা পেডাগোজীগী ফম্পাক অমা পিদুনা অঙাংশিংনা করিগুম্বা অমা চুম্মী নত্রগা লাল্লি হায়বা খঙদনা নুংঙাইনা ফোঙদোকচবা ঙম্মী। মসিনা অঙাংশিংদুবু মখোয়না তৌজরিবা অমদি উৎথোক্লিবা অদুনা সবজেক্ট অমবু ঙমদে হায়বগী অকিবদু ফাওহন্দনা পাংথোক্লিবা থবক্তুগী নুংঙাইবা ফোঙদোকই।

**মতৌ করন্না আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং হায়বসি ইনক্লুসিভ সেট অপ ওই?**

আর্টকী মরুওইবা হিরমশিংগী মনুংদা অমা হায়বা তারবদি আর্টতা অচুম্বা অমদি অরানবগী পাউখুম লৈতে। বুধি-লৌশিং হায়বসি চাংয়েং তৌবগী মওংদা চংশিল্লি। আর্ট হায়বা অসিদা লাইরিক লাইশু হৈবা অমদি হৈতবগী, শোয়নারবা অমদি শোয়নায়দবা মী নত্রগা নুপামচাশিংবু নুপীমচাশিংদগী লাপথোকহনবগী মরুওইবা লৈতে। আর্ট হায়বসি নুংগী ওইবা মরম্না মখোয়বু নাথৈবীরবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী নুংগী ওইবা ৱাফমদু ফোঙদোকই। হায়রিবা মীয়াম্না শন্নবিদ্রবা মীওইশিংদা চেল্লিবা গুণশিং অসিনা য়াম্না লায়না আর্টকী থবকসিং অসি তৌবা ঙম্মী। মরমদি আর্ট হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তনা পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমদবা খোঙচৎ অমনি। আর্টকী থবক থৌওংশিংনা অঙাং খুদিংমকপু পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তাঞ্জা পী, অদুনা মরম ওইদুনা অমগা-অমগা থাক খেৎনবগী নুংঙাইতবা পোকহন্দে। অসুম্না হৌরকফম তিন্নদবা অঙাংশিংগী মরক্তা মখোয় মশেল লোয়নহল্লি।

## লার্নিং আউটকম্‌স (এস.আর.জি./ওজাশিং)

মসিগী মোদুল অসিগা লোয়ননা ট্রেনিং লোয়রবা মতুংদা এস.আর.জি./ওজাশিং অসিনা মখাগীশিং অসি পাঙথোকপা ঙমগনি।

- o আর্ট হায়বা সবজেক্টসি তম্বিবগী হেন্না মরুওইবদু খঙলক্কনি।
- o আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিং অসিনা মহৈরোইশিংদা য়াম্না হেন্না অমদি মপুং ফাবা খুৎতম্বী অমা ফংহল্লি।
- o সবজেক্ট খুদিংমক্কী আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিংগী কয়াৎ য়াৎথোকপা।
- o আর্ট ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিংগী তাঙ্ককশিংবু মোদুল অসি শীজিন্নদুনা খঙ-হৈরবা মীওইগুন্না থবক খুদিংমকপু পাংথোকহনবা।
- o ওজাশিংনা ক্লাসরুমদা তম্বীনবগীদমক মখোয়গী হৈ-শিংবশিং অদু হেনগৎহল্লি।
- o আর্টিষ্টিক অমসুং ক্রিয়েটিব ওইনা ফোঙদোকপসে তম্বীবগী মওং মতৌ ওইনা খঙবা ঙমহল্লি।

**গাইডলাইনশিং ফোর ফেসিলিটেটর্স**

তাঙ্ককশিং অসিবু মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক মখাগী অসি খন্নগদবনি।

রিছোর্সকি তাঙ্ককশিংগী ওইবা মচাকশিং

- o দরকার লৈবা হার্ডৱায়ার অমদি সোফৱায়ারগী মচাকশিং, ভি.দি.ও. ক্লিপস, স্লাইদ শোজ অসিনচিংবা।
- o অসিগুম্বা আর্টপু অতোম্পা সবজেক্টশিংগা লোয়না পুনশিন্নবগীদমক দরকার লৈবা টেক্সবুকশিং ফংহনগদবনি।
- o থবক-থৌরমশিং অসি পাংথোক্লনবা মখাগী ওইবা পোৎলমশিং অসি ফংহন্নবগী মথৌ তাই।

**ফেসিলিটেটরশিংদা পিবা গাইদলাইনশিং ঃ**

হায়রিবা সেস্সন্সশিংসি য়াম্না মাই পাক্না পাংথোক্লবা মখাদা পীরিবা খোঙথাংশিংসি পাংথোক্কনি।

ক) সেস্সনদুদা চংগদবা রিছোর্সেসশিং

চংগদবা হার্দৱায়ার অমসুং সোফৱায়ারশিং লোইনা শেম শাদুনা, হেক দরকার

ওইবদা শীজিন্ননবা মফম চানা থমগনি, খুদম ওইনা হায়রবদা ভীদিও ক্লিপ্স, স্লাইদ শোজনচিংবা।

লাইরিক নত্রগা কাংলুপকি ওইবা থবক তৌবদা ইন্টিগ্রেসন ওফ আর্টস ৱিট অদর সবজেক্টস হায়বসি তাক্লবা, শীজিন্নগদবা লাইরিক লাইশু পুন্নমক মফম চানা থম্বিবা।

মচু মান্নদবা চার্ট পেপর্স, পেন্সিল, স্কেটচ পেন্স, মার্কর্স, ফ্লিপ চার্টস থম্ব পিন্স, ব্রাউন সিট নত্রগা দ্রাফটিং পেপর পুন্নমক শেম্বদা চংগদবা রো মেটরিয়েল্সশিং শেম শাদুনা থমগনি। অসিদসু নত্তনা শেল্লবা পোৎশিং থেনদুনা উৎনবা লং, মচু শংনবা, লাই য়েক্লবা, মোডেল শেম্নবা লৈখোম (ক্লে) কাটি, শেম, মখোন থোকপা ঈশৈগী যন্ত্রশিং, কোষ্ট্যুমস শেম্নবা ফি রোল, ষ্টেজ শেম্বদা চংগদবা পোৎলমশিং অসিনচিংবা চংগদবা খুদিংমক লোইনা থমগনি। অদুগা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমনা হায়রিবা পোৎলমশিংসি, শেল ইচং চংদবা, মখোয়গী মনাক্তা ফংবা পোৎলম ওইনা শীজিন্নগনি।

এ.আই.টি. হায়বসিদি থবক্লা মপুং ওইবা মরম্না শিল্লি লাংলিবা মীওইশিংদুদা ৱাই শংনা কোন্না, চথোক চৎশিন য়াগদবা জগা অমা পিবিনবা শিলহনগনি।

**খ) একাদেমিক প্লান্নিং ফোর দি সেস্সন**

আর্টস ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিংগী মোদুলদুদা য়েংলগা ঐখোয়না পাংথোকপদা নুংঙাইগদবা এক্টিভিটিজ খনবিগনি, অদুগা অসি নত্তবা এ.আই.এল.গী মওংদা ওইবা ঐসাগী সেস্সন শেমজবসু য়াই।

- ০ মেক য়ুজ ওফ দি এসেসমেন্ট হিন্টস গিভন অলোং ৱিট দি পেডাগোজিকেল ষ্ট্রেটেজিজ মেক এস.আর.জি.এস/ওজাশিং এৱেয়ার ওফ দি এসেসমেন্ট এস লার্নিং
- ০ ঐখোয়না শেমজরিবা সেস্সনশিংদু তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং স্কুলদা তম্বশিংদা য়ুমফম ওইগনি। অদুগী মথক্তা ক্লাস, সবজেক্ট মরিক চুন্না পনবিগনি। মসি মরমদি এস.আর.জি.গী মেম্বরশিং/ওজাশিংনা এ.আই.এল.সি.দা পেডাগোজি ফোর

এক্সপরিমেন্টেল লার্নিং ওফ দিফরেন্ট কন্সেপ্টস/সবজেক্টসনি হায়বসি খঙনবা। অসিদসু নত্তনা মসিনা ওজাশিংনা সেস্সন্স প্লান তৌবদা মতেং ওইগনি।

- ০ সেস্সন অমসি লার্নিং আউটকম অনিগী সেট অমনি। সেট অমনা এস.আর.জি./টিচর্সশিংবু মখোয়না তৌরিবা এ.আই.এল. সেস্সনদু লোইরগা এসেস তৌনবা অদুগা অমদুনা এ.আই.এল. শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট অমসুং লাইফ স্কিলশিংসি মরি লৈনহল্লগা পেডাগোজি ওই হায়বসি তাক্লবনি।
- ০ ঐখোয়গী ইলিমেন্টরি স্কুল অয়াম্বা (খুঙ্গংগী লমদনা মপুং ওইনা) মল্টি গ্রেদ টিচিং পাংথোকই, অদুনা মরম ওইরগা এ.আই.এল. পেডাগোজি হায়বসিগী কান্নবসি ফজনা উৎনবা হোৎনগনি।
- ০ অরোইবদা, ঐখোয়না তল্লিবা কাংবুদুগী মীপুম খুদিংমক ১০০ দা ১০০ এ.আই.এল. এক্টিভিটিদা য়াওহন্নবনি। মতাং চাবা চাবদা আইস ব্রেকর শীজিন্নবিবা, গ্রুপ দিস্কস্সন, ব্রেন ষ্টোর্মিং সেস্সন্সতা নত্তনা মী অমমমতগী ওইবা ময়ামগী ওইবা প্রোজেক্ট পিদুনা মখোয় লোইনা য়াওহন্নবা হোৎনগনি।

**গ) এ.আই.এল. দা আর্টস (ভিডুএল এন্দ পার্ফোর্মিং আর্টস) কি ওজা অমগী শক্তম ঃ**

স্কুলগী ইডুকেসনদা ক্লাস খুদিংমক্তা এ.আই.এল.না আর্টস হায়বসি য়াম্না নুংঙাইবা, এক্সপরিমেন্টেল, লার্নিংগী পেডাগোজিনি হায়বসি ময়াম্না খঙহনবা। মসিগী মথক্তা ওজা খুদিংমক্কা, আর্টসকি ওজা য়াওনা খঙগদববদি আর্টস হায়বসি মেডিয়ম অমা ওইনা হৈ শিংবা উৎতুনা শীজিন্নবা হৈবা। এ.আই.এল. মতমদা আর্টসকি ওজানা খঙগদববদি ঃ

১। সবজেক্ট অমা তাকপি তম্বিবা মতমদা এ.আই.এল. শিজিন্নবা।

২। সবজেক্ট টিচর্সশিংদা ক্লাসরুম টিচিং লার্নিংগী প্লান্নিং তৌবদা মতেং পাংবা অমসুং টিম টিচিং মোড শেন্নবা হোৎনবা।

এ.আই.এল. হায়বসিনা, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা আর্ট ওজা অমগী মথৌদা হেন্না রেস্পোন্সিবিলিটি হেনগৎহল্লে।

## আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং

সবজেক্ট ঃ ইংলিস ক্লাস ৮, চেপ্টর নম্বর ৮। এ সোর্ট মোন্সুন ডাইরিসিদা পীরিবা সেস্সনসিগী মতুংইন্না মহৈরোইশিংনা মখাদা পিরিবা লার্নিং আউটকমশিংসি ফংবা ঙমগনি।

## অপ্পর প্রাইমারি - ইংলিসতা

**তল্লিবা মীওইদুনা**

মীয়াম তিনবা মফম খুদম ওইনা হায়রবদা রেলৱে ষ্টেসন, কৈথেল, এয়ারপোর্ট, সিনেমা হোলশিংদা লাওবা ৱাহৈশিংদা রেস্পোন্দ তৌবা ঙল্লে।

তোঙান তোহানবা মফম, মতম, মওংদা ৱাহং হংবা ঙল্লনি, খুদম ওইনা হায়রবদা লাইরিক্তা য়াওবা, য়াওদবা, নত্রগা শুম খঙনিংবগী চাং হেনগৎলে, অসিদসু নত্তনা চান্নবা ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈ পরেং শীজিন্নদুনা ৱারি ৱাতাই শাবা ঙল্লনি।

শৈরেং থিবা, স্কিট, দ্রামা, দিবেট, ৱা ঙাংবা, দিক্লেমেসন রোল-প্লে, ক্বিজনচিংবা, স্কুলনা শিন লাংদুনা পাংথোকপা থৌরমশিংদা য়াওরে।

অশেংবা মশা মশাদা থোকপা থৌদোকশিংগী মরমদা নত্রগা ভাবনা শাগৎতুনা ময়ামদা ৱারি লিবা।

মীওইবগী পুন্সিগা মানা পারুবা ৱারি লাইরিক্তগী মান্নবা, খেন্নবশিং মুন্না খল্লবা পুথোকপা ঙল্লে।

প্রীন্ট/ওনলাইন/নোটিস বোর্ড নত্রগা পাউ চেনচিংবদা ঈ-পাউ ফংনবা ইবা হৈরে।

মসিগী মোদুলসিনা খঙবা, হৈবা হায়বসি পুথোক্লবা হোৎনবনিনা, ঐখোয়না হায়জনিংবদি লার্নিং আউটকম্না মরুওইনা খনবিদুনা, অহেনবা ওইনা এক্টিভিটিশিং দিজাইন তৌবিগনি।

মসিদা পল্লিবা এক্টিভিটিজ খুদিংমক এল.এ.বু অচৌবা ময়াই তাংবললৌরগা এন.সি.ঈ.আর.টি. টেক্সবুকতগী শেমখিবা ঙাক্তনি। অদুবু অসি হায় হায়দুনসু ষ্টেটশিংনা মাগী মাগী মশাগী ওইবা টেক্সবুক/সিলেবসতগী লৌবা য়াগনি।

**দরকার ওইবা আর্টকি পোৎলমশিং**

পেন্সিল, পেপর, কাটি, গ্লু, চার্টপেপর, ক্রেয়োন, ওল নিউসপেপর/মেগাজিন্স স্কেচপেন্স দবল সাইদেদ টেপ, সেলো টেপ, “দাফ্লি নত্রগা মঞ্জিরাস” শীজিন্নদুনা ইচম চম্বা ম্যুজিক থোকহনগনি (লোকেলগী ওইবা স্পেসিফিক মেটরিয়েলশিং শিজিন্নবনা এ.আই.এল. এক্টিভিটিজ হেন্না ফজগনি।)

চঙগদবা ট্রেনিংগী মতম

পুং ২, মীনিট ৪০

## পেডাগোজিকেল ষ্ট্রেটেজিজ

**এক্টিভিটি ১ (মীনিট ১০)**

নোং চুবা নুমিৎ অমা (নোংগী মখোল থোকহল্লগা পুমচোৎ চোৎপা শাশিন্নবা) ঐখোয় ময়াম পুল্লপ লেপ্লগা খুবাক খুরগা নোংগী মখোল শারসি। খুবাকসি অহানবদা খুৎ শা অমা, মথংদা অনি, অহুম, মরি, মঙা মথং মথং খুরসি। ফেসিলিটেটরদুনা খুবাক খুবগী মওংদু তাক্লগা মথং মথং খুগনি অদুগা পার্টিসিপেন্টশিংদুনা মতৌ তমদুনা মাগী মতুং ইন্নগনি।

মতুংদা হায়রিবা মওংসি চপ মান্ননা মীৎ উইশিল্লগা অমুক্কা তৌশি। মখোয়বু খুৎ শা অমদগী খুৎশা মঙানা খুবাক খুরো হায়রনি। হায়রিবা মখোলসিনা নোং তপ্পা চুবদগী কন্না চুবা অদুদগী অমুক কন্না চুবদগী তপ্পা চুবগী খোঞ্জেলদু ওইহল্লনি।

মথংদা, এক্টিভিটি অসিদা শরুক য়ারিবা তংখায় অমনা নোং চুবগী মখোলদু খুবাক খুদুনা থোকহল্লগা, অতোপ্পা তংখায়দুমনা মীৎ উইশিল্লগা নোং চোৎপদা নুংঙাইবা অদু উৎকনি।

**মসিগী এক্টিভিটিসি লোইরকপদা হংবা য়াবা ৱাহং খরা –**

নোং চুবগী মখোলতাৱা?

**নোং চুবদা থেংনখিবা অঙাং ওইরিঙৈ নত্রগা অতোম্পা থৌদোকশিং নিংশিংৱা?**

নোং মরক্তা লৈরি খনবা মতমদুদা নশাদা করি ফাওই?

## এক্টিভিটি ২ (মীনট ১০)

**থিএটর গেম ওন রেন (ফোর মেকিং গ্রুপস)**

এক্টিভিটিসি হৌদ্রিঙৈদা ফজনা এক্সপ্লেন তৌবিরগা মখোয়বু ভাব ফজনা তাহনগনি। ইন্সট্রক্সন ঃ ঐখোয় পুন্না "নোং তারে, কন্না তারে, চেল্লো.... চেল্লো .... চেল্লো ...." হায়দনা তান অমদা চেনগনি। অদুগা মরক্তা নখোয় খরা নোং থুম্পো হায়বদা ভাবনা শাবা নোং থুম্পা য়াবা মফম অমদা পুল্লপ লেপকনি। খুদম ওইনা হায়রবদা নখোয় মঙাগী গ্রুপ অমা নোং থুপকি। হায়রিবা থৌওংসি মী মঙাদ্গী হেনবা নত্রগা ৱাৎপা তারবদি হায়রিবা গ্রুপ অসি গেমদুদ্গী আউট ওইগনি।

**অসিগুম্বা গেম অসি য়াওরিবা মীওইশিংদু অপাম্বা মশিংদু খায়দোকপা য়াগনি।**

পার্টিসিপেন্টশিং পুন্নমক্না "নোং চুরে, চেল্লো ... চেল্লো .... চেল্লো" হায়বসি শক শক্তুনা তোঙান তোঙানবা মাইকৈদা ঈশৈদুগী তানদুদা চেনগনি। মথক্তা পিখ্রিবা মওংদুদা অদুম চৎথবিগনি। নঙনা হেক পাম্বা মীশিংদু য়ৌদ্রিফাওবা হঞ্জিন হঞ্জিন তৌবিগনি। তৌরিবা থৌওং অসি অঙাংশিংবু গ্রুপ থোক্লা খায়দোক্নবখক্তা নত্তে, অদুগী মথক্তা হায়রিবা মশান্নসিদা য়াওরিবা খুদিংমকপু "নোং" হায়বসিদা মখোয়গা শন্নহনবগী মথক্তা ঈশিং হায়বসিসু খঙহল্লি। তৌরিবা থবক, মশান্নসি পাংথোক্লিঙৈদা মখোয়বু তশেং তশেংনা নোং অকনবা চুরকপগী মওংদা, কদাইদা নোং থুপকদগে হায়না থিবগী মওং তৌহনগনি।

কাংলুপ খুদিংমক্তু ইকোই কোইনা নত্রগা মমাই মমাই ওনশিন্দুনা ফমগনি। হায়রিবা খুদমসি পি মওংদা হান্না মতম মাংদনবা কানদুদা শেম শাগনি। মখা তারকপা এক্টিভিটিদি ৱাহং পাউখুমগী মওংদা তৌনি। এক্টিভিটি অসিবু শিল্লি লাংলিবা মীওইদুনা তৌরিবা থবক্তুগা চান্নবা ৱাহং হাপচিন্দুনা হংবা য়াই।

**হংবা য়াবা ৱাহং খরা ঃ**

১। নঙনা নোং থুপ্পা চেনশিনবদুদা করি খনখি?

২। কনা কনা মসিগী থৌদোকসিগী মতাংদা ময়ান্না হায়নিংই?

মী ৫-৬ কুম্বনা পাউখুম পিহল্লু অদুগা পাউখুম খুদিংমক অমত্তা মান্নবা ওইরোই।

**এসেসমেন্ট এজ লার্নিং ঃ**

অঙাংশিংদা “নোংগা” মরি লৈনবা, মখোয়না থেংনখিবা থৌদোকশিং খঙদোকমিন্নরগা তাক্কদৌরিবা খন্নগদৌরিবা, তমগদৌরিবা টোপিক্তুগা মরি লৈনহনগনি।

মসিগী লাইরিক খুত্তাকসিনা অঙাংশিংবু ৱাখল খনবা, থিজিন্নিংবা, ৱাখলনা শাগৎপা, অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌরগা অমনা ঙাংবা অমনা তাহনগনি। মখোয়না পাউখুম পিনবা হোৎনবদুনা থাগৎপিদুনা মখোয়গী পুক্নিং থৌগৎপিগনি।

ফেসিলিটেটরনা অঙাংশিংদুগী ফোকস অমসুং কন্সেন্ট্রেসন, মখোয়গী থবক অমা তৌবদা অহানবা খোঙথাং করম হায়না হৌবা, পাইরক্কী লৌশিং অমসুং হায়রিবা থবক্তু নিংশিংলগা কয়া য়াম্না তাকখিবদু ইন্না চৎপগে হায়বদু য়েংগনি।

মখোয়না ৱারি লিবা মতমদুদা করম্বা ৱাহৈ ৱাতা অমদি মী অতোপ্পগা পাউ ফাওনবগী মওংদু য়েংগনি।

## এক্টিভিটি ৩ (মীনিট ৩০)

পোষ্টর শেম্বা (কাঙলুপকী থবক)

ব্রেনষ্টৌর্মিং ওইগদবা অসিগুম্বা ৱাহংশিংনা এক্টিভিটিসি হৌবিগনি নোং তাবা হায়বসি ঐখোয়দা হৌজিক্কানসিদা কয়া য়াম্না কান্নবগে?

ঈশিং হায়বসিনা মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা, অমসুং অতৈ জিবশিংদা করি শাফু পিবগে?

ঈশিং হায়বসি ঐখোয়গী য়াম্না মরুওইবা। অতাংবা রিছোর্স অমনি হায়বসি করম্বা মওংদা হায়রিনো? ঐখোয় হৌজিক হায়রিবসিগী মতাংদা পোষ্টর/কোলাজ শেম্লসি। হায়রিবা পোষ্টর/কোলাসশিংসিদা অইবা ৱাহৈ, য়েংবদা ভাব তাহনবা য়াবা খুৎই য়াওগদবনি। কাংলুপতুদা য়াওরিবা মীপুম খুদিংমক ৱাখল খল্লগা পাউ ফাওননবা টিম ৱার্ক ওইগনি। মী খুদিংমক সি.দবলিউ.এস.এন. (চিল্দ্রেন ৱিট স্পেসিয়েল নিদস) শিং য়াওরবসু মখোয়সু লোইনা য়াওহনগনি। অদুগা হায়রিবা থবকসিদা খ্বাইদগী ফবদি কাঙলুপতুদা টিম লীদর অমা লুচিংলগা খন্ন-নৈনবা অদুবু ৱাতেমদুনা ফজবা মওংদা থবক পাংথোক্কনি।

০ ব্রেনষ্টোর্মিং হায়বসি প্রাক্টিকেল ওইনা পাংথোকপা থবক অমনি, হায়রিবসি করিগুম্বা টোপিক অমদা য়ারিবমখৈ তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা য়াওরিবী মীওইশিংদুগী মশাগী খঙ হৈবগী গুণবু পুক্লিং থৌগৎপা থৌওংনি। মসিদদি অচুম অরান য়েংদে অদুনা লানবগী চুম্বগী থৌদোক্লা লৈত্রে।

**এসেসমেন্ট ঃ এসেসমেন্ট তৌবগী চপ চাবা তাঞ্জা ফংগনি অদুনা এসেসমেন্টস লার্নিং তৌবা য়ারে। পোর্টফোলিওদা পোষ্টরশিং হাপচিনবা য়ারে।**

## এক্টিভিটি ৪ (মীনিট ৩০)

**প্রজেন্টেসন এন্দ এপ্রিসিএসন**

পোষ্টর, কোলাজ শাবা লোইরগা কাংলুপ খুদিংমক মখোয় মখোয়গী প্রজেন্টেসনশিং ময়ামদা লান্থোক্তুনা হায়রিবা সবজেক্টতুদা করি খনবগে হায়বদু খঙহনগনি।

পোষ্টর, কোলাজদা উৎলিবা ফোঙদোক্লিবা ৱাখল্লোনদুবু ইশানা ইশাবু নত্রগা মমান্নবশিংনা ইভালুএট তৌগনি। এপ্রিসিএসন অমসুং ক্রিটিকেল এনালাইসিসনা ইভালুএট তৌবগী মওং ওইগনি। তৌরিবা এক্টিভিটিসিনা তল্লিবা মীওইশিংদুদা আর্টস হায়বসিসু মহৈ মশিং তম্বগী মেদিয়ম অমা ওইহনবা য়াই হায়বসি খঙহনগনি।

## সেল্ফ এন্দ পীয়ার ইভালুএসনগী ওইবা য়াবা পোইন্ট/ইন্দিকেটর্সশিংদি

**সেল্ফ ইভালুএসন**

০ ব্রেনষ্টোর্মিংগী থবক তৌখিবরা?

০ তৌমিন্নরিবা মীপুম খুদিংনা অমগ-অমগা পুকচেল মান্ননা পাংথোকখিব্রা?

০ পাংথোকখিবা পোষ্টর শাবগী থবকসি, গ্রুপতা নত্তবিদা মী অমখক্তদা শিন্নরল্লবদি হেন্না ফরমগনি হায়না খনব্রা?

**পীয়ার ইভালুএসন ঃ**

০ পিরিবা ৱাখল্লোন্দুগা শারিবা পোষ্টরশিংদুগা অনিসি কয়া য়াম্না চুশিন্নে, চান্নে?

০ কাঙলুপর্শিংদুনা মখোয়না শারিবা পোষ্টরশিংদুদা য়েংবদতা পাউ ফাওহনবা ঙম্ব্রা?

০ পোষ্টরদুদা য়াওরিবা উৎলিবা ৱাখল্লোনদুগা পোষ্টরদুগা চান্নব্রা?

০ পোষ্টরদুনা পুন্নমক্তা করম্বা শাফু পিবগে?

মখা তাবা এক্টিভিটি (মীনিট ১০)

কাঙলুপ কাঙলুপকি ওইবা প্রজেন্টেসন্স পিবা লোইরগা হংবা য়াবা ৱাহং অমসুং অদুগী পাউখুম (ৱাহং অমদা ৮-১০ ফাওবগী পাউখুম পিরকপা য়াই)

(নোট - পার্টিসিপেন্টস ময়াম্না পিরকপা পাউখুমশিংদু চার্ট/বোর্ডতা ইশিন্দুনা তৌরিবা থবক অদু লোইশিনবা য়াগনি।

**প্রাইমারি/অপর প্রাইমারি ক্লাসশিংদা হায়রিবা এক্টিভিটিসিনা কয়া য়াম্না কান্নগনি?**

০ নোং অমসুং “নোংগী কান্নবা” হায়রিবা এক্সপিএন্সসি কদাইদা পুশিন্দুনা মখোয়গা শন্নহনবা য়াগনি?

০ হায়রিবা এক্টিভিটিসিনা অঙাংশিংগী লার্নিং প্রোসেসতা কয়া য়াম্না কান্নবা পিগনি?

## এক্টিভিটি ৫ (মীনিট ১০)

এ.আই.এল. হায়রিবসিগী কন্সেপ্টসি তশেং তশেংনা খঙলব্রা হায়বদু মথক্তা তৌখিবা ৱাহং পাউখুম অমসুং গ্রুপকি ওইবা তৌখিবা থবক্তগী ফেসিলিটেটরনা য়েংশিনগনি।

১। আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং হায়বসি করিনো?

২। ভিজুএল আর্টস অমদি পার্ফোর্মিং আর্টস হায়বসি করিবু খঙনৈ?

৩। আর্ট ইডুকেসনগা আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ ইডুকেসন হায়বসি করি খেৎনৈ?

৪। লার্নিং হায়বসি হোলিষ্টিক এন্দ এক্সপরিএন্সিএল ওইহন্নবা হোৎনবদা আর্টস হায়সিনা করি থৌদাং লৌই।

৫। লার্নিং আউটকম পুথোক্লবা হোৎনবদা আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিংনা করম্না মতেং পাংবগে?

৬। করিগীদমক্তা আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিংসি নুংঙাইনা লাইরিক লাইশু তম্বনি হায়না লৌনরিবনো?

৭। আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিংগী এপ্রোচসি পুন্নমকপু কোনশিনবদা মতেং পাংই হায়রিবনো?

মোদুলসিনা হৌবদা মথক্তা পিখ্রবা ৱাহংশিং লোইনা মশা খায়না শন্দোক্লা তাকখ্রে। অদুবু অহেনবা ইনফোর্মেসনগী ওইনদি মোদুল ৪ অমসুং ৫তা য়াওরিবা ট্রেনিং পেক্কেজ ওন আর্ট ইডুকেসন ফোর প্রাইমারি টিচর্সদা য়েংবিবা য়াগনি।

www.ncert.nic.in/departments/www.ncert.nic.in/departments/

## এক্টিভিটি ৬ (মীনিট ২৫)

প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওফ আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং এক্টিভিটিজ (ইন গ্রুপ) কাঙলুপ কয়া থোক্লা খায়দোক্লগা তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিং হায়বদি লেঙ্গুএজ(স) ঈ.ভি.এস. মেঠনচিংবা প্রাইমারি লেভেলগী তৌবিগনি। অদুগা লেঙ্গুএজ ইজ সাইন্স, সোসিএল সার্ভিস এন্দ মেঠনা অপ্পর প্রাইমারি থাক্কীনা/মীপুম খুদিংমক্লা ১০০ দা ১০০ হায়রিবা এক্টিভিটিজশিংসিদা য়াওহন্নবা পুক্লিং থৌগৎকনি। হায়রিবা থবকশিংসি

অঙাংশিংবু মশা মশানা মশাগী ওইবা এ.আই.এল. এপ্রোচতা সেসন্স শেমজনবা তাঞ্জা পিরিবনি।

## এক্টিভিটি ৭ (মিনিট ২৫)

**প্রজেন্টেসন এন্দ এপ্রিসিএসন**

কাঙলুপ পুন্নমক্না মখোয়গী এ.আই.এল. সেস্সন শিনবা লাংবা লোইরগা মীয়ামগী মমাংদা পুথোক্কনি।

## এক্টিভিটি ৮ (মীনিট ১০)

**ৱাহং পাউখুমগী মওংদা এ.আই.এল.গী মরমদা নিংশিংহন্নবা মরুওইবা পোইন্টশিং** -

- ভিজুএল আর্টসকি মনুং চনবা এক্টিভিটিজ অহুমগী মমিং হায়ু।
- পার্ফোর্মিং আর্টসনা করি করি কোনশিনবগে?
- আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং হায়বসি করিনো?
- আর্ট ইডুকেসন হায়বা সবজেক্টসিগা আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ ইডুকেসন হায়বসি করি খেন্নবগে?
- এ.আই.এল. ইডুকেসন হায়বা সবজেক্টসিগা আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ ইডুকেসন হায়বসি করি খেন্নবগে?
- এ.আই.এল. না এক্সপরিমেন্টেল লার্নিং করম হায়না প্রোমোট তৌবগে? শন্দোক্না তাকউ।
- এ.আই.এল. না লার্নিং আউটকম পুরকপদা করন্না মতেং পাংবগে?
- এ.আই.এল. হায়বসি স্কুল ইডুকেসনগী লেভেল খুদিংমক্তা পাংথোকপা য়াব্রা মথক্তা পিরিবা ৱাহৈ পরেং অসি নঙ য়ানিংব্রা?

# ইন্টরদিস্সিপ্লিনারি পোসিবিলিটিজ ৱিট দিজ সেস্সন

**অপ্পর প্রাইমারি ষ্টেজ**

ইংলিস ৮, চেপ্তর নম্বর ২, সুনামি

হিন্দি, ৭ (ভসন্ত, পার্ট ২) চেপ্তর (নম্বর ১৬)

ভোর অৱার বার্খা

হিন্দি, ৮, (ভাসন্ত পার্ট ৩) চেপ্তর

(নম্বর ১৬) পানি কি কহানি

হিন্দি, ৭, (দুর্ভা, পার্ট ২) চেপ্তর (নম্বর ১৪), পানি অৱার ধুপ সাইন্স ৬, চেপ্তর নম্বর ১৪, ৱাটর সাইন্স ৭, চেপ্তর নম্বর ১৬, ৱাটর এ, প্রিসিয়স রিছোর্স চেপ্তর ১৮, ৱেষ্ট ৱাটর ষ্টোরি

সাইন্স ৮, চেপ্তর নম্বর ১৮, পোল্লুসন ওফ এয়ার এন্দ ৱেষ্ট

## প্রাইমারি ষ্টেজ

ই.ভী.এস. চেপ্তর নম্বর ৬, ইভিরি দ্রোপ কাউন্টস চেপ্তর নম্বর ৭। এক্সপরিমেন্টস ৱিট ৱাটর

হিন্দি, ৫ (রাইঝিম), চেপ্তর নম্বর ১৬, পানি রে পানি, চেপ্তর নম্বর ১৭, ছোটি সি হমারি নদি।

হায়রিবশিংসি খুদম ওইনা এন.সি.ঈ.আর.টি. গী লাইরিক্তগীনি। অসি নত্তবিদা ষ্টেটকি লাইরিকশিংদগীসু লৌবা য়ায়।

প্রাইমারি অমসুং অপ্পর প্রাইমারি ক্লাসেসশিংদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদগী ওইরকপা য়াবা লার্নিং আউটকমশিং–

অপ্পর প্রাইমারি - সাইন্সতা

তল্লিবা মীওইদুনা -

ফিনোমিননশিংগা করম্না ওইরক্লিবনো হায়বা প্রোসেস অদুদগী মরমশিংদু লোইনা মরি লৈনহনবা ঙম্লকই। খুদম ওইনা হায়রবদা স্মোগ হায়বসি পোল্লুটেন্টসশিংগা নুংশিৎকা পুনবদগী ওইবনি, মীওইবগী থৌওংদগী মালেমসিগী ঈশিংগী চাং হন্থরকপনি হায়বনচিংবা। অতোপ্পা অমনা সাইন্টিফিক কন্সেপ্টস ময়াম অমা নুংতি নুংতিগী ওইবা পুন্সিদা পানশিনবা খুদম হায়রগা ঈশিংবু থকপা য়াবা চাংদা শেম্বা/অমোৎপা ঈশিংবু অমুক হন্না শীজিন্নবা য়ানবা শেম্বা। অকোয়বগী ফিভম্ খুঙাক শেন্দুনা থম্বা, মহৌশাগী ওইবা লনশিং চেকশিন্না শীজিন্নবা লৌবুক লৈহাও লৈনবা অমদি তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নবদা য়ান্না চেকশিন্না শীজিন্নবা, মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভমদা থোক্লকপা য়াবা অৱা অনাশিংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনদুনা অরৈবা পোথোক্লা শিন্দুনা নৌনা দিজাইন তৌদুনা প্লান তৌদুনা হোৎনবা, অদুগীসু মথক্তা থম্মোই শেংবা, ওবজেক্টিভিটি লৈবা, মীগী মতেং তৌনিংবা অকিবা অমসুং অরানবা ৱাখল্লো হান্না খনবদগী লাপথোকপা।

**অপ্পর প্রাইমারি ইন আর্টস ইডুকেসন ঃ**

তল্লিবা মীওইদুনা,

আর্ট এক্টিভিটিজশিং ক্লাসরুমগী মনুং অমসুং মপান্দা পাংথোকপদা নুংঙাইনা শরুক য়াই, অতোপ্পা অমসুং মাগী লেংমান্নবশিংনা পাংথোকপা থবক থৌওংশিংদা নুংঙাইবা, শিংথাবা উৎপা তোঙান তোঙানবা ঠিমশিংদা আর্টকি ওইবা পোৎ চৈ শীজিন্নদুনা নত্রগনা আই.সি.টি.গী মতেংনা ইনভাইরনমেন্ট ওর সোসিয়েল ঠিমদা রোল প্লে তৌনবা পোষ্টরশিং শেমগনি।

আর্টিষ্টিক ওইবা মশাগী অহৈবা উথোকই (ক্লাসরুম অমসুং অকোইবগী মফমশিং তরু তনানবা, ফজবা মওংদা থম্বা, ক্লাসরুমগী দিস্প্লে তৌবদা মতেং পাংবা, মশানা য়াওনিংনা ভিজুএল অমসুং পার্ফোর্মিং আর্টসশিংদা শরুক য়াবা।

**প্রাইমারি ই.ভি.এস. ঃ**

তল্লিবা মীওইদুনা,

ঐখোয় মীওইবগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচং হায়বদি চিঞ্জাক, ঈশিংনচিংবা করম্না লৌবা ফংগনি হায়বা লোইনা তাকপিবা ঙম্লে। অসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী নুংতিগী পুন্সিদা থোকপা থবকশিং (খুদম ওইনা ঈশিং করম্না য়োক্কনি হায়বগুম্বা) অমসুং

চিঙ্গাক, ঈশিংনচিংবা রিছোর্সশিংগী মরি মখোং শন্না হনবা ঙম্লে অমসুং কলচরেল লাইফ (খুদম ওইনা অথাম্পা মফমদা লৈবা, য়াম্না ইংবা, শাবা দেজার্টতা লৈবা) জুৎ চাদবা মফমদা লৈবা য়াম্না ওর্গেনাইজ ওইবা হায়বদি টেবল্স, স্কেচ, বারগ্রাফস পাই চার্টসকি মওংদা মশাদা থেংনখিবা, থোকখিবা থৌদোকশিংগী মরমদা উথোকপা ঙম্লে। মসিগী মথক্তা এক্টিভিটিশিং/ফিনোমিননশিংগী পেট্টর্ন/মওং মতৌবু হান্না অসি ওইনি হায়না হায়বা ঙম্লে, খুদম ওইনা হায়রবদা, ঈশিংদা তাওবা, ঈশিংদা লুপ্থবা, পোৎ য়ানশিন্নবা, মনিল ওইনা কারকপা, পাম্বীনা মতোন চোংলকপা, পোৎ মাংবা তাকপা, পৎপা, পুম্বা, পুন্নমক সি করন্না থোকই অদুগা হায়রিবা সিগী ওইরকপা য়াবা করিনো হায়বা খঙলে।

পোষ্টর্স, দিজাইন ময়াম অমা তোঙান তোঙানবা মনাক্তা ফংবা/মাংহন্নবা পোৎ চৈশিংদগী শেম্বা অমসুং শৈরেং, স্লোগান্স ট্রাভেলোগনচিংবা ইবা।

মশাগী ওইবা ৰাখল ফোংদোকপা অদুগা মানা থেংনখিবা মশাদা থোকখিবা থৌদোকশিংগা সমাজ অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংগা মরি লৈনহনবা হৈরে, খুদম ওইনা হায়রবদা দিস্ক্রিমিনেসন ফোর এক্সেস/ওনরসিপ ওফ রিছোর্সেস)

মীওইবগী রিছোর্সেস হায়বদি (উমংগী, ঈশিংগী) করি তৌরগা মাংখিবদগী কনবা ঙমগদগে হায়বসি মরমদা ওইবা য়াবা লম্বী পুথোকপা অমসুং দিসএদভান্টেজ/দিপ্রাইব ওইরবশিংদা সেন্সিটিভিটি উৎপা।

**টার্গেট লাইফ স্কিল্স ঃ**

লাইফ স্কিল্স হায়বদি য়েংবা, থবক অমা তৌবদা ইচং থৌনা মমাং থাবা, মীয়ামগী ওইবা থবক, পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবা, প্লোব্লেম সোল্ভিং ঈশিংবু য়োকখৎপা কন্নবা হোৎনবা অমসুং অকোইবগী ফিভমগী মরমাদ হেন্না খঙবা হেল্লি।

# আৰ্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং (সেস্সন ২)

**নেম ওফ দি আৰ্ট এক্টিভিটি**

সাইন্স, সোসিএল সাইন্স অমসুং লেঙ্গুএজদা য়ুমফম ওইবা ফুঙ্গা ৱারিশিং

**ফোর্ম ওফ আৰ্ট এক্টিভিটি**

ৱারি লিবা/ঠিএটর/পপ্পেটরি/ক্রাফস/ড্রোইং/ম্যুজিক/পোইত্রি

**সাইন্স**

ক্লাস ৬, চেপ্তর (নম্বর ৯) ঃ দি লিভিং ওর্গানিজম্স এন্দ দিয়ার সরাউন্দিং

ক্লাস ৭, (চেপ্তর নম্বর ৭), ৱেদর, ক্লাইমেট এন্দ এদাপ্তেসন্স ওফ এনিমেল্স টু চেঞ্জ

**সোসিয়েল সাইন্স**

ক্লাস ৬ (আৱার পোষ্টস, পার্ট ১), চেপ্তর (নম্বর ২) ঃ ওন দি ট্রাইএল ওফ দি আর্লিএষ্ট পীপল

ক্লাস ৭ (আৱার পোষ্টস ২), চেপ্তর (নম্বর ৭) ঃ ট্রাইবস, নোমাদস

**ইংলিস**

ক্লাস ৬ (হনি সকল, টেক্সবুক ইন ইংলিস), চেপ্তর নম্বর ৯ দেজার্ট এনিমেল্স

ক্লাস ৬ (হনি সকল, টেক্সবুক ইন ইংলিস) চেপ্তর (নম্বর ১০) দি বনয়ান ট্রি

ক্লাস ৬ (এ পেক্ট ৱিট দি সন), চেপ্তর (নম্বর ১), এ টেল ওফ টু বার্দস

ক্লাস ৬ (এ. পেক্ট ৱিট দি সন) চেপ্তর নম্বর ৪ ঃ দি ফ্রেন্দলি মোনগুস

ক্লাস ৬ (এ. পেক্ট ৱিদ দি সন), চেপ্তর (নম্বর ৯) ঃ হ্বাট হেপন টু দি রেপ্তাইল্স

ক্লাস ৮ (ইট সো হেপন, সপ্লিমেন্টরি রিদর ইন ইংলিস), চেপ্তর (নম্বর ১) ঃ হাও দি কেনেল গোট হিজ হম্প)

ক্লাস ৮ (হনি দিউ, টেক্সবুক ইন ইংলিস), চেপ্তর (নম্বর ৬), দিজ ইজ জোদিস ফাউন

ইংলিস (হনি দিউ, ক্লাস ৮), চেপ্তর (নম্বর ১) ঃ ককচেং অমসুং কৌজেং

এসেসমেন্টকি খুৎলাইশিং খরা ঃ ওবজার্ভেসন সেদ্যুল, সেল্ফ এসেসমেন্ট, লেংমান্নবা মশেল এসেসমেন্ট, রব্রিক্স, পোর্টফোলিও।

**ট্রেনিং ওবজেক্টিভস**

মসিগী মোদ্যুলসিনা সাইন্স, সোসিএল সাইন্স অমসুং লেঙ্গুএজকি য়াওরিবা পুন্নমক অমত্তা ওইনা ফুঙ্গা ৱারিশিংগী খুত্থাংদা পুনশিলহল্লি।

লার্নিং আউটকম্স ঃ মথক্তা পনখিবা মওং মতৌশিংসিগী মতুংইন্না এস.আর.জি/ ওজাশিংনা মখাদা হায়রিবা কম্পিটেন্সেসশিংসি ফংবা ঙম্মি।

## ইংলিস লোন্দা

তল্লিবা মীওইদুনা

- ০ পংচুএসন, নেরেসন, ডাইলোগ দেলিভরি মশক খঙবা ঙল্লে। ৱারি অমদা য়াওবা দাইলোগশিং ইবা ঙল্লে, অতোপ্পা মীওই, মশুং মমান্নবনা মখোয়গী ওইবা ৱারি ৱাতাই লিবা, শাবদা মথ্বাই য়াওনা তাবা হৈরে।
- ০ তোঙান তোঙানবা মখলগী ইন্সট্রক্সন্স তারে, ওনোমেটোপোইক (খোঙ্গোক্কা ৱাহৈদুগা মান্নবা ৱাহৈশিং) অমগা অমগা মরি লৈনহল্লি, ক্রিএটিভ ওইবা থবক্তা হায়রিবা ৱারিশিংসি হপ্তানা শীজিন্নৈ, মশাগী মরমদা অমদি অকোইবদা লৈরিবা অসিগী মতাংদা ৱারি শাই, মরুপ মপাংগা, ওজাশিং, ইমুং মনুংগী মীওইগা, অচম্বা ৱাহৈ পরেং শীজিন্নদুনা ৱা ঙাংবা অদুগী পাউখুম পিবা ঙল্লে।
- ০ রোল প্লে/শৈরেং থিবা, স্কিট/ড্রামানচিংবদা শরুক য়াবা হৌরে।
- ০ মশাগী অকোয়বদা লৈবা পোৎ চৈগী মরমদা খঙনিংদুনা হংবা হৌরে, ৱারি লিদুনা টেক্স পাদুনা জ্ঞান তানা কম্প্রিহেন্দ তৌদুনা অতৈ অতোপ্পা লাইরিকশিং পাদুনা খোমজিন্দুনা পাই।

সাইন্সতা তল্লিবা মীওইদুনা –

মরম চাবা আর্থ থোকপা মওংদা শন্দোক্লা তাকপা, মরৈ য়েৎপা, ঙাংবা শকপা অরোইবগী কনক্লুজন পিবা ঙল্লে।

**প্রমান পিদুনা মানা হায়নিংলিবা ৱাদুগী অচুম অরান পিবা ঙল্লে।**

নুংতিগী হিংলিবা পুন্সি মহিংগা সাইন্টিফিক ওইবা কন্সেপ্টসশিংগা মরি লৈনহল্লি। করিগুম্বা হিরম অমদা মশাগী অপাম্বা উৎতুনা থবক খুদিংদা হরাও হরাও শরুক য়াই।

ক্রিটিকেল ওইনা মীগী পাউখুম পিবা ঙম্লে, ক্রিএটিভিটি ওইবা মওং উৎতুনা প্লান শেম্বা, করিগুম্বা প্রোব্লেম অমা লাকপদা হৈ শিংনা সোল্ব তৌবা হৈ অদুগা মশাদা লোইনরকপা ভেল্যুজ ময়াম অমা উৎথোকই।

থবক অমা তৌবদা ইচং থৌনা মশাগীনি খন্না থবক তৌই।

মশুং মমান্নবশিংগা তান্নদুনা থবক তৌমিন্নৈ, মী অতোপ্পনা ঙাংলকপা ৱা লাং য়ান্না ফজনা তাই।

মহৌশাগী অকোইবগী ফিভম্বু ঙাক শেন্দুনা, কদাইদা শোয়খিগদগে হায়না শেন্নবগী ৱাখল্লোন্দু হেনগৎলকই অমসুং অতোপ্পদা শন্দোক্লবা হোৎনৈ।

অমগা অমগা মরুম থুপ্না হিংনবগী ৱাখল্লোন হেনগৎলি অমসুং নুংতিগী ওইবা পুন্সিদা থেংনরিবা খেন্নবশিংবু এপ্রিসিএট তৌবগী ৱাখল লাকই।

**সোসিএল সাইন্সতা তল্লিবা মীওইদুনা**

নাম্মা শোইবা, শোন্থবা কাঙলুপ্তা হিংলিবা মীওইশিং, মীয়াম্না মখোয়দা খল্লিবা ৱাখল্লোনদুদ্গী নাথৈরগা মখোয়গী অৱাবশিংগী মরমদা খঙবী অমসুং শরুক য়ারি।

মী অমবু হন্থনা য়েংবগী থৌওং তৌরকপদা য়াম্না থুনা হেক্তা রিএক্ট তৌই।

তোঙানবা ময়াম অমনা পুরকপা তোঙানবা ৱাখল্লোন ময়াম অমগী মরমদা মশাগী ওইবা মোৎ পিবা।

অকোইবগী মফমশিং চৎতুনা য়েংনিংবা ফাওবা।

টিম ৱার্কপু এপ্রিসিএট তৌবা।

## আর্ট ইডুকেসনদা

তল্লিবা মীওই অদুনা

মশাগী ক্লাসরুম অমসুং মপান্দা পাংথোকপা আর্ট এক্টিভিটিজশিংদা হরাও হরাও শরুক য়াদুনা মশুং মমান্নবশিংনা তৌবা থবক থৌরমশিংদু থাগৎপা ফজবা, নুংঙাইবা ফোংদোকই।

আর্টিষ্টিক ওইবা মশাগী হৈ শিংবা উৎথোকই (শন্না হায়রবদা মশাগী ক্লাসরুম অমদি মপানগী মফমশিং লু নান্না থমদুনা, ক্লাসরুমদা দিস্প্লে তৌরিবশিংদুগী মতেং পাংই।

ভিজুএল অমসুং পার্ফোর্মিং আর্টসশিংদা থৱাই য়াওনা শরুক য়াই

## শন্নপ্পা ৱাহৈদোক

সাইন্স বিহাইন্দ দি এক্টিভিটি

ফুঙ্গা ৱারি হায়বসি ৱারিদুনা হৌরকইবা লমদমদুগী সমাজকি পুৱারিগী অমসুং লমদুগী হৌন-লোনচৎকা মরি লৈননা হৌরকপনি হায়বসি মীপুম খুদিংনা য়ানরবা ৱাফম্নি। পুঙ্গা ৱারিসি ফেন্তাসি হায়বদি অঙকপা, অশেংবা নত্তবা মখলগী ৱারিনি হায়না লৌনৈ। পীক্লিবা অঙাংশিংদি অশেংবনা করিনো, শেমজিন শাজিনবনা করিনো হায়বসি খন্দোক্তবা ইয়ান য়ানশিন্নবা সংসার অমদা লৈজে। অসিগুম্বা সংসারসিদদি শা ঙাসু ৱা ঙাংই, শুমচিৎ তোংলগা অতিয়াদা মীওইবনা শৎ শৎ পাইবা ঙম্মী। মরমশিং অসিনা হায়রিবা ফুঙ্গা ৱারিশিংসিদা সাইন্টিফিক ওইবা য়ুমফম অমা লৈ। অদুনা হায়রিবা ৱাশিংসিগী নুংঙাইবা, ফজবা, অঙাংশিংনা পেঞ্জবা য়াবা মওংশিংসিদি কাইহন্দবিদা ঐখোয়না অঙাংশিংদা অশেংবনা করিনো, ভাবনা শাবা ওইবা য়ারোইদবা অহেনবা শিংদুনা করিনো হায়বসি খন্দোকপা ঙম্নবা থবক থৌরম খরা তৌগনি। সাইন্টিফিক ওইবা ৱাহৈশিং, কন্সেপ্টশিং খরা মখোয় মশেল ফুঙ্গা ৱারি লিনদুনা তাহল্লগা খঙহনবা ঙমগনি। হায়রিবা ফুঙ্গা ৱারিসি টেল্স ফ্রোন পঞ্চতন্ত্র হায়বদুদগী লৌথোকপনি অদুগা সাইন্টিফিক ফেক্টস খরা হাপচিনবা য়ানবা শেমদোক শেমজিন খরা তৌরে।

মসিগী মোদুলসিনা অহিংবা মওং জিবশিং অমসুং মখোয়গী অকোইবগা লৈনবা মরি, লৈফম চাফমগী তোঙান তোঙানবা ণোং, ঈশিং নুংশিৎকি ফিভম অমসুং মখোয়না করম হায়না শি পুন্নমক্না চাসি চুশিন্ননা হিংনবা হোৎনৈ হায়বগী আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং তম্বীবগী তাঞ্জা অদু পীরি।

পুন্না চংগদবা মতম ঃ পুং অনি

**চংগদবা পোৎলমশিং**

চার্ট পেপর/স্কেচ পেন্স/ক্রেয়োন্স/পোইন্টস এন্দ ব্রুসেস, নেট ক্লোট কট্টর/কাতি অমসুং অতোম্পা পোৎলমশিং (এ১ গী পোৎ চৈ লাংবদা মফমদুদা য়াম লায়না ফংবা পোৎ ওইনা লাংবিগনি।

## পেদাগোজিকেল ষ্ট্রেটেজিজ

**ফেসিলিটেটরনা খঙজিনবদা কান্নগদবা খরা ঃ**

অঙাংশিংদু কাঙলুপ থোক্না খায়দোক্লগা পাংথোক্কদবা এক্টিভিটিজ ঙাক্তনি। কাঙলুপ খায়দোকপদা মখোয়গী কাষ্ট, ক্রিদ, জেন্দর, এবিলিটিজ য়েংদবীদা হায়রিবশিং পুন্না পুন্না য়াওহনগনি। চিল্ড্রেন ৱিট স্পেসিএল নিদসসু মখোয়না ঙমগদবা থাক্তা য়েংলগা তৌগদৌরিবা থবকশিংসিদা য়াওহনগনি।

ফেসিলিটেটরনা খন্না নৈনবদু সিন খুদিংগী নত্রগা পুল্লপ লোইরবা মতুংদা হৌনবা হোৎনগনি।

খন্নরিঙৈ মনুংদা, তোঙান তোঙানবা দিস্সিপ্লিন্সশিংদুগী মতাংদা পুনশিল্লে হায়বদু অঙাংশিংদা হায়বিগনি।

**এসেসমেন্টসু অদুম পাংথোক্কনি**

ফেসিলিটেটরদুনা ক্লাসতু মহৈরোইগী মশিং য়েংলগা, নত্রগা মঙা মঙানা শাবা কাঙলুপ ওইনা খাইদোকপিগনি। অদুগা কাঙলুপ অমমন্না শিন অমগী ইলুষ্ট্রেসন্স

শেম্বা, পোষ্টর্স শেম্বা, পপ্পেটস, প্রোপস অমসুং সিনদুদা শিজিন্নগদবা দাইলোগস ইদুনা করম্না এক্ট তৌগনি হায়বদু য়েংশিনগনি।

আইস ব্রেকর ফোর মেকিং গ্রুপস (মীনিট ২০)
(গ্রুপ শেম্নবা করম্না মহৈরোইশিংদু খঙননবা শিনগনি (মীনিট ২০)

মসিগী সেস্সনসি অঙাংশিংদুনা মশা মশাবু শক তাকচগনি। মমিং হায়বদুদা মখোয়না খ্বাইদগী পামজবা শা অমগী মওং মতৌ, মখোল নত্রগা হায়রিবা শা অদু লাই ওইনা য়েক্তুনা, করিগী পান্নুরিবনো হায়বদুসু হায়গনি। অঙাংশিংদুনা মখোয়না হৈজবা, খঙজবা লোল অমদা হেক্তা ঙাংবা য়াই, শিদসু নত্তনা মখোয়না মাইগী ওইবা এক্সপ্রেস্সন, খুৎ শা তৌরগা সাইন লেঙ্গুএজ শীজিন্নবা, নত্রগা ৱাহৈ পরেং খরা হায়রগা, এক্টিং তৌরগা, জগোই শারগা, নত্রগা লাই য়েক্লগা মখোয়না ফোংদোকপা য়াগনি। হায়রিবা থৌরাংসিনা শরুক য়ারিবা মীপুম খুদিংমকপু অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপা, মীনা ঙাংবা তানিংবা অমসুং অচুম অরান মুন্না যেংশিনবগী হৈনবী লৈগনি।

**গ্রুপশিংদু মখাদা পীরিবা সিনসশিংসিদা এসাইন তৌগনি –**

মখোয় পুন্নমক্লচিংবা মখোয় মখোয়দা পীরিবা সিনশিংদুনা চৎকদবা সিনদুদা য়াওগদবা কেরেক্টরশিংদুনা শীজিন্নগদবা হেদগিয়ার্স/প্রোপস/গ্রোব-পপ্পেটস/ইলুষ্ট্রেসন্স/মাশ্কস/পপ্পেটস, আর্টস এন্দ ক্রাফসকি ওজাগী লমজিং মখাদা শাগনি।

মখুৎতা থোকপা, য়াম লাইনা ফংবা পোৎ চৈশিং শীজিন্নদুদা তোঙান তোঙানবা হ্যারষ্টাইল্স, কোষ্ট্যুমস অমসুং মেক-অপ শেম্নবা হোৎনগনি।

মখোয় মখোয়দা পীরিবা সিন্সশিংদুগী মতাংদা এক্টিং/নেরেটিং/মাইম/পপ্পেটরি/য়ুজ ওফ রিজনেল ফুঙ্গা ৱারিদুগী মরমদা খন্ন-নৈনদুনা প্লান তৌদুনা প্রিপিয়ার তৌগনি।

ফেসিলিটেটরদুনা সিনশিংদুগী মরি লৈনবা ৱাহং হংদুনা খন্ন-নৈনবদু হৌদোক্কনি হায়বদি তোঙান তোঙানবা দিস্সিপ্লিনশিংগী টোপিক অহিংবা জিবা অমসুং মখোয়গী অকোইবা ঈশিং নুংশিৎকি ফিভম অমসুং অদুদা করম্না চাশিন্ননা লৈবগে, য়াম্না ঙল্লিগৈ

মতমগী মীওইশিংগী মরমদা, কোইচৎ চৎলম্বা (নোমাদস) অদুদগী সেটল কম্যুনিটিজনচিংবা। অদুগা হায়রিবা কন্টেন্টশিংসি অঙাংশিংগী কোগনিটিভ লেভেলদু য়েংলগা তৌগনি।

## গ্রুপ এক্টিভিটি

**সিন-১, গ্রুপ-১**

থাইনা মমাংঙৈদা য়াম্না চাওবা, শঙবান্নবা মচুগী ঈশিংনা পিক থল্লবা পাৎ অমদা ঈশিংগী পাম্বী ময়ামগা লোইননা শা উচেক ময়াম অমসু লৈরম্মী। থরো থম্বালনা পিক থনবা পাৎ অদুগী ঈশিং মনুংদুদা চরাং অমসুং ভেল্লিসিনেরিয়া (টেপ গ্রাস) না হায়না হুন্না শান্নজে। অতোপ্পা পাম্বী হায়বদি কবোকং, অতাওবা দকৰিদনা ঈশিংগী ইমাইদা শন্দোক্তুনা হৌরি। অকুপ্পা অলজগীশিংদুনা ঈশিংগী মচুদো অশেংবা ওইহল্লি। ঙা মচা শঙ্গু শঙ্গুনা মচিঞ্জাক মুন্নদুনা চারি। খরা চাওখৎপা ঙা শিংদুনা পাৎ তুদা তাবা তিল কাংগী মশিং হেনগৎহন্দে। থেঙ্গু মচা ময়াম্না ঈরোইদুনা মচিঞ্জাক থিরি অদুগা হেরোন্স কৌবা উচেকশিং খুউ য়ৌখৈ ঈশিংদা লুপ্লগা কুইনা কুইনা লেপ্তুনা মচিঞ্জাক হেক উবগা পাইথরগা ফাগদবগী ঙাইরি। হঙোই ময়াম অমসু ঈশিংদগী কংফালদা ফন ফন চোংদনা লৈ, মখোয়গী মচা ঙাচকশিংসু চোংবা ঙমদ্রিঙৈদা ঈশং চারি। অদুনা হায়রিবা পাৎ অসি জিবা পানবা ময়ামগী মচিঞ্জাক, লৈফম, হিংনবগী লোৎফম অমদি চাদা নাওদা শন্দোক্লবগী অচৌবা মফম অমনি।

**সিন ২, গ্রুপ ২**

হায়রিবা জিবা ময়ামসিগী মরকসিদা ঙা অনিগা হঙোই অমগা য়াম্না লুনা তিন্নরম্মী। মতম মতমগী ৰারি শাদুনা, অমনা অমদা ফাগি তৌনদুনা লৈরম্মী। ঙা অনিদুদি য়াম্না শিংই, হঙোইদুগা মান্নদে। ঙা অমনা মাগী হৈ শিংবগী ৰা, অদুগা য়েক্লবদগী ঙাক্থোক্লবা উপাই য়াম্না খঙই গাইদনা হায়, অদুদগী অতোপ্পা ঙাদুনসু মানা হেন্না খঙই হায়দুনা অফাওবা শান্নে। হঙোইদুদি মমিৎ মনা কুফেৎ কাফেৎ তৌরগা মাগী মশা কঞ্জনবা উপাই অমা অনিদগী হেন্না খঙজদে হায়দুনা মতোমতা মুরুম মুরুম শোঞ্জে তৌইগুম্বসুং হায়রিবা অহুমসি নুংতিগী উনৈ অদুগা মখোয়গী পুনবা মপা মপুগী মরমদা ৰারি ৰাতাই শাদুনা চাওরবা অমসুং ফজখ্রবা থম্বালশিংগী মরক্তা কেকু লোৎপি শান্নে।

**সিন ৩, গ্রুপ ৩**

নোংমদি নুমিৎ তারমদাই মতমদা ঙা ফাবা মীওই খরা লাক্লে অদুগা খরা অহল ওইরপ তৌবদুনা হায়, মসিগী পাৎসি ঙাগা খজিংগনা শৌ শারে হয়েং নোং হেক ঙানবগা লাক্লগা ফারসি। অতোপ্পা ঙাফাবদুনসু য়াম্না ফনি হায়রগা হরাও হরাও হনখ্রে।

**সিন ৪ গ্রুপ ৪**

ৰাহৈসি তাবদা মরুপ অহুমদু মতম খরা জ্ঞান মাংই। অদুদগী হঙোইদুনা মশাগী জ্ঞান খোমজিল্লগা হায় "নোই তাৱা হৌজিক্কিদো? করি তৌসিগে, শুম লৈশিরা নত্রগা চেনখ্রসিরা?" অদুগা কিমন্দনা তৌফম খঙদবমখৈ "হৌজিক করি তৌনি? করি তৌনি হয়েং নোং ঙানবগা ঈন পুদুনা লাক্লনি" হায়দনা ফন-ফন চোং লৈখ্রে। য়াম্না হৈ শিংবা, মশা কঞ্জনবা উপাই লিশিং অমা খঙবা ঙাদুনা হঙোইদুগী মতৌদুদা কন্না নোকই। অদুগা করিসু পাখৎকনু মথোং মরম খঙদবা ৰাদুদা কৈদৌ চেঞ্জরুদগে। উপাই লিশিং লিশিং হেন্না লৈ হিংনবা, কৈসু খল্লুনা নংবুসু ঐনা কনবিগনি হায়দুনা হঙোইদু থেম্বী।

হঙোইদুদি হুজিকসু থাজা ঙমদে অদুদগী অতোপ্পা ঙাদুনা অমুক হায়রকই ""কিগনু কিগনু, য়াম্না হৈ শিংবা, লাপ্লা উবা ঙম্বা জিবা অমনা নুংশিৎ নুংশানফাও য়ৌবা ঙমদবা মফম য়ৌবা ঙম্বনি। নয়ুম থাদোকপগী মফম লৈতবনি, নুংঙাইরে হায়দুনসু স্বর্গগা য়ুমগা চাংদন্নবদা য়ুন্না হেনবনি।"

**সিন ৫, গ্রুপ ৫**

অসি ময়ামসি হায়দুনসু হঙোইগী পুক্লিংদা লৈরিবা চিংনবা, অকিবদুদি কোক্লমদে। মদুগা মশাবু থাজজবা অমগা লোইননা হায়রকই তাও, মরুপ অনি, ঐদি হৌজিক ঙা ফাবগী ঈনদুদগী ইশা কঞ্জনবা উপাই অমত্তং শীজিন্নগনি, অদুনা ঐখোয় নুপীগা ঐগা পাৎসি থাদোক্তুনা চৎপনি। হঙোই মতৈ মনাওদু ফন ফন চোংদুনা থাদোক্তুনা চৎলনি। হঙোই মতৈ মনাওদু ফন ফন চোংদুনা থংনবদা লৈবা পুখ্রি অমদা চৎখ্রে। মখোয় অনিদু য়েংলগা ঙা অনিদুনা মঙক হায়রগা অপং অনিসিদি! চৎত্রসু য়াবসিবু।

**সিন ৬, গ্রুপ ৬**

মথংগী নোংঙানবদা ঙা ফাবা অনিদু লাক্লগা মখোয়গী ঈন থারে। অদুগা ঙা তপ্তাখৈ ফারে, ঙাখক্তা নত্তনা থেঙ্গু, ৱাইখু অমদি হঙোইসু ফারে। নুমিৎ চুম্পা অমা ঙা ফারবা মতুংদা নুমিৎ তারমদাইদা মখোয়না ফারকপা ময়ামদু য়োল্লগা পুখ্রে।

**সিন ৭, গ্রুপ ৭**

মখোয়না ঙায়াম ফারুরগা হল্লকপদা হঙোই মতৈ মনাওদু মখোয়না চেনখিবা পুখ্রিদুদা হৌবা থরো মপাক অমদা ফল্লন্মি। হঙোইদুনা মখোয়না ফাখিবা ঙায়ামদু উবদা মাগী নুংশিরবা মরুপ অনিদুসু য়াওরম্বা তারে হায়দুনা মথ্বাই য়াম্না নুংঙাইরমদে। মানা মখুৎ থিল্লদুনা মাগী নুপীদা হায়, য়েংউ, তো, আদা ঐগী মরুপ অনিসে চৎখ্রে - - মখোয় অরোইবদা কদাইদা য়ৌগনি খনবদা হায়বদি ফ্রাই পেন, ইনশাং নত্রাগ লৈরঙদা য়ৌখ্নি খনবদা ঐ ইশাসি থক থক নিকই। অদুদগী মাগী নুপীনা য়াম্না থুনা মখোয়গী হান্নগী য়ুমদা হনবনা ফরনি ঙা ফাবশিংদুসু মতম খরদি লাক্লরোই হায়বদগী ফরে হায়দুনা অমুক হল্লক্লবা য়ানরে।

**সিন ৮, গ্রুপ ৮**

অদুম তৌদুনা মখোয়নিদু অমুক হান্নগী পাৎতুদা হল্লকএ। অদুগা মখোয়গী ময়ুম য়ৌবদা মখোয়না উরিবদু থাজবা শুংঙম ঙমদে। হরাওবগা থাজদবগা লোইননা মখোয়নিনা মাগী মরুপ ঙা অনিদু উরম্মী, হঙোইদুনদি মোই অনি কনাগুম্বগী চাক পুখম য়ৌখ্রে হায়না খল্লম্বনি। হরাওনা হংখি “করম্না নাম্থোক হৌবগে?” অদুদা ঙা অনিদুনা চপ মান্ননা হায়রকই।

ঐখোয়গী অশোনবদু মশক খঙলে।

ঐখোয়গী পাঙ্গল শক্তি হেনগৎনবা হোৎনরে

ইশানা ইশাবু কঞ্জনবা

ঐখোয়না হোৎনদবা লৈত্রে।

**এসেসমেন্ট এস লারনিং**

প্রজেন্টেসন তৌরিঙৈ মতমদা, ফেসিলিটেটরনা য়াওরিবা অঙাংশিংনা লৌবা ইনিসিএটিভস, মখোয়গী পাউ ফাওনবগী চাং অমগা অমগা মতেং পাংনবা, জ্ঞান

তানবা, ৱাখল শেংনা ফোঙদোক্লবা, থবক পাংথোকপদা অনৌবা মওং মওং পুথোকপা, অশোইবা মেনখৎপা ঙম্বা, অৱৈ অৱৈবা পোৎনা শিজিন্নবা শি পুন্নমকসি য়েংগনি।

**খন্নবা ৱাহংশিং**

মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংসি তোঙান তোঙানবা দিস্সিপ্লিনারি টোপিক্সশিং পুনশিল্লগা খন্ন-নৈনবা য়াগনি।

১) পাৎতুদা চৎনরিবা ফুদ চেন মখল অমা হায়রকউ।

২) দকৱিদকা কবোক্কংসি ঈশিং ঈমাইদা তাওই। মখোয়গী মরা য়াওৱা? মখোয়না লৈপাক্তগী লৈহাও করম্না লৌই?

৩) মীওইবনা মখোয়গী লৈফম করম হায়না খনবগে?

৪) হোংলক্লিবা মহৌশাগী অকোইবগী ফিভম্না মীওইবগী পুন্সি মহিংদা করি অহোংবা লাকহল্লি

৫) ঙা অনিদুনা য়েক্লবগী মখুৎতগী মশা কঞ্জনবা হোৎনবদা শীজিন্নরমগদবা উপাই খরা হাইয়ুদনা?

৬) মখোয়গী উপাইশিংসি মশাদা লোইরকপা লোনচৎ ওইবা তারবদি হায়রিবা উপাইশিংসিনা জিবশিংসি মশাগী হেবিটেটতা হেন্না ফিভম ফনা লৈহনবা ঙমগদ্রা?

৭) নঙনা করিগুম্বা মতমদা ঙা ফাবা য়াওখ্রবা নত্রগা কনাগুম্বা অতোপ্পা মীওই অমনা ফাবা উখ্রবা? হায়রিবা থবকসি তৌবদা করি করম্বা থাইনদগী চৎনরকপা খুৎশু খুৎলাই শীজিন্নৈ?

৮) অচৌবা শেন্দান লম্বী ওইনবা মওংদা ঙা করম্না ফাই?

৯) ঐখোয়গী ইয়ুম হায়বসিদি ইয়ুম্নি অদুনা নুংঙাইরে হায়রিবা স্বর্গগা চাংদম্নবা য়াদে। নখোয় য়ানিংব্রা? য়ুম অমদা লৈরিবা, উপু কাংথোন অমদি পোৎ চৈ ময়ামদু নত্তবিদা করি করম্বা অহেনবা লৈরগা য়ুমগী মগুণ হেলহল্লি?

১০) হঙোইশিংনা পাৎতগী (ঈশিংদগী) অতোপ্পা মফম অমদা চৎনবা অথুবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী অখন্নবা অমদা হেক্তা চুশিন্না লৈবা ঙম্বগী মখোয়দা য়াওবা মগুণ অনি হায়ু।

১১) থাইনগী মতমগী পাউসি কদাইদগী ফংবগে? (নুংদা হক্তুনা থনম্বা লাইশিং)

১২) ৱারিদুগী নুংগী ওইবা অফ-ফত্তগী ৱাখল্লোনদু করিনো?

১৩) হঙোইগী নুপীনা হান্নগী য়ুমদুদা হন্নবা য়ান্না শিংবা উপাই অমা পিব্রা? করিগীনো?

১৪) নঙনা ৱারেপ অমা লৌবদা করি করি খোঙথাংশিং শীজিন্নৈ? (হিন্দ ঃ (১) নঙনা অপাম্বা করিনো খঙদোকপা (২) লৈরিবা প্রোব্লেমদু মশক খঙবা, মরমদা জ্ঞান তাবা (৩) করি করি তৌবা য়াবা লৈবগে থিদোকপা (৪) খ্বাইদগী ফবা ৱারেপ লৌবা।

১৫) করিগুম্বা জিবা পানবা জাৎ অমা খঙহৌদনা মশিং হেনগৎলকপা নত্রগা মশিং খঙহন হন্থখ্রবদি করি থোক্লকপা য়াই? (হিন্ট ঃ চিঞ্জাক্কী মরি মরি চৎপা মতৌদা অহোংবা লাকপা (ফুদ চেন) নত্রগা ইন্ট্রোফিকেসন ওইগদ্রা?)

১৬) সষ্টেন্দ বাইওদাইভর্সিটি হায়বসি করিনো? হিন্ট ঃ ঐখোয়না মীওই অমমমম ওইনা করি তৌরগা বাইও ডাইভর্সিটি য়োকখৎকনি। খুদম ওইনা হায়বদা ঐখোয়না চারিবা থক্লিবা পোৎ চৈশিংদু মশক খঙনা মাংহন্দনবা হোৎনবা।

১৭। ঙাদা য়াওবা ঈশিংদা ইরোবা ঙন্নবগী দুগি মরমদা শন্দোক্লা তাকউ?

১৮। ঙাদা য়াওবা, ঈশিং মনুং স্বোর হোনবা ঙন্নবগী মওংদু শন্দোক্লা তাকউ?

১৯। হঙোইশিংনা মখোয়গী য়েক্লবশিংদগী নাম্থোকপা ঙমজনবা মওং মতৌদু করি ওইরম্বা য়াই হায়না নখোয়না খনবগে?

২০। হঙোইশিংসি এমফিবিয়ান করিগী কৌবগে?

২১। করিগীদমক ঙাগা হঙোইগা হৌরকফম মান্নৈ হায়রিবনো? করি করি খুদমশিংনা প্রমান ওইবা য়াগনি? হিন্দ ঃ হঙোইগী পুন্সিদা অহানবদু ঙাচক্কি মওংদু ঙা মাল্লি।

২২। ঐখোয়গী লৈপাকসিদা, মীওইশিংনা, প্রি দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকি থবক থৌরাং লৌখৎপা মফমশিং লৈ হায়বা খঙব্রা? মখোয়না মীওইবগী পুন্সি অমসুং লন-থুম মাংবদগী ঙাকথোক্লবা করি করি হোৎনৈ হায়বদু শন্দোক্লা তাকউ।

২৩। নঙ দিজাষ্টর য়াম্না তোইনা থোক্কনবা মফমদা লৈব্রা? লৈরবদি নঙনা অশোই অঙামদগী নশা কঞ্জনবা করি করি থৌরাং পাইখৎপগে? অদুগী মথক্তা লোকেল ওঠোরিটিজনদি করি খোঙথাং লৌখৎলবগে?

খন্ন-নৈনবগী ৱাহংশিংসিনা, অঙাংশিংগী, অখঙবা শিংদুনা য়েংশিনবা অমসুং সাইন্সকি কন্সেপ্তশিং খঙলে, হৈরে হায়বা লার্নিং আউটকমশিংদা পনখিবশিংদু এসেস তৌবা ঙম্লগনি।

**এক্টিভিটি ঃ**

ওজানা অঙাংশিংদা, সাইন্টিফিকেল্লি রিলেভেন্ট ওইবা ফুঙ্গা ৱারি অমা খন্নবা তাক্কনি। লম লমগী ওইবা লোন্দা লৈবা ৱারিশিংসু য়াওহনবা য়াই।

টেক্সবুকতুদা য়াওবা ৱারিদগী খনগৎলগা এক্টিভিটি তৌবসু য়াই।

## আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং

হিন্দি, ক্লাস ৮, লেসন ঃ এন.সি.ঈ.আর.টি. (বসন্ত ভাগ-৩)
চেপ্তর ৬ ঈশিংগী ৱারী
আর্ট এক্তিভিটি মখলশিং
রোল প্লে নত্রগা লীলা মচা
চংগদবা মতম ঃ পুং ২

মসিদা হায়রিবা আর্টকি ওইবা থবকশিং অসি তম্নবা অমদি হৈনবা মওংদা তৌগদবা ঙাক্তনি অণদি মসিনা তম্বগী অরোইবা পোথোক অদুদি নত্তে।

## খেন্নবশিং অদু মচা খায়না তাকপা

**ত্রেনিং তৌবগী ফলশিং**

- ০ মহৌশাগী লৈরিবা মচাক কয়া অদুগী খেন্নবশিং অদু মচা খায়না ফোঙদোকউ অমসুং মচাকশিং অদুগী লৈনরিবা মরি অদুসু তাকউ।
- ০ মহৌশাগী লৈরিবা মচাকশিং - নুংশিৎ, ঈশিং, ইনর্জি, হৈপাল লৈপালশিং পাম্বী ঊ ৱা, শা, ঙা, উচেক ৱায়া পুন্নমক অসি ঙাক শেন্দুনা অমদি কন্দুনা লৈবগী ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোকউ।
- ০ মহৌশাগী লৈরিবা পোৎলমশিং – ঈশিং, লৈপাক লৈহাও অমসুং উমংগী পোথোকশিং নীংথিজনা অমদি হৈনা শীজিন্নবগী মতাংদা ফোঙদোকউ।

নোট ঃ তাকপী তম্বীবা লোয়রকপগী শরুক অমা ওইনা লীলা মচা অমা মসিদা শান্নবা য়াই। অসুম তৌনা লীলা অমা নত্রগা অনী ফাওবা শান্নবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ফংলিবা মতম অদুগী মখা পোন্না শান্নবা য়াগনি।

**চংগদবা পোৎলমশিং ঃ**

০ ফি-রোল - কুর্তা, পাজমা, ফৈজোম, গান্ধি তুপী, দুপাতা, কোকয়েৎ হায়রিবা পোৎলমশিং অসি লীলা অদুগী স্কৃপ/ময়েক অদুগী মখা পোন্না তৌগনি। খোঙ্গ্রাও ফুরিৎ, মফম অদুদা ফংবা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্টশিং ধোলোক, মাঞ্জিরা, দাম্রু অসিনচিংবা শীজিন্নবা য়াই। (হায়রিবা আর্ট ইন্তিগ্রেটেদ লার্নিংগী এক্টিভিটিশিং অসি তৌবদা মফম অদুদা ফংবা পোৎলমশিং অদু হান্না শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি)

০ ভিজুএল আর্টকী মচাকশিংদি সেসন ১ দা পীখিবা অদুগা মান্নে।

০ আই সি টি শীজিন্নদুনা বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক অদু তৌগদৌরিবা লীলা অদুগী মতুংইন্না শেম্বা য়াই।

## এক্টিভিটিশিং

**অহানবা ষ্টেপ**

থৌরম শিন লাংলিবা অদুনা ব্রেন ষ্টোর্মিং সেসন অমা ক্লাসরুমদা পাঙথোক্কনি মসিদা মহৈরোইশিং অদুদা লীলাগী মতাংদা খুন্নাই অমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং সোসিয়েল প্রোব্লেমশিং অদু মতৌ কমদৌনা কোকহনগনি হায়বদু মখোয়না তাক্কনি। থৌরম শিল্লিবা মীওই নত্রগা ওজা অদুনা শান্নগদৌরিবা লীলা অদুগী মতাংদা তেন্তকপা ৱারী অমা লীবা য়াই। শরুক য়ারিবা মহৈরোইশিং অদু কাংলুপ মচা মচা খায়দোক্তুনা মীওই ৬-৮ ফাওবা শেমদুনা লীলাগী তাঙ্ককশিং অদু মখোয়না কুপ্না পাহন্দুনা য়াওরিবা ইশুশিং অদু নৈনবা য়াই। চেপ্তরশিং অদুদা য়াওরিবা ঠিমশিং অদু করি করিনো অমদি করি পাউজেল পীরিবগে হায়বদু মহৈরোই কাংলুপশিং অদুনা অমুক ফোঙদোকহনগনি।

**অনিশুবা ষ্টেপ**

অতোপ্পা মহৈরোইশিং অদুগী মতেংগা লোয়নননা শক্তম লাংগদৌরিবা অদুগী রোল অদু থৌরম শিল্লিবা ওজা অদুনা মহৈরোই কাংলুপশিং অদুগী মীওইশিংদা পীগনি। শান্নগদৌরিবা লীলাশিং অসিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোই কাংলুপশিং অদুদা য়াওবা মহৈরোই খুদিংমক সোসিয়েল সাইন্স, লোল অমসুং সাইন্স টেক্সবুক্তা য়ুমফম ওইরিবা চেপ্তরশিং অদুদা অমক্তং ওইরবসু শরুক য়াহন্দুনা পোর্ত্রেট দিজাইন্দ তৌবা, ষ্টেজ শেম শাবা, দাইলোগ শেম্বনচিংবদা শরুক য়াহনবীগদবনি।

**অহুমশুবা ষ্টেপ**

থৌরম শিল্লিবা ওজা অদুনা মহৈরোইশিং অদুগী মমাংদা লীলাগী শক্তম অদু লৌদুনা মহৈরোইশিং অদুনা চেপ্তরশিং অদু তম্বদা লায়না খঙবা য়াবা মওংদা এক তৌবীগনি নত্রগা তিভি য়েংবদা খঙবদু অদুগুন্না তাকপীবা য়াই। মতাং অসিদনি আই সি তি গী মরু ওইবদু লাক্লিবসি। শক্তম লাংলিবা অদুগা মান্নবা তেন্তকপা মুভিশিং মহৈরোইশিংদা উত্তুনা মখোয়দা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবা য়াই। থৌরম শিল্লিবা ওজা অদুনা মহৈরোইশিং অদুবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা হকচাংগী ফিভম শকওং, ইঙ্গিৎনা অমদি ৱা ঙাংদুনা হেন্না পাউ ফাওনহন্নবা হোৎনবীদুনা মপুং ফাহনবীবা য়াই।

**মরিশুবা ষ্টেপ**

শান্নগদৌরিবা লীলা অদুগী স্কৃপ অদুগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা তেন্তক্লা হকচাং লেং ওৎপা অমসুং শীজিন্নগদৌরিবা হকচাংগী ওইবা লোন মফোঙদোক অদু তাক্কনি। থৌরম শিল্লিবা ওজা অদুনা মহৈরোইশিং অদুদা মখোয়না লীলা পানখৎপদা শীজিন্নগদৌরিবা পোৎলমশিং মশক খঙদোক্লবা (ফি-রোলশিং) অমদি অমগা অমগা মতেং পাংনবা হায়গনি। অরোইবদা মহৈরোইশিং অদুদা ষ্টেজ অদু শেম শানবা অমসুং স্কৃপ অদুগী মতুংইন্না লাই অয়েকপা নত্রগা অয়েকপা শক্তমশিং থিম অদুগা চান্নবা য়েংদুনা মফম চাবদা থেৎনবা হায়গনি।

**মঙাশুবা ষ্টেপ**

লীলা মচা অদু শান্নদ্রিঙৈদা রিহার্সেল প্লে ওইনা থৌরম অদু শিল্লিবা ওজা অদুনা সেসন খরা তেন্না শান্নহনবা য়াই। দরকার ওইনা লীলা শান্নবা অদুদা হেক চংগদবা পোৎলমশিং অদু রিহার্সেল তৌবা মতম অদুদা চপ চানা শীজিন্নগনি মসিনা মহৈরোইশিং অমদি শরুক য়ারিবশিং অদুদা অশেংবা লীলাগী পোৎলমশিং অদু খঙনবা ঙমগনি অমদি শরুক য়ারিবা মহৈরোইশিং অদুনা লীলা শান্নবগী মহাও অদু খঙবা ঙমগনি।

**তরুকশুবা ষ্টেপ**

রোল প্লে নত্রগা লীলা মচা অসি শান্নরগনি মসিদা মহৈরোইশিংনা ষ্টেজদা থোক্তুনা শরুক য়গানি। থৌরম অসি ভিদিও রেকোর্দিং তৌদুনা মহৈরোইশিংদা অমুক উৎপসু য়াই। থৌরম অদুবু শিল্লিবা ওজা অদুনা ভিদিও রেকোর্দিং অদু মহৈরোইশিংগা পুন্না

য়েংমিন্নদুনা ফম্পাক লীলাগী আর্ট অসিগী মশক মওং কয়া অদু নৈনবা য়াই। হেন্না ফজনবা পাউতাকশিং লৌদুনা হোৎনবীবা য়াই। মহৈরোইশিংগী মরক্তা মহাক্লা হেন্না ফৈ নত্রগা ফত্তে হায়বা চাংদম্নবা খক মহৈরোই কাংলুপশিংগী মরক্তা তৌবীরোইদবনি। মসিগী মহুৎতা হেন্না ফনবা মওংদা দাইলোগ, স্কৃপ ইবা অমদি অমগা অমগা মতেং পাংনবা অদুগুম্বা হীরল্লোমদা ওইনা খন্ন-নৈনবীগদবনি।

**অতোম্পা সজেক্টশিংগা পুনশিন্নদুনা তাকপীবা**

থৌরম শিল্লিবা ওজা অদুনা মহৈরোইশিং অদুদা খুন্নাই অমদা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং নত্রগা মসিদা মান্নবা সমস্যাশিং অদু কুপ্না য়েংনবা পাউতাক পীবিগনি। হায়রিবা হিরমশিং অসি মখোয়না খঙলিবা লোন অদুগা চাশিন চুশিন্নদুনা হেন্না খঙনবা হোৎনহনবা য়াই। লোন হায়বসি পার্ফোর্মিং আর্টকী ওইবা শরুক অমা ওইরবসু মরুওইনা রোল প্লে নত্রগা লীলা মচাশিংদা, দাইলোগ ফোঙদোকপা অমসুং স্কৃপ ইবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা মচাক অমনি।

**অপুনবা খুৎশা হৈবগী লাইরিক তম্বিবা ঃ**

হিন্দী (বসন্ত, শরুক-১, ক্লাস ৬) পারা ২ অঙাং ওইরিঙৈ মতম

## লার্নিং ওবজেক্টিভস

১। খোঞ্জেলগী খেন্নবা মখলশিং ঃ খুদম - কাংশিগী মখোল, উচেক্কী মখোল, জঙ্গলগী শক্তম অসিনচিংব জ্ঞান লৌশিংগীদমক চিনহায় ওইনা পুথোকই।

২। তাবা, উরগা ৱারি শাবা ঃ খুদম - সমাজগী ওইবা মফমদা থোকপা থৌদোক, প্রোগ্রাম খুদম ওইনা হায়রবদা অপনবা লৈতনা এক্তিভিটিজশিংগী ৱারী তৌই।

৩। মশা-মশাগী খেন্নবা লোল ঃ মরি লৈনবা চাবা-থকপা, য়ুম্লৈ-কৈরৈগা মরি লৈননবা খেন্ন-খেন্নবগী ৱারী তৌই।

৪। খেন্নবা মেথদশিংদা ইবা সাহিত্যগী ওইবা মচাকশিং চপ-চাবা ওচারণগী খোঞ্জেলগী

খোন্থোক অনেম অৰাং অমসুং স্পিদকা লোইননা পাহল্লি অমদি ইহল্লি।

৫। লোলগী স্পিসিয়েল ওইবা অমসুং শেম্বদা য়ান্না চেকশিন্না কমান্দ তৌই।

তম্বগী মচাকশিং - পেপর সিত, ফি অহনবা-অমনবা, স্কেতচ পেন, ধুলোক, কাংশি, ডমরু, কার্ড বোর্ড, গ্লু, চার্টস ক্রেয়ান, খবর অসিনচিংবা।

কবিতা মঞ্জরি এন.সি.ঈ.আর.টি. য়ুট্যুব চেনেল রিফরেন্স বুক অসিনচিংবা।

## এক্টিভিটিজ ১ - আইস ব্রেকর

**মীৎ উইশিল্লগা খোঞ্জেল তাবা**

মহৈরোইশিং মমিৎ উইশিলহল্লগা খোঞ্জেল তাহনবা মীনিট ৫গী এক্টিভিটিজ তৌহনবা।

মসিদা - ফেনগী মখোল, কাংশিগী মখোল, নুংশিৎ শিৎপী মখোল, উচেক্কী চীক-চীক লাওবা মখোল, উনা-ৰানাগী মখোল, ঈশৈগী খোঞ্জেল অসিনচিংবা মখল কয়াগী খোঞ্জেলশিং এক্সপিয়েন্স অমসুং মশা-মশাগী ৰাহৈশিংদা হায়হনগদবা। মসিদা ওবজার্বেসন স্কিল, নেচরেল স্কিল লিটরেচর ওইবা স্কিল, ইম্পলসিব স্কিল, ময়ামসি তাবা ঙম্বী দেভলপমেন্ট ওইহনবা। অসিগা লোইননা চিনহায়দা ফোংদোকপা ঙম্বগী দেভলব ওইহল্লি।

## এক্টিভিটিজ ২

অঙাং ওইরিঙৈগী মরি লৈননা এক্ত তৌবা, লৌশিংগা লোইননা মহৈরোই পুন্না তৌগনি। অঙাংগী ঈশৈনা অঙাংশিংগী অপাম্বা থিজিনবদা অমসুং অনৌবা জ্ঞান-লৌশিংগীদমক রেদি ওইহনবা। মসিগী প্রজেন্টেসনসিগা লোইননা লেটর্সকি ট্যুন সাউন্দ, অনেম-অৰাং (রিদম) গা লোইননা ঈশৈ অমদি এক্টিং মখোয় পুন্না তৌহনবদা কান্নগনি।

- অঙাংগী অশেংবা থম্মোয়
- অপিকপা অঙাংগী খঙনা ঐখোয়না
- লাকও অঙাংশিং নখোয়শিংবু তল্লসি।

অসিগুম্বগী ঈশৈগা লোয়ননা অঙাং ওইরিঙৈগী ঈশৈ (অতোপ্পা মফমগী লোলশিং) গী জ্ঞান-লৌসিংগী লমদা খঙ হৈরবা। খঙহনবা হৈহনবা য়ায়।

মসিগী চাংয়েং অসি তম্বদা হরাও-নুংঙাইহনবদা য়াগনি।

## এক্টিভিটিজ ৩

**অঙাং ওইরিঙৈগী মতম (চাইলহুদ)**

মসিগী শৈরেং অসিদা অচুম্বা ওচারন, খোঞ্জেল মওং-মতৌ, ওন্থোক ওনশিনগা পুন্না পামিন্নবা। ওঝানা পাবা লোইরগা মহৈরোইশিংদা অমুক পাহনবা য়ায় অমসুং অঙাংশিংদা নিংশিংহন্নবগীদমক ৱাহং হংবা অমদি খন্ন-নৈনবা য়ায় – অসুমাইনা

– ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোক্কা অমদি মসিগী পরাসিগী ঠিমদা খরি খেৎনৈ?
– করি করি মান্নৈ?
– করি অনৌবা য়াওই?

অসুম্না অপুনবা টেষ্ট অমা খন্নরগা চার্ততা লাই ওইনা য়েকপসু য়াই। মসিগী চাংয়েং অসিদা লোলগী লোন্দা, ফোঙদোকপা, অনৌবা ৱাহৈ, গ্রামারগী ওইবা খুৎ শা হৈবগী ওইবা লাই য়েক্তুনা পুথোকপা য়াই।

## এক্টিভিটিজ ৪

বচপন শৈরেং অসিদা অইবীনা করেন্ট ইয়ার অমসুং হৌখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈগী মতম্বু পুথোকপনি।

অপুনবা মহৈরোইশিংদা মমা অমদি মপাগা মরি লৈনবা মমিংশিংদা চার্ট য়েকহনবা য়াই। চিত্র ওইনা য়েকপসু য়াই।

খুদম ওইনা (বার্লী) খুৎ শা হৈবগী (হেন্দিক্রাফ) চিং পাৎ তুরেল, অসিনচিংবশিং।

মসিদা কলর পেপর/চার্টতা য়েকপা য়াই। মসিগী চাংয়েংসিদা – সোসিয়েল সাইন্স, বাইওলোজিকেল্লি অসিচনিংবশিংসু পুথোকপা য়াই।

## এক্টিভিটিজ ৫

**প্রোজেক্ট ৱার্ক - চাংয়েং ৫**

বচপন (অঙাং ওইরিঙৈগী মতম) নিংশিংবা ওইনা উৎলিবা অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী খেৎনবা মাইকৈগা লোইননা মহৈরোইশিংগী হৈ-শিংবদু চাংদম্নদুনা খন্ন-নৈনগনী। মসিদা পুন্না থবক তৌমিননবা য়াগনি। তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকা লোইননা অঙাং ওইরিঙৈগী চাব-থকপগী চৎনবী মতুংইন্না মচি ওইবা পোৎ চাবা, অমসুং থকপনচিংবা অমদি হৌজিক-হৌজিক্কী চারি-থক্লিবগা পুনশিল্লগা য়েকপগী থবক তৌগদবা। অইবীনা শেৎলি-চারিবা ফিরোলগা হৌজিক-হৌজিক্কী শেৎলি-চারিবা ফিরোলগা লোইননা পুনশিল্লগা তম্বিবা অমসুং পোৎ চৈশিংদু লৌশিল্লগা চার্ট, লাই নত্রগা ফিরোলশিং য়েকহন্নবা শেম শাহল্লি।

অইবীনা হায়রিবা মফমশিংদুগী লাই ওইনা য়েকপা হৌজিক মতমগী চৎনরিবা অসিগা লাই য়েকপগা লোইননা চাংদ্নরগা আই.সি.টি.গী শরুক অমা ওইনা চার্ট ওইনা য়েক্কনি। মসিগী এক্টিভিটিজ অসিদা শেৎলি চারিবা, য়ুম্লে-কৈরৈ হিষ্টোরিক ওইবা মফমশিং অমসুং দাইতনচিংবা সবজেক্টশিংবুসু জ্ঞান তাহনবা য়াই। মসিদা সোসিয়েল সাইন্স, জিওগ্রাফি, ইনভাইরনমেন্টেল ষ্টদিজগুম্বা সবজেক্টশিংগী ফজবা মওং-মতৌ অমদি ভেল্যুগী নোলেজদগী কম্মন সেন্স টেক্লিকশিংসু পুল্লগা পুনশিল্লগা হায়বিগদবনি।

মখোয়দা পাম্বৈ অদু শন্দোক্লা তাক্তুনা উৎলগা নংগী খুৎতা চুপ্তুনা অহৌবা মখোল থোকহনবা। মমিৎ উইশিল্লগা মদুম্না তৌবা। থৌওং অদু মনিত ৩ চৎথবা, মখা তানা ৱাখলদা পাম্বৈ অদুগা মরি লৈনবা ৱাহং হংবা।

- ০ করি ফাউবগে?
- ০ মখোল অদুনা করিগুম্বা অমা নিংশিংহনৱা?
- ০ মদুগুম্বা খোঞ্জেলদু নোংমগী করম্বা মতমদা তাবগে?

হায়রিবা থৌওং অসিনা ফেসিলিয়েটরনা ৱারী শাবদা হেন্না অকক্নবা ৱাহংশিং হংবা য়াই ঃ

- ০ নখোয় কনা কনা অয়ুক অঙনবদা য়াহৌবগে?
- ০ অয়ুক অঙনবদা য়াহৌবদা করি ফাউবগে?
- ০ নোং চুদবা নুমিৎ ওইবা য়াই, নহাক্কী ৱাখল অমদি ফাউবশিং করি ওইগনি।
- ০ য়াহৌবা মতমদা অকোয়বদা করি উবগে?
- ০ মসিগা নহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনখিবশিংগা করি খেন্নবগে?

## অপুনবা থৌওংশিং

**তাঙ্কক ১**

শরুক য়ারিবশিংবু কাংলুপশিং থোক্লা খায়দোক্লগা মখা তানা ৱা খন্নৌ, মখোয়না অয়ুক অঙনবদা মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা খনবা খ্বাইদগী পামজবশিং তমগে হায়না তমগদৌরিবা পাউ অদু মাইন/রোল প্লে/লিলা মচা/ৱারী লিবগী মওং অমসুং য়াই, ম্যুজিক অমদি লেঙ ওৎপা নত্রগা অয়েকপা লাইগুম্বা অমা হেক শিজিন্নদুনা কাংলুপ অদুদা য়াউরিবা খুদিংমক ইচং থৌনা শরুক য়াহনগনি।

**তাঙ্কক ২**

মখোয়না থৌরাং তৌরবদি, মখোয় অমমম কৌদুনা মখোয়গী প্রজেন্টেসন তৌহনগনি। তম্বদা মপুং ফাহন্নবা অতৈ কাংলুপশিংনা হায়বা ৱা তাগনি। প্রজেন্টেসন্না শরুক য়ারিবশিং/মহৈরোইশিংগা পাউ ফাউনহল্লি। মদু অঙনবা তাঙ্কক্কী অশোয়বগী ফিভম্নি মদুনা ভোর ঔর বরখা হায়বা শৈরেংগী বেকগ্রাউন্দনি।

**তাঙ্কক ৩**

কাংলুপশিংনা পুথোকপা প্রজেন্টেসন্দগী লংলা লংজিন লৌরগা ফেসিলেটর/ওজানা শৈরেংদা য়াউরিবা মহাক্কী মতাংদা মখোয়গা এক্টিবিটি মতুংদা খন্নগনি। খুদম ওইনা, মমা যশোদানা কৃষ্ণবু হৌদোকপা মতমদা মহাক্লা ঈশৈ শকই – জাগো বনসিবারে লখনা, জাগো মেরে প্যারে। ময়াম পুন্নমক্তা শৈরেংদু ঈশৈ ওইনা শক্তুনা ইঙ্গিৎ তৌদুনা নুংশিবা উৎতুনা মীরাবাইনা খনবদু পুক্নিং চিংশিন্নবা হায়গনি।

এক্সপরিয়েন্স অসিদা য়ুমফম ওইরগা ফেসিলিয়েটর/ওজানা অখন্নবা পারাগীদমক লোনগী এক্টিভিটিশিং পায়খৎপা য়াই।

## আর্ট ইন্তিগ্রেটেদ লার্নিং
## এসেসমেন্ট

থৌওং ২ (মীনিট ৩০) মহৈরোইশিংগী

**তাঙ্কক ১**

অঙাংশিংদা খুবাক খুদুনা খুৎশানা, নোং চুবগী মখোল মান্নবা থৌওং চথহল্লু। ব্লেকবোর্ডতা চাউনা বরসে বদরিয়া হায়বদু ইয়ু। মখোয়না নিংশিংবদা নোং চুবগী তোঙান-তোঙানবা মখোলশিং নিংশিংবা ঙমগনি। ম্যুজিসিয়ান কাংলুপ অমনা দ্রমগী তোঙানবা তান্থাশিংনা নোং তাবগী মখোল তাহনবা নত্রগা আই সি তি শীজিন্নদুনা তশেংনা নোং তাবা উৎপা য়াই।

**তাঙ্কক ২**

কাংলুপ অনি খায়দোক্তুনা হকচাংগী কয়াৎ কয়া শীজিন্নদুনা তোঙান-তোঙানবা মখোলশিং থোকহন্দুনা নোং তাবগী মখোল থোকহল্লু। অঙাংশিংনা মখোঙ অমদি মখুৎ শীজিন্নদুনা নোংলিক অহানবা অতারকপা কমদৌবগে উৎহল্লু। তপ্পা নোং খজিক্তং তারম্বদগী নোং য়ান্না তারকপগী মখোল (খজিক্তং তারম্বদগী কন্না তারকপা) থোকহল্লু।

মখাগী ৱাহংশিং অসি হংবা য়াই।

- ০ নোং তাদ্রবদি করি থোক্কনি, মদুগা সোসিয়েল সাইন্সকি লাইরিক ঈশিং থল্লবা অদু তাঙ্কক ঈশিং শন্নরি।
- ০ মথংনা ক্লাস অদুদা তমগদবা হিন্দি শৈরেংদগী ৱাহৈ পরেংশিং নৈনবা য়াই। ৱাহৈশিং অমদি ৱাহৈ পরিংশিং তোঙান তোঙানবা সঞ্জশিংদা থম্বা য়াগনি। ঈশৈ ময়েকশিং অদু সুর অমগা অমগা পানশিন্নদুনা থম্বা ঈশৈ ওল্লকই।

**এসেসমেন্ট ঃ**

অতৈগী প্রজেন্টশিং চেকশিন্না তারগা অঙাংশিংদনা মদু কমদৌবগে ইয়ু। ওঝানা এল ওশিংগা য়ুমফম ওইরগা ওবজার্বেসনশিং রেকোর্দ তৌগনি।

## থৌওং ৩ (মিনিত ৩০)

**শৈরেং খোরি ধর্তি পাও, চেপ্তর ৫, লাইরিক ধূর্ব-পার্ট ২**

অঙাংশিংনা মখোয়গী লাইরিক হাংদোক্তুনা, ওজানা খোঞ্জেল মওং কয়া শাদুনা ৱারি পাই, মদুনা ইফেক্টশিং থোকহনগনি। ওজানা পারম্বদগী তোক্তুনা মহৈরোইশিংদা মখোয়না তাখিবদু মখোয়গী দ্রোইং বুক্তা মিনিত ৫গী মনুংদা য়েকথোক্লবা হায়গনি। মখোয়না য়েকপদু য়েংলগা থাগৎকনি।

মথংদা ওজানা অঙাংশিংদা মথংগী পরেং ৪ পুন্না পারগা ভিজুয়েল ওন্থোক্লবা হায়গনি। অঙাংশিংনা লোনগী এক্টিবিটিশিংদা য়াওদুনা পরেং ৪ অদুগী তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক খন্নদুনা মদু য়েকথোকহনগনি। মসিনা মখোয়বু চাংয়েং তৌদুনা তমহনগনি।

**এসেসমেন্ট ইন্দিকেতর সজেষ্টেদ**

- ৱা ঙাংলগা অমদি ৱাং ঙাংদনা ফোংদোকপা
- খনগৎলবা ৱাখল্লোন নিংথিনা খঙবা
- লনাইগী ওইবা থৌওং অমদি
- কাংলুপকা থবক তৌমিন্নবা

মসিদা শীজিন্নরিবা আর্টকি থৌওংশিং থৌরাং ওইনা শীজিন্নবনি, পোখোক নত্তে হায়বা খঙবা তঙায়ফদে।

- ওরিগামি সেরিজ - কেত, কারলিস, মোদুলর ওরিগামি বোল, বুক মার্ক, ফোল্দিং, পেপর হার্ত, লোদ গানেশ সিৱত সোদাক, মার্দর তেরেসাগী মেদিসিন পর্স, নো গ্লু বেগ, অসিনচিংবা।

- অঙ্কগী এক্টিভিটি, ০৩১
  এক্টিভিটি অসিনা চেনানা থুপচিল্লগা তোঙান তোঙানবা জিওমেত্রিগী ফিগরশিং অমসুং মওংশিং খঙহন্নবনি।
- অঙ্কগী এক্টিভিটি - মেঠমেটিক্সকি কন্সেপশিংগী মতাংদা শন্দোক্না তাকপা, অচুম-অরান খঙহনবা, উৎনবগীদমক্তা মখল কয়াগী ভিদিওশিং খোমজিন্দুনা খঙহন্নবনি।
- খেল খেল মে মুখোতে ঃ এক্টিভিটিসিদা মখল কয়াগী মাইখুম (মাক্স)শিং অঙাংশিংদা শেমহনবা অমসুং বাল ভবন্দা কোয়বা পুবিবা।
- পুতলি শেম্বা - প্রোগ্রাম অসিদা অঙাংশিংদা, এক্সপার্টকি মতেংগা লোয়নননা পপেৎ শাহন্নবনি।
- হৌদোং লাক্লে, উচি চেল্লো ঃ এক্টিভিটি অসিনা পাংথোক্কদৌরিবসি চেনা মাইখুমশিং শাহনবনি। অঙাং কাংলুপ অমনা চেনা মাক্সশিং শাদুনা মখোয় মশেল শান্নৈ, লক্ল-খোৎনদুনা অঙাংশিংদু মথন্তা তপ্না তপ্না মাইখুমশিং শাবা ঙল্লকই।
- ভারত নত্যম ঃ ঙাংনরিবা ৰাহৈবু জগোয় ওইনা ফোঙদোকপা পুক্নিংগা হকচাংগা মরি লৈননা ফোঙদোকপা, ভারতকি অরিবা জগোয়বু মশক খঙহনবা, জাতি মঙা, রিদম খঙহনবা, পদবেহদাস খোংথাংগী মওং জগোয়গী বেসিকশিং, জগোয়গী হকচাংগী শাথেক, খুৎ নান্মা অনিগী খুথেকশিং শীজিন্নবশিংদি খঙহনবা।
- ভারৎ নাত্যম ঃ জগোয়গী বেসিকশিং, পার্ত ১ অমসুং ১৪, ভারত ন্তযম - ১ অমসুং ২ (ক্লাসিকেল দান্স) মসিগী পান্দমদি ভারত নাত্যমগী অখন্নবা মওং মতৌশিং য়েংলিবাশিংদা খঙহনবনি। শক্লাইরবা গীটা চন্দ্রানা ভারত নাত্যমগী পুক্নিং নুংঙাইরবা, ফজবশিং খঙঙনবা, অঙাংসিগা ৰারি ৰাতাই শাহন্নবা, মহাক্না মুদ্রাগী মওংসিং উৎপনি।
- মণিপুরি জগোয় ঃ ভারতকি ক্লাসিকেল দান্সকি মখাদা অনিংবা মণিপুরি জগোয়গী প্রোগ্রাম্নি। ঈশৈগী ময়েক্তা শাথেক তম্বনা জগোয় অসি তোপ তোম্পা মওং অমা ওইরি।
- কথক পরিচোয় পার্ট ১ ঃ কথক্কি জগোয় শাবি শক্লাইরবা উমা শর্ম্মনা ভগবান কৃষ্ণনা নহা ওইরিঙৈ মতমদা মহাক্কী পুন্সিদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা উৎলি, শুগায়না তাকলি। মসিগী কুম্মৈসিবু কালিয়া নাগ মন্থনা কৌই। মসিদা য়ুমফম ওইদুনা কথক্কী জগোয় উৎখি।
- কথক কলি ১ ঃ (ভারতকি ক্লাসিকেল জগোয়) ভারতকি ক্লাসিকেল দান্সকি পরিংদা (সেরিজ) মসিগী মখাদা প্রোগ্রাম জগোয় মওং অনি লৈ, কথখ কলিদা

অখন্নবা শক্তম হায়রগদি, থোয়দোক হেন্দোক্লা কেবা, ফীজোল অমসুং যন্ত্রগী মওংশিংনি।

- কথক কলি ২ ঃ ক্লাসিকেল দান্সকি সেরিজগী মখাদা উৎলিবসিসু, কথক কলিগী তোপ তোম্পা শক্তমশিংদুনি।
- ইকৎ ৰেভিং (ইংলিস) ১ ঃ ইকৎ ৰেভিংগী ভারত কি তোপিক্তা নৈনবনি। ফিশা লোনশাগী মওংসি লম অমগা লম অমগা খেৎনৈ। গুজরাৎ, অন্ধ্র প্রদেস, উরিসাগী তোঙানবা মওংদা উৎলি।
- সত্রিয়া দান্স আসাম ঃ ভারতকী ক্লাসিকেল জগোয়শিংগী মনুংদা সাত্রিয়া জগোয়সু অমনি। তরামঙাশুবা চহিচাদা থোকখিবা ভক্তি মুভমেন্টকি মনুংদা হৌরকখি। সিসিঅরতি অমসুং সিআইঈটি অনি পুল্লগা পুথোকপা ভিডিও অসিনাজগোয় অসিগী মতাংদা লেকচর অমসু উৎথোকই।
- ঐখোয়গী ভদায়া যত্রা (২৫) ঃ মসিগী প্রোগ্রামসিদা মরুওইনা অঙাংশিংদা খঙহন্নিংলিবসি ভদায়া যত্রাগী মওং মরিল অমসুং যন্ত্র অদুগী তিংলিবা তরা মরিশিংগী মখলশিং খঙহনবনি। ভদায়া যন্ত্রগী মখল, মান্নদবশিং অঙাংশিংদা মশক খঙহনবনি।
- হৌজিক করি তৌগনি (মুক অবিনয়া) (১৬৬) ঃ মসিগী থৌওং অসিনা খোঞ্জেল থোকহন্দনা পাংথোক্কনি। মসিগী পান্দম্না মহৌশাগুন্না থবক অমা পাংথোকপদা ৰারি তৌবা অদুগা মান্নদবা মওংদা থবক অণা পাংথোক্তিংঙৈদা হান্না ৰাখল খন্নবা তম্বীবনি। ৰা ঙাংদনা পাউ ফাউনহন্নবা অমসুং গ্রুপকি অঙাং খুদিংমক্তা থবকশিং পাংথোক্নবা শিন্নবনি।
- রাবিন্দ্রা সঙ্গীৎ লোক গীৎ বোল ঃ রাবিন্দ্রানাথ টেগোরগী ১৫০শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা, এনসিআর.টি না শিন্দুনা দিসেম্বরগী তাং ২০ দা, মহাক্কী মরমদা বাইওগ্রাফিগী ইকসিবিসন অমা, শ্রদ্ধাঞ্জলি কুঙ্কে অসি পাংথোকই। ওঝাশিংনা থৌরমসিদা ঈশৈ কয়া শকখি। শক্লাইরবা পণ্ডিত দেবু চৌধুরিনা যন্ত্র গী ওইবা খোঞ্জেল অমা লান্থোকই।
- বঙ্গলাগী শৈরেং ঃ রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী ১৫০শুবা মপোক কুমওন পালনদসু এনসিঈ.আর.টিনা পাংথোকই।
- মেটর এক্টিভিটিজ ঃ (অপ্পর প্রাইমারিগী থাক্কী)

অঙাং নিফুদ্গীনা নিফু মঙানা শান্নবা অসিদা শরুক য়াবা য়াই অঙাং অমনা

মকোক ওইহনগনি। অদুগা অঙাং অতৈনা মীংশেলদা তাবা মমিগুন্না মতৌ তমদুনা শান্নহনগনি।

- কিসান কা উরান খাতোলা ঃ প্রোগ্রামসি ক্লাস রুমগী টিচিং লার্নিং প্রোসেসতা য়ুমফম ওইরগা পাংথোকপনি। মহৈরোইশিংনা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া থিজিনবনি।
- রোজ বদলতে কৈসে চান্দ (থাগী অহোংবা শক্লোন) ঃ অঙাং নুপামচা অমনা থাগী শক্তমগী লাই অমা য়েক্লি। মহাক্না থা অমগী মনুংদা থাগী অহোংবা শক্তমশিংদু নুমিৎ খুদিংগী য়েক্লন্মী। মহাক্না য়েক্লিবা থাগী শক্তমগী অহোংবদু উহল্লদুনা ৱারি ওইনা উৎলি অমসুং মশা পানবা শগোলগী ৱারিসু লিরম্মী।
- রোজ বদলতে কৈসে চান্দ (২) ঃ নুপীমচা অমনা য়াম্না চাওখ্রবা বস অমবু মহাক্কী খুদোম্বীদগী হেন্না পীকই হায়না উৎলি, মরমদি মদু য়াম্না লাপ্না চৎথোকখিবননি হায়না হায়রকই। নুপামচা অমনা মঙোন্দা (নুপীমচা) উৎলম্মী মদুদি মহাক্কী মারবলদুনা থাদগী হেন্না চাওই, মরমদি মদুনা খুমজিনবদা থা উবা ঙমদে। নুপীমচাদুনা মারবলদু লৌথোকহনখ্রগা থানা মারবলদগী হেন্না চাওই হায়বা উৎলম্মি।
- অখোন কা দোখা (থাগী খোঙচৎ) ঃ অতিয়াদা থানা লৈচিল ফাওদুনা নুমিৎ তন্না চৎপা য়েংবদা মান্নবগী খুদম, ফীল্ম অমা উৎতুনা খঙহল্লি। মসিনা পৃথিবিগী, থাগী, নুমিৎকি খোঙচৎশিংবু উহন্দুনা খঙহল্লি।
- এক জতন ঔর ঃ সিক্স্যক সামক্ষ্যা প্রোজেক্কি প্রোগ্রাম অমনি, মসিদা ওঝাশিংনা লৈরিবা মফণদুগা চান্নবা, তাকপী তম্বীবগী মওংশিং, পাম্বৈশিং, তম্বীবদা চংগদবা, শীজিন্নগদবা পোৎ চৈশিং লমদমদুদা ফংবা পোৎ চৈনা শেমগৎতুনা তম্বীবা অসিনি। প্রোগ্রাম অসি শক ১৯৯৭ দা জপানগী মনা (প্রাইজ) ফংখি।
- মপোক নুমিৎকি পার্টি অমা ঃ

  করি ওইরমগনি খল্লগা হায়বা, অদু য়েংলগা খঙনবা, ৱাহৈগী ছন্দ মান্নবশিং হায়দুনা ঈশৈ শরুবা, শৈরেং থীবা অসিনচিংবা পাংথোকপা।
- নো গ্রাস ইন দা স্কাই ঃ ওঝা অমগী মথৌদাংসি হকথেংননা থেংনরবা লৌশিংশিংদু পীবা অদুখক্তা নত্তে, মসিগী মথক্তা, মহৈরোইশিংবু হেন্না ক্রিয়েটিব ওইবা ৱাখলসু লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। ভিডিও অসিদা উৎলিবসি ওঝা অমনা ক্লাসরুমদা ফাগী জুগাই তৌদুনা, নুংঙাইনা লাইথোকহন্দুনা অঙাংশিংবু ক্রিয়েটিব ওইবা এক্টিভিটিশিং পাংথোকহনবদুনি।

# ৱাহৌদোক

অঙাংশিংবু স্কুলগী থাক্তা মহৈ-মশিং তমহনবা হায়বসি মরুওইনা লৌগদবনি। অঙাংশিং মশা-মশাদা নত্তনা অতোম্পশিংগীসু য়াইফনবা খনবা, হোৎনবা, অনৌবা সিচুয়েসনশিংদা মায়োক্নবা ঙম্নবা, মপুংফাবা মীওই অমা ওইহনবা হায়বসিনা ইডুকেসনগী পান্দম্নি। ওঝাশিংনা পান্দমশিংসি ফংননবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মসি ফংনবগীদমক্তা প্রি সার্ভিসতা লৈবা ওঝা ওইদ্রিবশিংগী  ত্রেনিং পীরি মরুওইনা মখোয়বু ওঝা ওইননবগী ইস্কিলসশিং লৈহন্নবা হোৎনৈ। অদুবু মখোয়না ত্রেনিংদা তমখিবশিংদু অশেংবা স্কুলদা ওঝা ওইরগা মহৈরোইশিংদা তাকপিরিবা মওং অনিসিদা খেৎনবা লৈ। এন.সি.ই.আর.টি.না ক্লাস রুমদা ওঝানা লাইরিক তাকপিবগী মওংশিং থিজিল্লুবদগী খঙবা ঙম্লে মদুদি অয়াম্বা স্কুলশিংদা ওঝানা টেক্সবুক্তা য়াওবা অদুতমক তন্থীবগী চৎনবি লৈরি। লারনর সেন্টর পেদাগোজি শীজিন্নবা, কম্পিটেন্সিদা য়ুমফম ওইরগা তন্থীবা, স্কুলদা নিংথিনা চাংয়েং লৌবা অসিনচিংবশিংগী কান্নবা মরুওইবশিং অসি খঙহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

এন.সি.ই.আর.টি.না ক্লাস টু, ফাইব অমসুং আইটকি মহৈরোইশিংগী ওইনা কম্পিটেন্সিশিং য়েংথোক্নবা/খঙদোক্নবা নেস্নেল এচিবমেন্ট সরভে ২০১৭ পাংথোকখি, মহৈরোইশিংগী এচিবমেন্টকি থাকসি হন্থক্লে হায়বসি খঙবা ঙমই।

ওঝাশিংগী কেপাসিটি বিল্দিং প্রোগ্রামশিং পিবা য়াম্না মরুওই। ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং ওঝাশিংদা পিরগা কন্টেন্ট অমসুং পেদাগোজিগী অনৌবা, অহোংবশিং হাপচিনবা, খঙহনবা ঙমই। অদুগা মতম মতমগী ওইবা অনৌবা পাইখৎলকপা থৌরাংসিং মখোয়দা খঙহনবা ঙমই। অদুগা হৌজিক্তি ওঝাগী ইডুকেসনসি ত্রেনিংশিং অমুক্তং তৌখ্রে হায়না লৌনরি। ত্রেনিং অয়াম্বদা কন্টেন্টকি শরুক্তমক নৈনরি। মসিগী মথক্তা কাসকেদ মোদেলগী ত্রেনিং চৎনরি, মসিনা মরোল নাইবা ত্রেনিং ওইবনিনা, অশেংবা ওঝাশিংদু য়ৌহনবা মতমদদি ত্রেনিংদুদা খঙহন্নিংলিবা লৌশিং, স্কিলশিংদু চপ চানা য়ৌহনবা ঙমদে, মরক্তা মাংখি। মরমসিনা ওঝাশিং, স্কুলশিং, মহৈরোইশিং ফগৎহনবা ঙমদে।

হৌজিক খন্নরিবনা ওঝা, স্কুলগী ওঝা মকোক ওইরিবা খুদিংমকসিদা অনৌবা স্কুলগা মরি লৈনবা খরা লায়নর সেন্টর পেদাগোজি, লার্নিং আউটকম্স, স্কুল বেজ এসেসমেন্ট অমসুং সবজেকশিংগী অকক্নবা পেদাগোজিশিংগী মতাংদা, ষ্টেটকি ইডুকেসনগা মরি লৈনবা ফংসনরিশিংগা পুল্লগা কেপাসিটি বিল্দিং প্রোগ্রামশিং পাংথোকপনি। মসিগী মোদুল শিজিন্নদুনা ত্রিপুরাদা মাই পাক্লা পাংথোকখরে অমসুং লৈপাক শিনবা থুংনা পাংথোক্নবা

শেম শারি। সমাগ্রা সিক্ষ্যাগী প্রোজেক্ট এদভাইজরি বোর্ড, এম. ঐচ.আর.দি.না চহি ২০১৯-২০ দা অয়াবা পিরে। এম.ঐচ.আর.দি. গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৈপাক শীনবা থুংনা পাংথোকপদা অয়াবা পীরি। এম.ঐচ.আর.দি.ঈ ইনিসিএটিভ, নিস্থা গী মখাদা ইলিমেন্টরিগী থাক্তা লৈবা ওঝা অমসুং স্কুলগী হেড টিচর লাক্ষ ৪২ এন.সি.ই.আর.টি অমসুং এন.আই.ঈ.পি.(নীপা) অনিগী খুৎথাংদা ত্রেনিং পিবা। নিসথাগী অতোম্পা ফিচর খরা লৈপনবা য়াবদাঃ সবজেকশিং অমসুং পেদাগোজিশিং পুনশিনবা সমাজগী কনসর্ন, স্কুলগী ওঝাশিং অমসুং স্কুলগী হেড টিচরশিংদা লিদরসিপকি মগুণশিং লৈহনবা, চপ মান্নবা ত্রেনিং অসি ইডুকেসনগী ফংসনরিশিংদসু ফংহনবা, ফোলো-অপ অমসুং ওন লাইন ৱেব পোরটেলগী মতেংনা সপোর্টপিবা মসিগা লোয়ননা এন.সি.ই.আর.টি. নিপা, কেভিএস, এনভিএস, সি.বি.এস.ই.গা অরোইবদা স্কুল বেজ এসেসমেন্ট পাংথোকপনি।

নীসথা অসি চৎনহনবগীদমক্তা এন.সি.ই.আর.টি.না ত্রেনিং পেকেজ অসি পুথোকই, মসিদা মোদুল ১২ য়াওই। মখোয়শিং অদুদি ঃ করিকুলম, লায়নর সেন্টর পেদাগোজি, ইনক্লুসিব ইডুকেসন, পারস্নেল সোসিএল ক্বালিটিজ, সেফ এন্দ সেক্যুর স্কুল এনভাইরনমেন্ট, হেল্ঠ এন্দ ৱেল বিইং, আর্থ-ইন্টিগ্রেতেদ লার্নিং, আই.সি.টি.ইন. টিচিং লার্নিং, স্কুল বেজ এসেসমেন্ট, হায়র ওর্ডর থিঙ্কিং স্কিলস, মল্টি লেঙ্গুএজলীজম, পেদাগোজি ওফ লেঙ্গোইজ, পেদাগোজি ওফ মেঠমেটিক্স, পেদাগোজি ওফ সাইন্স, পেদাগোজি ওফ ইভিএস, পেদাগোজি ওফ সোসিয়েল সাইন্স সবজেক্টশিং অসিনা এন.সি.ই.আর.টি.গী মখাদা লৈরিবা ফেকলটিশিং তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুসন ইউনিটশিংদা থবক তৌরিবা এন.আই.ই., আর.আই.ঈ. পী.এস.এস.সি.আই.ভী.ই. না মোদুল অসি শেমগৎপনি। কি রিছোর্স পার্সনশিং অমসুং ওঝাশিংনা নিংথিনা শিজিন্নবা য়ানবা মওংদা পেকেজ অসি শেমখি। মোদুলশিংসি কন্টেন্টতা অহেনবা মীৎয়েং থমখিদে। ২১শুবা সেঞ্চুরিগী কম্পিটেন্সিশিংদা য়াওরিবা শেফ লার্নিং কন্টেন্ট অমসুং একটিভিটিশিংনি, মসিনা কে.আর.পি.শিং অমসুং ওঝাশিংনা ক্লাসশিংগী সেসনশিংগীদমক্তা প্লান তৌবদা মতেং ওইহনগনি।

ঐনা খঞ্জে মদুদি মসিগী ত্রেনিং পেকেজ অসিনা ওঝাশিং অমসুং স্কুলগী হেডশিংদা খঙহনবা, নোলেজ হেনগৎহনবা অমসুং স্কিলশিং হেন্না ফগৎনবা ৱারোলশিং পাউতাকশিং মখাগী ই-মেল, director.ncert@nic.in দা থাবিরকপা য়াগনি।

নিয়ু দিল্লী
আগষ্ট ২০১৯

রুসিকেস সেনাপতি
দাইরেক্তর
এন.সি.ই.আর.তি

# ত্রেনিং পেকেজ অসি শিজিন্নবগী মওং

মসিগী ত্রেনিং পেকেজ অসি রিছোর্স পার্সনশিং অমসু ওঝাশিং অনিমক্কি শিজিন্নবা শেম্বনি। অমসুং ওঝাশিং অনিমক্কি শিজিন্নবা শেম্বনি। মরি লৈনবা ষ্টেটনা কি রিছোর্স পার্সনশিং ওইনবগীদমক্তা এস.সি.ই.আর.টি. দাইত, আই.এ.এস.ঈ., সি.টি.ঈ., বি.আর.সি., সি.আর.সি. অমসুং সেনিয়ার সেকেণ্ডরি স্কুলশিংদগী ফেকল্টিশিং খল্লগা ওইহনগদবনি। নিসথাগী প্রোগ্রামদা কে.আর. পী.না মরুওইবা রোল লৌগনি, মখোয়না ওঝাশিংবু হকথেংননা ত্রেনিং পিগনি।

**ত্রেনিং পেকেজ অসিগী পান্দমশিং ঃ**

- কে.আর.পি./ওঝাশিংবু হেন্না খঙহনবা অনৌবা পেদাগোজিকেল পর্সপেক্টিবকি দরকার লৈবা ইসক্লিশিং শেমগৎপা অমদি মহৌরোইশিংগী লার্নিং আউটকমশিং ফংনবা।
- ওঝাশিংবু স্কুলদা, স্কুল বেজ এসেসমেন্ট পাংথোকপা ঙমহনবা।
- ক্লাস খুদিংমক্কী মরুওইবা সবজেকশিংগী লার্নিং আউটকমশিং ফংবা ঙন্নবা ওঝাশিংগী শক্তি হেনগৎহনবা।
- স্কুলগী প্রিন্সিপালশিং অমসুং ষ্টেট ফংসনরিশিংবু লার্নিং আউটকমশিং, এন.এ.এস. (নাস) স্কুলগী থাক্তা পাংথোকপা ঙমহনবা।

ত্রেনিং পেকেজ অসি সেক্সন অনি লৈ। অহানবা সেক্সনসি জিনেরিক ওই, অদুগা মোদুল তরেৎ লৈ। অনিশুবা সেক্সনদা অকক্লবা সবজেক্কি পেদাগোজিশিং য়াওরি, অমসুং সবজেক্ট মঙাদা য়ুমফম ওইবা মোদুলশিং থল্লি। মোদুল অসি জেনেরিক ওইনা দিজাইন তৌই, মসিদা করিকুলম অমসুং লার্নিং আউটকমশিং, ইনক্লুসিব ইডুকেসন, পার্সনেল **সোসিএল ক্বালিটিজ,** আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ লার্নিং, স্কুল বেজ এসেস্মেন্ট, হেল্ঠ এন্দ ৱেল বীইং অমসুং **সমাগ্রা সিক্স্যা** মখা পায়খৎলিবা স্কুল ইডুকেসনগী থৌরাংশিং মনুং হঞ্জিন্না খঙহন্নবনি। মরি লৈনবা ময়ামসি অমত্তা ওইনা পুনশিল্লি অদুবু মখা তানা অমুক মোদুলশিংসিদা মচা খায়না থল্লি। সেক্সন অনিশুবদা সবজেকশিংগী পেদাগোজিশিং য়াওরি, মখোয়শিং অদুদি ঃ ই ভি এস, অঙ্ক, লোলশিং, সোসিএল সাইন্স অমসুং সাইন্স।

ষ্টেটশিংগী মান্নদবশিংসি য়েংলগা মোদুল খুদিংমক্তা এক্টিভিটি হাপতে। হাপ্লিবা খরসিসু সজেক্টৈদ ওইনা থম্বনি। অদুবু কে.আর.পি.শিংনা মোদুলশিং অসি পারগা লম-লমগী চান্নবা এক্টিভিটি শেল্লগা এক্টিভিটিশিং পাংথোকপা য়াই।

কী রিছোর্স পার্সনশিং নেস্নেল রিছোর্স গ্রুপনা, এন.সি.ই.আর.টি.না ষ্টেটদা ত্রেনিং পীগনি। কি রিছোর্স পার্সনশিংনা মখা তানা ব্লোক লেভেলদা পাংথোক্কনি। অদুম ওইনমক ব্লোক লেভেলদা ত্রেনিং তৌবদা পেদাগোজিগী শরুক্তনা হেন্না ফোকস পীগনি। হকশেল অমসুং নুংঙাই য়াইফবা অমসুং পার্সনেল সোসিএল ক্বালিটিজগী মতাংদা তোঙান্না পাংথোক্কনি, ওঝাশিংদা তোঙান তোঙানবা এক্টিভিটিশিংদা য়াহনগনি।

সাইন্সকি এক্টিভিটিশিং ওঝাশিংনা পাংথোক্লিঙৈদা, ওঝাশিংগী কাংলুপশিংদা কে.আর.পি.শিংনা ইশুজশিং তান্নগনি। এক্টিভিটি তৌরিবা মফমদু শেংদোক্কদবনি, শিজিন্নগদৌবা রিছোর্সশিংদু খন্নগনি, চিল্ড্রেন ৱিট স্পেসিয়েল নিদস (সি.দবলিউ.এস.এন.) দা তেংবাঙ পিবগী মতাংদসু নৈনগনি, অমসুং হকশেলগী মতাংদসু খন্নগনি। অঙ্ক, সোসিয়েল সাইন্সকা মরি লৈনবা এক্টিভিটিশিং তৌবদা আই.সি.টি.গী মতেংগা লোয়ননা তাকপী তম্বীবগী মতাংদসু নৈনগনি, মসিদসু নত্তনা হায়র ওর্ডর থিঙ্কিং য়াওহনগনি। মসিনা ওঝাশিংদা লার্নর সেন্ত্রিক্কি মওংদা তম্বীবগী প্লান তৌবা খঙহৌগনি। কে.আর.পি.শিংনা রিফরেন্স রিছোর্সশিং ওঝাশিংদা খঙহনগদবনি; ৱেব সাইটশিং অমসুং স্কুলনা করম্বা লাইরিকশিং লৈগদগে হায়বা খঙহনগদবনি।

ওঝা পুন্নমক্না মোদুলশিংসি শিজিন্নরগা মখোয় নোলেজ অমসুং ইস্কিলসশিং হেনগৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিদসু নত্তনা ছাত্রশিংগী লার্নিং আউটকমশিং অমসুং পার্সনেল সোসিএল ক্বালিটিশিং ফগৎহনবা অমসুং ওঝাশিংনা চানবা পরা তম্বীনবগী প্লান তৌবসু ঙমগনি।

**ত্রেনিং পেকেজ অসিদা য়াওরিবা মোদুলশিংগী মখাদা পিরি ঃ**

- লার্নিং ওবজেক্টিভস
- সবজেক্কি মরমদা ইবা তেন্তকপা ৱাহৌদোক।
- অকক্লবা ক্লাসকি সবজেক্কি লার্নিং আউটকমশিং।

- লার্নিং আউটকমশিং ফংনবা পেদাগোজিশিংগী চাওরাকপা ৱারোল খরা।
- চেপতর নত্রগা থিম অমা খুদম ওইনা হাপ্পী অমসুং মদুবু নৈনবগী মওং মতৌ

  ক) ৱাহৌদোক - চেপতর নত্রগা থিম অমগী মহৈরোইগী পুন্সিদা থেংনরিবা অদুগা মরি লৈনবা।

  খ) লার্নিং আউটকমশিংগা মরি লৈনবা থিম।

  গ) মহৈরোইশিংদা ফোকস তৌবা অপ্রোচ শিজিন্নদুনা এক্টিভিটিশিং পাংথোকপা

  ঘ) হান্না শেল্লবা ইভালুয়েসনদা

  ঙ) মফম পুন্নমক্তা থেংনরিবা ইশুজশিংবু খুদম ওইনা পি।

  চ) এক্সরসাইজশিং মান্নদবা মওংগী ৱাহংশি ইরি, খরা অমনা ওপন এন্দেদ অমসু দাইভরজেন্ট।

  ছ) করন্না ক্লাসরুমগী সেসনশিংদা মান্নদবা লোল ময়ামগী থেংনরি ইশুশিং করন্না এদ্রেজ তৌগনি।

  জ) কে.অর.পি. অমসুং ওঝাশিংনা তৌগদবা এক্টিভিটিশিং

  ঝ) চাংয়েং লৌবগী ৱাহংশিং

## সেক্সন - টু

### মরি লৈনবা পেদাগোজি

মোদুল ৮ - এনভাইরনমেন্টেল ইষ্টদিজগী পেদাগোজি (প্রাইমারিগী থাক)

মোদুল ৯ - অঙ্কগী পেদাগোজি

মোদুল ১০ - লেঙ্গোইজগী পেদাগোজি

মোদুল ১১ - সাইন্সকি পেদাগোজি (অপ্পর প্রাইমারি থাক)

মোদুল ১২ - সোসিএল সাইন্সকি পেদাগোজি (অপ্পর প্রাইমারিগী থাক)

# স্কুল বেজ এসেসমেন্ত

Module 4

১। চাওরাকপা মীৎয়েং অমা (ওভরভিউ) মোদুল অসিদা স্কুলদা য়ুমফম ওইবা চাংয়েংগী ফল (স্কুল বেস এসেসমেন্ট) স্কুলগী থাক্তা ষ্টেকহোল্দর্স মরুওইনা ওজাশিং, স্কুলগী থাক্তা লৈবদু কোনশিল্লগা হোৎনৈ। ফংগে তাল্লিবা পান্দম অদুগী অহৌবদা মোদুল অসিনা ফংগে তাল্লিবা স্কুলগী থাক্তা য়ুমফম ওইবা ফল পরিক্ষা লৌবা, ছাত্রশিংনা ফংবা ঙম্বগী চাংয়েং লৌবা কন্টিনুঅস অমসুং কম্প্রিহেন্সিব ইভেলুএসন (সি.সি.ঈ) অমসুং ঐখোয়গী লৈবাক্কী স্কুলগী থাক্তা লৌবা চাংয়েং (স্কুল বেস এসেসমেন্ট) লৌনবা মসিনা মতৌ করন্না ক্যারিকুলার অমসুং পরিক্ষ্যা লৌখৎনবগী পান্দম লেপ্পবা হোৎনরি।

থল্লিবা পান্দম অসিগী মথক্তা স্কুলগী থাক্তা য়ুমফম ওইবা চাংয়েংদবু পিরিবা অরুম্বা পোৎলুম অদু হন্থহনবা পান্দমগী ওইবা স্কুলগী বোডি অমা থন্নবা য়াম্না অহকপা হোংদোক হোংজিন লুবা (রিজিদ) ওইবা চাংয়েংগী নিয়ম্না পুনশিনবা

- অঙাংশিংদা অকিবা পিবা হন্থহন্নবগী মীৎয়েং অমসুং থৌশিল পুথোকপগী পান্দম থল্লি।
- মীয়াম্নসু সি.সি.ঈ. অমসুং এস.বি.এ. লৈনবগী (লিঙ্কেজ) অসি এস.বি.এ. দা সি.সি.ঈ. গা হাপচিনবগী পান্দম অমা ওইহন্নবগী ৱাফম থল্লি।

মোদুল অসিনা মতৌ করন্না এস.বি.এ. অসি পাংথোক্লবগী অকুপ্পা মরোল অমসু কোনশিন্নবা হোৎনরি, ফিরেপ অমসুং পান্দমগী মরুওইবা কাংলোন পুথোক্লি, পোথি অসি চলাইনবা মীয়ামগী মাংদা লৈরে।

২। **মোদুলগী পান্দমশিং**

মসিগী মোদুলসিনা মকাগী পান্দমশিংসি ফংবদা মতেং পাংগনি

ক) এস.বি.এ. হৌরকফম অমসুং কান্ননবা খঙনবা।

খ) মসিনা মহৈরোয়শিংদা য়ুমফম ওইবা কাংলোনবু খুৎলোইহনবা।

গ) তম্বীবা অমসুং ঔরাইবগী কাংলোন অমসুং এসেসমেন্ট পরিং শুপচিনবদা খুদোংচাহনবা।

ঘ) মরি লৈনবা কন্টেটতা য়ুমফম ওইবা খুদম চাংদমশিং মরি লৈনবা রিছার্সকি লমদা রিছার্চশিং তৌবগী পান্দম পাইখৎনবা

**সি.সি.ঈ.দা থাজবা থল্লক্তবগী মরুওইবা মরমশিং ঃ**

- কন্টিনুঅস হায়রিবা ৱাহৈ অসি লান্না পেরিওদিক ওইনা লৌবা। ইভেলুএসন অসি টিচিং অমসুং লার্নিংগী খুদুং ইন্দুনা চৎকদবনি অদুবু মসি ক্লাস তেষ্ট, য়ুনিৎ টেষ্ট, ফোর্মেটিভ টেষ্ট, সম্মেতিব টেষ্টনা অচৌবা মফম অমা কনশিনখ্রে। কা হেন্না চত্থবা চাংয়েংনা শিক্ষাগী খোঙচত্সি নমশিল্লে।
- কম্প্রিহেন্সন হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা তাক্লিবদি ইভালুএসনগী পান্দমদা কোনশিনগদবদি এফেক্তিব অমসুং সাইকোমোতোর আস্পেক্স চাওখৎপা অমসুং লিশাং শিৎনা চাওখৎপা পুরকপগী পান্দম থম্বা অদুবু পান্দম অসি ওজাশিংদা অরাইবা পাম্বৈনা ওনবা ঙম্নবগী খুদোংচাবা পাম্বৈ লৈতবনা খুরৌ থাংলি। মরম অসিনা কম্প্রিহেন্সিব এসেসেমেন্স অসি সি.সি.ঈ. গী ইম্প্লিমেন্টেসনদা খুরৌ থাংবা অমা ওইনা লৈরি।
- ইভেলুএসন হায়বা ৱাহৈ অসি মীজরমেন্টকা মান্ননা আর্থ হল্লি। মীজরমেন্ট হায়বা অসিদি ডিজিটেল ৱার্লদদা তৌবা থবক্তা খ্বাইদগী ৱাংবা এপ্রোক্সিমেসন অমসুং রিলাইএবিলিটি লেপ্পবা সি.সি.ঈ.গী পাম্বৈ অমনি। মসিনা মহৈ তম্লিবা ছাত্রশিংগী চাওখৎপা অমসুং লিশাং শিৎনা চাওখত্পা চপ চানা চুম্না ওনবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা মতম মতমগী অহোংবা লৈবা ছাত্রশিংগী মহৌশাগী শাগোন্নরকপা (নেচর) গী চপ চাবা বিহেবিয়ারিকেলগী মগুণ পুম্নমক ওনবা ঙমদে।
- অতোম্পা মরুওইবা ৱাফম অমনা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা মখল কয়াগী খুৎলাই (টুল্স এন্দ টেক্নিক) শিজিন্নবা হৈবা তাই। সি.সি.ঈ. ফাওবদা পান্দম ওনবা মতমদা পেপর পেন্সিল টেষ্টনা হেন্না শাফু পি।
- অরুবা অমসুং চয়েৎনবা ৱাফম লৈরবসু সি.সি.ঈ.গী পান্দমদদি অদুক য়াম্না চয়েৎনবা লৈতে। মরম অসিনা সি.সি.ঈ. গী স্কিম পাংথোকপদা মসি অফবা খুৎলাই অমা ওইনা অদুম্মক শিজিন্নরি।

**স্কুল বেস এসেসমেন্ট (এস.বি.এ.)**

স্কুল বেস এসেসমেন্ট হায়রিবা ৱাহৈ অসি মখাগী অসুম্না ৱাহন্থোক পিবা য়াই।

- টিচিং-লার্নিং প্রোগ্রেস অমদা পাক চাওনা চংখোন্না লৌবা লার্নিং আউটকম অমসুং পিরিবা এল.ও.গী কপিটেন্সিশিংদা ফংবা এসেসমেন্টশিংবু এক্সেস তৌবা।
- শিক্ষাগী ফাক চাওবা ফিলোসোফিকেল এসেসমেন্ট ওফ লার্নিংদা পিবা টিচিং অমসুং লার্নিং প্রোসেসকি পান্দমদা লৌবা এসেসমেন্ট।
- স্কুল মনুংদা ওজাশিংনা লৌবা ছাত্রশিংগী এসেসমেন্ট

খঙদোকপা অমসুং মদুবু মতৌ করম্না ফগৎহনগদগে, ঙাক্লৌ পিগদগে অমসুং করম্না মায় পাক্লবা জয় তৌবা ঙমগদগে খঙদোকপা অমসুং করম্বা তম্বীবগী অহোবা লৈবগে খঙদোকপা। ছাত্রশিংনা এসেসমেন্টকি ৱাং করি অমসুং করম্না হায়বসি খঙনবা মখাগীশিংসি য়েংসি –

– এসেসমেন্টকি লেপকদবা ক্রাইটরিয়া করি করিনো?

– মসিনা করম-করম্বা পান্দম সার্ব তৌবগে?

মখাদা পিরিবা সব-সেক্সন্না পাকথোক চাওথোকপা অমসুং পান্দমশিং হায়বদি লার্নিং আউটকম (এল.ও.) কি ফিচর্স ওফ দি এসেসমেন্ট অমসুং মসিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং মতৌ করম্না ছাত্রশিংনা ক্লাসকি তম্বদা অমসুং চাওখৎহনবা অমসুং এস.বি.এ. করিনা লৌবা ঙম্বা।

## ৬। লার্নিং আউটকমস (এল.ও.) ঃ ক্রাইটরিয়া ওফ এসেসমেন্ট

তম্বগী, হৈবগী চাং ওনবা হায়বসি করম্বা মখলগী তম্বগী কাংলোন খঙবদুদা নত্তে। মসিনা করম্বা ক্রাইটরিয়া মনুংদা ওনগদগে হায়বসু মরুওই। ওজা অয়াম্বনা তল্লিবা লাইরিকশিংদুবুনা হেন্না মপুং ওইবা ক্যুরিকুলমনি হায়না লৌদুনা তল্লিবা লাইরিক্কী পন্দুপ শেম্বদা পিবা ৱাহংশিংবু হেন্না পুক্লিং চংই। গাইদলাইনদা পিবা এল.ও.শিংদু থোইদোক্লা কুপ্না য়েংলগা ফংবা ঙম্নবা পন্থুং ফংনবা চাংয়েংদা ওনবা ঙম্নবা হোৎনবা তায়। এল.ও. ওন্নবগী খুদম খরা মখাদা পীরি।

– ছাত্রশিংনা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী মীশিংনা চাবা চিঞ্জাক, শাশিং অমসুং উচেকশিংনা চাবা (ক্লাস থ্রি)।

– ছাত্রগী নুমিৎ খুদিংগী পুন্সিদা চংবা চানবা পোৎশিং খুদম ওইনা ঈশিং, চা

– ছাত্রনা মরি লৈনবা ক্লাইমেট (ঈশিং নুংশিৎ) ক্লাস ফোর

খুদম ওইনা রিছোর্স (চিঞ্জাক, ঈশিং, লৈফম, ধর্ম্মা-কর্ম্মা, কলচরেল লাইফ) ক্লাস ফাইব

**এসেসমেন্টকি পান্দম**

এসেসমেন্ট ফোর লার্নিং

এসেসমেন্ট অসি টিচিং-লার্নিংগী শরুক অমনি, মসি তম্বীরিঙৈদা অদুম লেপ্তুনা চত্থগদবনি। মসি মপুং ফানা অমসুং হোংদোক হোংজিন তৌদনা পাক শন্না তৌরোইদবনি।ম সি মখল মখা কয়াগী পান্দম ওইবা মওংদা চৎথগনি। অঙাং অদুনা ক্লাস ৱানগী মনুং অমসুং মপান অনিমক্তা তোঙান তোঙানবা তম্বীবগী মীৎয়েং হায়বদি জ্ঞান, পার্ফোর্মেন্স স্কিল, ইন্টরেষ্ট, এটিচুদ অমসুং মোটিভেসন।

# তাকপী-তম্বীবা, তম্বা অমসুং এসেসমেন্টতা আই সি টি পূন্সিনবা

Module 6

| পান্দমশিং তম্বা |
|---|
| * মোডুল অসি নীংথিনা খঙলবা মতুংদা তম্লিবা অদুনা খংবা ঙমগদবা অসি<br>* আইটিসিগী ৱাহন্থোক শন্দোক্না তাকপা।<br>* য়াউরিবশিংগী মওং-মতৌগা চান্নবা তম্নবগী চপ-চাবা মচাকশিং খংদোকপা অমদি তম্বীবা-তম্বগী মওং<br>* তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী ওইবা মখল কয়াগী ই-কন্টেন্ট, টুলস, সোফৱয়ারস, হার্ডৱায়ার পুথোক্তুনা তাকপী তম্বীবা, তম্বা অমসুং এসেসমেন্টকীদমক শেম-শাবা।<br>* আই টি সি য়াউবা মওংদা পুন্সিনবদা য়ুম্ফম ওইবা তম্বীবা অমসুং তম্বগী মওং শেম্বা অমসুং চৎনহনবা। |

## মোডুলগী মওং-মতৌ

মোডুল অসিনা তম্বীবা-তাকপীবা মতমদা আই সি টিগী ৱাখল্লোন অমসুং মসিগী মচাকশিং নৈনরি। মসিগী পান্দমদি কন্টেন্ট, কন্টেক্স, তাকপীবা-তম্বীবগী মওংদা শীজিন্নগদবা পাম্বৈশিং মরিক চুন্না নৈননবা ওঝা অমবু শেম-শাহনবা অমদি চপ চাবা আই টি সি মশক খঙদোকপনি। পাম্বৈ কয়া ইন্সিনবা মতমদা হেন্না ফগদবা থৌরাং ওইহনবসু মোডুল অসিনা ঙমহল্লী।

## নোট ফোর মেন্টর

* তঙাই ফদবগী মতুং ইন্না ডেক্সটোপ / লেপটোপ, প্রোজেক্সন সিস্টৈম, স্পিকর, মোবাইল ফোন, ইন্টর্নেৎ শমদুনা ট্রেনিং তৌফমদা থবক ফংহনবা হায়বসি শোয়দনমক তৌদবা য়াদবনি।
* মেন্টর অদুনা ট্রেনিং মনুংদা তৌগদবা মচাকশিং পাবা অমসুং খঙদোকপা তঙাই ফদে। মহাক্না মোডুলদা পীরিবশিংদগী হেন্না মখল-মখা কয়াগী খুদমশিং শীজিন্নবা য়াই।
* হায়রিবা সেসন অসিদা চঙবা মচাক খুদিংমক সিস্টৈমগা লোয়ননা (ডেক্সটোপ, লেপটোপ) ট্রেনিং মফমদা সেসন হৌদ্রিঙৈ মমাংদা য়েঙশিনগদবনি।
* তম্লিবশিংদা মখোয়গী মোবাইল / স্মার্ট ফোন পুররুবা, য়ারবদি ইন্টর্নেট শম্বা য়ানবা পাউ পীদুনা সেসন অসিদা নীংথিনা শরুক য়াহনগদবনি।
* মোডুলদা পীরিবা থৌওংশিং পাঙথোক্লুবা ইন্সট্রক্সনশিং য়েঙগদবনি।

## ৱাহৌদোক

মীওই অনী অমত্তা মান্নদে হায়বসি ইখং-খংনরবা ৱাফমনি। অঙাং খুদিংমক তোঙান তোঙানবনা মখোয়বু তোপ তোপ্পা পাম্বৈ অমদা তমহনগদবনি। সেন্স ওর্গান অমদগী হেন্না শীজিন্নদুনা মখোয়বু তাকপীরবদি তম্লিবশিংনা হেন্না নীংথিনা খঙবা ঙমগনি হায়বসিসু অচুম্বনি। মল্টি-সেন্সরি উপাইশিং মহৌশানা শীজিন্নদুনা তম্বা মতমদা চথরিবদি ভিজুয়েল, ওডিওটরি, কাইনেস্টেটিক অমদি টেক্টাইল (হায়বদি তাবা, উবা, মনম নম্বা, মহাউ খংবা অমদি শোকপা)। টেক্স বুক, লোকেল ইনভাইরোনমেন্ট, ফক্লাং মরিনা খাজিনবা ক্লাসরুমশিংগী মনুং অমসুং মপান্দা থেংনদুনা

মোদুল
৬

# তাকপী-তম্বীবা, তম্বা অমসুং এসেসমেন্টতা আই টি সি পূন্সিনবা

| পান্দমশিং তম্বা |
|---|
| * মোডুল অসি নীংথিনা খঙলবা মতুংদা তল্লিবা অদুনা খংবা ঙমগদবা অসি<br>* আইটিসিগী ৱাহন্থোক শন্দোক্না তাকপা।<br>* য়াউরিবশিংগী মওং-মতৌগা চান্নবা তম্নবগী চপ-চাবা মচাকশিং খংদোকপা অমদি তম্বীবা-তম্বগী মওং<br>* তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী ওইবা মখল কয়াগী ই-কন্টেন্ট, টুলস, সোফৱয়ারস, হার্ডৱায়ার পুথোক্তুনা তাকপী তম্বীবা, তম্বা অমসুং এসেসমেন্টকীদমক শেম-শাবা।<br>* আই টি সি য়াউবা মওংদা পুন্সিনবদা য়ূম্ফম ওইবা তম্বীবা অমসুং তম্বগী মওং শেম্বা অমসুং চৎনহনবা। |

## মোডুলগী মওং-মতৌ

মোডুল অসিনা তম্বীবা-তাকপীবা মতমদা আই সি টিগী ৱাখল্লোন অমসুং মসিগী মচাকশিং নৈনরি। মসিগী পান্দমদি কন্টেন্ট, কন্টেক্স, তাকপীবা-তম্বীবগী মওংদা শীজিন্নগদবা পাম্বৈশিং মরিক চুন্না নৈননবা ওঝা অমবু শেম-শাহনবা অমদি চপ চাবা আই টি সি মশক খঙদোকপনি। পাম্বৈ কয়া ইন্সিনবা মতমদা হেন্না ফগদবা থৌরাং ওইহনবসু মোডুল অসিনা ঙমহল্লী।

## নোট ফোর মেন্টর

* তঙাই ফদবগী মতুং ইন্না ডেক্সটোপ / লেপটোপ, প্রোজেক্সন সিষ্টেম, স্পিকর, মোবাইল ফোন, ইন্টর্নেৎ শমদুনা ট্রেনিং তৌফমদা থবক ফংহনবা হায়বসি শোয়দনমক তৌদবা য়াদবনি।
* মেন্টর অদুনা ট্রেনিং মনুংদা তৌগদবা মচাকশিং পাবা অমসুং খঙদোকপা তঙাই ফদে। মহাক্না মোডুলদা পীরিবশিংদগী হেন্না মখল-মখা কয়াগী খুদমশিং শীজিন্নবা য়াই।
* হায়রিবা সেসন অসিদা চঙবা মচাক খুদিংমক সিষ্টেমগা লোয়ননা (ডেক্সটোপ, লেপটোপ) ট্রেনিং মফমদা সেসন হৌদ্রিঙৈ মমাংদা য়েঙশিনগদবনি।
* তল্লিবশিংদা মখোয়গী মোবাইল / স্মার্ট ফোন পুরক্কুবা, য়ারবদি ইন্টর্নেট শম্বা য়ানবা পাউ পীদুনা সেসন অসিদা নীংথিনা শরুক য়াহনগদবনি।
* মোডুলদা পীরিবা থৌওংশিং পাঙথোক্কুবা ইন্সট্রক্সনশিং য়েঙগদবনি।

## ৱাহৌদোক

মীওই অনী অমত্তা মান্নদে হায়বসি ইখং-খংনরবা ৱাফমনি। অঙাং খুদিংমক তোঙান তোঙানবনা মখোয়বু তোপ তোপ্পা পাম্বৈ অমদা তমহনগদবনি। সেন্স ওর্গান অমদগী হেন্না শীজিন্নদুনা মখোয়বু তাকপীরবদি তল্লিবশিংনা হেন্না নীংথিনা খঙবা ঙমগনি হায়বসিসু অচুম্বনি। মল্টি-সেন্সরি উপাইশিং মহৌশানা শীজিন্নদুনা তম্বা মতমদা চখরিবদি ভিজুয়েল, ওডিওটরি, কাইনেস্টেটিক অমদি টেক্টাইল (হায়বদি তাবা, উবা, মনম নম্বা, মহাউ খংবা অমদি শোকপা)। টেক্স বুক, লোকেল ইনভাইরোনমেন্ট, ফক্লাং মরিনা খাজিনবা ক্লাসরুমশিংগী মনুং অমসুং মপান্দা থেংনদুনা


খংলকপশিংনা তস্বা মতমদা মরু ওইবা থৌদাঙ লৌরি। ঐখোয়না অঙাং খুদিংমকপু মশানা তমজবা, মনিঙ-মখা তস্বা অচুম-চুমদা খংবা অমসুং ক্রিয়েটিব ওইবা ৱাখল খনবা অমদি প্রোব্লেম সোলভ তৌবা অমা ওইহনবা চংই। মসিগীদমক অঙাং অদুনা ডাটা / ঈ-পাউ খোমজিনবা, নৈনবা, পুন্সিনবা হায়রিবা ডাটাশিং অদুবু পুথোকপা মতমদা নীংথিনা মওং চুস্বা অমদি অতৈগা খংমিন্নবা চংই। মরম অদুনা অঙাং অদুনা টেক্সবুকত নত্তনা অতৌ তমদুনা হেন্না ডিজিটেল ওইবা অমদি ফিজিকেল রিছোর্চশিং শীজিন্নগদবনি। মথক্কী হিরম অসিদা ইনফোর্মেসন এণ্ড কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আইসিটি) শিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা তাকপীবা-তম্বগী এনভাইরোনমেন্ট অমা ওইহনগনি। তেনখ্রবা মতমদা আইসিটিনা অনৌবা খুন্নাইগী কাঙলুপশিং মরু ওইনা শেমগৎপদা মচাক অমা ওইরি। হৌজিক্কী মতমদা আইসিটি খঙবা অমসুং তঙাই ফদনা হৈতবা য়াদবশিং নীংথিনা খংবনা ইডুকেসনগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরক্লি। মসি পাবা, ইবা অমসুং ন্যুমরেসিগী মথক্তনি।

## Concept of ICT

### Activity 1

**Understanding the concept of ICT**

Share your ideas on what does ICT refer to?




য়ুনেস্কোগী মতুং ইন্না আই টি সি হায়বসি ঈ-পাউ শেম্বদা, থমজিনবদা, শন্দোকপদা, খংমিন্নবদা নৎত্রগা পাউ পীথোক-পীশিন তৌবদা শীজিন্নবা মখল মখা কয়াগী টেক্নোলোজিকেলগী ওইবা টুলশিং অমসুং রিছোর্চশিং য়াওরবা সেট অমনি। হায়রিবা টেক্নোলোজিকেলগী ওইবা খূৎলাই অমদি মচাক ফংফমশিং অদুগী মনুংদা কম্প্যুটর, ইন্টর্নেট (ৱেভসাইডশিং, ব্লোগশিং অমদি ঈ-মেলশিং), লাইফ ব্রোডকাষ্টিং টেক্নোলোজিশিং (রেডিও, টেলিভিজনশিং অমসুং ৱেবকাষ্টিং), রেকোর্ড তৌদুনা শন্দোকপা পাম্বৈশিং (পোডকাষ্টিং, ওডিও অমদি ভিডিও প্লেয়ার অমসুং ষ্টোরেজ ডিভাইসশিং) অমসুং টেলিফোননি (ফিক্স নৎত্রগা মোবাইল, সেটিলাইট, ভিজিও / ভিডিও কনফরেন্সিংনংচিবা)।


**মতৌ কমদৌনা টেক্নোলোজি / ডিভাইস অমবু আই সি টিনি হায়না খাদোক্কদগে?**

স্মার্ট ফোনবু খুদম ওইনা লৌরসি। স্মার্ট ফোনবু আই সি টি ডিভাইস ওইনা লৌবা য়াই। মরমদি মসিনা ডিজিটেল ইমেজ অমা শেমদুনা থমজিল্লগা তঙাই ফদবা মতমদা লৌথোক্তুনা শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা ডিজিটেল ইমেজ অদুশু তঙাই ফদবগী মতুং ইন্না শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই। মদুবু পুন্না খংমিন্নবা অমদি মদুদা মত ফোঙদোরকপশিং লৌশিনবা য়াই। মতৌ অসুন্না

ডিজিটেলগী ওইবা ঈ-পাউশিং শেম্বা, থমজিনবা, লৌথোকপা, শেমদোক-শেমজিন তৌবা, শন্দোকপা অমদি লৌশিনবা য়াবা ডিভাইস অমবু আই সি টিনি হায়না লৌবা য়ারে।




আই সি টিনা হিরম খুদিংমক্তা তাকপীবা-তম্বা য়াওনা অওনবা পুরকখ্রে। অনৌবা মতমগী ওজাশিংনা মহৈ তম্বা অমসুং এসেসমেন্টকী লমদা হেন্না পাকথোক-চাউথোক্লবা চানগদবা রিছোর্চশিং পুশিল্লকপা, পান্থে কয়া পুথোকপা মতমদা চংগদবা মচাকশিং, তম্বীগদবা য়াওরিবশিংগী মতাংদা শাফু অমা পীরি। ডিজিটেলগী তাইবংদা খুন্মাং চাউশিল্লকপসি য়েঙলগা ওজাশিংনা মখোয় মশাবু তঙাইফদবা মচাকশিং, পান্থেশিং থমদুনা আই টি সি শীজিন্নরগা তাকপী-তম্বীবা অমসুং তম্বদা মতেঙ ওইগনি। তাকপী-তম্বীবা অমসুং তম্বদা আই সি টি পুশিল্লকপা হায়বসি ইন্টর্নেট অমসুং ডিজিটেলগী ওইব মচাকশিংখক শীজিন্নবা নত্তে। মসিনা লৌশিং তানবা মতমদা মরি লৈনবা পান্দমশিং ফংনবা পান্থে অমনি। ওজাশিংনা মতৌ করম্না টেক্নোলোজি অমদি মখল কয়াগী পান্থেশিং অমসুং মচাকশিং পুন্সিন্দুনা মহৈ তম্বা মতমদা খুদোং চাহনগনি হায়বদু খংগদবনি। মখাদা উৎলিবা খূৎয়েক অসিনা তাক্লিবদি মখল মখাগী পান্থেশিং অমসুং মচাকশিং য়াওবা কয়াগী লেপ্তুনা হোংলক্লিবা টেক্নোলোজিগী মওংনা পুন্সিনবগে হায়বদুনি।




## *আই সি টি পুশিনবা মতমদা খনগদবা নাপচৈশিং*

মরু ওইনা খনগদবা নাপচৈশিং অমদি য়াওরিবা মচাকশিং, মচাকশিং অদুগী মওং, তম্বীবা/ তম্বগী পান্থেশিং অমসুং টেক্নোলোজি মখল অমদি মসিগী মচাকশিংনি।

**নাপচৈ অমা ঃ মচাকশিং অদুগী মওং**

য়াউরিবা মচাক খুদিংমক্কী ওইনা তম্বীবা নৎত্রগা তম্বদা আই সি টি শীজিন্নবসি মরু ওইব্রা?

করিগুম্বা মতাং খরদদি য়াউরিবা মচাকশিং অদুগী মওং য়েঙলগা লেপ্পী। করিগুম্বা মতমদা আই সি টি শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈতবসু য়াউই। খুদম ওইনা চীঞ্জাক্কী মতাংদা তাকপী-তম্বীবা মতমদা

মহৈরোয়শিংদা অশেংবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং উৎপনা মহৈরোয়শিংনা টিফিন্দা পুরকপা অচাপোৎ নৎত্রগা স্কুলদা পীরিবা মিড ডে মিলদগী হেন্না খংবদা চানবা হেনগনি। মতৌ অসুম্না পাম্বী অমগী কয়াৎশিং তাকপী তম্বীবা মতমদা অঙাংশিংদা তশেংবা পাম্বীশিং উৎপনা হেন্না চুনদুনা মখোয়না পাম্বীশিং অদুবু শোকপা, মদুগী মনাদা লৈরিবা মওং-মতৌ, মশাশিং, মউশিং, মরানচিংবা খঙবা ঙমহল্লি। মখোয় মশাদা চফু, বোটল, গ্লাস অমদা পাম্বীগী মরু অমা থাবা, নুংশা মঙাল ফংহনবা অমদি ময়োল চোংলকপগী মথং-মনাও অদু য়েংদুনা মরুদগী লাকখিবা অহোংবশিং অদু মশামক্না খংবা ঙমহল্লী। তম্বা মতমদা মসিগুম্বা চাংয়েং অসিনা ক্লাসতা লৈরিবা অঙাং খুদিংমক্তা নিংশিংনিংঙাই মচাক অমা ওইহল্লি। মসি ভি ডি ও অমসুং মল্টিমেডিয়ানা পীবা ঙল্লোইদবা মচাকনি। তশেংনা বাইওলোজিগী ক্লাস অমদা জিব অমদি পাম্বীবু লেন্দুনা তম্বা হায়বসি মহৌশানা চত্থরক্লবা থৌওংনি। অদুবু হৌজিক হঙোইশিংবু থাঙ থাদুনা লেনবা অসি মহৌশাগা চান্নদবা অমসুং আইননা য়াদবনি হায়রি। মরম অদুনা অঙাংশিংদা মল্টি মেডিয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা মমিত্তা জিব নৎত্রগা পাম্বী থাঙ থাদুনা লেনবা উৎপনা ওঝাশিংগী হেন্না ফবা পাম্বে ওইগনি। করিগুম্বা মতমদা চপ চান্নবা মেডিয়া / টেক্নোলোজি মচাক অদুগী মওংদা য়ুম্ফম ওইরগা খনবসু মরু ওই। মেডিয়া / টেক্নোলোজি খনবা মতমদা নিংশিংগদবা ৱাফমশিংদি ঃ

* তাংদাংবা মচাক অমা তাকপীবা অমসুং তম্বগীদমক আই সি টি চংগদ্রা?
* করিগুম্বা চংই হায়রবদি, শীজিন্নগদবা আই সি টি / মেডিয়াগী হৌরকফম অদু করম্বা মখলগীনো?

**মখাদা পীরিবা খুদম চাংদমশিং অসি নীংশিংউ।**


১. তৌদবা য়াদবা থবকশিং মথং-মনাউ নাইনা থম্বা।
২. সোলিড সিলিন্দর অমগী সর্ফেস এরিয়া তাকপা।
৩. চাবা-থকপা তুম্বদা চংলিবা হকচাংগী কয়াৎশিংগী মওং তাকপা।
৪. লৈবাকশিংগী মরক্তা মূরুবশিং ৱাখৈনবা লান হায়বসি অফবা পাম্বে অমরা হায়বদুগী মমি তাহনবা।

টেবলদা পীরল্লিবা টেক্স অসি নীংথিনা খংদুনা য়াওরিবা মচাকশিংগী মওং লেপ্লা, তাংদাংবা মেডিয়া অমা খনবদা করি তঙাই ফদবা অমদি করম্বা মেডিয়াবু শিজিন্নগনি হায়বা লেপকনি।

| মশীং | য়াউরিবশিং | য়াওরিবগী মওং | শিজিন্নবা য়াবা মেডিয়া | মেডিয়াদু শীজিন্নবগী অচুম্বা |
|---|---|---|---|---|
| ১ | ফন্দামেন্টেল রাইটস ইন ইণ্ডিয়ান কন্সটিট্যুসন (ক্লাস ঐইট) | তশেংনা চুল্লবা | ভিজুয়েল / স্লাইড কাপ্পা,ডিজিচেলগী ওইবা লাই ডিজিটেল ফ্লাসকার্ডনচিংবা মখলশিং শীজিন্নদুনা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং উৎপা | য়াওরিবা মচাক অসি তশেংনা অচুম্বা ওইবনা মহৈরোয়শিংনা ফণ্ডামেন্টেল রাইটশিংগী মথং মনাও খঙবা চুমগনি অমদি ওডিও ভিজুয়েলগী ওইবা মচাকশিং হেন্না শীজিন্নবা চানগনি। মহৈরোয়শিংদা ভিজুয়েলগী মতেং লৌদুনা হায়বদি ফ্লাস কার্ড, চার্ট অয়েকপা লাই শিজীন্নদুনা লিষ্টশিং খঙহনগনি। |
| ২ | সোলিড সিলিণ্ডর ওইবা য়াই হায়বা অমগী সর্ফেস এরিয়া (ক্লাস সিক্স) | ওইবা য়াই হায়না খন্নবিবা | ভিডিও উৎপা | সোলিড সিলিন্দর অমগী সর্ফেস এরিয়া কমদৌবগে হায়বদু হোৎলগা হায়বদু হোৎলগা খংবা য়াই। মতাং অসিদা ওডিও অমখক্তনা |

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| | | | | মহৈরোয়শিংদা সিলিণ্ডর অদুগী অমসুং মদুগী তোঙান তাঙানবা সর্ফেসশিংগী মওং শাগৎপা ঙমদে। সিলিণ্ডর অমদা সার্কল অনী অমসুং রেক্টেঙ্গল অমা য়াওই হায়না উৎপা ভিডিওনা খঙবদা হেন্না মপুং ফাবা অমসুং মমুৎ তাবা ঙমগনি। |
| ৩ | চাবা-থকপা তুম্বদা চংলিবা হকচাংগীমওং (ক্লাস সেভেন) | প্রোসিড্যুরেল | এনিমেসন ভিডিও / ওগমেন্টেট রিয়েলিটি মোবাইল এপ, এনাটোমি ৪ডি, বাইওডিজিটেল অসিনচিংবদা | য়াউরিবা মচাক অদুনা মহৈরোয়শিংনা চাবা থকপা অমসুং তুম্বগী কয়াৎশিংগী মওং খঙবদা ওডিও নৎত্রগা ভিডিওখক্তনা হ্যমেন হেন্না ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লোই। চীঞ্জাক চাবা তুম্বগী থৌওংশিং য়ুম্ফম ওইবা উৎপদা শীজিন্নবা মচাকশিংদা য়ুম্ফম এনিমেটেড ভিডিও মহৈরোয়শিংদা হেন্না খঙবাঙমহল্লি। |
| ৪ | দি বেস্ট খৃষ্টমাস প্রজেন্ট ইন দি (ক্লাস ঐইট) | মেটাকোগনিসন | খন্ন-নৈনবগী মফম | মতাং অসিদা মীওই অমনা মশাগী ৰারেপ লৌবগী মতাংদা হংগদবা অমদি নৈনগদবশিং থৌওং লৈবাকশিংগী য়াউগনি। খন্ন- নৈনবগী মফম মরক্তা মূরুবশিং তল্লিবশিংগী অমসুং অসিদা ৰাখৈনবা লান হায়বসি তোঙান তোঙানবা ৰাখল্লোন অফবা পাম্বৈ অমরা? ৰারেপশিং নৈনবা য়াই হায়বদুগী মমি তাহনবা। |

য়াউরিবগী মচাক খঙদুনা আই সি টি শিজিন্নবগী মওং খংদোকপা হায়বসি মরু ওইবা হায়বা মথক্কী অসিনা উৎলে। চানবা খন্নবা ওজানা য়াউরিবা মচাক অদুগী মগুণ অমদি মখল মখা কয়াগী আই সি টি / মেডিয়াগী মওং খংবা চুমগনি। পাক-শন্না ঈ-কন্টেন্টপু মখাদা উৎলিবা অসিগুন্না খায়দোকপা য়াই।




*ফিগর ১ ঃ বোর্ড কেটেগোরিজ ওফ কন্টেনট*

মহৈরোয়শিংনা ইরাই লায়না খংবা ঙম্নবা য়াওরম্লিবশিংগী মওং অমসুং মদুবু তাকথোকপদা যূম্ফম ওইরগা চানবা মেডিয়া খনবা অমসুং য়াওরিবশিং নৈনবা নীংথিনা ঙম্নবা ওজানা আই সি টি শিজিন্নবা ঙমগনি।

**এক্টিভিটিজ টু**

পীরম্লিবশিংদগী হিরম খন্দুনা হিরম অদুগী মতাংদা নহাক্না পাম্বা তাঙ্কক খল্লু। টোপিক অদুগী তম্বদা খংলকপশিং মথং মনাউ নাইনা খন্দোকউ। খল্লবা টোপিক অমগী মখাদা নহাক্না তম্বীগদবা মরু ওইবা মচাক অহুম খন্দোক্নুনা তম্বগী কান্নবা ফংহনগনি। য়াওরিবা মচাক অদু (তশেংনা চুম্লবা, চুম্লে হায়না লৌনরবা, প্রোসিড্যুরেল, মেটাকোগ্নিটিক্কী মওংদা যূম্ফম ওইবা অমদি নৈনবা চংই।


**নাপচৈ ২ ঃ** কন্টেক্স

তাকপীবা - তম্বগী থৌওং চথবা মতমদা আই সি টিনা মতেং পাঙবা ফিভম অমা নৈনবগী মওং অসি য়াওরিবা মচাক নৈনবনি। তাকপীবা-তম্বগী ফিভমদা শাগৎপা মওং অমা য়াওরিবশিং নৈনবদগী খঙই।

মখাদা পীরিবশিং অসি মমি তাহনগদবনি।

১. স্কুলদা ফংবা আই সি টিগী খুদোংচাবশিং করি করিনো?
২. আই সি টি শিজিন্নবদা স্কুলদা কমদৌনা শৌগৎপগে?
৩. ওজাশিংনা ফংলিবা শিজিন্নবা য়ারে হায়বা আই সি টি করিনো?
৪. মহৈরোয় খুদিংমক্না আই সি টি শিজিন্নবরা?
৫. ফংলিবা খুদোংচাবশিং অমদি তম্লিবশিংগী মওং-মতৌদা যূম্ফম ওইরগা আই সি টি টুলশিং খনবরা?

মহৈ তম্ফম কাগী মওং নৈনবা মতমদা চ্যেশিনগদবা হিরম অনী অদুদি ইনফ্রা ষ্ট্রকচর অমসুং হ্যুমেন রিছোর্চনি। ইনফ্রা ষ্ট্রকচর হায়বসিদা মহৈ তম্ফম কা অমগী মশাগী ওইজবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর হায়বদি ইলেক্ট্রিকসিটি, প্রোজেক্সন সিষ্টেম, ইন্টর্নেট শম্নবা, প্রিন্টর, ডেক্সটোপ পিসি / লেপটোপ / টেব্লেটনচিংবা ফংবগী মওং য়াওরি। হ্যুমেন রিছোর্চ হায়বসিদা ওজাশিং / টেক্নিকেল পার্সনশিং, আই সি টি শিজিন্নবদা ওজাগী তৌফম থোকপনচিংবা য়াউরি।




ওজা অমনা মহৈ তম্লিবা অদু খংদুনা চান্নবা পাম্বৈ অমদি তম্বদা খুদোং চানবা আই সি টি টুলশিং / রিছোর্চশিং খংবা তঙাই ফদে। তম্লিবা অমনা আই সি টি শীজিন্নবদা খঙগদবা হিরম মরিদি

**ডেমোগ্রাফিক** - ওজা অমনা ক্লাসকী চাউবা, চহীগী খেন্নবা, নাৎ-চৎনবীগী ফিভম, খুন্নাই-শেনমিৎলোনগী থাক, পা-পী, মরল-মথুম, লৈরিবা মফম অমসুং টেক্নোলোজি ফংবগী মওং।

**কোগ্নিটিভ এণ্ড প্রাইওর নোলেজ** - মহৈগী থাক, প্রাইমারি,অপ্পর প্রাইমারি, তঙাই ফদনা খংগদবা লৌশিং অমসুং থেংনরকপশিংগী ৰাফম, তম্বগী মওং, ডিজিটেল লিটরেসিগী থাক, কোগ্নিটিভ এবিলিটি।

**এফেক্টিভ / সোসিয়েল** - ওজা অমনা মহৈ- মশিংগী মতাংদা মশাগী ওইবা ফিভম য়েঙবা য়াই অমদি তম্বা, ওন লাইনদা তম্বগী মওংশিং মশাগী হৈনবী তাকথোকপা হৈবগী চাং, অতোপ্পগা থন্নবা মরিশিং অমদি এরিয়া ওফ ইন্টরেষ্ট খল্লগা মহৈরোয়শিংবু লোয়নগনি।

**ফিজিওলোজিকেল** - ওজা অমনা মহাক্কী মহৈরোয়শিংগী মপুং ওইবা হকচাংগী ফিভম অমদি ৰাখলগী ওইবা মওং অমসুং অখন্নবা চংগদবশিং খংজিনবা য়াই। মদুগুম্বা ৰাফম অদুনা করম্বা মেডিকেলগী ওইবা লায়েংগী মতেং শিজিন্নগনি হায়বদু লেপ্পা ঙমগনি অমদি মতেং পাঙবা য়াবা করি পাম্বৈশিং শেমগনি হায়বদু লেপ্পা য়াই।

খুদম ওইনা উবগী চাং ৰাৎলবা অঙাং অমদা মহৈ-মশিং তম্বগী মচাক আই সি টুলশিং ৰা ঙাঙবগী মরোলনা ঈ-পাডউ ফাউনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। শেনমিৎলোনগী ফিভম ফত্তবা মফমদগী লাকপা অঙাংশিংদা রিছোর্চশিং অদুবু ফংহনবা, লেন্না চপ মান্ননা খংহনবা চংই। মশুন্না তল্লিবশিংনা খংবা অসিনা চান্নবা আই সি টি খন্দুনা মহৈ তম্ফম কাবু হেন্না অপুনবা ওইহনগনি।

**এক্টিভিটি থ্রি**

এক্সটেন্দেট এক্টিভিটি (ডিসক্সন ইন ফোরম / ঈ-গ্রুপ)

তোঙান তোঙানবা হিরমদা ওজা অনীনা আই সি টি শিজিন্নবগী ভিডিওশিং অসি য়েংউ।

https://youtu.be/yhhmcaq-8_w

https://youtu.be/fyXRYb3awfA

মখাদা পীরিবশিং অসি ঃ

* এক্টিভিটি সিটতা পীরিবা তাকপিবা - তম্বীবগী হিরমদা চংগদবা আই সি টিগী খুদোংচাবশিং করিনো? হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি নহাক্কা স্কুলদা লৈব্রা?
* এক্টিভিটিদা শিজিন্নরিবা / চংগদবা আই সি টি অসি নহাক্কী ক্লাসতা লৈবা তল্লিবা মখল খুদিংমক্তা চানরব্রা? তোঙান তোঙানবা মখলগী মহৈ তল্লিবশিংগী ওইনা তোঙানবা আই সি টি তঙাই ফদে হায়না খনবরা?

**নাপচৈ ৩ ঃ তাকপীবা-তম্বীবগী মওংশিং**

মখাগীসি য়াউহল্লু ঃ

১. তাকপীবা-মহৈ তম্বগী তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নবদা মতৌ কমদৌনা আই সি টি না মতেং ওইবরা?

২. অখন্নবা হিরমশিংগী ওইনা তাকপীবা অমসুং মহৈ তম্বদা আই সি টিগী পুন্সিনবা য়াবা নৌনা পুথোকপা পুন্সিল্লবা পাম্বৈশিং করিনো?

আই সি টুলশিং / মেডিয়ানা তাকপিবা-মহৈ তম্বগী ওইনা য়াওরিবা মচাশিং অমদি পাম্বৈশিং অমদি মওং চুম্না শিজিন্নরবা মতমদতা মতিং থোক্কনি। খুদম ওইনা ওজা অমনা ধাতু অমদি ধাতু নত্তবশিংগী মওং তাকপিবা পাল্লবদি পীরল্লিবা অদুগী মতুং ইন্না পাম্বৈ অমা শীজিন্নবা য়াই। পুন্না থবক তৌদুনা পীরল্লিবা পোৎলমশিং অদু চাংদম্নবা অমসুং খেন্নবা খংহনবা অমদি ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবশিংগী মরমদা মখাগী তাঙ্ককশিং অসি লৌখৎতুনা লেপকদবনি।



* মহৈ তম্ফম কাদা ধাতুনা শাবা পোৎলমশিং (খুদম ওইনা ষ্টেপ্লরগী পিন, সনাখুদোপ) অমদি ওইনা প্লাষ্টিককী চামস, উনা মককশিং) উৎকনি।
* মরু ওইবা (মপং ওইবগী মওং, ইলেক্ট্রিকসিটি করেন্ট চেনবা ঙম্বা) অমদি মরু ওইদবা (খুদম মওং মতৌ, মচু) হায়বশিং অসিগী মতাংদা য়াওরিবা মচাকশিংবু চাংদম্নবা অমসুং খেন্নবশিং খঙদোকপা চংই।
* য়েঙলগা খংলকপশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবশিং করিনো হায়বা তাকপা।
* খুদম হেন্না পীয়ু (য়োৎ, কোরি), খুদম নত্তবশিং (প্লাষ্টিক, উ) অমদি কাউন্টর ওইবা খুদমশিং (সনাহিদাক) হায়রিবশিং অসি ধাতুশিংগী মওংদা য়ুম্ফম ওইরগা পীবনি।

**এক্টিভিটি ফোর**

এক্টিভিটিজ অনীশুবদা খনখিবা হিরমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা তম্বীবগী চান্নবা মওং য়াউরিবা খুদিংমক্কী পাকথোক-চাউথোক্লবা ৱাফমদা য়েঙলগা মশক খঙদোক্কদবনি। তম্বীবগী মওং খনবদা চুম্মী হায়না খনবশিংগী মতাংদা নৈনগদবনি।

**নাপচৈ ৪ ঃ** টেক্নোলোজি / টুল / ঈ-কন্টেন্ট।

চান্নবা আই সি টি টুলশিং অমসুং অকোয়বদা ফংবা মহৌশাগী মওং-মতৌ লৌদুনা শেম-শাবা।

**সিমুলেটিংগী চাংয়েং** - আই সি টিগী মচাক ওইবা য়াবা পোৎশিং ক্লাসরুমদা ফংবরা য়েংগদবনি। খুদম ওইনা লৈরিবা পোৎ অদু ধাতু নৎত্রগা ধাতু নত্তবা অমসুং মখোয়গী মগুণশিং য়েংদুনা ধাতু অমদি ধাতু নত্তবশিংগা মান্নবা মান্নদবা য়েঙগনি। মতাম অসিদা সিমুলেসনগী পাম্বৈ শিজিন্নবা তঙাই ফদে।


**স্লাইড ওইনা উৎকদবা** - ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবা খংদোকপা অমদি মদুগী খুদমশিং।

**খন্ন-নৈনবগী এক্টিভিটিশিং (লাইক ঐচ ৫পি )** - অপিবা ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবা পোৎলমশিং মরক্তা চাংদম্নবা অমসুং খেন্নবশিং খংননবা পুন্না পাঙথোকপা য়াবা এক্টিভিটি অমা পাঙথোকপা মথংদা ধাতু অমসুং ধাতু নত্তবশিংগী মরমদা লৌথোক্তুনা মান্নবশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা খায়দোকপা।

তাকপীবা-মহৈ তম্বগী পাম্বৈদা য়ূম্ফম ওইরগা চপ চাবা টুল শিজিন্নবা হায়বসি ওজা অদুগী মকা পোল্লি। ওজা অদুনা পোৎ মশক তাকপা, শুগাইনা তাকপা অমদি তেন্সিন্না তাকপনচিংবা কয়াগদমক্তা আই সি টি / মেডিয়া রিছোর্চশিং শিজিন্নবা য়াই হায়বসি খংবা য়াম্না মরু ওই। মরম অদুনা পাম্বৈ খুদিংমক্কী মচাক অমসুং মসিনা ডিমান্দ তৌদুনা হেন্না খংহনবা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। অকক্নবা পাম্বৈ অমসুং মসিনা আই সি টি শিজিন্নবগী মতাংদা লাক্কদবা ৱাফমশিং নৈনবনা ওজা অমনা চপ চাবা আই সি টি টুলশিং / মেডিয়া খনবা ঙমগনি। নৌনা পুথোকপা পাম্বৈশিং / থৌরাংশিং কয়া হায়বদি ফ্লিপ ক্লাস, ব্লেন্দেদ লার্নিং, কোলাবোরেটিপ লার্নিংনচিংবা শিজিন্নদুনা মহৈ তম্বগী লমদা হেন্না পাক-চাউনা ফগৎহনবা ঙম্মী। ঈ-কন্টেন্ট নৎত্রগা টেক্নোলোজি টুলশিং / ডিভাইসশিং ঃ

| সে.ন. | নাপচৈ | মওং মতৌ, মগুণ |
|---|---|---|
| ১ | টার্গেট তৌরিবা ওডিয়েন্স | চহী কাঙলুপ, মমাংদা লৈখিবা লৌশিং, খুন্নাই নাৎকী ওইবা হৌরকফম, তমদৌবগী মওং, লোন, লম-লৈফম, ৱাখলদা ফাউরকপশিং, ঙম্বগী থাক, খুন্নাইগী ওইবা হোঙলকপা মওং |
| ২ | য়াওরিবশিং | চপ চাবা, ওইবা য়াবা য়াওরিবশিং খংজিনবা, মতম মতমগী ওইনা অনৌবা ওইহনবা, করিক্যুলমগা চান্নবনচিংবা। |
| ৩ | পাকথোক-চাউথোক্লা খনগদবা | পান্দমশিং, য়াওরিবা মচাকশিং পুথোকপগী মওং, মেডিয়া খনবা, পুথোকপগী মওং, তশেং-তশেংবা ঈ-পাউ, নাকল অনীমক্তা মান্নবা, লোকেলগী ওইবা ৱাফমশিং পুশিল্লকপা, খোমজিনবা মতমদা শিজিন্নবা মওংশিং মহৈ তল্লিবশিংগা উন্নবা, ৱারী শান্নবনচিংবা। |
| ৪ | পুথোকপগী মওং | মহৌশাগী ওইবা, ইথিল পীবা, নৌনা শেম্বা / অনৌবা ৱাখল পুথোকপা, ময়েক্কী মওং, ইফেক্টস, মেডিয়াগী মচাকশিং নিংথিনা খঙবা, মহৈ তল্লিবশিংনা তঙাই ফদবা কয়াগা চুশিন্নহনবা, পা-পীগী মান্নবা থম্বা, নাৎ-চৎনবীগী মখল শুনা য়াওহনবনচিংবা। |
| ৫ | টেক্নিকেল | টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা লৈহন্দবা, ওডিও-ফিজুয়েল মগুণ লৈহনবা, নীংথিনা ৱা খন্নবা-তান্নবা অমসুং লম্বী য়াৎপা, অয়াবা পীবনচিংবা। |
| ৬ | এডমিনিষ্ট্রেটিব কন্সিদরেসন | মমল, খঙহনবগী মওং, মতেং পীবা, সার্ভিশিং, ট্রেনিং, মেন্টিনেন্স, ইনফ্রাষ্ট্রকচরেল অমদি টেক্নোলোজিগী ওইবা তঙাই ফদবা, লৈফম অমদি লৌফমগী ফংফম। |

১. ততাকপিবা-মহৈ তম্বগী থৌরাংদা অমদি ঈ-কন্টেন্ট চাউখৎহনবদা শিজিন্নবা য়াবা মখল মখাগী লেম্না ফংবা সোফৱায়ার লৌফম কয়া লৈরি। সোফৱায়ার খরদি হিরম অমগী ওইনা মহৈ তম্ফম কাদা শিজিন্নবা অমদি মহৈ তম্বগী থৌওংদা শিজিন্নবা য়াই। জেনরিক / অমদি অখন্নবা হিরমগী সোফ ৱায়ার খরদি মখাগীসি য়াওরি।

| Software | | Category |
|---|---|---|
| Geogebra | | Subject Specific — Mathematics |
| KHangman |  | Subject Specific — English |
| Kalzium | | Subject specific — Chemistry |
| Avogadro | | Subject specific — Chemistry |
| Marble | | Subject specific — Geography |
| GComprise Educational Suit | | Subject specific —<br>Primary level all subjects |
| Audacity | | Generic |
| Openshot Video Editor | | Generic |
| Freeplane | | Generic |
| GIMP | | Generic |
| Turtleblock |  | Generic |
| Scratch | | Generic |
| Tux Paint | | Generic |

তাকপীবা-মহৌ তম্বা মতমদা মতেং পাঙবা মোবাইল এপস কয়ামুক লৈ।

মখোয় খরদি -

১. এনাটোমি ৪ডি
২. ওনলাইন লেবস
৩. ক্যুইবর
৪. স্কাইভ্যু ফ্রি
৫. আর্টস এণ্ড কলচর
৬. ষ্টার ট্রেক্কর
৭. পি ঐচ ই টি
৮. ষ্টোপ মোসন এনিমেসন
৯. ষ্ট্রিট ভ্যু
১০. কেহুট নচিংবনি।

মচাক অসিদা য়াউরিবশিং, তম্বীবা অমসুং মহৈ তম্বীবগী মওং অমদি ফিভমদা যূম্ফম ওইরগা ওজানা চান্নবা টুল খনবগী মথৌদাংনি। মদুনা হেন্না নিংথিনা মহৈ তম্বা ঙমহনগনি।

**এক্টিভিটি ফাইভ**

এক্টিভিটি ফোরদা খনখিবা মচাকশিং অমদি পান্থৈশিংদা যূম্ফম ওইরগা য়াউরিবা মচাক খুদিংমক্কী চান্নবা আই সি টি টুলশিংবু আই সি টি কার্ডশিংগী মরক্তগী মশক খঙদোক্কদবনি। আই সি টি টুল অদু খনবদা চুম্মী চুমদে হায়বা খন্নগদবনি।

**আই সি টি - পেডাগোগী-কন্টেন্ট পুন্সিনবা**

আই সি টিদা য়াওরিবা মচাক হায়বদি কন্টেন্ট অমসুং পেডাগোগী পুন্সিনবা হায়বসি ওজাশিংগী মতিক চাবদা য়াম্নমক মখা পোল্লি। অয়াম্বা লাইরিক তম্ফম কাশিংগী আই সি টিদা মপুং ফানা লোইশিন্দবা ওইবা য়াই। আই সি টিদা যূম্ফম ওইবা থৌওংশিং অসি মহৌশাদগী চৎনরকপা মহৈ তম্বীবা / মহৈ তম্বগী এক্সপিরেন্সকা পুন্সিন্নৈ। তাকপিবা, মহৈ তম্বা অমসুং এসেসমেন্টগা আই সি টি গা পুন্সিনবগী হৈ-শিংবসি টেক্নোলোজিগী পাক-চাউবা অমদি য়াওরিবা লৌশিংশিং শিজিন্নবদা যূম্ফম ওইগনি। আই সি টিবু পুন্সিনবদা ৱাহন্থোক লৈগদবসি মহৈ তম্লিবশিংবু মহৌশাদগী শিজিন্নরকপা থৌওংশিং মহুৎ শিন্দুনা ওইবা নত্তে। লৌশিং হেন্না লৈনবা হোৎনবনি।

**আই সি টি পুন্সিন্নবা এক্টিভিশিগী খুদম**

হিরম ঃ সাইন্স

ক্লাস ঃ ঐইট

চেপ্টর ঃ ক্রোপ প্রডক্সন এণ্ড মেনেজমেন্ট

টোপিক ঃ ক্রোপস এণ্ড টাইপস ওফ ক্রোপস

**তম্বদগী খংলকপশিং**

* লৌউ-শিংউবগী নোংজু লৌরোক, নিংথম লৌরোক, কেস ক্রোফ অমসুং চানবা মহৈ-মরোংশিংগী মমিং-মথাশিং নীংথিনা খংজিনবা।

* মহৈ-মরোং মখল কয়াগী খুদমশিং ইদুনা শেম্বা।
* নোংজু লৌরোক্না নিংথম লৌরোক্না, য়োন্নবা মহৈ-মরোংগা চাননবা মহৈ-মরোংগা, মহৌশাদগী থারকপা মহৈ-মরোংগা খূৎশেমগী মহৈ-মরোংগা খেন্নবা উৎপা।
* মহৈ-মরোংশিংবু নোংজু লৌরোক্কী, নিংথম লৌরোক্কী, য়োননবা অমদি চাননবা মহৈ-মরোংশিং হায়না মখল খায়দোক্লবা।
* মীওইবগী পূন্সিদা লৌউ-শিংউবগী মরু ওইবশিং শিংথাউ।

**কি আইডিয়া**


* মহৈ-মরোং- মফম অমত্তদা চপ মান্নবা মখলগী পাম্বীশিং পাক শন্না থাদুনা লৌউ-শিংউ তৌবা।
* লৌউ-শিংউবা - চীঞ্জাক পুথোকপগী পাম্বৈশিংগী ওইবা সাইন্সকী মশা অমনি।
* নোংজু লৌরোক - নোংজু পাম্থাদা থাবা মহৈ-মরোংশিং।
* নিংথম লৌরোক - নিংথমথাদা থাবা মহৈ-মরোংশিং
* হাইব্রিদ ক্রোপ - হাইব্রিদ ক্রোপ হায়বসি মান্নদবা পাম্বী অনীনা ক্রোস পোলিনেসন তৌরগা খূৎশেন্না পুথোকপনি খঙহনবা।
* য়োন্নবা / করবারগী লৌউ-পোথোকশিং - য়ূমদা লোইবা শা-উচেকশিংদা পীজনবা নত্তনা য়োন্নবগীদমক থাবা হিদাকমনাগুম্বা পাম্বীশিং।

**খ্বাইদগী মরু ওইবা লৌশিং**

* মহৈ-মরোং অমদি লৌউ-শিংউবগী লৌশিং লৈবা।
* কান্নবা পাম্বীশিং অমদি শা-ঙাশিংগী মখল খায়দোকপা।
* পাম্বী অমসুং শা-ঙাগী তোঙান-তোঙানবা শিজিন্নফমশিং খংজিনবা।
* পাম্বী অমদি শা ঙাশিংনা করন্না মচিঞ্জাক চাবগে হায়বদু খংজিনবা।

**আই সি টি ইন্টিগ্রেটেৎ লার্নিং এক্সরিয়েন্সেস**

* ময়াম পূন্না য়াউবা ক্যুজ পাঙথোক্তুনা লৌউ-শিংউবগী মতাংদা ফংখিবা লৌশিংশিং অমুক হন্না খঙদোকপা।
* ময়াম পুন্না ৱারী শাদুনা পুশিনগদবা অমদি খন্দোক্কদবা থৌওংশিং (ঐচ ফাইভ পি শিজিন্নদুনা), কান্নবা পাম্বীশিং অমসুং শা-ঙাশিংগী মতাংদা নিংশিংবা।
* মহৈরোয়শিংনা মখল মখা কয়াগী মহৈ-মরোংশিংগী মরমদা ব্লোগ https://testbook.com/blog/crops-in-india-gk-notes-pdf/তগী পাদুনা পারিবা তন্নিবশিংদা য়ূম্ফম ওইবা মহৈ-মরোং মখল কয়াগী মতাংদা খন্নবা য়াই। কাংলুপ অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা ডিজিটেলগী ওইবা ইনফোগ্রাফিক অমা মখোয়না পারুবশিংদগী শেম্বা য়াই। (মদু Easel.ly গুম্বা ওন লাইন টুলশিং শিজিন্নবা য়াই।)
* ওজানা তোঙান-তোঙানবা মহয়-মরোং মখলশিংগী মওং উৎপা য়াই। (মদু ইমেজ নৎত্রগা ভিডিও শিজিন্নবা য়াই) অমদি মহৈ-মরোং মখল খুদিংগী মতাংদা শন্দোক্না তাক্কদবনি।
* মখল কয়াগী মহৈ-মরোং পুথোকপা মরু ওইবা ষ্টেটশিং মহৈরোয়শিংনা ৱেভতগী থিবা য়াই। (ৱেভসাইদ লিঙ্কশিংদি ওজানা পীবসু য়াই।)
* ইণ্ডিয়াদা মরু ওইবা মহৈ-মরোং থাবা মফমশিং উৎপা ইণ্ডিয়াগী মেপ শিজিন্নদুনা ওজানা ইণ্ডিয়াদা তোঙান তোঙানবা মহৈ-মরোং থারিবা মফমশিং নৈনবা য়াই। মদু https://commons.wikimedia.org/wiki/তগী খংবা ঙমগনি।
* মতুংদা ৱাখলদা মেপ অমা শাগৎতুনা থমগনি (ওজানা ইন্টরেক্টিভ মাইন্দ মেপ শিজিন্নবা য়াই।)




* অমুক হন্না খন্নবা য়েঙউ (অহেনবা ফংফমশিং)।

* https://youtu.be/mFmCrN9nVXE

* https://youtu.be/IrwRM2441PQ

* https://youtu.be/WZeNnoGETnl

## এক্সটেন্দেট লার্নিংগী এক্টিভিটিশিং

* পৃথিবীগী মেপ অমা শেমদুনা তোঙান তোঙনবা মরু ওইবা ক্রোপশিংগী থাফম তাকপা।

* খন্ন-নৈনবগী ফোরম কয়াদা শরুক য়াদুনা মহৈ-মরোং মখল খুদিংমক থাদ্রিঙৈগী মমাংদা তঙাই ফদনা চংবা ফিভমদা নহাক্কী ৱাখল ফোঙদোক্তুনা খংমিন্নৌ। মদুদা নত্তনা মহৌশাগী ফিভম ঙাক্তুনা থম্বদা ঐহাক্কী থৌদাং হায়বসিদা ডিজিটেল পোষ্টর অমা শেম্মু।

* নহাক্কী নক্লবা মফমশিংদা চত্থরিবা মখল কয়াগী লৌউ-শিংউবগী থৌওংশিং খংদোক্তুনা মদুগী পরিম অমা শেম্মু।

* জিনিটিকেল্লি মোডিফাইজ ক্রোপস (জি এম ক্রোপস)কী মরমদা ঈ-পাউশিং খোমজিনবা।

## এসেমেন্ট

* মহৈ-মরোং মখলশিং অমদি মসিগী খুদম-চাংদমশিংদা মল্টিপল চোইসকী চাংয়েং পাঙথোকপা (ঐচ ফাইভ পি)

* মহৈ-মরোংশিং মখল খায়দোকপগী ৱাকসিট শেম্বা (গুগল ফোর্ম)


* “ওটস, পিস, বিনস এণ্ড বার্লি গ্রো’ হায়বা ঈশৈ অদু তাদুনা য়েংউ।
(https://youtu.be/-wmYJuelP9kA) মহৈ-মরোং মখল খরগী ভিডিও রিপ্রজেন্টেসন অমা পুথোক্লবা হোৎনবা।

মোদুল
৬

## এক্টিভিটি সিক্স (এক্সটেন্দিং ওর্ডর)

ওজাশিংনা আই সি টি টুলগী মরমদা হেন্না খংননবা মখাদা পীরিবা লিঙ্ক অসি (https://cemca.org,in/ckfinder/userfiles/files/Technology%20Tools%20for%20Teachers_Low.pdf শিজিন্নবা য়াই।

কাঙলুপ অমমমনা তন্বীবা - মহৈ তন্বগী মতাংদা সোফ ৱায়ার অমসুং মোবাইল এপ শিজিন্নবগী মতাংদা ৱাহৈ ১৫০ গী অইবা অমা শেন্নবা সোফ ৱায়ার অমা মোবাইল এপ অমা পোর্টফোলিও ওইনা মদু পোর্টেলদা থাগৎলু।




### পোর্টফোলিও এক্টিভিটি

১. মখাদা পিরিবা থৌওংশিং চৎথদুনা মখাগী থবকশিং অসি পুথোকউ।

**ফিভম ১.**

নশামক লোনগী ওজা অমনি হায়না খল্লগা মখাদা পীরিবা ফিভম অসি শাগৎলু।

নহাক্না মতম পুম্নমক্তা শৈরেং তন্বীবা মতমদা ঈশৈ শকই। অমদি নহাক্না তৌরিবা থৌওং অদু অতৈ মরুপশিংগা খংমিন্নদুনা হেন্না মগুন লৈহনগদবনি। অতৈ স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা নহাক্কী মরুপশিংনা ঈসৈ শক্কুনা শৈরেং তন্বীবা পাল্লমগনি। মখোয়না নহাক্না শকপা শৈরেংগী ঈশৈ অদু তাগে হায়রক্কনি। নহাক্কী খোঞ্জেলদা শৈরেং অদু থাদুনা মখোয়বু মতেং পাঙউ। নহাক্না অপাম্বা শৈরেং অমা খল্লু।

**খুদম ১ ঃ**

"हरी डाल पर लगी हुई थी
नन्हीं सुन्दर एक कली
तितली उससे आकर बोली
तुम लगती हो बड़ी भली ..."

**খুদম ২ ঃ**

"My house is red - a little house;
A happy child am I.
I laugh and play the whole day long,
I hardly ever cry..."

**ফিভম ২**

নহাক নশামক অঙ্কগী ওজা ক্লাস থ্রি দা তাকপীবনি হায়না খল্লু অমসুং মখাদা ওইরিবা ফিভম অসি শাগৎলু।

নহাক্না ক্লাসতা চে অমা থুপচিন্দুনা এরোপ্লেন অমা কমদৌনা শাবগে হায়বদু উৎখ্রে। যূমদা এরোপ্লেইন অমা শাদুনা মথংগী নুমিত্তা ক্লাসতা পুরকউ হায়না খংহনখ্রে। নহাক্কী মহৈরোয়শিংনা থৌওং অদু উৎপদা মতেং পাঙউ। মদুনা মখোয়নাময়ূমদা শাবা মতমদা নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমগনি।

**ফিভম ৩**

নশামক প্রাইমারিগী থাক্তা ই ভি এস তম্বীবা ওজা অমনি হায়না ৱাখল শাগৎলু।

নহাক ইন্টর্নেৎতা ঈ-পাউ অমদি ফংফমশিং থিবা য়াম্না হৈবনি। অতৈ স্কুলদা ই ভি এস তম্বীরিবা নহাক্কী মরূপনা ক্লাস ফোরগী ওইনা 'ফ্রোম দি ৱিন্দো' হায়বা তাঙ্কক অদু তম্বীবা পাম্মী। মহাক্না তুরেল অমগী মথক্তা শাবা থোঙ লান্দুনা ট্রেইন অমা চৎখিবগী ভিডিও উৎতুনা মহাক্কী মহৈরোয়শিংদা ফাউহনবা পাম্মী। অদুবু মহাক ইন্টরনেৎ শিজিন্নবদা খুৎলোইদে। নহাক্কী মরূপতা তেংবাঙদুনা মদুগুম্বা ভিডিও অদু ফংহনবা অমদি খংমিন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি।

২. নহাক্না তম্বীবা হিরমদগী তাঙ্কক অমা হেক্তা খল্লু। খনগৎলবা তাঙ্কক্কীদমক তম্বীবা /মহৈ তম্বা / এসেসমেন্টকীদমক পুন্সিনবা য়াবা আই সি টি খংদোকউ অমদি মদু মখাগী অকুপ্পা মরমশিং অসি য়াউনা উৎলু।

* সবজেক্ট
* গ্রেদ
* তাঙ্কক
* হিরম
* তম্বদগী খংলকপা
* মরু ওইবা ৱাখল্লোনশিং / য়াউরিবশিং য়ৌনা তমশিনবা
* তঙাইফদবা লৌশিংঃ
* আই টি সিগা পুন্সিনগদবা তম্বগী মতাংদা থেংনরকপশিংগী থৌরাং
* এসেসমেন্টকী থৌরাং।

মোদুল
৬

## তম্বীগদবশিংনা থৌওংশিং চথনবা পাউতাকশিং

এক্টিভিটি ১ ঃ আই সি টি গী ৰাখল্লোন খংবা

তাকপী তম্বীগদবশিংনা থৌওং অসি লম্বী অনী থোক্লা পায়খৎপা য়াই ঃ

১ ঃ করিগুম্বা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা ফংদ্রবদি ঃ তম্লীবশিংদা আই সি টি না হায়রিবা নৎত্রগা ফোঙদোক্লিবা করিনো হায়বগী মতাংদা মখোয়গী ৰাখল খংমিন্নসি হায়বা অমদি ৰাখলদা শাগৎপা মেপ অমনা মখোয়না ফোঙদোরকপা ৰাখল্লোন খুদিংমক শিজিন্নদুনা ফ্রিমাইণ্ড টুল অমগুম শিজিন্নবা। তাকপী তম্বীগদবা মীওইনা পীরকপা পাউখুমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা আই সি টি গী ৰাহন্থোক খন্নবা তঙাই ফদে।

২ ঃ করিগুম্বা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা ফংদ্রবদি ঃ তাকপী তম্বীগদবা অদুনা কোলাবোরেটিব ওইবা টুল হায়বদি মেন্টিমিটর শিজিন্নদুনা পীরকপা পাউখুমশিং খোমজিনবা য়াই। হায়রিবা পাউখুমশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা তাকপী-তম্বীগদবনা আই সি টিগী ৰাখল্লোন খন্নবা চংই।

এক্টিভিটি ২ ঃ য়াউরিবা মচাকশিংগী মওং অমদি আই সি টিগী পান্দম

কাঙলুপ ওইনা তম্বা হায়বসি সবজেক্তকী মখা পোল্লি (মহৈরোয়শিংগী অপুনবনা সবজেক্ট অমখক্তংগী ওইনা গ্রুপ কয়া শেম্মী)। তম্লীবশিংদা খংহন্দুনা সেসন লোইদ্রিবা ফাউবা চপ মান্নবা গ্রুপ্তা য়াউনবা গ্রুপতা খংহনগদবনি। মচাকশিং শুনা য়াউবা কার্ড অমা কাঙলুপ খুদিংদা য়েন্থোক্কনি। কার্ডতা পীরিবা মচাকশিং অদুদগী মখোয়দা সবজেক্ট খলহনগনি।

* সবজেক্ট অদুদা নহাক্লা পাম্বা তাঙ্কক অমা খল্লু।

* তাঙ্কক অদু তম্বদগী ফংলকপশিং মথং-মনাউ নাইনা থম্মু।

* তল্লিবা অদুগী ফল ফংনবা নহাক্লা তাঙ্কক অদুগী মতাঙদা তম্বীগদবা মরু ওইবা ৰাখল্লোন / মচাক অহুম খংদোকউ।

* য়াউরিবা মচাকশিংগী মওং নৈনৌ।

তল্লিবশিংদা মখাদা পীরিবা অকুপ্পা ৰারোলশিং য়াওনা শেম শানবা খংহনগদবনি।

সবজেক্ট

থাকঃ

হিরম

তম্বদগী খংলকপা

কোন্সিনগদবা মচাকশিং

১. মচাক ১

২. মচাক ২

৩. মচাক ৩

খুদম ওইনা

সবজেক্ট ঃ সাইন্স

ক্লাস ঃ আইট

তাঙ্কক ঃ মহৈ-মরোং পুথোকপা অমসুং নিঙথিনা থম্বা

হিরম ঃ মহৈ-মরোংশিং অমদি মহৈ-মরোংশিংগী মখল

তম্বদগী খংলকপা ঃ

* লৌউ-শিংউবা, মহৈ-মরোং, নোংজুগী মহৈ-মরোং, নিংথমগী মহৈ-মরোং, য়োন্দুনা ললোন ইতিক তৌনবা অমদি চাজনবা মহৈ-মরোংশিং হায়বা টার্মশিং অসি শন্দোক্লা তাকউ।

* নোংজু লৌরোক, নিংথম লৌরোক, ললোন ইতিক্কী ওইনা থাবা অমসুং চাননবা থাবা মহৈ-মরোংশিং মখল খায়দোকপা।

* মখল কয়াগী মহৈ-মরোংশিংগী খুদমশিং শেম্মু।

* নোংজু মহৈ-মরোংগা নিংথম মহৈ-মরোংগা, য়োন্নবা মহৈ-মরোংগা চানবগা, মহৌশাদগী থারকপা মহৈ-মরোংগা হাইব্রিড মহৈ-মরোংগা খোন্নবা তাকউ।

কোন্সিনগদবা মচাকশিং

* লৌউ-শিংউবা, মহৈ-মরোংগী ৱাখল্লোন।

* মহৈ-মরোংশিংগী মখল - নোংজু, নিংথম, হাইব্রিড, কেস অমদি ললোন ইতিক্কী ওইনা থাবা মহৈ-মরোংশিং।

* পান্মীগী মচৎশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মহৈ-মরোংশিংগী মখল খায়দোকপা।

কাঙলুপশিংদা মথক্কী মচাকশিং অসি পুথোক্নবা হায়গনি। মখোয়না পুথোরকপা অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা মচাকশিং নৈনবদা ৱা খন্নগনি। মসিগুম্বা নৈনবগী থৌওং অসিনা আই সি টি শিজিন্নবগী পান্দম খংদোকপা ঙম্মী।

**এক্টিভিটি ৩ ঃ নহাক্না নৈনরিবা মচাক খংবা**

সেসন মতুংদা খন্ন-নৈনবগী ফোরম / ঈ-গ্রুপতা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী মমি তাহনগদবা অমদি শাংদোক্কদবা থৌওং অমা ওইরি।

১. থৌওং অসি পাঙথোকপদা করম্বা আই সি টি গী খুদোংচাবা চংবগে? হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি নহাক্কী স্কুলদা লৈব্রা নৎত্রগা ফংব্রা?

২. নহাক্কী ক্লাসতা লৈরিবা মখল খুদিংমক্কী তল্লিবশিংদা থৌওং অসিগীদমক আই সি টি শিজিন্নগদ্রা / তঙাইফদবা লৈব্রা? তোঙান-তোঙানবা তল্লিবশিংগীদমক মখল কয়াগী আই সি টি চংগনি খনব্রা?

**এক্টিভিটি ৪ ঃ মচাক অমসুং পীরল্লিবা মতাংদা য়ূম্ফম ওইরগা চানগদবা পাম্বৈ / থৌরাং মশক খঙদোকপা**

এক্টিভিটি অনীদা চথখিবগুম্না চপ মান্নবা কাঙলুপশিংগা লোয়ননা থৌওং অসি মখা তানা চথৌ। পাকথোক চাউথোক্লবা হিরমগী কার্ডকী সেট অমা কাঙলুপ খুদিংমক্তা য়েন্থোকউ। এক্টিভিটি অনীদা খল্লবা মচাক খুদিংমক তাকপী তম্বীনবা পাম্বৈ থৌরাং মশক খংদোকহনবা।

| মচাকশিং | পাম্বৈ / থৌরাং |
|---|---|
| মচাক ১ | পাম্বৈ / থৌরাং ১ঃ |
| মচাক ২ | পাম্বৈ / থৌরাং ২ঃ |
| মচাক ৩ | পাম্বৈ / থৌরাং ৩ঃ |

মথং মনাও নাইদনা কাঙলুপশিংদা খনগৎলবা পাম্বৈ / থৌরাং অমদি খনবগী মরম চাবদু পুথোক্লবা খংহনগদবনি। মখোয়না পুথোরকপশিং অদুগী মতুং ইন্না মচাক অমসুং পীরল্লিবা মতাংদা য়ূম্ফম ওইরগা খনবগী পাম্বৈ অমদি থৌরাং খন্ন-নৈনগদবনি।

**এক্টিভিটি ৫ ঃ চপ চাবা আই সি টি খঙদোকপা**

চপ মান্নবা কাঙলুপশিংগা লোয়ননা থৌওং মখা চথৌ। কাঙলুপ খুদিংমক্তা আই সি টি কার্ডকী সেট অমমম য়েন্থোকউ। কাঙলুপ অদুদা মচাক্কীদমক চানবা আই চি টি অমা খলহল্লু। খল্লবা পাম্বৈ / থৌরাং অদু নিংশিংউ।

মোদুল
৬

| মচাকশিং | পান্বে / থৌরাং | আই সি টি |
|---|---|---|
| মচাক ১ | পান্বে / থৌরাং ১ঃ | আই সি টি ১ |
| মচাক ২ | পান্বে / থৌরাং ২ঃ | আই সি টি ২ |
| মচাক ৩ | পান্বে / থৌরাং ৩ঃ | আই সি টি ৩ |

মথং মনাউ নাইদনা কাঙলুপশিংদা আই সি টি খনবা অমদি খনবগী মরম চাবা অদু পুথোক্লবা খংহনগনি। মখোয়না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মচাক পীরল্লীবা মফম অমসুং পান্বে / থৌরাংদা য়েঙলগা চান্নবা আই সি টি খনবগী মওং খন্ন-নৈনগদবনি।

করিগুম্বা ইন্টর্নেট শম্বগী খুদোংচাবা লৈরবা অমদি কোলাবোরেসন তৌবগী ওইথোকপা লৈরবদি তাকপীগদবা অদুনা মখাগী টেবলদা পীরিবশিং অসি শেমদুনা কাঙলুপশিং খংমিন্নগদবনি। মদুনা মচাক্তা য়ুম্ফম ওইবা কয়া হাপ্তুনা খন্ন-নৈনবদা খুদোং চাহনগনি।

| কাঙলুপ | মচাকশিং | তাকপীবা-তম্বগী পান্বে / থৌরাং | চানবা আই সি টি |
|---|---|---|---|
| কাঙলুপ ১ | মচাক ১ | পান্বে / থৌরাং ১ঃ | আই সি টি ১ |
| | মচাক ২ | পান্বে / থৌরাং ২ঃ | আই সি টি ২ |
| | মচাক ৩ | পান্বে / থৌরাং ৩ঃ | আই সি টি ৩ |
| কাঙলুপ ২ | মচাক ১ | পান্বে / থৌরাং ১ঃ | আই সি টি ১ |
| | মচাক ২ | পান্বে / থৌরাং ২ঃ | আই সি টি ২ |
| | মচাক ৩ | পান্বে / থৌরাং ৩ঃ | আই সি টি ৩ |
| কাঙলুপ ৩ | মচাক ১ | পান্বে / থৌরাং ১ঃ | আই সি টি ১ |
| | মচাক ২ | পান্বে / থৌরাং ২ঃ | আই সি টি ২ |
| | মচাক ৩ | পান্বে / থৌরাং ৩ঃ | আই সি টি ৩ |

Module 7

# ইনিসিএটিভ ইন স্কুল ইডুকেসন

হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্টকি মথ্বায়/মরুওইবা মচাক (কোর) দি ইডুকেসন্নি। লৈপাক অসিগী (ইন্দিয়া) সমাজিক অমদি শেল থুমগী ফীভম কুয়োমগী ফীভম (ফেব্রিক) চাং অমদা থম্বদা (বেলেন্স) ইডুকেসন্না য়াম্না মশক থোকপা (সিগনিফিকেন্ট) অমদি সপোর্টিব ওইবা থৌদাং লৌই। মশক থোকপা পুন্সি মহিং (বেটর ক্বালিটি ওফ লাইফ) অমা ফংনবা হোৎনবদা ঐখোয়গী অঙাংশিংগী ওল রাউন্দ দিভেলপমেন্ট তৌনবা হোৎনরগা মখোয়বু অফবা নাগরিক (সিটিজন) অমা ওইনবা হোৎনবা তঙাইফদে। মসি ইডুকেসনগী অচেৎপা/অকনবা য়ুমফম (ষ্ট্রোং ফাউন্দেসন) লৈরবদতা ফংবা (এচিব) ঙমগনি। হায়রিবা মিসন অসি ফংনবগীদমক মীনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্ট (এম.ঐচ.আর.দি.) না ডিপার্টমেন্ট অনিগী খুথাংদা থবক পায়খৎলি।

০ ডিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল ইডুকেসন এন্দ লিটরেসি (দি.ও.এস.ই অমসুং এল.)

০ ডিপার্টমেন্ট ওফ হায়ার ইডুকেসন

ডি.ও.এস.ঈ.অমসুং এল. না লৈপাক অসিগী স্কুল ইডুকেসন চওখৎনবা হোৎনবগী দায়ত্য (রেস্পোন্সিবিলিটি) লৌই অদুগা ডিপার্টমেন্ট ওফ হায়ার ইডুকেসন্না পৃথিবিগী খ্বায়দগী চাওবা হায়ার ইডুকেসন সিষ্টেমশিংগী মনুংদা অমগী দায়ত্য লৌই। য়ু.এস.এ. অমদি চাইনাগী হেক মথংদা ইন্দিয়াগী হায়ার ইডুকেসন অসিনা অহুমশুবা খ্বায়দগী চাওবনি। এম.ঐচ.আর.দি.না মসিগী মখাদা লৈবা ওর্গেনাইজেসনশিং হায়বদি এন.সি.ঈ.আর.টি., এন.আই.ঈ.পী.এ., এন.আই.ও.এস., এন.সি.টি.ঈ. অসিনচিংবা কোলাবোরেট তৌই। এম.ঐচ.আর.ডি.গী স্কোপতি য়াম্না পাক চাওই অদুবু মসিগী মোদ্যুল (ইলিসিএটিভ ইন স্কুল ইডুকেসন) অসিদি ডি.ও.এস.ঈ.অমসুং এল. না ইডুকেসন য়ুনিভরসেটাইজ তৌবা (মী খুদিং ফংহনবা) অমদি ইডুকেসনগী ক্বালিটি ফগৎহন্নবা নৌনা লৌখৎখিবা থৌরাং (ইনিসিএটিভ) অমনি।

**লার্নিং ওবজেক্টিভস ঃ**

মোদুল অসি পারবা তুংদা লার্নর/ট্রেনি না

০ ডি.ও.এস.ঈ. অমসুং এল. না স্কুল ইডুকেসনগীদমক নৌনা লৌখৎখিবা ইনিসিএটিভশিং হায়বদি পী.জি.আই., য়ু.ডি.আই.এস.ঈ.গী মতাংদা এৱারনেস ফংগনি।

ফংহনবা। মসিনা মীমান্নদ্রবা অমদি শোথরবশিংবু (দিসএদভান্টেজ গ্রুপ এন্দ ৱিকর্স সেক্সনস) কোনশিন্দুনা ইডুকেসনদা কালিটি অমদি ইকিটি প্রমোট তৌই।

হন্দক্তা এম.ঐচ.আর.দি.না অনৌবা থৌরাং (ইনিসিএটিভ) কয়া লৌখৎখ্রে। মখোয়শিংদুদি পর্ফোর্মেন্স গ্রেদ ইন্দেক্স (পী.জি.আই.), য়ু.দিআই.এস.ঈ.+, স্কুল ওডিট (শগুনোটসভ) অমদি নেস্নেল এচিভমেন্ট স্কিম (এন.এ.এস.)। হায়রিবা থৌরাংশিং অসি ইডুকেসনগী ওভরওল কালিটি ফগৎহন্নবনি। থৌরাংশিং অসিনা ইডুকেসনগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ/গোভর্নান্সকি ওইবা ইশুশিং, অমদি শমাগ্রা শিক্ষাগী মখাদা পায়খৎপা লার্নিং আউটকম ইমপ্রুভ তৌনবা পায়খৎপা একাদেমিক প্রোগ্রামশিং কোনশিল্লি। হায়রিবা থৌরাংশিং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা ইফেক্টিভ ওইবা ইম্প্লিমেন্টেসন, মথাং (লেবেল) খুদিংমক্কী কো-ওর্দিনেসন অমদি নেস্নেল লেভেলদগীনা স্কুল লেভেল ফাওবদা লৈবা ডিপার্টমেন্ট (ইন্সটিট্যুসন) শিংগী মরক্তা য়াম্না অকনবা মরি (ষ্ট্রোং লিঙ্ক) লৈবদা দিপেন্দ তৌই।

**সমাগ্রা শিক্ষা ইন্টিগ্রেটেদ স্কিম ফোর স্কুল ইডুকেসন ঃ**

এম.ঐচ.আর.দি. না সমাগ্রা শিক্ষা স্কিম অসি ২০১৮-১৯ দা হৌদোকখি। স্কিম অসি স্কুল ইডুকেসন গী প্রি-স্কুলদগীনা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবগী ওইবা পুন্নমকপু কোনশিনবা (ওভরআর্চিং/ইনক্লুসিব) প্রোগ্রাম অমনি। মসিগী পান্দমদি (গোল) স্কুল্লিংগী কান্নবা (ইফেক্টিভ) হেঙ্গৎহনবনি। ইফেক্টিভনেসকি চাং ওনবদি স্কুল্লিংদা মান্নবা খুদোংচাবা (ওপোরচুনিটি) পীবা অমদি ইকিটেবল (মান্নবা) ওইবা লার্নিং আউটকম পুথোকপনা লেপ্পি। স্কিম অসিদা হান্নগী স্কিম অহুম হায়বদি সর্ভা সিক্ষা অভিয়ান (এস.এস.এ.), রাষ্ট্রিয়া মধ্যমিক শিক্ষা অভিয়ান (আর.এম.এস.এ.) অমদি টিচর ইডুকেসন (টি.ঈ.) পুনশিল্লে (ইনক্লুদেদ) হান্নগী স্কিমদো প্রোজেক্টকি ওবজেক্টিবসতা ফোকস তৌরম্বদু অনৌবা স্কিম অসিদদি ফোকস হোংদোক্লগনি। প্রোজেক্ট ওবজেক্টিভকি মহুৎতা সিষ্টেম লেভেল পার্ফোর্মেন্স ফগৎহনবা অমদি স্কুল্লিংগী আউটকম ফগৎহনবদা ফোকস তৌদুনা ষ্টেটশিংবু কালিটি ইডুকেসন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মোটিভেট তৌগনি।

স্কিম অসিনা প্রি-স্কুলদগী সেনিয়ার সেকেণ্ডরি (প্রি স্কুল, প্রাইমারি, অপ্পর প্রাইমারি, সেকেণ্ডরি টু সেনিয়ার সেকেণ্ডরি) ফাওবদা লৈবা স্কুলশিং অসি কন্টিনুঅস সেক্কেন্স (কন্টিনুঅম) অমা ওইনা লৌগনি (তোঙান তোঙানবা ওইনা লৌদবা)। স্কিম অসিগী ভিজনদি প্রি স্কুলদগীনা সেনিয়ার সেকেণ্ডরি ফাওবদা ইনক্লুসিব অমদি ইকিটেবল ওইবা কালিটি ইডুকেসন ফংহনবনি। হায়রিবা ভিজন অসি ইডুকেসনগী সস্তেনেবল দিভেলপমেন্ট গোল (এস.ডি.জি) মতুংইন্ননি।

- স্পোর্টস ইক্বিপমেন্টসকিদমক এনুএল গ্রান্ট ওইনা প্রাইমারি স্কুলগী লুঃ ৫,০০০ অপর প্রাইমারিগী লুঃ ১০,০০০ অমদি সেকেণ্ডরি অমদি সেনিয়র সেকেণ্ডরিগীনা লুঃ ২৫,০০০ ফাওবা স্কুলশিংদা ফংহনগনি।
- স্কুলশিংদা চহি খুদিংগী চিল্ড্রেন ৱিট স্পেসিয়েল নিদস (সি.দবলিউ.এস.এন.) শিংগীদমক লুঃ ৩,৫০০ পীগনি লোয়ননা ক্লাস ৱান দগী টুয়েল্ভ ফাওবদা লৈবা সি.দবলিউ.এস.এন. নুপিমচাশিংগীদমক থা খুদিংগী লুঃ ২০০ ষ্টাইপেন্দ ওইনা পীগনি।
- য়ুনিফোর্মগীদমক অঙাং অমগী লুঃ ৬০০ কি চাংদা পীগনি।
- টেক্সবুক্কিদমক লুঃ ২৫০/৪০০ পর চাইল্দ পর এনম
- কষ্টুরবা গান্ধি বালিকা ভিদ্যালয়াস (কে.জি.বি.ভি.) শিংবু ক্লাস আইটতগী ক্লাস সিক্স - টুয়েল্ভ ফাওবা অপগ্রেদ তৌবা।
- টিচর্সকি ক্বালিটি ফগৎহন্নবগীদমক এস.সি.ঈ.আর.টি. অমদি ডি.আই.ঈ.টি. কুম্বা টিচর ইডুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা।
- স্মার্ট ক্লাস রুমস, ডিজিটেল বোর্ডস অমদি ডি.টি.ঐচ. খিন্দুনা ডিজিটেল টেক্নোলোজি হেন্না শিজিন্নবা।
- আর.টি.ঈ.গী প্রোভিসনশিং থবক ওইনা পাংথোক্লবা (ইম্প্লিমেন্ট) ষ্টেট অমদি য়ু.টি. শিং সপোর্ট তৌবা লোয়ননা এক্ট অসিগী সেক্সন ১২ (১) গী মতুংইন্না ষ্টেট য়ু.টি. শিংদা এক্সপেন্দিচর রি-ইম্বর্স তৌবা।
- খুদোংচাদবা জগা অমদি খুদোংচাদবা ফীভম মায়োক্লবা অঙাংশিংগীদমক রেসিদেন্সিয়েল স্কুলশিং অমদি হোষ্টেলশিং শাগৎপা।
- চাং মান্নবা ইডুকেসন্নেল দিভেলপমেন্ট (বেলেন্স) পুরক্লবগীদমক ইডুকেসনেল্লি বেকৱার্দ ব্লোক্স (ঈ.বি.বি.এস.), এল.দবলিউ.ঈ.এস., স্পেসিয়েল ফোকস দিষ্ট্রিক্ট (এস.এফ.দি.এস.), বোর্ডর ডিষ্ট্রিক্টসশিংদা প্রিফরেন্স পীবা।

স্কিম অসিগী মরুওইবা ইমফেসিসতি ক্বালিটি ইডুকেসন ইম্প্রুব তৌবনি। মসিগীগীদমক টি.এস. অনি হায়বদি টিচর্স এন্দ টেক্নোলোজিদা ফোকস তৌগনি। স্কিম অসিগী মখাদা স্কুল্লিংগী খুৎ থিংজিন্নবগী (ইন্টরভেন্সন্স) ষ্ট্রেটেজি খুদিংমক স্কুল্লিংগী লেভেল খুদিংমক্তা লার্নিং আউটকম ফগৎহন্নবগীদমক্তনি। স্কিম অসিনা ষ্টেট অমদি য়ু.টি.শিংদা মাগী মাগী লমগী দরকার ওইবগী মতুংইন্না ইন্টরভেন্সন্সশিং পাংথোকচবা য়ানবগী ফ্লেক্সিবিলিটি অদু প্রোপোস তৌরি। ফন্দ এলোকেট তৌবদসু য়াম্না ওবজেক্টিভ ওইবা মওংদা ষ্টুদেন্টসকি ইনরোলমেন্ট, স্কুলগী কম্প্লিটেদ লাএবিলিটিজ, লার্নিং আউটকম অমদি অতোপ্পা পার্ফোর্মেন্স ইন্দিকেটরশিং য়েংলগা তৌগনি।

লেজিস্লেটিভ লৈবা (এসেম্লি) লৈবা য়ু.টি.এস.শিংদনা ৬০ঃ৪০ পুথোক্নে। লেজিস্লেটিভ লৈতবা য়ু.টি.এস.শিংদদি সেন্টরনা চাদা ১০০ পুথোকই। মসি সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর স্কিমশিংগী রেস্নেলাইজেসনগী মতাংদা ফমখিবা চীফ মীনিষ্টরশিংগী সব-গ্রুপকি রিকম্মেন্দেসনগী মতুংইন্ননি।

**কম্পোনেটস ওফ দি স্কিম ঃ**

প্রি-স্কুল ইডুকেসন ঃ সমাগ্রা শিক্ষা ইম্প্লিমেন্ট তৌবগী ফ্রেমৱার্কনা রিছার্চ ষ্টদিজময়ান্না ফংলকপা অমদি পুথোরকপা প্রি স্কুল ইডুকেসনগী মরুওইবা অমদি দরকার (নিদ) অদু খঙনা থবক তৌগনি। প্রি স্কুলদা কালিটি ইডুকেসন পীবনা স্কুলদা অঙাংশিংগী প্রোগ্রেস অমদি এচেবমেন্ট হেঙ্গৎহনবদা নত্তনা মসিনা তুংগী চাওখৎপা (গ্রোট), লার্নিং অমদি দিভেলপমেন্টকি অরিংবা ফাউন্দেসন অমা খিল্লগনি। মসিদা নত্তনা অঙাংশিংনা অঙাংশিংদা পোজিটিব এটিচুদ অমদি হৈনিংবগী ইথিল (লার্নিং দিজায়ার) পোকহনগনি। মরম অদুনা অঙাংশিংদা প্রি-স্কুল মতমদা কালিটি এক্সপরিএন্স ফংহনবা তঙাইফদে। সমাগ্রা শিক্ষাগী মতুংইন্না প্রি-স্কুলগী প্রোগ্রাম অসি হান্নগী প্রোগ্রাম পরে ভারত ভরে ভারতকি মরুওইবা মচাক (কম্পোনেন্ট) অমা ওইগনি। হান্নগী প্রোগ্রাম অসিনা আর্লি লেঙ্গুএজকি ফাউন্দেস্নেল লার্নিং (এ.বি.সি.) অমদি নৌরিঙৈ (প্রি স্কুল) দা আর্লি নুমরেসি (মেঠমেটিক্স) তন্নীবদা ফোকস তৌই। মসিনা প্রি স্কুলদগী ক্লাস থ্রি ফাওবগী কন্টিনুঅম অদু খঙনা থবক তৌগনি।

সমাগ্রা শিক্ষানা ষ্টেটশিংগী অঙাংশিংদা প্রি স্কুল ইডুকেসন ফংহন্নবা হোৎনবদা সপোর্ট তৌগনি। মসিগীদমক ফিজিবল ওইবা মফমশিংদা প্রাইমারি স্কুল অমদি অঙ্গনৱাদিশিং মফম অমত্তদা (কো-লোকেসন) থম্নবা হোৎনবা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি/ ডিপার্টমেন্ট ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্দ দিভেলপমেন্টকা পুল্লগা ক্যুরিকুলম শেমগনি। প্রি স্কুল প্রোগ্রাম অসি চহি অনি ফাওবগী ওইগনি হায়বদি অঙাংগী চহি ৪ দগী ৬ ফাওবা ওইগনি। ২০১৫-২০১৬ কি য়ু.দি.আই.এস.ঈ. গী ডাটা গী মতুংইন্না লৈপাক অসিদা লৈবা প্রাইমারি স্কুলশিংগী চাদা ৪১.৩ দি অঙ্গনৱাদি সেন্টরগা কো-লোকেটেদ ওই। চহি ৩-৬ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিং এক্কোমোদেট (য়াওহনবা) তৌবা কো-লোকেটেদ অঙ্গনৱাদিশিংদা চহি ৪-৬ শুবা অঙাংশিংতমক প্রি স্কুলগী ছাত্র ওইনা লৌগনি। ২০১৬-১৭কি য়ু.দি.আই.এস.ঈ.গী ডাটা গী মতুংইন্না প্রাইমারি সেক্সন লৈবা ১২.৩৬ লাখ স্কুলগী মনুংদা ২.৯৪ লাখ স্কুলশিং, হায়বদি চাদা ২৪দি প্রি প্রাইমারি সেক্সন লৈ। চহি অমদা অঙাং ১.৩৬ ক্রোর প্রি প্রাইমারিদা ইনরোল তৌবগী মনুংদা, গোভর্নমেন্ট স্কুলদদি শুপ্নগী ০.৩৬ ক্রোর ইনরোল তৌই। ষ্টেট গোভর্নমেন্টনা ফোর্মেল প্রাইমারি স্কুল লিংখৎনিংনা মফমশিংদা স্কিম অসিনা সপোর্ট পীগনি।

লাইব্রেরিগী মচাকশিং (রিছোর্স) অসি পরে ভারত বরে ভারত (পী.বি.বি.বি.) গী মখাদা অঙাংশিংদা জ্ঞান তানা লাইরিক পাবদা (রিদিং ৱিট কম্প্রিহেন্সন) মতেং পাংগনি। নৌরিঙৈদ্গীনা সেকেণঅডরি লেভেল ফাওবদা লাইরিক পাবগী প্রোসেস (মওং) অসি লেপ্তনা প্রাক্টিস তৌবা, রিফাইন তৌবা, অনৌবা দিভেলপ তৌবা দরকার লৈবনা মরম ওইরগা লাইব্রেরিদা বুক্স, জর্নেলস, মেগাজিনস অমদি রিদিং মেটরিয়েল্স অনৌ-অনৌবা হাপচিন্দুনা অপদেট তৌবা দরকার লৈ।

**স্পোর্টস গ্রান্ট অন্দর সমাগ্রা সিক্ষা (খেলো ইন্দিয়া খিলে ইন্দিয়া) ঃ**

স্কুলদা স্পোর্টস তৌবনা অঙাংশিংদা অমদি ইডুকেস্নেল সিষ্টেমদা য়াম্না কান্নবা পী। স্পোর্টসনা অঙাং অমগী ফিজিকেল, এফেক্টিভ, সোসিয়েল অমদি কোগনিটিভকি কেপাসিটি হেঙ্গৎহল্লি। স্পোর্টসনা অঙাং অমগী সোসিয়েল স্কিল, সোসিয়েল বিহেবিয়ার, লাইফষ্টাইল, সেল্ফ-ইষ্টিম অমদি প্রো-স্কুল এটিচুদ হেন্না হেঙ্গৎহনবদা য়াম্না মতেং পাংই। স্পোর্ট অমগী কান্নবা ময়াম লৈ। স্পোর্টস য়াওরগা ফিজিকেল এক্টিভিটিজ অমদি এক্সর্সাইজ তৌবনা অঙাং অমগী মাইন্দ এন্দ বোডি পুন্না দিভেলপ তৌহল্লি। এরোবিক অমদি এনএরোবিকী ফিজিকেল এক্সর্সাইজ তৌবনা সেল্ফ কনফিদেন্স অমদি হেল্ঠ অনিমক ফগৎহল্লি।

স্পোর্টসনা অতোম্পা মী উনবা অমদি ৱাখল লৌশিং সেয়ার তৌবগী (কম্যুনিকেট) কি খুদোংচাবা পী, সমাজদা তোঙান-তোঙানবা দায়ত্য (রোল) লৌবা ঙমহল্লি, সোসিয়েল স্কিল কয়া তমহল্লি (টোলরেন্স এন্দ রেস্পেক্ট ফোর অদর) লোয়ননা ময়ামগী অপাম্বদা (কলেক্টিব/টিম ওবজেক্টিব) এদজষ্ট তৌবা ঙমহল্লি। অদুগী মথক্তা অঙাংশিংবু ইমোসনেল্লি অমদি মেন্টেল্লি ষ্ট্রোং ওইহল্লি।

সমাগ্রা সিক্ষাগী মখাদা অঙাংশিংগী হোলিষ্টিক দিভেলপমেন্ট (মাইন্দ এন্দ বোডি) গীদমক গেমস অমসুং স্পোর্টসতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। মসিগীদমক অহানবা ওইনা স্কুলশিংদা স্পোর্টস ইক্বিপমেন্টকি গ্রান্ট পীগনি। স্কিম অসিগী মখাদা গোভর্নমেন্টকি প্রাইমারি স্কুলগী লুঃ ৫,০০০, অপ্পর প্রাইমারিগী লুঃ ১০,০০০ অমদি সেকেণ্ডরি সেনিয়ার সেকেণ্ডরিগীনা লুঃ ২৫,০০০ গ্রান্ট ওইনা পীগনি। পৈশা অসি স্কুলশিংনা ইন্দোর অমদি আউটদোর গেম্সকি ইক্বিপমেন্ট লৈবগী ওইগনি।

ট্রান্সফর) গী খুথাংদা তৌগনি। মমাংঙৈদদি মসি ক্লাস ৯-১২ ফাওবদংগী ওইরম্বনি। সি.দবলিউ.এস.এন. অঙাংশিংগী চহি চহিগী ওইবা চাকথুং (এলোকেসন)সু লুঃ ৩,০০০ দগী ৩,৫০০ দা হেঙ্গৎখ্রে। মসিগী মথক্তা তোঙানবা রিছোর্স সপোর্ট হায়বদি স্পেসিয়েল ইডুকেটরগী সেলারি হেঙ্গৎহনবা অসিসু স্কিম অসিদা য়াওরি। মসিনা স্কুলশিংদা সি.দবলিউ.এস.এন. ছাত্রশিংগী দরকার ওইবা মচাকশিং মেনশিনবদা কান্নহনগনি।

**কস্তুরবা গান্ধি বালিকা বিদ্যালয়া (কে.জি.বি.ভি.) ঃ**

সমাগ্রা সিক্ষাগী য়াম্না মরুওইবা ওবজেক্টিব অমদি স্কুলগী লেভেল খুদিংদা লৈবা সোসিএল অমদি জেন্দরগী গেপপু মেনশিনবনি। (ব্রিদজিং গেপ)। মদুগী মতুংইন্না নুপীমচাশিং লাইরিক তমহন্নবগীদমক হান্না অপ্পর প্রাইমারিগী লেভেলদা লৈবা কে.জি.বি.ভি.শিং অমদি সেকেণ্ডরি লেভেলদা লৈবা গার্লস হোস্টেলশিং এক্সটেন্দ তৌদুনা স্কিম অসিনা ক্লাস ১২ ফাওবদা রেসিদেন্সিয়েল স্কুল ফেসিলিটিজ ফংহল্লে।

স্কিম অসিনা চহি ১০-১৮ গী মনুংদা লৈবা ক্লাস ৬-১২ ফাওবদা তম্নিংবা ফিভম চাদ্রবা দিসএদভান্টেজ গ্রুপকি মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংদা ক্বালিটি ইডুকেসন ফংহনগনি। এস.সি., এস.টি., ও.বি.সি., মাইনোরিটি ফেমিলি, বি.পী.এল. ফেমিলিগী নুপীমচাশিং ইলিমেন্টরিগী থাক্তগী, সেকেণ্ডরি ফাওবা অদুদগী ক্লাস ১২ ফাওবা অপনবা লৈতনা মখা তমথহন্নবা (স্মুৎ ট্রাঞ্জিসন) তমথহনগদবনি।

সমাগ্রা সিক্ষা স্কিম অসিদা অপ্পর প্রাইমারি লেভেল ফাওবা লৈবা কে.জি.বি.ভি.শিং ক্লাস ১২ ফাওবদা অপগ্রেট তৌনবগী প্রোভিজন য়াওই। মসিনা ইডুকেসনগী লমদা শোথারবা (বেকৱার্দ) ব্লোক খুদিংমক্তা ক্লাস ৬-১২ ফাওবা তম্বা য়াবা নুপীমচাশিংগী রেসিদেন্সিয়েল স্কুলগী ফেসিলিটি অমমম ফংহনগনি, অদুবু মসি হান্না রেসিদেন্সিয়েল স্কুল লৈতবা মফমদা লিংখৎকনি।

স্কিম অসিনা টার্গেট তৌরিবা গ্রুপ অসি এস.সি., এস.টি, ও.বি.সি., মাইনোরিটি কম্যুনিটি অমদি বী.পি.এল. ফেমিলিগী চহি ১০-১৮ গী মনুংদা লৈবা ক্লাস ৬-১২ দা তম্নিংবা নুপীমচাশিংনি। স্কিম অসিনা ব্যুল্দিংগী নন-রিকরিং গ্রান্টকি মথক্তা মখাদা পীরিবা লিষ্ট অসিগী রিকরিং গ্রান্টসু পীগনি।

১। KGBV (Class VI-VIII) upto 60 lakhs per annum
২। KGBV (Class VI-X) upto 80 lakhs per annum
৩। KGBV (Class VI - XII) upto 1 crore per annum
৪। Stand alone Girls Hostel for Class IX - XII upto 25 lakhs

সমাগ্রা সিক্ষা স্কিমগী মখাদা হায়রিবা সেল্ফ দিফেন্সকি ট্রেনিং অসি নুপিমচাশিং তম্বা গোভর্নমেন্টকি স্কুল খুদিংমক্তা চহি অমদা থা অহুম তৌগনি। মসিগীদমক স্কুল খুদিংদা গোভর্নমেন্টনা থা অহুমদুগী, থা অমগী লুঃ ৩,০০০ গী চাংদা পীগনি। ট্রেনিং অসি ক্লাস ৬-১২ ফাওবদা লৈবা নুপিমচাশিংদা পীগনি। ট্রেনিং অসি কে.জি.বি.ভি. স্কুলদা তম্বী নুপীমচাশিংদসু পীগনি। ফগুগীদমক ষ্টেট অমদি য়ু.টি. শিংনা সেল্ফ দিফেন্স ট্রেনিংগীদমক অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট/ওর্গেনাইজেসনগী স্কিমশিংগা পুনশিনবা য়াই। মখোয়দুদি মীনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্দ দিভেলপমেন্টকি নিরভয়া ফণ্ড, পুলিস ডিপার্টমেন্ট, হোম গার্দস, এন.সি.সি. অমদি অতোপ্পা ষ্টেট গোভর্নমেন্টকি স্কিমশিংনি।

**স্কুল সেফটি ঃ**

অঙাং খুদিংমক সেফ অমদি সেক্যুর ওইবা হৱা নুংশিৎ (ইনভাইরনমেন্ট) অমগী মনুংদা মহৈ তম্বগী অমদি ইজৎ লৈনা হিংবগী হক লৈ। মসিনা সমাজদা গ্রোট অমদি দিভেলপমেন্ট পুরক্কনি। স্কুলগী সেফটি অমদি সেক্যুরিটি হায়বসি শুপ্পগী স্কুল অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ফিজিকেল সেফটি খক্তদা য়েংবগী মহুৎতা খরা পাক চাওনা য়েংগদবনি। ঙসিদি স্কুল সেফটিগী ইশু অসি য়াম্না কম্প্লেক্স ওইরে। ঙসিদি কোর্পোরেল পনিসমেন্টতগী হেন্দোকখিদুনা অতোপ্পা ইশু ময়াম হায়বদি বুল্লিয়িং, ফিজিকেল ভাইওলেন্স, সেক্সুএল সাইকোলোজিকেল অমদি ইমোসনেল ভাইওলেন্সতগীনা এক্সত্রিম কেসতা শিবা ফাওবদা য়াওরকপনা স্কুল সেফটিগী ইশু অসি য়াম্না কম্প্লেক্স ওইরক্লি। মতম খরগী মমাংদগী স্কুলশিংদা থোকপা ভাইওলেন্স (খৎন-চৈনবা) ট্রেজিক ইন্সিদেন্টসতগীনা মর্ডর, এসোল্ট অমদি রেপকি রিপোর্ট ফংলে। অঙাংশিংদা য়াম্না লায়না ইন্টরনেট ফংবা, অমদি মদুদা ক্রাইম, ভাইওলেন্স, পোর্নোগ্রাফি, সবসটেন্স এব্যুসকি ভিদিওশিং মরাং কায়না ফংলি। মসিগী মথক্তা ড্রগস, অলকোহোল, সিগরেটসশিং লাইনা ফংলি। পুন্নমকসিগী মথক্তা অঙাংশিংদা অঙকপা ফংনা একজামগী ষ্ট্রেস লৈবদা নত্তনা মমা মপাগী প্রেসর, টিচর্সগী প্রেসর অমদি মসুং মমান্নবগী প্রেসরনা মরম ওইরগা অঙাংশিং এগ্রেসিব ওইহল্লি নত্রগা দিপ্রেসন লৈহন্দুনা সুসাইদ ফাওবা তৌহল্লি। মসিগী মতাংসিদা স্কুল মেনেজমেন্ট, প্রীন্সিপাল, টিচর্স অমদি ষ্টাফকি মীৎয়েং অসি মপুং ওইনা থৌ ৱা শাদবা (ইন্দিফরেন্ট) ওই। ফীভম অসিদা স্কুল সেফটি অমগী সেক্যুরিটিগী ফ্রেমৱার্ক অমদি প্লান ওফ এক্সন অমা মখোয়দগী এক্সপেক্ট তৌবগী মতাংদদি য়াম্না পুক্লিং শোন্থনিংঙাই ওইরি। য়াম্না মপুং ফাবা গাইদলাইন অমা, মদুদা একাউন্টেবিলিটি ফ্রেমৱার্ক য়াওবা অমা ষ্টেকহোল্দর্স ময়ামগা তান্নরগা শেমগৎলি। মসিদা ষ্টেকহোল্দর্সশিং হায়বদি স্কুল মেনেজমেন্ট, টিচর্স, ষ্টুদেন্টস, পেরেন্টস অমদি কাউন্সেল্লরশিংসু য়াওহন্দুনা স্কুলবু সেফ অমদি সেক্যুর ওইনবা হোৎনরি।

লৈপাক অসিগী মশিং য়াম্লবা কলচর, জিওগ্রাফিজ, লেঙ্গুএজ, ফুদ অমদি কষ্টমসপু ফজনা খঙহনগনি।

- ০ প্রোগ্রাম অসিনা এক ভারত শ্রেষ্ঠা ভারতকি পন্থুং অদু ফংনবগীদমক ফজনা প্লান তৌবা নেস্নেল ইন্টিগ্রেসনগা মরি লৈনবা (স্পিরিট ওফ নেস্নেল ইন্টিগ্রেসন) এক্টিভিটিজশিং পাংথোক্কনি।
- ০ রেঙ্গোসব প্রোগ্রাম লোইখ্রবা মতুংদসু ইন্টিগ্রেটিং আর্টসপু চহি চুপ্পা স্কুলগী ডে-টু-ডে রুটিনদা হাপ্তুনা স্কুলদা জোইফুললার্নিং ইনভাইরনমেন্ট প্রোমোট তৌগনি।
- ০ রেঙ্গোসব প্রোগ্রামময়াম্না য়াম্না পান্নবা প্রোগ্রাম ওইখি। লৈপাক শিনবা থুংনা স্কুলশিংদা ছাত্রশিংগী অমদি ওজাশিংগীদমক কলচরেল গেট (কলচর খঙনবগী লম্বী) হাংদোক্তুনা মখোয়গী এক্টিভিটি টেলেন্টস ওফ সেলেব্রেট তৌখি।
- ০ স্কুলদা পাংথোকপা ভাষা সঙ্গমগুম্বা এক্টিভিটিজগী মথক্তা অতোপ-অতোপ্পা রিজনেল, ষ্টেট, জোনেল অমদি নেস্নেল লেভেলগী এক্টিভিটিজ কয়া রেঙ্গোৎসবকি পার্ট অমা ওইনা পাংথোকখি, মদুদা নেস্নেল চিল্দ্রেন এসেম্লি, ইন্টিগ্রেসন কেম্প, নেস্নেল লেভেল ফোর্ক ডান্স, নেস্নেল লেভেল রোল প্লে, কলা উৎসব, সঙ্গীৎ কলা সঙ্গম অমদি ইন্টর স্কুল বেজ কম্পিটিসন হায়রিবা ইভেন্ট এক্টিভিটিজশিং অসিনি।

**স্কুল বেজ এসেসমেন্ট (এনুএল এচিবমেন্ট সরভে) ঃ**

ছাত্রশিংগী লার্নিং আউটকম অদু ওবজেক্টিভ ওইনা এসেস তৌনবগীদমক দি.ও.এস.ঈ.অমসুং এলনা নেস্নেল এচিবমেন্ট সরভে (এন.এ.এস) পাংথোক্লবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। মসি চাং নাইনা পাংথোক্কদবা এক্সটর্নেল সর্ভেনি। সর্ভে অসি তৌনবগী প্রোসেস অদু ষ্টেকহোল্দর্স খুদিংমক্কা মরিক চুন্না খন্থরবা/তান্নরবা মতুংদা দিভলপ তৌবনি। ২০১৭-২০১৮ দা পাংথোকখিবা এন.এ.এস.কি রিজল্ট অদু পব্লিক্কি দোমেন ফংলে।

২০১৭ তা পাংথোকখিবা এন.এ.এস.না ছাত্র ২.২ মিল্লিয়ন সর্ভে তৌবদা ফংখিবা রিজল্টকি ইভেদেন্সকি মতুংইন্না অমদি মদুগী তুংদা এন.সি.ঈ.আর.টি.না পাংথোকপা পাইলোট সর্ভেনা টার্গেটেদ ইন্টরভেন্সনগী মতাংদা লার্নিং আউটকম ফগৎহন্নবা ফ্রেমৱার্ক শেম্বগী মতুংইন্না এস.বি.এ. (স্কুল বেজ এসেসমেন্ট) তৌনবা লেপখ্রে (দিসাইদ) এস.বি.এ. অসি ২০১৯ দা পাংথোক্কনি অদুগা মসিনা ইলিমেন্টরি লেভেলদা লৈবা ছাত্র খুদিংগী লার্নিং আউটকম এসেস তৌগনি। মসি স্কুলনা পাংথোকপা কালিটেটিভ ওইবা ইভালুএসন অমনি।

(উরবান এরিয়া) দা লৈবা অঙাংশিং নত্রগা য়াম্না খুদোংচাদবা অঙাংশিং (দিপ্রাইব) নত্রগা সি.দবলিউ.এস.এন.শিংনা স্কুল চৎপগী খুদোংচাবা ফংদে। হায়রিবা অঙাংশিং অসিগীদমক স্কিম অসিনা ট্রান্সপোর্ট নত্রগা ইস্কোর্টকি ফেসিলিটি পীগনি। য়াম্না পীকপা খুঙ্গংদা লৈবা অঙাংশিং স্কুল হাংবদা খুদোংচাদবা দেজার্ট নত্রগা ট্রাইবেল এরিয়াদা লৈবা অঙাংশিংগীদমক্তা স্কিম অসিনা স্কুল চথোক চৎশিন (হঙ্গৎ হন্দা)গী ফ্রি ট্রান্সপোর্টেসন পীগনি নত্রগা ফ্রিদা রেসিদেন্সিএল ফেসিলিটি পীগনি।

**ফ্রি য়ুনিফোর্ম এন্দ টেক্সবুক্স ঃ**

সমাগ্রা শিক্ষা স্কিমগী মতুংইন্না ক্লাস ৮ ফাওবদা তম্বা মহৈরোই নুপীমচা খুদিংমক অমদি এস.সি./এস.টি./বী.পি.এল. ফেমিলিগী গোভর্নমেন্ট স্কুলদা তম্বা অঙাং খুদিংমক্তা চহি অমদা য়ুনিফোর্ম সেট অনিগী হান্না লুঃ ৪০০ পীরম্বদু লুঃ ৬০০ তা হেঙ্গৎখ্রে। স্কুল য়ুনিফোর্ম ফ্রি দা পীবগী মরমদি অঙাংশিংদা সেন্স ওফ বিলোংগিং (মশাগী ওইনা খনগনবা) অমদি স্কুলবু মশামক্কিনি হায়বা ৱাখল্লোন পোকহন্নবনি।

স্কুলদা টেক্সবুকপু মরম চানা শীজিন্নহনবনা স্কুল তাকপী তম্বীবগী, ক্বালিটি ইডুকেসন অচৌবা ইনদিকেটর অমনি। মরম অদুনা টেক্সবুক পুথোকপদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপগী তঙাইফদবদু লৈরে। রিফোর্ম (অহোংবা) অসিদা টেক্সকি লেআউট অমদি দিজাইন, টেক্স অমদি কোভর পেপর সাইজ অমদি শীজিন্নরিবা ইঙ্ক, প্রিন্টিং, বাইন্দিং অসিনচিংবগী অচৌবা ইথিল/কান্নবা (ইম্প্লিকেসন) লৈ। স্কিম অসিগী মতুংইন্না টেক্সবুক্কিদমক গোভর্নমেন্ট/লোকেল বোডি/গোভর্নমেন্ট এদেদ স্কুল/মদ্রাসাসতা তম্বা অঙাং খুদিংদা পীবা পৈশাগী চাং হেঙ্গৎখ্রে। হান্না প্রাইমারি লেভেল তম্বা অঙাং অমদা চহিদা লুঃ ১৫০ পীরম্বা অদু লুঃ ২৫০ দা হেঙ্গৎখ্রে। অপ্পর প্রাইমারিগী হান্না লুঃ ২৫০ পীরম্বা অদুনা লুঃ ৪০০ দা হেঙ্গৎখ্রে। ট্রাইবল লেঙ্গুএজদা ইবা প্রাইমর্স/ টেক্সবুকশিং অমদি মখোয়বু ষ্টেট লেঙ্গুৱেজ অমদি ইংলিসতা ওন্নবগী ব্রিদজিং মেটরিয়েলগীদমক মদুবু টেক্সবুক ওন্নবগীদমক ক্লাস ১ অমসুং ২ ফাওবগী টেক্সবুক্কীদমক অঙাং অমগী লুঃ ২০০ গী চাংদা পীগনি।

**ষ্ট্রেঙ্কঠনিং ওফ সি.আর.সি.এস. - মোবিলিটি সপোর্ট টু সি.আর.সি.এস. ঃ**

ক্লষ্টর্স রিছোর্সেস সেন্টরশিং অসি স্কুল অমদি টিচর্সশিংদা ওন-সাইট সপোর্ট পীবগী ট্রেনিং তৌবগী য়াম্না মরুওইবা য়ুনিটশিংনি। সি.আর.সি. না স্কুলদা রিগুলার ভিজিৎ তৌবগী অমদি একাদেমিক ওইবা ইশুশিং খন্ননবা মীটিং ওর্গেনাইজ তৌবা স্কুলগী পার্ফোর্মেন্স হেঙ্গৎহন্নবগী ষ্ট্রেটেজিজ পুথোক্কনি। স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফেসিলিটিজ

ক্লাটর্লি রিপোর্ট মোবাইল এপকী খুথাংদা অপলোদ তৌবগী মথক্তা স্কুলশিংগী ষ্টেটস অমদি এক্টিভিটিজকি মতাংদসু অপলোদ তৌগনি।

ট্রেনিং অসিগীদমক অকক্লবা প্লান অমগী মতুংইন্না গোভর্নমেন্টকি ইলিমেন্টরি অমদি সেকেণ্ডরি লেভেলদা লৈবা স্কুল খুদিংমক্তা চহি অমদা লুঃ ৩,০০০ পীগনি।

**দিস্প্লে ওফ লোগো ওফ সমাগ্রা সিক্ষা ঃ**

লোগো হায়বসি স্কিম অদুগী অশানবা মীৎয়েং অমদি মথ্বাই (ভীজন এন্দ স্পীরিটনি। লোগোনা স্কিম অদুগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা নত্তনা স্কুল, ষ্টুদেন্ট অমদি কম্যুনিটিগী মরক্তা য়াম্না অচেৎপা মরি অমা শাগৎলি। মমাংদা, এস.এস.এ.গী লোগো স্কুলগী ৱালশিংদা থেৎখিবা মতমদা মদু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি অমদি স্কুলবু শক তাকখি।

মরম অদুনা স্কুলশিংনা লোগোবু য়াম্না ময়েক লানা (প্রোমিনেন্ট) স্কুলগী কেম্পসতা থেৎপগী তঙাইফদে। স্কুল খুদিংমক্তা সামাগ্রা সিক্ষাগী লোগো থেৎকদবনি অমদি মদুদা স্কিমসিগী মখাদা পীবা খুদোংচাবশিং, হায়বদি ফ্রি টেক্সবুক, ফ্রি য়ুনিফোর্ম অসিনচিংবগী মতাংদসু য়াওগদবনি।লোগো অদু য়াম্না মরুওইবা জগাশিংদা ৱাল পেন্টিং ওইনা নত্রগা দিস্প্লে বোর্ড ওইনা থেৎকদবনি। লোগো অদুগী দিজাইনদি এম.ঐচ.আর.দি.না পীগনি।

**ক্রেদিবল ডাটা, একাউন্টেবলিলিটি, এন্দ এৱার্দস য়ু.দি.আই.এস.ঈ. প্লস ঃ**

লৈপাক অসিদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্কি ডাটাদু য়ুনিফাইদ ডিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওন স্কুল ইডুকেসন (য়ু.দি.আই.এস.ঈ.) না খোমগৎকনি। ২০১৮-১৯ দগী য়ু.দি.আই.এস.ঈ. ডাটা অপগ্রেট তৌনবা লেপ্পবদা নত্তনা অনৌবা ফিচর কয়া হাপচিল্লে। দি য়ু.দি.আই.এস.ঈ. প্লসকি এপ অসি ওনলাইন ওইরগনি অমদি মদুদগী রিএল টাইম ডাটা কলেক তৌবা হৌরগনি। য়ু.দি.আই.এস.ঈ প্লস এপ্লিকেসন্না ডাটা কল্লেক্সন তৌবদা নত্তনা মখাদা পীরিবা ফিচরশিং অসিসু কোনশিনগনি।

১। মরুওইবা পার্ফোর্মেন্স ইন্দিকেটর্স অমদি অতোপ্পা মরুওইবা ডাটা য়াওবা ডাটা এনালাইসিস অমদি ডাটা ভিজুএলাইজেসন য়াওবা দাসবোর্ড অমা শেম্বা (দিভেলপ তৌবা)। মসিদা চহি চহি দা ফংলকপা ট্রেন্দ ষ্টদি তৌনবা টাইম সেরিজ ডাটা (চহি চহিগী) য়াওগনি অমদি গ্রোট মোনিটর তৌগনি। লোয়ননা মরুওইবা পার্ফোর্মেন্স ইন্দিকেটরশিং ট্রেক তৌগনি।

২। সিষ্টেম জি.আই.এস. মেপ্পিং তৌগনি অমদি স্কুলগী রিপোর্ট কার্ড শেমগনি।

অমদি য়ু.টি. শিংনা মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা (ডাইভর্স) সার্কমসটেন্সেস / সিচুএসনদা য়ান্না মায় পাক্লা পাংথোকখিবা ইন্নোভেটিব অমদি সক্সেসফুল মোডেলশিং পুথোক্তুনা উৎকনি (সোকেস)। মসিনা মায় পাক্লা পাংথোকখ্রবা খোংথাংশিং অসিগী মান্নবা (রিপ্লিকেট) খোঙথাং পায়খৎতুনা মপুং ফাহনবনি।

মসিগী ফজবা রিপোজিটরি অসিনা পোজিটিভ ওইবা ৱারি (ষ্টোরি) অমদি দিভেলপমেন্টতা ফোকস তৌগনি। মসিনা স্কুল ইডুকেসনগী পার্ফোর্মেন্স ইম্প্রুব তৌবদা অচৌবা ইথিল পীগনি। হায়রিবা য়ান্না ইন্নোভেটিব ওইবা প্রাক্টিসশিং অসি কেস ষ্টদিজ, ভিডিওস, টেষ্টিমোনিএল্স অমদি ইম্পেজেজ ওইনা ডোকুমেন্ট তৌদুনা থমগনি।

হায়রিবা ডিজিটেল প্লেটফোর্ম অসি লৈপাক অসিগী ইলিমেন্টরি ইডুকেসনদা পায়খৎপা ইন্নোভেটিব ওইবা আইদিয়াস অমদি মায় পাকপা (সক্সেস ষ্টোরিজ) ষ্টোরিজ কয়াবু ষ্টোর তৌদুনা পব্লিক, মেডিয়া, ষ্টেকহোল্দর্স ইনফ্লুএন্সেস অমদি গ্লোবেল একাদেমিকতা য়েংহনগনি। পোষ্টেল অসিগী রিপোজিটরিদা ষ্টেট/য়ু.টি. গোভর্নমেন্ট, পব্লিক স্কুল, টিচর্স অমদি ষ্টুদেন্টসশিংদা কান্নবা পীখিবা ইন্নোভেটিব ওইবা থবকশিং ডোকুমেন্ট তৌদুনা ময়ামদা চায়থোক্তুনা (শন্দোক্তুনা) খঙহনগনি। শাগুনগী রিপর্টরিদা বেষ্ট প্রাক্টিস মতাংদা ভীদিও ২৯৬ লৈ, কেস ষ্টদি ২৬৯ লৈ, টেষ্টিমোনিএল **১৫১** লৈ অমদি ৪৫৮৬ ফোটো লৈ।

২০১৮-১৯ দা ডিপার্টমেন্ট অসিনা রিপোজিটরি অসি পাকথোক চাওথোক্লবা লেপ্লখ্রবা মতুংদা ডিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎপা স্কিম খুদিংমক অমদি অতোপ্পা ওটোনোমস বোডিজশিং হায়বদি এন.সি.ঈ.আর.টি. এন.আই.ঈ.পী.এ., সি.বি.এস.ঈ., এন.সি.টি.ঈ., এন.আই.ও.এস., কে.ভি.এস., এন.ভি.এস. অমদি নেস্নেল বাল ভৱন (এন.বি.বি.) নাপায়খৎপা এক্টিভিটিজশিংসু রিপোজিটরি অসিনা কোনশিল্লে।

**মোনিটরিং ঃ** শাগুনগী ওনলাইন মোনিটরিং মোদ্যুলনা মরুওইবা ইডুকেস্নেল ইন্দিকেটর্সশিংগী মীৎয়েংদ্গী ষ্টেট লেভেলগী পার্ফোর্মেন্স অমদি প্রোগ্রেস ওনগনি (মীজর) মসিনা ষ্টেট/য়ু.টি. শিংগী দি.এস.ঈ.এল. অমদি ইডুকেসন ডিপার্টমেন্টনা অকক্লবা মতমগী (রিএল ট্রিন) এসেসমেন্ট তৌবা ঙমহনগনি। মসিগী মরুওইবা মথৌশিংদি ফণ্ড শিজিন্নবগী ট্রেক তৌবা, পার্ফোর্মেন্স মীজর তৌবা, প্লান্নিং অমদি গোল সেট্টিং ওনলাইনদা তৌবা, ফিজিকেল টার্গেট থম্বা অমদি আউটকম মোনিটর তৌবনি।

**রিকোগনাইজিং গুদ পার্ফোর্মেন্স ঃ**

নেস্নেল এৱার্দস টু টিচর্স

এৱার্দশিং অসি ১৯৫৮ তা হৌদোকখিবনি। ১৯৬০ গী মযাইৱাইদগী হৌদুনা এৱার্ডশিং অসি চহি খুদিংগী সেপ্তেম্বর ৫দা, হায়বদি ইন্দিয়াগী অনিশুবা প্রসিডেন্ট ডা. সরবপাল্লি রাধাকৃষ্ণনগী পোকপা নুমিৎতা পিরি। শাংলবা চহিশিং অসিদা এৱার্দ মশিং অসি হৌজিক ৩৭৮ য়ৌরে অদুবু এৱার্দ অসিগী মগুণ (ষ্টেচর) হন্থরে হায়না ময়ান্না লৌনরে।

স্কিম অসিগী গাইদলাইনশিং ২০১৮ দা শেমদোকখ্রে। হৌজিক্তি স্কিম অসিগী গাইদলাইন্সসিইন্দিয়াগী অতোপ্পা অচৌবা এৱার্দশিংগী গাইদলাইন্সশিংগা মান্নরে। অনৌবা গাইদলাইন্সশিং অসিনা স্কিম অসি হেন্না ট্রান্সপরেন্ট, ফেয়ার ওইহল্লে অমদি রিৱার্দসিনা এক্সিল্লেন্স অমদি পার্ফোর্মেন্স উৎথোক্লে।

**স্কিম অসিগী অনৌবা ফিচরশিংদি ঃ**

১। ওজাশিংদা ওনলাইনদা সেল্ফ নোমিনেট তৌনবা www.mhrd.gov.in না ইনভাইট তৌবা। হায়রিবা ৱেব পোর্টেল অসি এদমিনিষ্ট্রেটিব ষ্টাফ কলেজ ওফ ইন্দিয়া (এ.এস.সি.আই.) না শাবনি অমদি সোফৱেয়ার অসি প্রোব্লেম অমত্তা য়াওদনা ফজনা মথৌ তৌরি।

২। হায়রিবা খোঙথাং অসি চাওনা মায় পাক্লে তাকপা ওইনা লৈপাক অসিগী মফম খুদিংদা লৈবা ওজা ৬০০০ দগী এপ্লিকেসন ফংলে।

৩। রিগুলার ওজা খুদিংমক এপ্লাই তৌবা য়াহল্লি অমদি মসিদা থবক তৌবগী মিনিমম সার্ভিস লৈতে। মসিনা নহা ওইরিবা য়ান্না মেরিট লৈবা ওজাশিংসু এপ্লাই তৌবা য়াহল্লে।

৪। এৱার্দকি মশিং ৪৫তা হন্থহন্দুনা এৱার্দ অসিগী প্রেষ্টিজ অমুক হঙ্গৎহল্লে।

৫। সেলেক্সনদা ষ্টেট/য়ু.টি. শিংগী ক্বোটা লৈতে। মসিনা ষ্টেট/য়ু.টি.শিং কম্পিট তৌহল্লি।

৬। ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা জ্যুরি অমনা ফাইনেল সেলেক্সন তৌই। ষ্টেট/য়ু.টি. অমদি ওর্গেনাইজেসনশিংনা ফোর্ৱার্দ তৌরকপা কেন্দিদেট ১৫২ গী মনুংদগী জ্যুরি অসিনা ফাইনেল সেলেক্সন তৌগনি। নোমিনি খুদিংমক্তনা জ্যুরিগী মমাংদা প্রজেন্টেসন পীগনি, মদুগী মতুংইন্না জ্যুরিনা ফাইনেল এসেসমেন্ট তৌরগা এৱার্দি ৪৫ অদু রিকম্মেন্দ তৌগনি।

খনগৎলবা এৱার্দিশিং অদুগা প্রাইম মীনিষ্টরগা ২০১৮গী সেপ্তেম্বর ৪দা মাগী রেসিদেন্সতা উন্নদুনা ফেলিসিটেট তৌখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মাগা এৱার্দিশিংগা ইন্টরএক্সন তৌবগী মতাংদা ট্বিট তৌখি।

**বেষ্ট প্রাক্টিসেস ইন ষ্টেটস এন্দ য়ু.টি.এস ঃ**

নালি কালি, করনাতকা

নালি কালি অসি মল্টিগ্রেদ ক্লাস রুমদা তম্বা অঙাংশিংনা ইবা, পাবা তম্নবা হোৎনবা অমদি ক্রিএটিভিটি হেনগৎনবা হোৎনবদা হরাওনা নুংঙাইনা তৌনবা হোৎনগনি। নালি কালি অসি ইহান হানবা ওইনা কর্নাটকাদা হৌদোকখি। মসি কর্নাটাকাগী কান্নারানা মেডিয়ম ওইবা গোভর্নমেন্ট স্কুল খুদিংদা ক্লাস ১ অমসুং ২ দা হৌদোকখি। মসিগী মহৈ তম্বগী মওং অসিদা ছাত্রশিংনা মথ্বাই য়াওনা পার্টিসিপেট তৌই। মসিনা ওজাগী থৌদাং হন্থহল্লি, ক্লাসরুমগী ইন্টরেক্সন য়াম্না হেনগৎহল্লি, একজমগী ট্রাউমা/এঞ্জাইটি লৈহন্দে। অঙাংশিংগী নেচরেল ইন্সটিঙ্কপু মফম চানা শীজিন্নহল্লি। নালি কালি মেঠদনা ওজাশিংগী মনিং মখা (ওটোনোমি) গী চাং হেনগৎহল্লি অমদি অঙাংশিংদা নুংঙাইবা অমদি ফ্রেন্দলি ওইবা এটমোস্ফিয়র অমদা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। শন্না সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা গ্রুপ গ্রুপ শেমদুনা মহৈ তমহল্লি। গ্রুপ গ্রুপ অদু চহি চহিগী খেৎনবগী মতুংইন্না শেমগনি। অঙাংশিংনা গ্রুপ অমগী কম্পিটেন্সি লৈরবা তুংদা, মথংগী গ্রুপতা চৎলগা মথংগী গ্রুপকি কম্পিটেন্সি লৈনবা হোৎনগনি। টিচিং অদু সোং, গেম্স, সর্ভে, ষ্টোরি টেল্লিং, য়ুজ ওফ টোইস, টিচিং লার্নিং মেটরিয়েল্স শীজিন্নদুনা পাংথোক্কনি। হায়রিবশিং অসি ওজা মশানা শেম্বনি। ছাত্রশিং গ্রুপ গ্রুপ খায়দোক্লগা ইনফোর্মেল ওইবা মওংদা মহৈ তম্বা মতমদা, মদু অঙাংশিংনা কুইনা নিংশিংদুনা লৈগল্লি। হায়রিবা মওং অসিনা লার্নিং লোদ হন্থহল্লি।

**গানিটা কালিকা এন্দোলানা (জি.কে.এ.), কার্নাটকা ঃ**

কর্নাটকা, গোভর্নমেন্টনা গানিঠা কালিকা এন্দোলানা (জি.কে.এ.) হায়না মমিং থোনবা গোভর্নমেন্টকি প্রাইমারি স্কুলশিংদা নুমরেল স্কিল ফগৎহন্নবা মেঠমেটিক্স লার্নিংগী মুভমেন্ট অমা হৌদোকখে। মী অয়াম্বনা মেঠমেটিক্স অসি মহৈ মশিং তম্বা য়াম্না মরুওইবা ফাউন্দেস্নেল দিস্সিপ্লিন অমনি হায়না লৌনৈ। অঙাংশিংগী তুংগী মহৈ মশিং তমলকপদা দিস্সিপ্লিন (মেঠ) অসিগী হৈবা য়াম্না মথৌ তাই। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি অঙাংশিংদা মেঠমেটিক্স তম্বদা লৈবা লার্নিং গেপ অদু মেনশিন্নবনি। প্রোগ্রাম অসিনা এক্টিভিটিদা য়ুমফম ওইবা য়াম্না ক্রিএটিভ ওইবা এপ্রোচ শীজিন্নগনি। মসিনা চৎনদ্রবা (ওল্দ) মেঠমেটিক্স কন্সেপ্ট শীজিন্নদুনা তাকপিবগী মহুৎতা প্রাক্টিকেল অমদি পিয়ার লার্নিং মেঠোদ শীজিন্নগনি। মসিনা অঙাংশিংনা নুংতিগী থেংনবা মেঠমেটিকেল প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌবা হৈহন্নবা হোৎনগনি। প্রোগ্রাম অসি স্কুলশিংদা মেঠ টিচিং লার্নিং মেটরিয়েল্স ফংহন্দুনা ইম্প্লিমেন্ট তৌগনি। মসিগীদমক গোভর্নমেন্টকি প্রাইমারি স্কুলদা লৈবা ওজাশিংদা ট্রেনিং অমদি সপোর্ট পীগনি। হায়রিবা টি.এল.এম. অসি কার্নাটকা স্কুলশিংগী ক্যুরিকুলমদা য়াওবা

অসিনা অসিগুম্বা অঙাংশিং মশক খঙদোক্লগা মখোয়গী চহিগা চান্নবা স্পেসিয়েল ট্রেনিং পীদুনা মখোয়বু মেনষ্ট্রিমদা পুরক্কুনা মনাক নকপা স্কুলদা মিং চনগনি। মসিগী খোঙথাং অসিনা লম্বি ওন্নরুরবা অঙাং কয়া স্কুল হল্লকহনবদা নত্তনা মমা মপাবুসু মোটিভেট তৌই।

**মল্টিলিঙ্গুএল ইডুকেসন (এম.এল.ঈ.), ওরিষা ঃ**

মল্টিলিঙ্গুএল ইডুকেসন প্রোগ্রাম অসি অঙাংশিংগী কোগনিটিভ স্কিলস (প্রোব্লেম সোল্ভিং) অমদি রিজনিং স্কিল ফগৎহন্নবা/হেনগৎহন্নবা শেম্বা ষ্ট্রকচরেল প্রোগ্রাম অমনি। প্রোগ্রাম অসিগী মতেংনা অঙাংশিংনা মশাগী নেটিভ লেঙ্গুএজ, ষ্টেট লেঙ্গুএজ অমদি নেস্নেল লেঙ্গুএজ চপ মান্ননা শীজিন্নবা হৈহল্লি। প্রোগ্রাম অসি মাদর টংদগী হৌরগা, সেকেণ্ড লেঙ্গুএজ ওইরিবা ওরিয়াদা ওনগনি মদু হৈরবা তুংদা ঠার্দ লেঙ্গুএজ ইংলিসতা ওনগনি (তমগনি)। ওরিষাদা অঙাংশিংদা ওরিয়া লোনদা লাইরিক তম্বী, মসিনা ওরিয়ানা মাদর টং ওইদবা ট্রাইবেল অঙাংশিংদা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওই। টেক্স বুকতা য়াওরিবশিং অদুসু মখোয়দা ফেমিলিয়ার ওইদে। মরম অদুনা খোয় ক্লাসরুমদা তাকলিবশিং অমদি লার্নিং এক্টিভিটিজশিং অদু মমুৎ তানা খঙবা ঙমদে। মসিনা ট্রাইবেল অঙাংশিংগী লার্নিং আউটকম অমদি রিটেনসনদা অকাইবা পী।

মাদর টংদা য়ুমফম ওইবা মল্টিলিঙ্গুএল ইডুকেসন (এম.এল.ঈ.) দদি লাইরিক তম্বা হৌবসি মাদর টংদা হৌগনি অদুগা তপনা তপনা অতোপ্পা লেঙ্গুএজ পায়রক্কনি। চহি নৌরিবা অঙাংশিংদা লাইরিক তম্বীবদদা মাদর টংদগী হৌবনা অঙাংশিংদা লাইরিক্কী মরমদা ষ্ট্রোং ফাউণ্ডেসন লৈহল্লি, মরমদি মসি মখোয়না খ্বাইদগী ফজনা খঙবা লোন অদুদা তম্বা হৌবগীনি। মসিনা অঙাংশিংগী কনফিদেন্স অমদি সেল্ফ ইষ্টিম হেঙ্গৎহল্লি। এম.এল.ঈ. গী প্রোগ্রাম অসি ওরিষাগী ট্রাইবেলনা নম্না তাবা দিষ্ট্রিক্ট ১৭ তা ট্রাইবেলগী লোন ২১ দা পায়খৎলি।

**প্রাগনা, এন এক্টিভিটি বেজ লার্নিং মোডেল ওফ গুজরাট ঃ**

এক্টিভিটিদা য়ুমফম ওইবা জোইফুল লার্নিং ৱাখল্লোন অসি গুজরাটতা য়াম্না মরা চেৎনা লৈ। মসি দক্সিনামুর্ত্তি স্কুল ওফ ভৱাগরদা লৈখিদ্রবা ওজা শ্রী গিজুভাই বাধেকানা কন্না হোৎনবীরমবগীনি। মহাক্না প্রাইমারিগী টেক্সবুক ফাওবা চপ মান্নবা পেদাগোগীদা য়ুমফম ওইহল্লগা শেল্লন্মী। অদুবু ২০০৯ দা পাংথোকখিবা গুনোটসবতা অঙাংশিংদা রিদিংগী, রাইটিংগী অমদি নমরেসিগী স্কিলগী অৱাৎপা অদু ক্লাস ৫ য়ৌরবা অঙাং ফাওবদা থেংনখি। হায়রিবা প্রোৱেম অদু মখা তানা থিজিল্লুবদা (এনালাইজ) লার্নিং গরেন্টি তৌবা পেদাগোগী (মেঠোদ প্রাক্টিস ওফ টিচিং) অমা ষ্টেট

ক্লাসরুম অসিদা য়াম্না ডাইনামিক ওইবা গ্রুপ রোটেসন সিষ্টেম লৈ, মসিনা অঙাং খুদিংমক রোটেসন তৌদুনা অতোপ্পা অঙাং খুদিংগা ৱার্ক তৌমিন্নবা ফংই।

**লার্নিং এচিবমেন্টকি মথক্তা প্রাগনাগী অতোপ্পা বেনিফিট কয়াসু লৈরি, মখোয়দুদি ঃ**

০ প্রাগনাগী মওং অসি প্রাইভেট স্কুলশিংনা য়াম্না পান্নদুনা মখোয় মখোয়গী স্কুলদা ইম্প্লিমেন্ট তৌবা হৌখ্রে।

০ ইন্টরএক্টিব অমদি ইনোভেটিব ওইবা টিচিং প্রাক্টিস তৌবনা স্পিকিং অমদি লিস্সনিংগী প্রাক্টিস তৌহন্দুনা ক্রিএটিভ ঠিঙ্কিং তৌহল্লি অমদি মসিনা অঙাংশিংনা লেঙ্গুএজ শিজিন্নবদা কনফিদেন্স অমদি ফ্লুএন্সি হেঙ্গৎহল্লি।

০ মসিনা অঙাংশিংদা এক্সপরিএন্স/প্রাক্টিকেল তৌরগা লার্নিং তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি লোয়ননা পোৎলুম য়াওদবা লার্নিং তৌহল্লি।

০ অঙাংশিং মখল মখা কয়াগী প্রোজেক্ট ৱার্ক অমদি ফিল্দ ৱার্ক তৌহল্লি।

০ অঙাংশিংনা করিগুম্বা অনৌবা অমা শেমদুনা মদু উৎথোকপগী খুদোংচাবা পী।

প্রোগ্রাম অসি ২০১০ দা স্কুল ২৫৬ তা হৌদোকখি। ২০১৭-১৮ দদি তপ্না তপ্না প্রোগ্রাম অসি ২২,০০০ স্কুলদা পায়খৎলে। মদুগী মতুংদা ২০১৮-১৯ দা মোডিফিকেসন তৌরবা তুংদা ষ্টেট অসিগী স্কুল খুদিংদা পায়খৎলে।

**মীড ডে মীল ঃ নিউ এপ্রোচ**

স্কুলদা মিং চনবগী চাং, এটেন্দেন্সকি চাং অমদি রিটেন্সনগী চাং হেঙ্গৎহনবগা লোয়ননা অঙাংশিংগী ন্যুট্রিসনেল ষ্টেটস ফগৎহন্নবগীদমক নেস্নেল প্রোগ্রাম ওফ ন্যুট্রিসনেল সপোর্ট টু প্রাইমারি ইডুকেসন (এন.পী.-এন.এস.পী.ঈ.) কৌবা সেন্ত্রেল স্কিম অমা ১৯৯৫ কি ১৫ আগষ্টতা হৌদোকখি। ২০০৮-০৯ দা স্কিম অসিনা অপ্পর প্রাইমারিগী অঙাংশিং কোনশিন্দুনা স্কিম অসি মমিং হোংদোকখি। স্কিম অসিগী অনৌবা মমিংদি নেস্নেল প্রোগ্রাম ওফ মীড-ডে মীল ময়াম্না মীড ডে মেল স্কিম (এম.ডি.এম.এস.) হায়না খঙনৈ। এম.ডি.এম.এস.না গোভর্নমেন্ট অমদি গোভর্নমেন্ট এদেদ স্কুল ক্লাস ১ - ৮ ফাওবগী অঙাংশিংদা ফংহল্লি। মসিগী মথক্তা স্পেসিএল ট্রেনিং সেন্টর (এস.টি.সি.), মদ্রাস অমদি মাগলবসশিংদসু সমাগ্রা শিক্ষানা খুদোংচাবা ফংহল্লি।

এম.ডি.এম.এস.কি মরুওইবা ওবজেক্টিব অমদি অঙাংশিংগী ন্যুট্রিস্নেল ষ্টেটস ফগৎহনবনি। লোয়ননা লৈপাক অসিদী লৈরিবা অঙাংশিংনা মায়োক্নরিবা হঙ্গর কৌবা প্রোব্লেম অসি মায়োক্নবা স্কিম অমসুনি। এম.ডি.এম.এস.কি গাইদলাইনগী মতুংইন্না প্রাইমারি অমদি অপ্পর প্রাইমারিগী থাক্তা অঙাংশিংনা নোংমদা ৪৫০ কেলোরিজ অমদি ৭০০ কেলোরিজ চিঞ্জাক চাগদবনি।

য়ারে। অদুনা এন.আর.ঈ.জি.এস. কা খুৎশন্নরগা হায়রিবা থবকশিংসি স্কুলদা পাংথোক্কনি। মসিগী মতুংইন্না এস.এন.ডি.গী য়ান্না শেংবা (হাই দিফিনিসন) ফোটো অমদি মসিগী মরমদা ইবা ৰাহৈশিংগা এম.ডি.এম.-এম.আই.এস. পোর্টেলদা থা অহুম (ক্বাটর্লি) খুদিংগী অপলোদ তৌগনি।

**টিঠি ভোজন ঃ**

টিঠি ভোজন অসি স্কুলদা তন্নিবা অঙাংশিংদা অহেনবা ন্যুট্রিসন ফংহন্নবা পায়খৎপা খোঙথাংনি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা অখন্নবা নুমিৎশিং হায়বদি ফেষ্টিভেল, বার্টডে, মেরিএজ, ইম্পোর্টেন্ট ডেজ ওফ নেসন্সনচিংবশিংদা অঙাংশিংদা অমদি কম্যুনিটিদা চাক্লেন পিজৈ নত্রগা অহেনবা অচা অথক পি। টিঠি ভোজন অসি মীড ডে মীলগী মহুৎ শিনবা প্রোগ্রাম অমা নত্তে, মসি এম.ডি.এম.বু মতেং পাংবা স্কিন্নি। এম.ঐচ.আর.ডি. না টিঠি ভোডনগী গাইদলাইন্স পুথোকখ্রে। টিঠি ভোজন অসি মখাগী ষ্টেট/য়ু.টি.শিংনা পায়খৎপা হৌখ্রে। মখোয়শিংদুদি আসাম (সুমপ্রিটি ভোজন), অন্ধ্র প্রদেস (ভিন্দু ভোজানম), দাদ্রা এন্দ নগর হাভেলি (টিঠি ভোজন), দামন এন্দ দিউ (টিঠি ভোজন), গুজরাট (টিঠি ভোজন), হরয়ানা (বেটি কা জন্মদিন), করনাটকা (শালেগাগী নাভু নিভু), এম.পী., মহারাষ্ট্রা (শেহ ভোজন), চান্দিগর (টিঠি ভোজন, পুদুচেরি অন্না ধানম), পঞ্জাব (প্রিটি ভোজন) রাজষ্ঠান (উৎসব ভোজ), টামিল নাডু (নাল ভীরুনধু) অমসুং উত্রখন্দ (ভিশেস ভোজ)

**কনভরজেন্স ৰিট মীনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার ঃ**

এম.ডি.এম. গী মনুং চনবা হেল্ঠ এন্দ ন্যুত্রিসনগী মতাংদা স্কিম অসিনা মীনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগা পুল্লগা থবক তৌগনি।

১। চহি ৬-১৪ গী মনুংদা লৈবা ক্লাস ১-৮ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংগী হেল্ঠ চেক অপ তৌবা। মসি রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাষ্ঠায়া কার্য়াকরম (আর.বী.এস.কে) গী মখাদা তৌগনি। ষ্টেট অমদি য়ু.টি.শিংদা হেল্ঠ চেক অপ শোয়দনা তৌনবা খঙহনবা।

২। এম.ও. হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগা পুল্লগা মাইক্রো ন্যুট্রিএন্টশিং অঙাংশিংদা ফংহনবা ৰিক্লি আইরন এন্দ ফোলিক এসিদ সপ্লিমেন্টেসন প্রোগ্রাম (দবলিউ.আই.এফ.এস.) কি মখাদা হপ্তা খুদিংগী অঙাংশিংদা আইরন অমদি ফোলিক এসিদকি টেব্লেট পীজগনি।

৩। চহি অমদা অনিরক নেস্নেল ডি-ৰার্মিং ডেদা ডি-ৰার্মিং ডে দা ডি-ৰার্মিং টেব্লেট পীজগনি।

Module 8

# এনভাইৰোনমেন্টেল ষ্টদিজগী পেদাগোজি (প্রাইমারিগী থাক)

**১। চাওরাকপা মীৎয়েং ঃ**

প্রাইমারিগী থাক্তা এনভাইৰোনমেন্টেল ইষ্টদিজ তাকপি তম্বীবগী মরুওইবা হীরমশিং মোদুল অসিদা নৈনরি। মরুওইবা ৱাফম খরা মখাদা থল্লি।

**মোদুল অসিগী পান্দমশিংদি ঃ**

- ই.ভি.এস.গী নেচর, ষ্টেটস, মসিদা খঙহন্নিংলিবশিং (প্রাইমারিগী থাক্তা)
- লার্নিং আউটকমশিং অমসুং পেদাগোজিগী পাম্বৈশিং
- ঈশিংগী মরমদা নৈনবগী তম্বীনবগীদমক্তা, থল্লিবা পেদাগোজিগী অপ্রোসশিং (খুদম ওইনা)
- দাইভর্সিটি, জেন্দর, আট অমসুং এয়েসথেটিক, ভেলুজগী মতাংদা তাকপিবদা চুনগদবা, ওইগদবা মওংদা তাকপিগনি অমসুং অখন্নবা মীৎয়েং লৌবা।
- ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ারিবশিংনা ই.ভি.এস.গী হিরমশিং অমসুং মরি লৈনবা পেদাগোজিগী এক্তিভিটিশিং পাংথোকপনা মখোয়দা হেন্না খঙহনবদা মতেং ওইহনবা।
- তাকপী-তম্বীবগা চাংয়েং লৌবগা অনিমকসি অমত্তনি, তোঙান-তোঙানবা নৎতে হায়বসি মোদুল অসিদা য়াওরি।

## লার্নিং ওবজেক্টিবশিং

**মোদুল অসি পারগা নংনা খঙগদৌরিবসি ঃ**

- ই.ভি.এস. প্রাইমারিগী থাক্তা করিকুলর এরিয়াশিংগী পুনশিনবা অমনি হায়বা।
- সেলেবসতা য়াওরিবা কন্সেপশিং অমসুং ইশুজশিংগী পান্দমশিংগা মরি লৈনৈ হায়বা।

- ০ টেক্সবুক্তা য়াওরিবা কন্সেপ্তশিং অমসুং ইশুজশিং খঙদোকপা অমদি ক্লাসরুমদা তাকপিনবগী তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং খঙহনবা।
- ০ অঙাংশিংদা খঙহনবা অখন্নবা থৌরাং তৌবা।
- ০ অঙাং পুন্নমকপু শরুক য়াহন্নবা হোৎনবা, মখোয়দা খঙহন্নবা থৌরাং তৌবা।
- ০ ই.ভি.এস.কি লার্নিং আউটকমশিং কয়াম্না ফংবা ঙম্লবগে, হায়বা খঙনবা মখল কয়াগী চাংয়েংশিং শিজিন্নবা।

### ৩। এনভাইরোনমেন্টেল ষ্টদিজসি করিকুলর এরিয়া অমনি ঃ

এন.সি.এফ - ২০০৫ ই.ভি.এস. অসি ক্লাস ৩ দগী ৫ ফাওবসি সবজেক্ট অমা ওইনা থল্লি, সাইন্সকি কনসেপ্তশিং, ইশুজ, সোসেলদু সাইন্স অমসুং এনভাইরোনমেন্টেল ইদুকেসনগা পুনশিল্লি। মসিবু তোঙানবা সবজেক্ট অমা ওইনা ক্লাস ১ অমসুং ২দা তমহন্দে, মরমদি চহি নৌরিবা মহৈরোইশিংগী করিকুলমগী অৱাবা লৈহন্দনবনি। মসিগী মহুৎতা মসীগা মরী লৈনবা হীরমশিংদু লোল অমসুং অঙ্কগী শরুক্তা য়াওই।

প্রাইমারিগী থাক্তা ই.ভি.এস.কি ওইহন্নিংলিবা অসি অঙাংশিংবু মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবশিংগা হকথেংননা উহন্দুনা খঙহনবনা হোৎনবা। অহানবা থাক্তা খঙহনগদবসি, মা-মশাগা মরি লৈনবা, য়ুম, ইমুং-মনুংগা মীওইশিং অমসুং মহৈ তমফম খহনবা। মথংদা তপ্না-তপ্না য়ুমলোন্নবা, কৈরোই লৈকাইগী মওং মতৌগী মতাংদা খঙহনবা।

চহি নৌরিবা অঙাংশিংদা ই.ভি.এস. তম্বীবগী থৌরাং তৌবসি য়াম্না মরু ওই। মখোয়না দিফিনিসনশিং অমসুং মওং মতৌ খঙহনবা হোৎনবদা অখন্নবা থৌরাং তৌরগা খঙহনগদবনি।

মসি খঙহন্নবগীদমক্তা, মখোয়গী অকোইবদা লৈরিবশিংদু য়েংহন্দুনা, উৎতুনা খঙহল্লগা, অঙাংশিংদু মখোয় মশানা খঙহন্নবা থৌরাং তৌগদবনি। মখোয়গী তম্নরিবা লাইরিক্তা য়াওরিবা অদুতা নত্তনা, ক্লাসরুমগী মপান্দা পুথোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

সমাজদা থোক্লিবা, থেংনরিবা সমস্যা কয়া খুদম ওইনা নুপা-নুপীগী থাক খেন্নবা, লাইরবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা শোত্থনা হিংলিবশিং, অঙাংনা শিন্মি ওইবা, মহৈ মশিং তমদবা কাষ্ট (লোই), সহর অমসুং খুঙ্গংগী খেন্নবা, মীমান্নদ্রবশিং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং অশোন-অনা কয়াগী মতাংদা খঙহনবগীদমক্তা ক্লাসরুমগী স্কুলগী মপান্দা পুথোক্কুনা খঙহনগনি। তোঙান-তোঙানবা, খেন্নবা মহৈরোইশিংগী মওং-মতৌ, হকচাংগী খেন্নবা, তৌথোরকপা, ঙাংথোকপগী খেৎনবা, তন্নবা লাইরিক্কি মওং খেন্নবা, কয়াগী মতুংইন্না, ওঝানা ক্লাসরুম, তাকপি তম্বীবগী পেদাগোজিশিংদু ইনক্লুসিব ওইহনবা চেকশিন্না তম্বীগনি। মালেমগী ওইবা অকোয়বগী ফিভমদা থেংনরিবা সমস্যাশিং অসি হকথেংননা খঙহনবা য়াম্না মরুওই। অঙাংশিংগা মখোয়গী অকোইবগী ফিভমগা অচেৎপা মরি অমা থন্নবা হোৎনগদবনি। ই.ভি.এস.পু সবজেক অমা ওইনা তমহল্লিবসিগী মরমদি অঙাংশিংগী ফিরেপশিং অমসুং মখোয়না অকোইবগী ফিভম্মু ঙাক্নবগী হোৎনহন্নবনি। অকোইবগী ফিভমদা থোক্লিবা, থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াবু কোকহন্নবা হোৎনবদা মখোয়দা লৌশিং অমসুং স্কিলশিং ফংহন্নবা, লৈহনবদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

মসিনা অঙাংশিংবু এনভাইরোনমেন্টপু ঙাক শেনবা অমসুং য়োকখৎপা ঙাকশেনবা মীওই ওইহনবা ঙমগনি।

**ঐখোয় খন্নরসি ঃ**

- ই.ভি.এস.তা থল্লিবা মিৎয়েংসিগী মতুংইন্না, প্রাইমারিগী থাক্তা তল্লিবা অঙাংশিংনা খঙবা ঙমগনি হায়বা নংনা খনব্রা?
- হৈহনগে খঙহনগে হায়না খল্লিবশিং অসি করম্না মপুংফানা খঙহনগনি?
- করম্বা পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা মসি ফংগদগে?

সেক্সন মরিশুবা অমসুং মঙাশুবদা, হৈননবা থল্লিবা থাজবা, তাকপিবগী অমসুং করিকুলমদা থল্লিবশিং অসিগী মরি লৈনবশিংগী মতাংদা ইরি। ই.ভি.এস.কি করিকুলম এক্সপেক্টেসনশিং অমসুং লার্নিং আউটকমশিং মখাদা পীরি।

মখোয়শিংসি অমগা অমগা মরি লৈনৈ হায়বসি নং খনবা ঙমব্রা?

## ৪। ই.ভি.এস.কি করিকুলম্না আসা তৌবা অমদি লার্নিং আউটকম

করিকুলম্না পান্দম অমা থম্বা হায়বসি পাক চাউরবা অমদি অকক্নবা মহৈ তম্বগী থাক্কী মরি লৈনবা তুংদা লাক্কদবা পান্দম হায়বনি। অদুক লার্নিং আউটকম্না হায়রিবা আসাশিং খন্নবগী মরম পী।

প্রাইমারি থাক্কী ই.ভি.এস.কি করিকুলমগী পান্দমশিং মখাদা পীরি।

### ৪.১ করিকুলমগী পান্দমশিং

ই.ভি.এস.কি করিকুলমগী মতুংইন্না, প্রাইমারি থাক্কী অঙাংশিংদগী পান্দম থম্মি, মদুদি ঃ

- নুংতিগী পুন্সিরোলগা মরি লৈনবা তোঙান-তোঙানবা হিরম কয়া খুদম ওইনা ইমুং-মনুং, পাম্বীশিং, শাশিং, চিঞ্জাক, ঈশিং, চৎফম অমসুং লৈফম, খঙ উরুবদগী হেক হকথেংনরিবা নত্রগা পাক শন্না লৈরিবা অকোইবগী মরমদা খঙবা ঙম্মী।
- হকথেংনরিবা অকোইবগী মরমদা মহৌশানা খঙনিংগনবা অমসুং হৈথোই শিংথোইনবা শেমগৎপা।
- হকথেংনরিবা অকোইবগা ইন্টরেক্ট তৌদুনা তোঙান-তোঙানবা প্রোসেস/ স্কিলশিং হায়বদি মুন্না য়েংশিনবা, খন্ন-নৈনবা, শন্দোক্লা তাকপা, চাংয়েং তৌবা, মরম থিবনচিংবা শেমগৎলি।
- হকথেংনরিবা অকোইবদা লৈরিবা মহৌশাগী পাঙ্গলগী অমদি হ্যুমেন রিছোর্সকিদমক মিৎশিং নাশিংহনবা।
- মান্নবা মিৎয়েং, অচুম্বা ৱায়েল অমদি মীওইবগী পুকচেল চাওবা অমদি হকশিং থীন্দুনা অমদি ইশু কয়া পুথোকপা।

### ৪.২ ই.ভি.এস.কি লার্নিং আউটকম ঃ

মহৈ তম্বদা অমদি অঙাংগী শেমগৎ শাগৎপদা মতেং ওইনবগীদমক্তা করম্বা ক্রাইটেরিয়ানা মতম মতমগী ওইবা প্রোগ্রেসশিং ওনগনি অমদি অঙাংশিংগী হোৎনজমন অচুম্বা লম্বেলদা পুবিগনি হায়বসি ওজাশিংনা শেংনা খঙবা দরকার ওই। মরম অসিনা লার্নিং আউটকমশিং অসি য়াম্না চুন্না পুথোকপা অমসুং তোঙান-তোঙানবা থৌপুবশিং

হায়বদি ওঝাশিং, মমা-মপাশিং অমদি য়ারগদি অঙাংশিং ফাওবা লার্নিং আউটকম খঙবা দরকার ওই। হায়রিবা করিকুলর এরিয়া অসিগী আসা অসি লার্নিং আউটকম্না ই.ভি.এস.কি ক্রাইটেরিয়া ওইনা শিজিন্নদুনা অঙাংশিংনা তম্বগী অমদি হোংলকপগী চাং অমদি গুণশিং চাংয়েং তৌবা য়াই।

লার্নিং আউটকমদা য়ুমফম ওইবা নেস্নেল এচিভমেন্ট সবভে ২০১৭ তা ক্লাস থ্রি অমসুং ভাইবকি ই.ভি.এস.তা অচুম্বা পাউখুমগী পার্সেন্টেজ (চাংচৎতা) মখাগী অসুন্না ফংই -

ক্লাস থ্রি - চাদা ৬৫
ক্লাস ভাইব - চাদা ৫৭

ষ্টেটকি অমদি দিষ্ট্রিক্টকি চাংচৎতা ফংবা এচিবমেন্ট ঐখোয় খঙব্রা? অকুপ্পা মরোল http:\\www.ncert.nic.in/programmes/NAS/SRC.html দা ফংগনি। ঐখোয়না মতৌ করন্না ঐখোয়গী অঙাংশিংগী ই.ভী.এস.কি লার্নিং আউটকম হেঙ্গৎহনগদগে হায়বগী ৱাখল খনবা দরকার ওই।

**খুদম ওইনা, মখাশিং অসিগী নংনা করি খল্লি? অঙাংশিংনা**

- পোৎশক অমদি থৌওংবু নত্রগা হৌজিক অমসুং হৌখ্রববু খাইদোকই।
- মফমগী (জগা) চাং অমসুং মতম অচম্বা চৎনবী খুদিং শিজিন্নদুনা চাউরাক্লা হায়বা ঙন্মী অমসুং খুৎলাইশিং শিজিন্নদুনা অচুম চুমদা পুথোকউ।
- কোয়না চৎলুবদা উরকপা, থেংনরকপা পোৎশক্কী/থৌওংগী/মফমগী অকুপ্পা মরোলশিং ইশিল্লি।
- লাইয়েক, শকওং, ফিদম, মেপ, শৈরেং অমসুং স্লোগানশিং শেন্মী।
- অকোয়বদা লৈরিবা পাম্বীশিং, শাশিং অমদি অতোপ্পা জিবশিংগী মরমদা মিৎশিং নাশিংবা উৎলি।

মসি পুন্নমক ক্লাস থ্রিগী ই.ভি.এস.কি লার্নিং আউটকম খরনি। মসি নহাক্না করিকুলমনা আসা তৌবগা মরি লৈনহনবা ঙম্ব্রা? হায়রিবা লার্নিং আউটকমশিং অসি

ফংনবা নহাক্লা ই.ভি.এস.কি লাইরিক শিজিন্নদুনা অমদি করম্বা পেদাগোজিকেল থৌওং শিজিন্নদুনা ফংহনগনি।

নোট ১ - লার্নিং আউটকম এট ইলিমেন্টরি ষ্টেজ ২০১৭ কি দোক্যুমেন্ট য়েংউ।

**হন্না খন্থবা ঃ**

- ০ মথক্তা পনখিবা করিকুলরগী আসাশিং অসি ফংনবগীদমক্তা করম করম্বা করিকুলমগী পোৎচঙশিং হায়বদি লাইরিক, অহেনবা পোৎশকশিং পাম্বৈশিং দরাকর ওইবগে?
- ০ করম্বা তাকপী তম্বীবগী পোরম শীজিন্নবা দরকার ওইগনি?

**৫। রিছোর্স এন্দ ষ্ট্রেটেজিজ ফোর টিচিং-লার্নিং ওফ ই.ভী.এস. (ই.ভী.এস. তম্বীবদা চংগদবশিং)**

অঙাংশিংনা মহৌশাদগী হৌনা করিগুম্বা অমা খঙনিংবা, তম্নিংবা অমসুং করি কমদৌনা খুদিংমকশিং অসি ওইরিবনো হায়বসি অঙাংশিংনা খঙনিংবা অমা লৈরকই। হৌজিক্কী মতমগী অনৌবা থিগৎপদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি অঙাংশিং অসি শুপ্নতগী ৱাখল লৌশিং তম্বীরগা লৌশিনবখক নত্তনা মখোয় মশা মশানসু মরোমদোম অদুমক তমজনবগী শক্তি মকোয়দা লৈজে। অসিগুম্বা অহোংবা ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা ইচম চন্না অঙাংশিংদা লৌশিং তম্বীবখক্তা নত্তনা মখোয়বু মশানা লৌশিং তাঞ্জনবা হোৎনহনবদা ওঝাশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং অদুগী মরুওইবশিং অদু অমুক য়েংশিনবগী মরুওইবশিং চংলকই। মহৌশাদগী চৎনরকপা ওইনা হৌজিক ফাওবদা অয়াম্বা মতমদা চৎনরিবসি ওঝানা অঙাংশিংতা পারা অমা পুথোক্তুনা নৈনবা, খুদম খরা পীবা অসিনি। অদুবু হৌজিক্তি ওঝাশিংনা মসিগুম্বা ঐখোয়না থেংনরিবা সমাস্যাশিং অসি করি মরমগীনো, কমদৌনা ওইরকপনো হায়বনচিংবশিং অঙাংশিংগা খন্নরগা মখোয়বু মরমশিং অসিদা মুন্না খঙন্দুনা মখোয় মশানা পাউখুম পীজহনবা অমসুং থীগৎহনবদা ওঝাশিংনা মখোয়বু লমজিংবীবা অমসুং মতেং পাংবিবরোমদা ওইনা মীৎয়েং চিংশিনবা তাবনি। অঙাংশিংবু সমস্যাশিং অসিগী লোয়শিন্নবা লম্বীশিং পুথোকপদা মখোয়সু শরুক য়াহন্নবা পুক্লিং থৌগৎপা য়াম্না মরুওই। ৱাখল লৌশিংশিং অসি পুথোররুবা মখোয়দা ৱাহং কয়া হংদুনা মরোমদোম পাউখুম পীহনবা তারকই। ওঝাশিংনা মখোয়না থেংনরকপা

ৱাখল লৌশিং কয়াগী মতেংগা লোয়ননা অঙাংশিংবু লমজিংখিদুনা, মখোয়গা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা কয়া পাংথোক্তুনা, চাংয়েং কয়া তৌদুনা অঙাংশিংগী ৱাখল লৌশিংবু মপুং ফাহনবরোমদা মীৎয়েং থম্বা তাই। অঙাংশিংনা ফোংদোক্লক্লিবা ৱাখলশিং অদু হেক্তমক চুম্মী নত্রগা লাল্লি হায়না থমজনা মখোয়দা অতোপ্পা উপায় কয়া অমা ওঝাশিংগী মতেংগা লোয়ননা পুথোকহন্দুনা মখোয়বু পুক্লিং শৌগৎপীগদবনি। অসুম্না ফঙলকপা অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া অদুগা মখোয়দা হান্নদগী লৈজরকপা জ্ঞানশিং অদুগা পুনশিন্দুনা হেন্না মপুং ফাহনবীগদবনি। ওঝাশিংনা অঙাংশিংবু য়াম্না মওং মরিল চুম্বা মওংদা অকোয়বদা থেংনরিবা ৱাফম কয়াগী মরমদা য়াম্না মচা খায়না লমজিংবিগদবনি ওঝাশিংসু মখোয়না থেংনরকপা তম্লকপা লৌশিংশিং মপুং ফানা শিজিন্নদুনা অঙাংশিংবু ই.ভি.এস.কা মরি লৈনবা ৱাফম কয়া অমা অঙাংশিংদা খঙহন্দুনা মখোয়বু লমজিংবিগদবনি। থোকখিবা ৱারি, থৌদোক ৱাথোক কয়া অমসুং খবর কাগজ রেডিওনচিংবগী পাউদম কয়া অমসুং মখোয়দা খঙহন্দুনা, তাহন্দুনা মখোয়গা লোয়ননা খন্ন-নৈনদুনা অঙাংশিংবু হিরম কয়ামরুমশিং অসিগী মরমদা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা সমাজগী ওইরিবা ফিভমশিং অসিদা মখোয়বু পুক্লিং চিংশিনগদবনি।

## ৫.১ থৌশিল থৌরাং (ই.ভি.এস. তম্নবগীদমক)

১) প্রোজেক্ট হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মশক অমনি, ওঝাশিংনা অঙাং কাংলুপ কাংলুপ খাইদোক্তুনা মখোয়দা তৌরক্নবা শিন্নগদবনি। ওঝাশিংনা অঙাংশিংদা প্রোজেক্টশিং অদুবু মশক মুন্না খঙদোক্লগা মখোয়দা মখা তাবা থৌরাংশিং পাংথোরক্নবা শিন্নগদবনি। প্রোজেক্টশিং মসি অঙাংশিংনা মখোয়না স্কুলদা নত্রগা ময়ুমদা পাংথোকপা য়াই। খুদম খরা ওইনা, অঙাংশিংদা মখোয়না হৌজিক্কি মতমদা ঈশিং ফংলিবা অসিনা মমাংঙৈগী মতমদা মখোয়গী মমা-মপা, মপু মবেনগী মতমদা ওইরম্বা মওংগা চাংদম্নদুনা য়েংহনবা অসিনচিংবা, অনকপা গুহা, পাৎ, পুখ্রিনচিংবা লৈরবদি অঙাংশিংবু পুবিদুনা য়েংহনবা য়াই। মখল কয়ামরুমগী প্রোজেক্টশিং খুদম ওইনা ঈশিং ফংবা, ঈশিং, মোৎসিল্লকপনচিংবগী মরমদা খরা খঙহন্নবা মসিন্নচিংবা অঙাংশিংদা শিন্নবা য়াই। অঙাংশিংবু প্রোজেক্টশিং অদুগী রিপোর্টশিং মখোয়গী ক্লাসতা ওঝাগী খুথাংদা সবমিট তৌহনবা য়াই। রব্রিক্কি নিয়মশিং শিজিন্নদুনা রিপোর্টশিং অদুবু নৈনবা য়াই।

**দিস্কস্সন (খন্ন-নৈনবা)**

কাংলুপ-কাংলুপ খাইদোক্তুনা সমাজগী মীওই কয়ামরুমগা পুন্না পুক্নিং ৱাখল ফোংদোক্নদুনা খন্ন-নৈনবা পাংথোক্তুনা অঙাংশিংবু তম্বীবদা মতেং পাংবীবা য়াই। অসুন্না ফংলকপ লৌশিংশিং অদু পুন্না খন্ন-নৈনবা তৌদুনা কান্নবা ফঙমিন্নবা য়াই। ওঝাশিং অমসুং মমান্নবশিংগা লোয়ননা ই.ভি.এস.কি পারাশিং অসুন্না খন্ন-নৈনবা কয়া পাংথোক্তুনা ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনবসি খুদম ওইনা মীওই খরা অমনা ঈশিং মরাং কায়না ফংলিবা অদুগা খরনা অমনা ফংদ্রিবা, অমুকসু করিগুম্বা নুমিৎ ২/৩ ইশিং ফংদ্রবদি করি ওইবা য়াই হায়বনচিংনা ৱাফম কয়ামরুম অঙাংশিংগা লোয়ননা খন্ন-নৈনদুনা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং য়াম্না মনিং তম্না ফোঙদোক্নদবনি। মখোয়গী ৱাখল খুদিংমক য়াম্না মরুওইনা লৌবিদুনা মশক খঙহনগনি। ওজাশিংনা খবর, রেডিও, টি.ভি.নচিংবগী পাউখুমশিং মখোয়দা খঙহনবিদুনা মতেং পাংবিবা য়াই।

**ঐখোয়না খঙহনগদবা**

১। ওঝাশিংনা মসিগা মরি লৈননা করি থৌদাং লৌবিবা য়াই।

২। ওঝাশিংনা মতৌ করম তৌনা অঙাংশিংবু শিন্দোক শিঞ্জিন শেমগৎপা য়াই।

৩। এন.সি.ঈ.আর.টি. গী ই.ভি.এস.কি টেক্সবুকব্দগী এক্সরসাইজ খরা মশক মুন্না খঙদোক্লগা লৌখৎতুনা অঙাংশিংগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা তৌবিদুনা মখোয়বু ৱাফমশিং অসিদা খঙহনবীবা।

**২। ইক্সপরিমেন্টস অমসুং এক্সপোরেসন ঃ**

ইক্সপরিমেন্ট অমসুং এক্সপোরেস্না অঙাংশিংদা থিজিন হুমজিনবা, কুপ্পা য়েংবা, শেমগৎ শাগৎপা, খন্ন-নৈনবা, কাংলুপ খন্দোকপা, মরমশিং থিদোকপা অমসুং ৱারোইশিন পুরকহনবদা মতেং ওই। ই.ভি.এস.কি লাইরিকশিংদা চাংয়েং ওইনা পাংথোক্নবা পরাশিং য়াওরি, মসিদ্গী মশানা খঙজবা ঙমই। ক্লাস ভাইবকি লাইরিক্তা য়াওবা পারা ইক্সপরিমেন্ট ৱিঠ ৱাটরদা মরি লৈনবা এক্টিভিটিশিং য়াওরি ঃ

ক) করম্বনা তাওই, করম্বা লুপ্পী।

খ) করিনা তুম্বা ঙম্বনো/ঙমদবনো?

গ) ঈশিংনা কদায়দা চৎলি?

ওঝানা অঙাংশিংদা এক্টিভিটিশিংসি পাংথোকপদা মতেং পাবিগনি। মরুওইবা অমনা অঙাংশিংনা তৌরিবা এক্টিভিটিশিংদুগী কান্নবা, অতৈ মরমশিং খঙহনগদবনি। মখোয়না হেন্না পুক্নিং চংনা মখা তানা থিজিনবগী অপাম্বা লৈরবদি, পাকথোক চাওথোক্লবা শিনবিবা দরকার লৈ।

**৩। সরভে অমসুং ইন্টরভিয়ু ঃ**

সরভেদা অঙাংশিংবু য়াওহন্দুনা ইনফোর্মেসনশিং থিজিনবা, খোমজিনহনবদগী হীরমদুদা মমুৎ তানা খঙবা ঙমই। সরভেগী এক্টিভিটিশিংনা মীয়ামগা ৰারি ৰাতাই শারগা ইনফোর্মেসনশিং লৌশিনবা ঙমই। মসিগী মতেংনা মীয়ামদগী হকথেংননা ফংলকপা লৌশিং অমসুং মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা সমস্যাশিং (প্রোব্লেম) খঙবা ঙমই। অঙাংশিংবু মীয়ামদা হংননবা ৰাহংশিং খন্দোকপা শেম শাবা ঙমহনগদবনি। অদুগা রিপোর্ট শেম্বদা য়াওহনগদবনি। মীয়ামগা ৰারি ৰাতাই, ৰাহং পাউহং তৌবনা মখোয়দা ৰারি শাবগী স্কিলশিং লৈহল্লি। মীয়ামগী পাউকুমশিংদু রিপোর্ট শেম্বদা হান্না ইশিলহনগনি।

**সরভে এক্সরসাইজ খরা খুদম খরা মখাদা পিরি ঃ**

- স্কুলগী সরভে ওইনা পাংথোক্কদবা, ঈশিং মাংহনবা অমসুং য়োক্তুনা থম্বগী মতাংদা থিজিনবা।
- অঙাংশিংনা খোমজিনগদবা ইনফোর্মেসনশিং
  - কোঞ্জিলদা য়ুবা, পাইপতা য়ুবা, স্কুল অমসুং সমাজদা ঈশিং হেন্না শিজিন্নবা। থিজিনবদা ফংলকপা রিপোর্টতু ক্লাসশিংদা খঙনবা।

**৪। এক্সপরিয়েন্সশিং ফোঙদোক্লবা ঃ**

ই.ভি.এস.কি ক্লাস রুমদা মরুওইবসি অঙাংশিংগী ৰাক লৌশিংশিং ফোংদোকহনবনি। ওঝানা অঙাংশিংগী পুক্নিংদা লৈবা ৰারোলশিং মকা লান্না হঙ্গোয়বা লৈতনা ফোংদোকচনবা শীনগদবনি। ফোঙদোক্লবা, হায়দোক্লবগী মওংসি, চিন্না খোঞ্জেল থোক্লা, অইবা ওইনা য়েক্তুনা নত্রগা অতোম্পা মওং অতৈদসু য়াই। খুদম ওইনা ঈশিং মরাং কায়না ফংবগী মতাংদা নৈনবদা, মখোয়না য়ুমদা ফংলিবা ঈশিংদু কদাইদগীনো? হায়না হংবা য়াই। মখোয়নসু তোঙান তোঙানবা হরাও কুম্মৈশিংদা মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংনা ঈশিংগী কান্নবশিংদু ফোংদোকহনবা য়াই। মসি ৰাহৈ পরেং খরা ইহন্দুনা,

করি ওইনা লিদুনা নত্রগা লাই ওইনা য়েক্তুনা ফোংদোকহনবা য়াই। মসিনা মীয়ামদা সোসিও-কলচরেলগী মতাংদা খঙহনবা ঙমগনি।

**রোল প্লে ঃ**

প্রাইমারিগী থাক্তা লৈবা অঙাংশিংনা পোৎ চৈ পাইবা অমসু এক্টিভিটিশিং পাংথোকপা য়ান্না পাম্মী। থেড়বনা অঙাংসিদা অশেংবা শক্তম অমসুং তোঙানবা করেক্তরশিংগী মতৌ তমদুনা উথোকহনবদা নত্তনা, মখোয়দা থাজনবগী শক্তি হেনগৎহনবা ভেল্যুজ, এটিচুদ লৈহনবদা মতেং পাংই। অঙাংশিংবু অকক্লবা শক্তমশিং লাংহন্দুনা রোল প্লে তৌবদা হীরমদুগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবা ঙম্মী। মসিগীদমক্তা সিচুএসনশিং য়ান্না লৈ, মখোয়শিংসি রোল প্লেগীদমক্তা শীজিন্নবা য়াই।

০ য়ুমগী থবক তৌননবা নুপীমচা অমা থম্বা।

০ নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংগী গাড়ি অমদগী ঈশিং বাল্টিন অনি লৌবা ইমুং অমা।

**ঐখোয় খন্নরসি ঃ**

০ সিচুএসনশিং অসিদগী করম্বা থৌওংনা স্কিল অমসুং ভেল্যুজশিং নৈনগদগে?

০ মথক্তা পীরিবা করিকুলম এক্সপেক্টেসনশিং অমসুং লার্নিং আউটকমশিংগা এক্টিভিটিশিংগা মতৌ করম্না চান্নহল্লিবনো?

০ নংনা করম্না মীৎ উবা ৱাৎলবা অঙাংশিংবু এক্টিভিটিশিং অসিদা করম্না য়াওহনগনি?

**৫। ফিল্দ ভিজিৎ ঃ**

ফিল্দ ভিজিৎ অসি হরাও তয়াম্বা অমসুং নুংঙাইবা এক্টিভিটিজশিংনি হায়না লৌনৈ, অদুবু ঐখোয়না ফজনা শেম শাদ্রবদি, ঐখোয়না পাল্লিবা পান্দমশিং অঙাংশিংদা খঙহন্নিংলিবা কনসেপ্তশিং, অকোয়বগী মরমদা থোক্লিবা প্রোব্লেমশিংদু খঙবা ঙম্লোই। ই.ভি.এস.কি করিকুলমদা থল্লিবা পান্দমশিংদু ফংবা ঙম্লোই।

ঈশিং লৈবা মফম ঈশিং কংখ্রবা/ঈশিং লৈহন্নবা শেমগৎলিবা (গুহা/পাৎ/পুখ্রি) অনকপা মফমদা লৈবা মফমদা চৎতুনা য়েংবা অমসুং মফমদুদা লৈবা মীয়ামদা হংলগা মরমশিং খঙননবা থীজিনবা।

মসিনা ফিল্দ ফিজিৎকি মওং খরনি। ওঝানা মহৈরোইশিংগীদমক্তা খঙহন্নিংলিবা হীরমদুগা মরি লৈনবদু খল্লগা শিন্নগদবনি। মহৈরোইশিংগী গ্রুপকি ওইরগনা খন্ন-নৈনবশিং, প্রোজেক্টশিং, রোল-প্লে, থিজিন্নবশিংসি শিনবিবা য়াই। ওঝানা পাংথোক্কদৌরিবা এক্টিভিটিদু য়েংলগা গ্রুপ শেমগদবনি। মরুওইবা অমনা মহৈরোইশিংগী গ্রুপ শেম্বদা, মান্নবা অঙাং ঙাক্তা খল্লগা শেম্লোইদবনি, মান্নদবা, মান্নবা পুনশিল্লগা শেমগদবনি।

## ৫.২ লার্নিং রিছোর্সেস

তোঙান তোঙানবা মওং কয়াদগী অঙাংশিংনা খঙবা অমদি তম্বা য়াই। তোঙান তোঙানবা তম্নবগী মচাক কয়া শীজিন্নদুনা অঙাংশিংদা তম্নবগী খুদোংচাবা ময়াম পীবসু য়াম্না মরুওই। ইনভাইরোনমেন্টেল তম্বীবদা (ই.ভি.এস) তোঙান তোঙানবা তম্বীবগী মচাক কয়া শিজিন্নবা য়াই। খুদম ওইনা টেক্সবুক অমদি অতোপ্পা লাইরিক কয়া, ইলেক্ট্রোনিক্সকি ওইবা মচাক কয়া ওদিও, ভিদিও, টেক্স, পিকচর, টেবল, কার্টুন অসিনচিংবা মওংদা, মহৌশাগী অমদি অকোইবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদগী পাউ লৌদুনা ৱারি শান্নহন্দুনা তম্বীবসু য়াই।

তশেং তশেংবা তরং তরংবা তম্বীনবগী মচাক পুথোকপা হায়বসি তঙাইফদে। খুদম ওইনা প্রাইমারি থাক্কী অঙাংশিংগী লাইরিক্তদি অঙাংশিংগা হকথেংননা লৈরিবা অকোইবগী ফিভম নেচরেল, ফিজিকেল, সোসিএল অমসুং কলচরেল সেত্তিং য়াম্না মরুওই। টেক্স বুক্তা ৱাখল লৌশিং পীবতা নত্তনা ওজা অমসুং অঙাং অনিমক্তা অকোইবগী য়েংলগা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি লৌশিং শাগৎপদা মতেং পাংবা ঙম্না ওইগদবনি। অঙাংশিংগী তশেং তশেংবা পুন্সিগা সন্নবা ঙম্বা ওইগদবনো। চিনফা পুরগা তোক্লবা মওংদা টেক্সবুক ইবগী মহুৎতা খঙবদা কান্ন-কান্নবা ময়াম য়াওহনগদবনি। মসিগীসু মথক্তা ইরিবা লোল অদু অকক্লবা থাক অমদা হেন্না লাইহনবা ওইগদবনি।

এন.সি.ই.আর.টি. গী ইনভাইরোমেন্টেল ষ্টদিজগী টেক্সবুকশিং অসি মচাক তরুক্তা ই মদুদি (১) ফেমিলি এন্দ ফ্রেন্দস, মসি মচা মচা মরি অমুক থোক্লা, খাইদোকপা য়াই। (১.১) রিলেসনসিপ্স (১.২) ৱার্ক এন্দ প্লে (১৩) এনিমেল্স (১.৪) প্লান্টস, অদুগা অতোপ্পশিং অদুদি (২) ফুদ (৩) ৱাটর (৪) সেল্টর (৫) ট্রেভেল অমসুং (৬)

থিংস ৱি মেক এন্দ দ মচাক খুদিংমক অঙাংশিংগা চানবা লোলদা চান-চানবা ৱাহং হংদুনা তম্বীবা হৌই। এন.সি.ই.আর.টি.গী ৱেবসাইটতা লাইরিকশিং অসি ফংই (http://www.ncert.nic.in/right side/links/syllabus.htm) পারা খুদিংমক তশেং তশেংবা পুন্সি মহিংগা মরি লৈনবা, নোংমগী পুন্সিদা থেংনরিবশিংগা মরি লৈনবা, চিঞ্জাক, ঈশিং, উমং, শাশিংবু ঙাক শেনবা, পোল্লুসন্নচিংবা মরি লৈনহল্লি। ৱাখল্লোন খুদিংমক থবক ওইনা তৌদুনা অমদি খন্নদুনা অঙাংশিংবু খৌরাংবা অমদি হৈনিংহনবগা থৱাই য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি। অঙাংশিংবু অরাইবা মওংদা খুদোংচাবা মফম পীদুনা খন্নদুনা, মরৈ য়েৎনদুনা ময়াম অসি খঙননবা হোৎনগদবনি।

দরকার লৈবা, তম্বীবগী মওং অমদি অঙাংশিং খঙহন্নবগী মচাক ময়াম অসি মরি লৈনহন্নবা উৎপা ওইনা (৬) তরুকশুবা তাঙ্কক্তা ঈশিং হায়বা পারা অসি লৌখৎতুনা খন্নসি। মসিগী মাংওইননা পারা অসিনা সাইন্স অমসুং সোসিএল সাইন্সতা নত্তনা সবজেক্ট অতৈ হায়বদি অঙ্ক, লোল, আর্থ এদুকেসন, হেল্‌ঠ এন্দ ফিজিকেল এদুকেসন অসিনচিংবা মরি লৈনহনবা অসি প্রাইমারি থাক্তদি য়াই অমসুং য়াহনগদবনি।

## ৬। স্কোপ এন্দ পেদাগোজিকেল দাইমেনসন্স ওফ দি ঠিম ৱাটর

### ৬.১ স্কোপ ওফ দি থিম ৱাটর ঃ

ঈশিং হায়বসি মালেমদা লৈরিবা থৱাই পানবশিংদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। ইনভাইরনমেন্টেল ষ্টদিজ অসি মহৌশা অমদি খুৎশেমগী ওইবা অঙাংশিংগী অকোইবগী অমত্তা ওইবা হিরম অমগুম্না লৌনৈ। ক্লাস অমদি মফম মতম য়েংদনা, ঈশিং অমসুং মসিগী মতাংদা খন্নবগী হেন্না ফবা অকোইবগী ফিভম অমদি মসিনা থোরক্কদবা অফ-ফত্তা তুনা খন্ন-নৈনবগী মচাক অমা ঈশিংনা ওইহনবা য়াই। মরম অসিনা ঈশিংবু প্রাইমারি থাক্তা ই.ভি.এস. তম্বীবদা মরুওইবা মচাক অমা ওইনা লৌবগা ইরোইননা ই.ভি.এস. খঙননবগী খুদোংচাবা অমসুং অঙাংশিংদা পী। ক্লাস থ্রিদগী ক্লাস ভাইব ফাওবদা ঈশিংনা ই.ভি.এস. তম্বীবগী মচাক অমা ওইনা লৌরগা অঙাংশিংগী খ্বাইদগী নক্নবা হায়বদি মহাক মশামক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংদা (ঐগীদমক অমদি ইমুং মনুংগীদমক ঈশিং অমসুং ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবগী ৱাখল্লোন), থংনবা য়ুম্লোন্নবা অমদি লৈকাই (লৈকাইগী ওইনা ঈশিং থম্লনবা খুদোংচাবশিং) অমদি হেন্না চাউথোক্না য়েংবা ঙমহল্লি (মহৌশাগী ওইবা ঈশিং, ঈশিং মোৎহনবা, মহৌশাদগী


লাকপা ঈশিং ফংফম, ঈশিং য়োক্তুনা থন্নবগী অরিবা অমদি অনৌবা নিয়ম) মসিগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা ৰাখল্লোন, হৈ শিংবা ময়াম হায়বদি মুন্না য়েংবা, চাংয়েং, চাং ওনবা, শেম্বা শাবা মফম অমসু লাকহনবা য়াই। হায়রিবা মতাং অসিনা মহৈরোইশিংগী পুন্সিদা থেংনরক্কদবা তোঙান-তোঙানবা ঈশিংগা মরি লৈনবা থৌদোক ৰাথোকশিংদা অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

**লেট অজ রিফ্লেক ঃ (হেন্না পাকথোক চাউথোকহনসি)**

০ ই.ভি.এস.তা ঈশিং হায়বা মচাক অসি লৌরগা করম্বা ৰাখল্লোন অমদি ৰাহন্থোক্কা মরি লৈনবা মচাকশিং লৌখৎপা ঙমগদগে?

০ ঈশিংগা মরি লৈনবা ৰাখল্লোন অমদি থৌদোক ৰাথোক্কী মচাকশিংদা য়ুমফম ওইবা পরিংগী পরেং অমা ৰাখলনা শেম্মু।

খুদম ওইনা




**হেন্না হাপচিনবা য়াই ঃ**

হৌজিক ঐখোয়না অতোপ-অতোপ্পা ৰাখল্লোন অমদি থৌদোক ৰাথোক খরা লৌদুনা অঙাংশিংদা দরকার ওইবা, লৌশিং, জ্ঞান, হৈ শিংবা অমদি মগুণ লৈনা আর্থ থোক্লা হৈনিংনবা অমদি হৈনবা খুদোংচাবা পীগদবশিং ওজানা করম্না পুথোক্কদগে য়েংসি।

**৬.২ প্লান্নিং এন্দ ক্রিএটিং লার্নিং ইকেসপরিএন্স**

ঈশিংগী তোঙান-তোঙানবা ফংফমশিংগী মতাংদা অঙাংশিংনা মখোয় মখোয়গী লৈফম চাফমগী মতুংইন্না খঙলে অমসুং খঙহল্লে। অঙাংশিংনা খঙলিবদুগী মতেং পাংবা ওইনা ঈশিংগী ফংফম অমসুং হৌরকফমগী মতাংদা হেন্না কুপ্না খন্নবা য়াই।

**৬.২.১ ঈশিং ঃ ফংবগী চাং, অহেনবা অমসুং য়েন্থোকপা**

**১। অহানবা থবক**

অঙাংশিংদা কদাইদগী ঈশিং য়ুমদা ফংবগে হায়না হংবা য়াই। মখোয় অমমমতা ওইনা মখোয়গী পাউখুম তাবীয়ু অমসুং বোর্ডতা ইশিনবিয়ু। তোঙান-তোঙানবা পাউখুম ফংবা য়াই। খুদম ওইনা তুরেলদগী, খোংদগী, গুহাদগী, নোংদগী, কোঞ্জিন্দগী, হেন্দ পম্পতগী অসিনচিংবা। অঙাং খরনা হায়রকপা য়াই। মদুদি ঈশিং য়োকফমদগী বাল্টিনদগী অসিনচিংবা। পাউখুম খুদিংমক তাবীয়ু অমসুং বোর্ডতা ইথোকপীয়ু।

খঙজিনগদবা ঃ মখোয়গী পাউখুমদা চুম্মী নত্রগা লাল্লি হায়বীগনু।

পাউখুমশিং তারগা অমদি য়েংলগা হেন্না ফবা মখোয়না হায়খিবশিংদা য়েংলগা ঈশিংগী ফংফমগী মতাংদা মরি চুম্বা পরেং অমা শেম্মীবা য়াই। অহেনবা ৰাহং হংদুনা অঙাংশিংগী ৰাখল হেনগৎহনবা অমসুং হেনগৎহন্নবা ওজানা হোৎনবীগনি। চান্নদবা পাউখুম পুথোক্তুনা হেন্না থৌনা হাপ্পীগনি অমসুং অঙাং মশেল খন্না নৈনহনগি লোয়ননা মতাং চাবদা ৰাহংশিং হংবীগনি।

- ঈশিং থন্নবা অচৌবা পাত্রদা কদাইদগী ঈশিং লৌবগে?
- কোঞ্জিনদা কদাইদগী ঈশিং লাকপগে?

অঙাংশিংগী পুক্নিংদা অহেনবা, জ্ঞান লাক্নবা অপাম্বা পাউখুম ফংননবা খুল্লক্লিবা পাউখুমগী চান্নবা চান্নদবা থিদনা নৈনবীগনি। ৰাহং মখা তানা হংবীগনি অমসুং মখোয়না খঙবা খঙদবা হেন্না নৈনবা য়াহনগনি।

বোর্ডতা ইশিনবদি লেপ্পীগনু অমসুং ঈশিংগী ফংফম অমসুং হৌরকফমগী অকক্লবা খঙদ্রিবা ফাওবা ৱাহং মখা চখ্বগনি।

খুমখিবা পাউখুম মখাগী অসুন্না খাইদোকপীগনি।

| (১) | (২) |
|---|---|
| ঈশিং য়োক্তুনা থন্নবা | ঈশিং মরোমদোম লাকচবা |
| ১। বাল্টিন | ১। তুরেল |
| ২। পুন | ২। খোং |
| ৩। খরুং | ৩। পুখ্রি |

পাউতাক ঃ ওজানা মখা তাবা চান্নবা ৱাহং হংদুনা মখা চখ্বীগনি।

**খুদম ওইনা ঃ**

কনা কনা গুহা উরবগে? কদাইদা উবগে?

খঙজিনগদবা ঃ অঙাংশিংনা তোঙান-তোঙানবা পাউখুম পিরকসনু।

**ওজানসু মখাগী ৱাহংশিং হংবিবা য়াই।**

০ হেন্দ পম্প, গুহা অমসুং ট্যুব ৱেলগী ঈশিংশিং কদাইদগী লাকপগে?

০ লৈনুংগী ঈশিং কদাইদগী লাকপগে?

০ নোং হাংখ্রবা মতুংদা নোংগী ঈশিংশিং কদাইদা চৎখিবগে?

মসিদগী ঈশিংগী হৌরকফম, লাকফম অমসুং ঈশিং লিদুনা অমদি য়োক্তুনা থম্বা অমদি থমফমগী মতাং খেন্নবা ময়েক শেংনা মহৈরোইশিংদা খঙহনবা ঙমগনি।

## এক্টিভিটি ২

স্কুলগী থরুবা ঈশিং থল্লিবা মদুদা পুদুনা চৎলু অদুগা ঈশিংগী কোঞ্জিলগী ৱাহং অমসুং অতোপ্পা ৱাহং খরগা হংউ।

০ কোঞ্জিলসিদা তারিবা ঈশিংসি কদাইদগীনো?

০ পাউখুম পিবা ঙম্লবা, মখোয়বু তেঙ্কী অচৌবদুগী মনাক্তা পুবিয়ু অদুগা ঈশিংনা কোঞ্জিলদা লাকপদু খঙহল্লু।

০ কমদৌনা তেঙ্কিসিদা ঈশিং হাপ্পগে? হংবীয়ু।

ৱাহং অসিগী পাউখুম য়াম্না থুনা অঙাংশিংনা পীবা ঙমদবা য়াই। মফমদুগী মতুংইন্না ওঝানা অঙাংশিংদা খঙহন্নবা তাকপিগনি। করিগুম্বা খুদোংচাবা লৈরগদি ওঝাশিং অমসুং মথক থোংবা মীওইশিংগা লোয়নদুনা অঙাংশিংবু মফমদুদা লৈবা অচৌবা ঈশিংগী তেঙ্কি তুরেল অমা, পাৎ নত্রগা পুখ্রি থীমিন্নদুনা য়েংহনবা য়াই।

## এক্টিভিটি ৩

অঙাংশিংবু মখোয়গী য়ুমদা ঈশিং করম্না ফংবগে হায়বদু য়েকহল্লু। ক্লাস থ্রি তল্লিবা অঙাংশিংনা য়েকপগী এক্টিভিটিসি য়াম্না পামই, হরাওজৈ, মসি য়েকপগী স্কিল হেনগৎহল্লি। সেম্পল অমা পীরি।

ওঝানা অয়েকপা লাই অসি শিজিন্নরগা অঙাংশিংগা খন্নরগা মখোয়বু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। খন্ননবগীদমক্তা ৱাহং খরা পিরি ঃ

০ মানভিনা ঈশিংগী তেঙ্কি অমা থল্লিবসি নঙ করি খল্লি

০ সালিলনা মাগী অয়েকপা লাই অসিদা ঈশিং চিংনবা মোটোর/মেছিন অমা য়াওহল্লিবসি করিগীনো?

ৱাহং অতৈসু হাপচিনবা য়াই।

অসিগুম্বা ৱাহংশিংসি অরুবা ওইবা য়াই। অদুবু মখোয়বু খঙহন্নবগীদমক্তা ওঝানা মখোয়গা চানগদবা খন্ন-নৈননবা, ভিদিওশিং, ৱারি-ৱাতাই শান্নহনবা মথক থোংবশিংগা, অনকপদা লৈবা অচৌবা তেঙ্কিগী মনাক্তা পুবিবা, ঈশিংগী ওফিসাত চৎপা য়াই।

ওঝানা মখোয়দা, লৈকাই, লমদমদুগী ঈশিং পীবগী মতাংদা ৱাহং হংবা য়াই, অদুগা অঙাংশিংনা খঙজবশিংদু ফোঙদোকহল্লু।

## এক্টিভিটি ৪

মখাদা পীরিবা অয়েকপা লাই অসি য়েংউ। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফংবা ঈশিং অমসুং মীয়াম্না থেনরিবা অৱাবশিংগী খন্নবদা ওঝাশিংনা শীজিন্নবা য়াই। করম্না ওইবনো হায়বা ঐখোয় য়েংলসি।

**খন্নবা য়াবা ৱাফম খরা ঃ**

- ঈশিংসি থৱাই পানবশিংনা হিংবদা মরুওইবা পোৎশক অমনি অমসুং মালেমদা লৈরিবা পুন্নমক্নি।
- করি উপাইশিং শীজিন্নদুনা করম্বা মীওইশিংনা মখোয়গী ময়ুমদা ঈশিং ফংবগে?
- মীওইশিং অসিনা করম্বা মখলগী অৱাবশিং মায়োক্নবগে?
- মী খুদিংমক্না থক্নবা ঈশিং মরাং কাইনা অমসুং অতৈ হিরম কয়াগী দরকার ওইবদু ফংব্রা?
- করিগীদমক্তা মী খরনা হেন্না মরাং কাইনা ফংঙগা অতৈনা ফংবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো?
- মী খরনা মোটোর শীজিন্নদুনা নত্রগা গুহা তৌদুনা ঈশিং য়াম্না ফংই হায়বা নং খঙব্রা?
- মসিনা অতোপ্পশিংদা অৱাবশিং থোকহল্লি হায়বা চুম্ব্রা?
- অসিগুম্বা মতৌসি নহাক হান্না থেংনখ্রবরা?
- কনানা নখোয় য়ুমদা ঈশিং পুরকই, কয়াম লাম্পদগী পুরকপনো?
- মীয়াম্না চপ মান্নবা ঈশিং ফংবা মফমদগী শীজিন্নব্রা?
- ঈশিং ফংফমদুগী মনাক্তা লাকপদা অথিংবা পিবা মীওই খরা লৈব্রা?
- অদুগুম্বা মীওইশিংদুগী তোঙানবা ঈশিং শোকফম খরা লৈব্রা?
- অদুগুম্বা মীওইশিংদু কনা কনানো? মখোয়না করি করম্বা থবক শুই?

**ঐখোয় খন্নসি ঃ**

- ০ নং এক্টিভিটিজ খরা শেম্বা ঙমগদ্রা?
- ০ এক্টিভিটিজ অমদগী ৪ ফাওবা পাংথোকপদা ওঝানা করম করম্বা থৌওং-উপায় শিজিন্নবগে?
- ০ ই.ভি.এস. তম্বীবদা আট ইডুকেসনগা পুনশিনবগী খুদোংচাবা অমা লৈ হায়না খনব্রা? করম্বদনো? মতৌ করন্না তৌনবনো?

**৬.২.২ ৱাটর ঃ** সাইন্টিফিক প্রিন্সিপল্স এন্দ প্রোসেস ঈশিং অসি মালেম পুম্বদা ফংনৈ অমসুং তোপ-তোম্পি, মসিগী মওং-মতৌশিংদা, খুদম ওইনা, মওং মতৌ, মহাও, মচুশিংদা য়াওরিবা কেমিকেল য়াওবনা সাইন্টিফিক ফেনোমেনন অমসুং প্রিন্সিপালসি থিজিনবগী খুদোংচাবা পি। অঙাংশিংনা মখোয়গী নুংতিগী পুন্সিদা ঈশিংদা পোৎ চৈ তাওবা,লুপথখিবা, য়ানশিন্নবগী লৌশিংসি ফংবা ঙমই। মখোয়দা খন্থবা ঙমহনবগীদমক্তা প্রাক্তিকেলশিং তৌহনবগী থৌরাং তৌগদবনি।

## এক্টিভিটি ৫

ঈশিং হাপ্পবা পাত্র, ঈশিং হাপ্তুনা পুদুনা চৎপা য়াবা তোঙান-তোঙানবা পাত্রশিং, অচৌ-মচা, মওং কয়া য়েকহন্দুনা পাত্রগী মমিং থাহন্দুনা অঙাংশিংবু তৌহনগদবনি। মখোয়না য়েক্লিবশিংদু মখোয় মশেল অমগা অমগা য়েংনহন্দুনা খন্ন-নৈনবগী তাঞ্জা পীগদবনি।

- ০ পাত্রশিংদু করিনা শাবনো?
- ০ পাত্রশিংদুদা য়াওরিবা ঈশিংদু কয়াম কুইনা লৈবগে?
- ০ থবকশিংদু লোয়রগা ঈশিংদু কয়াম কুইনা লৈবগে?
- ০ পাত্রদুদা ঈশিংদু কয়াম য়ান্না হাপ্পা য়াবগে?
- ০ ইচপ-চপ্পা পাত্র অমগা ইপাক-পাকপা পাত্র অমদা ঈশিং হাপ্পদা লেভেল অনিদু চপ মান্ন-মান্ননা লৈরবদি, মদুদা য়াওরিবা ঈশিংগী চাং অনিদু চপ মান্নে হায়না লৌগদ্রা?

## এক্টিভিটি ঃ ৬

লৈঙোই, চিনি, চোক, য়াইঙং মকুপশিং অঙাংশিংবু লৌহলসি, অদুগা ঈশিংদা থাদদুনা তুমহন্নবা হোৎনহনসি। মিক্সচরশিংদু লেংহন্দুনা মতম য়েংসি, করি ওইরকপগে, অহোংবা লাকপশিংদু য়েংহনসি, মখোয়গী ওবজার্বেসনশিংদু খঙজিনসি। মথংদা মহি লাংবা পোৎ, খুদম ওইনা মক মহি, শঙ্গোম, খোইহি, থাও অসিনচিংবশিংগী ঈশিংগা য়ানশিন্নে নত্রগা য়ানশিন্নদে হায়বদু য়েংসি।

## এক্টিভিটি ৭

**অঙাংশিংবু মখল কয়াগী পোৎ-চৈশিং পায়হল্লসি ঃ**

খুদম ওইনা ঃ পেনসিল, য়োৎকী কলম, বোল অকাম্বা-কামদবা, চেক মতেক, য়োৎকী চামস, প্রাষ্টিক্কী চামস, বরব হাপ্পবা কপ, য়েৎতুম, মোম্বতি, বতর, থাও, কার্দবোর্দ, মৈখেৎ মচৈ, ইরেজর, য়োৎকী প্লেট, উনা, খুং, অহাংবা বতল, ঈশিং য়াওবা বতল।

মথক্তা পীরিবা পোৎ-চৈশিংগী মনুংদা করম্বা পোৎনা ঈশিংদা লুপথগনি/তাওগনি হায়বদু অঙাংশিংদা হৌজিক হায়হন্দুনা য়েংসি। মথংদা ঈশিং থন্না হাম্পা বকেদ অমদা থাদহন্দুনা মখোয়না হায়খিবশিংদু লাল্লি নত্রগা চুন্মি হায়বা অঙাংশিংদু খঙহনসি, মখোয়না উরিবা থেংনরিবদু, মখাদা পীরিবসিগী মওংদা ইশিনসি।

**টেবল**

| ওবজেক্ট | তাওখৎপা | লুপথবা |
|---|---|---|
| | | |
| | | |

**হৌজিক খন্নরসি ঃ**

- ০ করম্বা পোৎ-চৈনা ঈশিংদা তাওই।
- ০ করম্বা পোৎ-চৈনা ঈশিংদা লুপথৈ।

করিগীদমক্তা পোৎ খরনা ঈশিংদা তাওরিবনো খরনা লুপথরিবনো? মখোয়গী ওইবা ৱাহৈশিংদা খন্নহনসি।

## এক্টিভিটি ৮

ঈশিং য়াওবা বকেদ অমদা বরবকি বোল অমা তাওই। অঙাংশিংদা বোল অদু লুপথনবা খলহল্লু অমসুং লুপথহন্নবা হোৎনহল্লু। মখোয়না হোৎনবদু ঙম্লব্রা? অতোপ্পা মওং অমদা অতোপ্পা তাওখৎতুনা লৈবা পোৎ অমদা অমুক হোৎনহল্লু নত্রগা অরুপ্পা পোৎ অমা তাওখৎহন্নবা হোৎনহল্লু অদুগা মখোয়না থেংনরিবা, খঙলিবদু মখোয় মশেল ৱারী শান্নহল্লু।

মখোয়না থেংনরিবশিংদু য়েক্তুনা ফোংদোকহল্লু। তোঙান তোঙানবা পোৎশিংগী লুপথবগী মান্নদবা মওংদু খঙহল্লু।

## এক্টিভিটি ৯

অঙাংশিংদা চুন্নগী চাকশঙদা লৈবা গ্লাস অমদা ঈশিং হাপ্লগা, মদুদা য়েরুম অমা তপ্না হাপচিলহল্লু। মদু লুপথৈ নত্রগা তাওখৎতুনা লৈ হায়বদু য়েংহল্লু। মখোয়দা ঈশিংদুদা চিনি খরা হাপচিলহল্লু, অদুগা য়েংহল্লু। মখোয়দা ঈশিং গ্লাস অমদা চিনি চামস ১০-২২ ফাওবা হাপচিলহল্লু। করি ওইরক্কনি? এক্টিভিটি অসিগা চপ মান্নবা অমা অমুক তৌহল্লু, চিনিগী মহুৎতা থুম ওইনা হাপহল্লগা, করি ওইরকপগে?

**ঐখোয় খন্নরসি ঃ**

- এক্টিভিটি ৫ দগী ৯ ফাওবসিদা লৈনরিবা কন্সেপ্টশিং করম্বনো?
- এক্টিভিটিশিংনা করম্বা স্কিলশিংবু হেনগৎনবা হোৎনবগে?
- করম তৌনা ওঝানা অঙাংশিংবু খঙই/খঙদে য়েংবগে?
- নংনা মথক্কীশিং অসিদগী এসেসমেন্টসি লার্নিংনি হায়বা করম্না লৌবগে?
- এক্টিভিটিশিং অসিদগী করম্বা লার্নিং আউটকমশিং ফংবা ঙমগনি খল্লি? মখোয়দু ইথোকউ।

- ০ করম্বা কনসেপ্টশিং প্রাইমারিগী থাক্তা পাইখৎপা য়াবগে?
- ০ অতোম্পা এক্টিভিটি খরা শেম্মু।

**৬.২.৩ ঈশিং ঃ**

কালা সংস্কৃতিগী মীৎয়েংদা মমাংঙৈদগী হৌনা তোংঙানবা মফমশিং, ধর্ম্মগী মতুংইন্না ঈশিংগী তুংনফম ঈশিং লৈবা মফমশিংবু লাই খুরুম্বা, পুজা তৌবা চৎনরকই। মসিনা অঙাংশিংদা মহৌশাগী রিছোর্সশিংবু ঙাক শেনবদা মতেং ওই।

## এক্টিভিটি ১০

ক্লাসতা অঙাংশিংদা ঈশিংগা মরি লৈনবা মখোয়না ফাবা/খঙবা ঈশৈ/ফোক অমা শকহল্লু। অদুগা মখোয়দা ৱাহংশিং অসি হংউ।

- ০ ঈশৈসি কদায়দগী তম্বনো?
- ০ মীয়াম্না করম্বা মতমদা অমদি করম্বা হরাও কুম্মৈদা শকপগে?
- ০ মরুওইবা ঈশিংগা মরি লৈনবা কুম্মৈ খরগী মমিং হায়ু।
- ০ ঈশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ফেষ্টিবেল পাংথোকপশিংদু করি করিনো?
- ০ করম্বা থৌদোকশিং (পোকপা/শিবা/লুহোংবা) দা ঈশিংবু মরুওইনা লৌবগে?
- ০ করম্বা থৌদোকশিংদা ঈশিংগা মরি লৈনবা ঈশৈ মীয়াম্না শকপ্রা? পরেং খরা পীয়ু।
- ০ ঈশিংগা মরি লৈনবা অকক্লবা শগোয় খরা লৈব্রা? মমিং হায়ু।
- ০ মীয়াম্না ঈশিংদা লাইগী মুর্ত্তি থাথব্রা?
- ০ মীয়াম্না ঈশিংদা পোৎ চৈ কৎপ্রা?
- ০ মীয়াম্না ঈশিংদা ইরুপতুনা লাই খুরুম্ব্রা?

**৬.২.৪ ঈশিং য়োকখৎপা/ঙাক শেনবা ঃ**

ঐখোয়না হীংবদা ঈশিং চংই। মসিনা থৱায় কয়াবু হীংহল্লি অমসুং অতোম্পা ইমুংগী থবক কয়া পাংথোকপদা শিজিন্নৈ। অঙাংশিংদা মসিগী কান্নবশিং খঙহনবদা নত্তনা ঈশিংবু ঙাক শেনবা মতম পুম্বদা য়োকখৎনবগী স্কিলশিং, এটিচুদ লৈহন্নবা হোৎনবা চংই। মরমসিনা মখোয়দা, ঈশিং লিক্না, অরেম্বদা মাংহন্দবা, য়োকখৎনবা মখোয়দা খঙহনগদবনি। মসিগা মরি লৈনবা সিচুয়েসনশিং খল্লগা মখোয়গী ক্লাসকি থাক্কা চান্নবা য়েংলগা প্রোব্লেমশিংদু কোক্লবা হোৎনৌ।

# এক্টিভিটি ১১

ঈশিং ৱাৎনা পিবগা মরি লৈনবা ঈ-পাউ চেফোংগী কৎতিং নত্রগা ভিদিও মতেক অমা উহনবা য়াই।

| |
|---|
| ৱাতর সপ্লাইগী শেমজিন্নবা থবক্লা মতম ওইদুনা ঈশিং পীবদা খুদোংচাবা মায়োক্লবা |

| |
|---|
| **নিয়ু দিল্লী ঃ** দিল্লী জল বোর্ডনা খঙহল্লি মদুদি সিটি সিগী মরুওইবা মফমশিং অমদি এন.এম.দি.সি.গী মফমশিংনা ঈশিং অৱাবা ওইগনি, মরমদি অনৌবা পাইপশিং শেমজিল্লি। ঈশিং মরাং কাইনা ফংলোইদৌরিবা মফমশিংদুদি ঃ সিভিল লাইন, হিন্দু রাও হোস্পিটাল, কমলা নগরগী অকোইবা মফমশিং শক্তি নগর অমসুং করোল বাগনি। ফিভমসি চন্দ্রৱাল ৱাটর সপ্লাই ৱার্কসনা থিংজিনখিবদগী ওইরকখিবনি। মরমদি অনৌবা পাইপশিং শম্বগী থবক চথরি খঙহল্লি। |

মখোয়গা লোয়ননা ঈশিং সপ্লাই তৌরক্তুগা মায়োক্লরক্কদৌবা অৱাবশিংদুগী মতাংদা খন্নৌ। ৱাহংশিংসি হংবা য়াই।

- ঈশিং ফংদবগী ৱাথোকসি মমাংদা হান্না থেংনা থোকখ্রবা?
- করম্বা মতমদনো? করন্না মায়োক্লখি?
- য়ুমশিংনা নোংমদা ঈশিং বকেত অনিদমক ফংবা তারবদি, মরুওইবা তৌগদৌবা থবকশিংদুগী লিষ্ট অমা শেম্মু।

মসিগী সিচুএসনসি নত্তবা হেন্না চান্নগদবা অতোপ্পশিং শেমদুনা নৈনবা য়াই। অঙাংশিংনা হেন্না পুক্নিং চংগদবা ৱাখল হেন্না খঙহন্নবা মরুওইবা হিরম, ঈশিং অরেম্বদা মাংহন্দবা অমসুং ঈশিংবু মোৎহলদনবা অসিদা নৈনবা য়াই। অসুন্না তৌরবদি মখোয়গী পুন্সিদা থেংনরিবদু খঙহনবা ঙমগনি।

## এক্টিভিটি ১২

অঙাংশিংগী কাংলুপশিং শেম্লগা সরভে অমা তৌহনবা য়াই, সরভে তৌগদৌরিবা তোপিক্লা য়ুমদা, য়ুমথংনবদা নত্রগা লৈকাইদা ঈশিং মাংহনবা, হেন্না শিজিন্নহন্নবগী মরম খঙদোকপা। অঙাংশিংনা থীজিনবদা ফংলকপশিংদু ইশিন্নবা টেবল অমা শেম্লগা পিগনি। মখোয়না টেবলদুগী কলমদুদা চান্নবা য়েংলগা ইশিনগনি।

টেবল

| সেঃনং | ঈশিং মাংবগী মফমশিং | স্কুল | য়ুম | লৈকাই |
|---|---|---|---|---|
| ১। | কোঞ্জিলদা য়ুবা | | | |
| ২। | পাইপ য়ুবা | | | |
| ৩। | টেঙ্কিদগী ঈশিং পাথোরকপা | | | |
| ৪। | অতৈ অতোপ্পা | | | |

অঙাংশিংনা মরি লৈনবা মীয়ামদা ঈশিং য়ুবা/পাথোকপগী মরমশিংদু থীজিলহন্দুনা মরমশিংদু খঙহনগদবনি। মখোয়না মীয়ামগী পাওখুমশিংদু তারগা মখোয়গী ওইবা ৱারোইশিনশিং অমা ইথোক্কদবনি। থিজিল্লুবদা ফংলকপা মরমশিংদু ক্লাসরুমদা খন্নগদবনি, মদুদা ওঝানা এসেস তৌগনি, অঙাংশিংগা লোয়ননা রুব্রিক অমা শেমগনি।

| ক্রাইতরিয়া ৱাহংশিং শেম্বা | লেভেল ১ ওঝানা কাংলুপকী ৱাহংসি লেপ্পী | লেভেল ২ ওঝাগী মতেংগা মহৈরোইশিংনা ৱাহংসি | লেভেল ৩ কাংলুপ মশেল পুন্না ৱাহংশিং শেম্লে |
|---|---|---|---|
| পাউখুমশিং খোমজিনবা | খঙদোক্লুবা ৱাহংশিং হংই | শেম্লে করিগুম্বকান্দা খঙদোক্লুবা ৱাহংশিং হংই | ৱারি শান্নরিঙৈদা হেন্না খঙনিংবদগী অনৌবা ৱাহংশিং হংই। |
| ৱারোলশিং ইশিলনি, রিপোর্ট শেম্নবা | পাউখুমশিং ফংদবসু য়াওই, অতোপ্পা ৱাফমশিং খঙহল্লকই | নিয়ম চুন্না ৱারোলশিং ইশিল্লি অমসুং অইবা রিপোর্ট ওইনা পুথোকই | রিপোর্ট অদু ক্লাসরুমদা পুথোক্লুনা পাথোকই অমসুং অইবা ওইনা উৎলি |
| ৱারোইশিন ওইনা ইথোকপা | ইচম চম্বা ৱারোল ওইনা থমই | চান্নবা মওংদা ইথোকই অমসুং মরি লৈনবা ৱাফম খরা পিখি | শন্দোক্লা মরম চানা ওইথোকপা য়াবা ৱারোলশিং কান্নগদবশিং থম্মী। |
| তেংবান্নবা | মখোয় খরনা মতেং পাংনৈ অদুগা খরা অমনা য়াওদে | মখোয় খরনা মতেং পাংনৈ খরা অমনা খঙজিল্লগা /তারগা লৈ | মখোয় খুদিংমক চপ মান্ননা থবক্তুদা তেংবান্নৈ |

ওঝানা রুবরিকতা পিরিবা দেসকৃপসনশিং অসি দরকারগী মতুংইন্না শেমদোক্তুনা শিজিন্নবসু য়াই।

## এক্টিভিটি ১৩

ঈশিংগী অৱাবসি থেংনবগীদমক্তা অঙাংশিং খন্নহল্লগা অফবা পান্থৈশিং পুথোকহল্লু। হীরমসিগা মরি লৈননা অঙাংসিনা পীরকপা পাউখুমশিংদা খঙদোকপা মথৌ তাই। মহৈরোইশিংদা ঈশিংসি য়ান্না মরুওই হায়বা খঙহনবা অমসুং মীয়ান্না ঈশিংগী অৱাবসি কোক্লবা হোৎনরগে হায়বদুসু খঙহনগদবনি।

## এক্টিভিটি ১৪

ৱাহং অসি অঙাংশিংদা হংউ। করম্বা মওংদা মখোয়না ঈশিংবু অমুক হন্না শীজিন্নবগে? অমসুং শীজিন্নরিবা থবকশিংদুগী লিষ্ট অমা শেম্মু। খুদম ওইনা, মনা-মশিং উহৈশিং চাম্বা লোইরগা, ঈশিংদু ৱাই তৈবদা, পাম্বীদা ঈশিং চাইবদা শীজিন্নৈ। পাউখুমশিংদু খঙজিন্নবা, নত্রগা বোর্ডতা, চেদা, নত্রগা চার্টতা নপশিনবা য়াই। মখোয়না পাউখুমশিংদু পাথোকপা নত্রগা অমুক খন্নবা য়াই। অতোপ্পা সিচুয়েসনশিংদা মখা তানা চখবা য়াই।

**খুদম ওইনা ঃ**

- ফি-রোল শুবা লোইরবা লেমহৌবা ঈশিংদু শাশিংদা পীথকপা য়াব্রা?
- য়াদে, করিগীনো?
- য়াই হায়বদি, কমদৌনা?
  ঐখোয়না ফি শুবগী লোইরবা ঈশিংদু থকপা য়াব্রা?

**মখা তানা নঙনা হংবা য়াই।**

- মদুনা পাম্বীশিংদা অকাইবা পিরোইদ্রা।
- ঈশিংদু ঐখোয়না অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াদ্রা?
- করম্বা? ওইথোকপা য়াবা মওং খরা পিয়ু?

অসুন্না চথ্দুনা মহৈরোইশিংগী পাউখুমশিংদু পুন্না খন্নরগা মওং চুন্না ঈশিংবু অমুক হন্না শীজিন্নহন্নবগী লৌশিং পিবা য়াই।

## এক্টিভিটি ১৫

ওঝানা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বগী মতাংদসু পায়খৎপিবা য়াই, খুদম ওইনা, মেঘালয়াদা নোংগী ঈশিং য়োকশিনবগী মতাংদা, করম করম্বা হিরমশিংদা ঈশিং শীজিন্নবগে? নঙনা অঙাংশিংদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বগী লাইশিং য়েকহনবা য়াই। অঙাংশিংবু মখোয়না খঙজবা, থেংনজকপশিংদু ফোঙদোক্তুনা নৈনহনবা য়াই।

## এক্টিভিটি ১৬

অঙাংশিংগী ওইবা কাংলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লি, মখাদা পিরিবা থিমশিংগী প্রোজেক্ট শেন্না খন্নহল্লু।

- ০ হান্না শীজিন্নখ্রবা ঈশিংবু অমুক হন্না শীজিন্নবা স্কুলদা/য়ুমদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা ঈশিংবু করম্না শীজিন্নগদগে হায়হনবা।
- ০ ঈশিংবু য়োক্তুনা থম্বা – নোংগী ঈশিংবু করম্না য়োকশিন্দুনা থম্নবগী মওং খঙদোকপা।
- ০ ঈশিং মাংহনবা – কোঞ্জিলদগী য়ুদুনা মাংলিবা ঈশিংগী চাং/কয়া য়াম্না মাংবগে খঙধোকপা।
- ০ ঈশিং মোৎশিল্লকপা - থা অমদা ঈশিং মোৎশিল্লকপগী পাউ খোমজিনবা অমসুং মরমশিংদু ইথোকপা।

মখোয়বু তোংঙান তোঙানবা খঙভা য়াবা মফমশিংদা, লাইরিকশিং, লাইব্রেরিদা চংহনবা লাইরিক পানবা, অমসুং মথক থোংবশিংদা হংহনগনি। কাংলুপ খুদিংমক্লা তোপিক অদুদা ৱারি, শৈরেং ইহনবা নত্রগা লিলা/সো অমা শান্নহনবা/এক্টিভিটিশিং অসিদগী অঙাংশিংনা স্কুলদা অমসুং ইমুংদা ঈশিং মাংহনবগী ৱারোলশিং ফোঙদোকহনবা ঙমগনি।

ঈশিং লীক্লা শীজিন্নহন্নবগী মওংশিং, অমসুং কয়ারক হন্না শীজিন্নবগীদমক্তা শৈরেংশিং/স্লোগানশিং ইহন্দুনা ফোঙদোকহনবা য়াই।

এক্তিভিটিশিংসিগী মতেংনা অঙাংশিংনা দাটা কোমজিনবা, ইশিনবা, ৰারোইশিন ইথোকপা, থিজিল্লুবদা ফংলকপা লৌশিংশিংদু অতোম্পাশিংদা খঙহনবা ঙল্লক্নি।

অকোয়বদা থোক্লিবা ঈশিং ফংদবগী অৰাবা, লেন্না মাংহনবগী ফিভমশিংসি য়েংহন্দুনা খঙহল্লবদি, সমস্যাশিংগী মরমশিং অমদি মসিবু থোকহন্দবা উপাইশিং মখোয়না হায়বা ঙমগনি।

**ঐখোয় খন্নরসি ঃ**

- মোদুল অসিদা পিরিবা এক্তিভিটিশিং অসিদা করন্না কনসেপ্তশিং অমসুং ইসুজশিং নৈনখ্রে? এন.সি.ই.আর.টি.গী সেলেবস/লাইরিক (ই.ভি.এস.) তা কদাইদা য়াওই, খঙদোকহনসি।
- মথক্তা পাংথোকখিবা এক্তিভিটিশিংদা নৈনখিবা কন্সেপ্ত অমসুং ইশুজশিং ষ্টেটকি সেলেবস/লাইরিক য়াওৰা?
- নঙ অঙাংশিংবু করন্না চাংয়েং লৌবগে? এক্তিভিটিশিং অসিগা চাংয়েং লৌননবগী ক্রাইটেরিয়া খরা শেম্মু।
- মথক্তা পিরিবা এক্তিভিটিশিং অসিনা করম্বা লার্নিং আউটকমশিংদা মীৎয়েং থম্মি। মখাদা পিরিবশিং অসিদা নঙ করি খল্লি।

## লার্নিং আউটকম্‌স

- ঈশিংগী হৌরকফম/ফংফমশিং অমসুং ঈশিং থমফমশিং খঙদোকপা।
- ঈশিংগী কান্নবা, মরাং কাইনা ফংবা, য়ুমদা, অকোইবদা শীজিন্নবগী মতাংদা শন্দোক্লা হায়বা ঙমহনবা।
- ইমুংগী মীওইশিংনা ঈশিং শোকউরগা, থমজিনবগী মওং শন্দোক্লা হায়বা।
- থীজিনবদগী, হকথেংননা থেংনরকপা, ফংলকপা পোৎ চৈ/এক্তিভিটিশিংগী ইনফোরমেসনশিংবু ইশিনবা অমসুং এক্তিভিটিশিংগী মওংশিংবু মাংজৌননা ফোঙদোকপা।

- মওং-মতৌ মান্নবা, মান্নদবা, ঈশিংদা লুম্পা লুম্পতবা, তুম্বা ঙমদবা পোৎশিং/ অতোম্পশিংবু য়েংলগা কাংলুপ নাইনা খঙদোকপা ঙমহনবা।
- ওবজেক্ট অমসুং এক্টিভিটিশিংগী খেন্নবা খঙহনবা।
- ইচম চম্বা খুৎলাইশিং শীজিন্নদুনা পোৎশিংগী মগুণ, মওং মতৌ লায়না খঙদোকপা, লাল্লি চুম্মি হায়বা (খুদম ওইনা অতাওবা/অরুম্পা পোৎ)
- পোৎ চৈ, এক্টিভিটিজ, ইক্সপরিয়েন্সশিং, ওবজার্বেসন অমদি চৎলুবা মফমদুদা থেংনরকপা, ফংলকপা পুন্নমক রেকোর্দ তৌহনবা।
- লাই য়েকপা, মোদেলশিং, মেপশিং, শৈরেং অমসুং স্লোগানশিং শেমহনবা।
- সমাজনা ঈশিং শীজিন্নবগী মওং মতৌদা অয়াবা য়াদবগী চৎনবীগী মায়োক্তা মোৎশিং পীবা।

**৭। ই.ভি.এস. কি মরমদা এস.আর.জি.শিংনা পাংথোকপা য়াবা এক্টিভিটিশিং। সেক্সন অসিদা এক্টিভিটিজ খরা য়াওরিবা, থিম ইশুজ অমসু পেদাগোজিগী ওইবা হীরমশিং অসিনা খঙদোক্লবা হোৎনবদা নঙোন্দা মতেং ওইগনি। অকক্লবা পরা অমসুং অঙাংগী চহিগা চান্নবা এক্টিভিটিশিং ক্লাসরুমশিংদা পাংথোক্লবা শেম্বা ঙমহনগনি।**

এক্টিভিটিশিংসি কাংলুপশিং শেল্লগা অপিবা তোপিকশিংদা খন্ন-নৈনহনবগী থৌরম পাংথোকহনগনি। কাংলুপ নাইনা প্রজেন্টেসন তৌহনগনি।

১। ঠিম অমদা এক্টিভিটি পাংথোকপা তারবদি হান্না মাইন্দ সেপ তৌগনি, মদুসু ই.ভি.এস.কি অতৈগা পুন্সিন্নবা মওংদা ওইহনগদবনি।

২। খনগৎলবা থিম/হিরমদুগী ইউনিট প্লান অমা শেম্মু।

৩। ই.ভি.এস.কি লাইরিক্তা য়াওবা থিম ঃ চিঞ্জাক, চথোক চৎশিন, অমসু লৈফমগী মতাংদা কাংলুপ শেল্লগা পাংথোক্লবা প্রোজেক্টশিং শেম্মু। চাংয়েং লৌনবগী প্লান তৌ।

৪। এন.সি.ই.আর.টি. নত্রগা (ষ্টেট) কি ই.ভি.এস.কি তন্নরিবা লাইরিক্তু এনালাইসিস তৌ। মদুদা জেন্দরগী মতাংদা কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বগী খঙদোকউ।

৫। ই.ভি.এস. তম্বীবদা কদায় ফাওবা ইনক্লুসিব ওইহনবা ঙমগদগে? চেপ্তর/তোপিকশিং খনগৎলগা হেন্না ফগৎনবা মোৎ পিয়ু।

৬। ই.ভি.এস.কি লাইরিক্তগী চেপ্তর/থিমশিং খল্লগা, অঙাংশিংগা চুন্নগদবা, কান্নগদবা লৈপাকসিগী/লমদমসিগী থিমশিং হাপচিন্নবা হোৎনৌ, মোৎশিং পীয়ু।

৭। অঙাংগী চহিগা চান্নবা সিচুয়েসনশিং শেম্বীদুনা মখোয়দা সাইন্টিফিক অন্দরষ্টেন্দিং লৈহন্নবা হোৎনৌ।

৮। অঙাংশিংগা আর্ট অমসুং ক্রাফ য়ান্না পামই। আর্ট ইডুকেসনগা ই.ভি.এস. কা অনিসি করম্না পুনশিল্লগা তাকপী তম্বীগনি? এন.সি.ই.আর.তি.গী ই.ভি.এস. লাইরিক্তা করম্না হায়?

৯। ই.ভি.এস.কি লাইরিক্তা য়াওরিবা থিমশিংগা চান্নবা য়েংলগা, ওদিও/ভিদিও/ই-কন্টেন্টশিং খন্দোকউ। মসিদমক্তা ৱেব লিঙ্কশিংসু পীরি।

১০। ই.ভি.এস.কি লাইরিক্তা কী চেপ্তর অমা খনগৎলু অদুগা মদুদা য়াওবা কনসেপ্তশিংদু মীৎ উবা, তাবদা অৱাবা ওইরিবা অঙাং অদুদা খঙহনবা নঙনা তৌগদবশিংদু হায়বা ঙম্রা?

**৮। শরুক য়ারিবা ত্রেনিশিংনা ই.ভি.এস. তাকপী তম্বীবগী মতাংদা ফিদ বেক পিবা**

ওঝা পার্টিসিপেন্টশিংগী মশিং য়েংলগা কাংলুপশিং শেমগনি। কাংলুপ খুদিংমক্না মখোয়না ক্লাসরুমশিংদা ই.ভি.এস. তাকপী তম্বীবদা ফংলকপা এক্সপরিয়েন্সশিংদু ফোর্মেত অসিদা ইশিনহনগনি।

| (১) | (২) | (৩) | (৪) | (৫) | (৬) |
|---|---|---|---|---|---|
| করম্না ক্লাসতা ওঝাশিংনা তাকপি | মখোয়না তাকখ্রবা তোপিকশিং | মখোয়না তোপিক্তু তাকপদা শিজিন্নবা, পেদাগোজি | তম্বীবদা থেংনখিবা অৱাবশিং (পিদাগোজি) | ওঝাশিংনা মখোয়না ওইবা থেংনখিবা অৱাবশিং | মহৈরোইশিং করম্না চাংয়েং লৌবগে? |
| | | | | | |

| (৭) | (৮) |
|---|---|
| ওঝাশিংনা ইনক্লুসিব ক্লাসরুম ওইহনবা করি পাইখৎলি? | রিমার্কশিং |
| | |

ওঝাশিংগী কাংলুপশিংনা খন্নরগা ফোর্মেত অসিদা মেনশিনগনি/ইশিনগনি। ফিদবেক লৌরিবসিগী কান্নবদি অসিনি মতুং তারকপদা ত্রেনিংশিং পাংথোকপদা ইভিএস তাকপি তম্ববগী ত্রেনিংদা ফগৎহনবনি।

**৯। পাবা, নৈনবা য়াবা লাইরিকশিং ঃ**

এন.সি.আর.তি.গী ই .ভি.এস.কি ক্লাস থ্রি-ফাইব লাইরিক।

- 2015, Exemplar package on CCE (Primar stage)
- 2017, Learning Outcomes at Elementary stage.
- 2006, Syllabus of EVS for elementary classes
- Source books on Assessment in EVS, NCERT

# মেথেমেতিক্সকী পেদাগোজি

Module
9

**চাওরাক্পা মীৎয়েং :**

স্কুল ইজুকেসনদা মেথেমেতিক্স মরু ওইরি। ইলিমেন্টরিগী থাক্তা মেথেমেতিক্স তমদ্রবা য়াদ্রবা সবজেক্স অমনি। অদুবু, মসি তমলুরগা অঙাংশিংদা অকিবা, অৱাবা পোৎলুম ওইহল্লিবসি ক্লাসরুমদা তাকপী তম্বীবগী মওং য়েংশিল্লিবুদগী খঙবা ঙমই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়াশিং অসিবু কোকহন্নবা অঙাংশিগা চুনগদবা পেদাগোজি, চাংয়েং লৌবা, প্রাইমারি অমসুং অপর প্রাইমারিগী থাক্তা মহৈ- তমলিবা অঙাং পুম্নমকপু অকিবা, অৱাবা লৈহন্দবা ক্লাসরুম অমা ওইহনবগীদমক্তা প্রাইমারি অমসুং অপর প্রাইমরিগী তোংঙান তোংঙানবা কমপিতেনসীশিং, ইসকিলশিং লৈহন্নবা মোদুল অসি পুথোকপনি।

**তম্বগী পান্দমশিং :**

■ ওজাশিংনা মোদুল অসি নৈনরবা মতুংদা খঙবা ঙমগনি মদুদি অঙাংশিংদা তাকপী তম্বীবগী মওংশিং, চাংয়েং লৌবগী শরুক য়াওনা ভাবনা লৌশল্লগা অঙাংশিংনা লাইরিক তম্বদা পুক্লিং চিংশিল্লি। মখোয়না ঙমগদবশিং :

- ♦ ষ্টেৎকী সেলেবস অমসুং লারনিং আটকমসগী কমপিতেনসীশিং, স্কিলগা মরী লৈনহন্নবা।
- ♦ অঙাংশিংনা তন্লীবা ক্লাসতুগী লারনিং আউতকমশিংদু মপুং ফানা ফংনবা হোৎনবদা চান্নবা পেদাগোজিশিং শীজিন্নবা।
- ♦ তাকপীবা অমসুং চাং নাইনা চাংয়েং তৌদুনা অঙাং পুম্নমকপু ফগৎহন্নবা হোৎনবা।

**অঙ্কগী মওং খঙদোক্লসি :**

ঐখোয়গী নুংতিগী হিংলিবা পুনসিদা পোৎ- চৈগী পাকচাওবা অরুম অয়াংগী মতাংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙমহল্লিবসি অঙ্কগী মতেংননি। অঙ্কা অসি মালেম শিনবা থুংনা হিরম কয়া নৈনবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা বিসয় অমনি, মসি নেচরেল সাইনস, ইঞ্জীনীয়ারীং অমসুং মেদিকেলগী লমদা নৈনবদসু শীজিন্নৈ। অঙ্কনা নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা থৌদোক কায়াদা শীজিন্নবদ নত্তনা অঙ্কা তম্বনা অচুম্বা ৱাখল খন্থবা ঙমহনবা, মীৎনা তশেংনা উদ্রিবা, থেংনদ্রিবা থৌদোক পোৎচৈগী মরুমদা খঙহনবা অমসুং ৱাখলন শাগৎপা কয়াদা খন্থহনবা ঙমহনবদা মতেং পাঙবা ঙমই। মরম কয়াসিদগী স্কুলগী

করিকল্লমদা য়াওহন্দুনা ক্লাস টেন ফাওবা তমদ্রবা য়াদ্রবা মরুওইবা বিষয় অমা ওইনা তমলিবনি।

স্কুলদা অঙ্ক তমবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং :

- অঙাং অমনা হায়রি - ঐনা মপুম মশিং অনী পুরিনবদা, পুরিনবদা ফংলিবা ফল অদুনা পুরিনবা মশীং অনীসিংদুদগী হে া চাউই। অদুবু ঐনা মচেৎ মকাই (ফ্রেক্সনস) অনী পুরিনবা মতমদদি, পুরিনবা মতমদা ফংলিবা ফল অদুনা হে া পীকই। মসি মরম অসি ঐ খঙবা ঙমদে।

- অঙাং অয়াম্বনা অঙ্কা তম্বদা অকিবগী ৱাখল অমা লৈ অমসুং মসিনা অশোয়বা ওই। মরমসিনা অঙাংসিংনা ঙন্তানা অঙ্কা তম্বদগী তোকই, লাপথোকই।

- অয়াম্বা অঙাংশিংনা অঙ্কবু তম্নরক্তবা অদুদসু নত্তনা অফবা অঙাংশিং অঙ্ক তম্বগী চাং হন্থরকপা, তমগে হায়না খ রক্তবদগী, কর্রিকল্লমবু অশোয়বা অমা ওইনা উ রকপা।

- ৱাহংশিং, প্রোব্লেমশিং, অমসুং চাংয়েং লৌননবগী মওংশিং অসি ইমান- মা বা অমসুং ৱ াখল খন্থনীংঙাই য়াওদে, অঙ্কা য়াম্না হোৎপরোমদা মীৎয়েং চঙই। অঙ্কগী কর্রিকল্লমগী শরুক্তা অঙাংশিংদা স্পিসিয়েল থিঙ্কিং হেনগৎহনবা য়াওদে।

- ওজাগী থাজবগী চাং হন্থরকপা, তাকপীনবগী মাংজৌননা শেম শাবা ৱাৎপা অমসুং শৌগৎপীনবা লৈরক্তবা। (NCF 2005)

**প্রি- প্রাইমারিগী ষ্টেজদা অঙাংশিংগী মরক্তা ন্যুমেরেসী স্কীলশিং শাগৎপা :**

- প্রি- নম্বরশিংগী স্কীলশিং - মখল খাইদোকপা, অচৌ পীশক খনবা, মথং মনাও নাইহনবা অমসুং লম্বা- লম্বা শেম্বনচীংবশিং অসিনা ন্যুমেরেসিগী স্কীলশিং অমসুং ঙমগদবশিং শাগৎপদা য়ুম্ফম ওই।

- পোৎশিং মশীং থিবা হৌদ্রিঙৈদা অঙাংশিংনা প্রি- নম্বর স্কীলশিং খঙঙমগনি হায়না অশা তৌই। প্রি- নম্বর স্কীলশিং মপাঙ্গল হেঙ্গৎনবা অঙাংশিংদা মতম অমদি খুদোংচাবা মরাং কায়না পীবিগদবনি। পোৎশিং ক্লাসিফাই তৌবা (মখোয়গী অমা নত্রগা অমদগী হেনবা গুনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা) কঙ্কৃৎ ওবজেক্টশিং মথং মনাও নাইনা থন্বা (অতোপ অতো া মওংদা) অমসুং অমগা অমগা চা বা হায়রিবা স্কিলশিং অসিগী প্রাক্টিকেল একটিভিটীজশিং অঙাংশিংগা লোয়ননা তৌগদবনি মরমদি হায়রিবা স্কীলশিং অসি অঙাংশিংনা মশীং থীবদা তম্বদা মরু ওইবা হৌরকফম ওই।

- প্রি- স্কুলগী থাক্তা নঙনা নঙগী অঙাংশিংবু অঙনবা মতমগী অঙ্কগী স্কীলশিং অমসুং তৌবা ঙমগদবশিং শেমগৎপদা মতেং ওইনবা নম্বর সে  (মনিং অমসুং মমাংগী মশীং চপ চানা থীবা ঙম্বা, বেসিক ওপেরেসনশিংগী মতেংনা মশীংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং য়েংবা), মহুৎশিনবা (ৱাহৈনা, অয়েকপা লাইন, সিম্বোলনা অমসুং পোৎশক্লা ব্লোক, নুংমচা অসিনচিংবা), স্পেসিয়েল সে  (মওং মতৌগী, সাইজ, সেপস, পোজিসন, মাইকৈ অমসুং লেং ওৎপা) আইডিয়া, সাইজ, স্পেস, পোজিসন, ডিরেক্সন অমসুং লেঙ ওৎপা), চাং ওনবা (অশাংবা, অৱাংবা, অরুম্বা অমসুং মতম- মশাগী ওইবা মওংদা ওনবা অমসুং উনিটশিং শীজি  বা), ইস্তিমেসন (করিগুম্বা অমগী চাং নত্রগা অচৌ- পীশক্কী চাউরাকপা অমা হায়বা ঙম্বা), নমুনা (মশীংশিং, মওং মতৌশিং, মমীশিং লোজিকেলগী মওংদা শীনদোকপা) অমসুং প্রোব্লেম সোলভীং (করিগুম্বা প্রোব্লেম অমগী মরমদা খনবা ঙমবা অমসুং পাউখুম ওইবা য়াবা লম্বী মখল অমদগী হে  া লৈ হায়বা খঙবা)

- মথক্তা পনখ্রিবা স্কীলশিং অসি শেমগৎপদা শেমগৎপদা শেমজিন শাজিনবা সিচ্যুসনশিংগী শাগৎপগী মহুৎতা অঙাংশিংনা ময়ুমদগী ফংলকপা এক্সপিরিয়ে  শিং শীজি  বনা হে  া দরকার ওই।

- মখোয়গী অনকপদা লৈরিবা পোৎশিং, মী মেটেরিয়েলনচীংবশিং অদুবু য়াম্না শেংনা উবা ঙম্বা গুনশিং হায়বদি মচু অমসুং মওং- মরিনগী মতেংনা মখল অনী থোক্লা খায়দোকপা অমসুং মখা তারকপদা খরা হে  া লুশনবা গুনশিং হায়বদি -  অচৌ- পীশক, লৈফমনচীংবদা য়েংলগা মখল অনীদগী হে  া খায়দোকপগী খুদোংচাবশিং।

স্কুলগী থাক্তা অঙ্কা তমলিবসি পান্দমসি করিগীনো,  মসি য়াম্না মরুওইবা ৱাহং অমনি। ঐখোয়না ইচম- চম্না পামলিবসি মহৈরোইশিংদা অঙ্কাগী ময়েক চৎহনবা, অমসুং মখোয়বু মপুংফানা মীওই অমা ওইরগা থবক তৌহনবগীরা নত্রগা ঐখোয়না পামলিবসি মখোয় খুদিংমক্ল  া তুংদা সমাজদা শেল- থুমগী ফীভম ফগৎহনবগী ৱাখল খন্দুনা হোৎহনব্রা ? মরমসিংসিদগী মহৈরোইশিংদা মসিগী ৱাখল্লোনসি খনহনদুনা সমাজদা অওনবা পুরক্লবগীমক্তা স্কুলগী থাক্তা অঙ্কা তমলিবনি।

মোদুল অসিদা ঐখোয়না নৈনগদৌরিবসি ঐখোয়না মহৈরোইশিংদা অঙ্কাবু তম্লীংহ  বগী ৱাখল পোকহনগনি, অমসুং তম্নবগী থৌওং থৌরাংশিংদুগী মতাংদনি। ঐখোয় মেথেমেটিক্স করিনো হায়বদু নৈনবা হৌরসি। মেথেমেটিক্স হায়বা ৱাহৈসি গ্রিককী ৱাহৈ, ‘‘মেথেমা’’ দগী

লাকপনি , মসিনা ফোংদোক্লিবসি সাইনস হায়বনি। ওক্সফোর্ট ডিক্সানারিগী মতুংই া মেথিমেতিক্স অসি ‘‘দি সাই ওফ স্পেস, নম্বর এন্দ ক্বান্টিটি’’ হায়না পীরি । অঙ্কা অসি অহান্বদা মিজরমেন্ত (পাক চাওবা, অরুম অয়াং ওনবা) পেট্টর্নস (মওং- মতৌশিং) অমসুং সেন্মিট্রিশিংবু খঙদোক্লবা থিজিনবদা মেথদ অমা ওইনা শীজি রমই। মেথোৎতা য়াওরিবা কে প্টকী দিফিনিসনসশিং অসি চেকশি া ময়েক শেংনা নৈনবীগনি অমসুং এজ্যুমসন স্টেৎমেন্ট অদুবু ময়েকশেংনা খঙহনগদবনি।

**প্রাইমরিগী থাক্তা মেথেমেটিক্স :**

সমাজসিদা লৈরিবা ঐখোয়না প্রাইমারিগী থাক্তা লৈরিবা ওজাশিংনা, য়াম্না মরুওইবা থবক অসিগীদমক্তা, থাগৎনিংঙাইনি।

প্রাইমরিগী ওজানা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা অঙাং অমবু স্কুলদা তুংকোইনা চহি কয়া লাইরিক তমহনবা ঙমই। প্রাইমারিগী থক্তা অঙাংশিংবু তাকপী- তন্বীনবগীদমক্তা অখ বা স্কিলশিং, হৈশিংবা, জ্ঞান, লৌশিং লৈবা তাই। মথক্তা হায়রিবা স্কিলশিং অসি মতম শাংনা হোৎনরগা ফংবা ঙমই অমসুং মশানা হোৎনরিবা, তৌরিবা মথৌদুদা লেপ্তুনা হোৎনরকপা, লেপ্তুনা থিজি বদগী মানা তাকপিরিবা তন্বীরিবা মওং অদু ফগৎহনবা ঙমই। অঙাংশিংনসু কক্তিৎ ওইবা পোৎ (মীনা উবা, পায়বা য়াবা) উরগা, পায়রগা মখোয়গী ৱাখল খন্থহনবগী চাং হেনগনলি। মরমসিনা খঙলে মদুদি, তাকপী- তন্বীবদা কক্তিৎ ওবজেক্টশিং শীজি দুনা অঙাংশিবু পায়হনদুনা উহনদুনা তাকপীগনি। প্রাইমারিগী থাক অসিদা অঙাংশিংদা কনসেপ্টশ, কম্পিতেনসিশিং এন্দ স্কিলশিং তাক্লবগী / খঙহ বগীদমক্তা পীরিবা এক্টিভিতিসশিং অসি পাঙথোকনী :

**(ভিসন ফোর স্কুল মেথিমেটিক্স)**

স্কুলদা অঙ্কা তমহন্বা থমলিবা পান্দম :

- অঙাংশিংবু হরাও- তয়াম্না, অকিবা য়াওদনা অঙ্কা তমহনবা।
- অঙাংশিংবু অঙ্কাগী কা বা খঙহনবা - মেথিমেতিক্সনা ফোরমুলা অমসুং অঙ্কা হোৎনবগী চৎনা পথাপশিংদগী হে া মরওই খঙহনবা
- অঙাংশিংনা অঙ্কগী মতাংদা ৱারী ৱাতাই শা হনবা, অঙ্কগী মতেংনা লোন ফাওনহনবা, মখোয় মখল অঙ্কাগী মতাংদা খ নৈনবা, পু া অঙ্কা হোৎমি বা।

- অঙাংশিংনা স্ট্রকচর মশক খঙনবা, পোৎচৈগী মরম থীজননবা, অচুম অরান য়েৎনবগীদমক্তা মরী লৈনবশিং ভাবনা লৌশল্লবগীদমক মশক মওং নাইদবা ভাবশিং শীজিবৈ ।

- অঙাংশিংবু অঙ্কগী মরুওইবা মচাকশিং খঙহনবা - এরিটমেটিক্স, অলজেব্রা, জিওমিত্রি অমসুং ত্রীগোনোমিত্রি, স্কুলগী মেথেমেটিক্সতা য়াওরিবা তমগদবশিং, এবসত্রেক্সন, ষ্ট্রকচরেসন অমসুং জেনেরেলাইজেসনগী পীরিবা মেথোদোলোজিশিং।

- ওজাশিংনা ক্লাসতা অঙাং খুদিংমকপু শরুক য়াহনদুনা, অঙ্কা তমহনবা অমসুং মখোয় খুদিংমক অঙ্ক তম্বা ঙম্মী হায়না লাউথোকহনবা / ফোংদোকহনবা

এক্সপরিয়ে :

কনক্রিট ওইবা পোৎশিং অমসুং পায়দুনা শেমদোক শেমজিন য়াবা শা পোৎশিং, তম্বদা শীজি বা য়াবা পোৎচৈ শিং অসি শীজি দু অনৌবা কনসেপ্ত অমা তম্বা হৌবদা য়াম্না খুদোংচাই, কা বা পী। অসিগুম্বা ইক্সপরিএ শিং অসি ক্লাসরুমগী মনুংদা অমসুং মপান্দ পাঙথোকপা এক্টীভিতিশিংগা মরি লৈনৈ, কা বসু ফংই। অঙাংশিংগী নুংতিগী পু গা মরি লৈননবা এসাইমেন্টশিং পীগদবনি, এসাইমেন্টশিংদু, খঙননবা থিজিন- খোমজিনবা য়াবা মওং ওইগদবনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা : মশিংসি তীনশি বগীদমক্তা, অঙাংশিংদুগী মনাক্তা লৈবা, ওবজেক্টকী কাংলুপ অনী থম্বীগনি, পোৎচৈগী কাংলুপশিং (অনী) অদু পুল্লপ পুনশি রগা, পু া থীহনগনি। কাংলুপশিংদুদা থমগদৌরিবা পোৎশিংদু চপ মা বা মখলগী পোৎ ওইহনগদবনি, খুদম ওইনা এপলশিং নত্রগা মা বা হৈশিং ওইহনগনি, মরমদি মখোয়না কাংলুপশিংদু থীদুনা, অপুনবা মশিং হায়বা ঙমননবা। মসিদগী অঙাংশিংনা কাংলুপশিংদু পু া থিদুনা অপুনবা মশীং তিনশি বগী মশীং হায়বা ঙমকই, মশাদা থাজবা লৈরকই। মখোয়দা অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং লাইনা পাঙথোকপা ঙমহনবগী খুদোংচাবা, থাজবা থমহনগদবনি। ২৩৫ + ৩৬৭ = ৬০২ নহাক্না খঙই, অদু ওইরবদি, ২৩৪+৩৬৯ = ? (কয়ানো) মসি পাউখুমসি অসি করম্না খঙগনি ? ৫৩৮৪ মসিদগী মশিং অমা হেক্তা ওন্থোকউ। মশীং (নম্বর) অসি হেনগৎলক্কদ্রা নত্রগা পীকথরক্কদ্রা ?

হৌজিক অমুক অঙাংশিংদা কমন প্রোপর্তি ওইবা পোৎশিংনা শেম্বা খে বা কাংলুপশিং, খুদমওইনা নুপামচাশিংনা শেম্বা কাংলুপ অমবু - নুপীমচাশিংনা শাবা কাংলুপশিং পুনশি দুনা অঙাং ঙাক্তা।মহৈরোইশিংতগী ওইবা কাংলুপ অমা ওইনা শেমলে। অহানবদদি অপুনবা


কাংলুপ্তা লৈরিবা ওবজেক্টশিংদু পু া মশীং থীদুনা অপুনবা মশিং পুথোকই। অকোনবদদি, অঙাংশিংনা অমুক হ া ওবজেক্টশিংদু থীবগী মহুৎতা অতো া মওং অমদা থি।

**Language (লোল) :**

অঙাংশিংদা খোঞ্জেল থোক্লা মখোয়গী থেংনজরকপা থিজি বদগী খঙলকপা লৌশিং অমসুং ওইবা য়াবা (experiences, observations, hypothesis) শিংদু ফোংদোকচনবগী খুদোংচাবা পীগদবনি। খ - নৈনরৈঙৈ মনুংদা অঙাংশিংবু লোলগী স্কিলশিং হেনগৎহ বা, ৱাহংশিং হংবা ঙম্নবা, অনৌবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অমসু তার্মশিং মরুওইনা বিষয়দুগা মরী লৈননবা। খুদম ওইনা - স্তার মঙানা শাবা কাংলুপ অমগা স্তার অহুম্না শাবা কাংলুপ অমগা পুনশি বদা, অপুনবা মশীং অসি নীপাললি।

Pictorial Presentation (অয়েকপা।পিক্টোরেল প্রজেন্টতে ) :

অঙাংশিং য়াওহন্দুনা পিকচরশিংগী ৱাহন্থোক অমসুং মরী লৈননবা ৱারোল খঙহনবা। মখাদা পীরিবা পিকচরশিং অসি প্রোব্লেম অমা ওইনা থমই, অমসুং মসিগী পাওখুমসু পীরি। খুদম ওইনা :




অৱাংবা থাক্কী ক্লাসশিংগী অঙাংশিংদদি মসিনা মেথিমেটিক্স আইদিয়াশিং / সোলুসন দাইগ্রাম মটিকেল। পিকতোরিকেলিশিং তম্বদা মতেং ওই।

**সিম্বল**

সিমবলশিং মহুৎশিন্দুনা অমসুং অর্থ ৱোহন্থোক খঙহনগদবনি। খুদম ওইনা :

৫ + ৩ = ৮

মহৈরোইশিংদা সিম্বলশিংনা মহুৎশিন্দুনা শীজি বা, অমসুং মদুগী ৱাহন্থোকশিংদু খঙহনগদবনি। সিম্বল অমসুং সাইনশিংনা তৌগদবা ওপরেসনেলশিংদু মেথেমেটিকেল এক্সপ্রেসন নত্রগা ইক্বেসনদু খঙহনগদবনি।

মসিনা অঙাংশিংদা লৈজবা ৱাখলশিং, হায়নিংবশিং অদু মচা খায়না অমদি মীনা লাইনা

খঙবা য়াবা মওংদা ফোঙদোকহনবদা মতেং ওইগনি। ইবা- পাবা, পুক্লীংগী ৱারোল ফোংদোকপা অমসুং প্রোব্লেমশিং সোলব তৌবগা মরী লৈননবা কমপিতে ীশিং অঙাংশিংদা মপুং ফানা লৈহনবা ঙমগনি।

**লোল অমসু ইনভাইরন্টমেনতেল স্তদিসগা মেথেমেটিক্সগা লোয়ননা পু নবা।**

অহানবা স্কুলগী ক্লাসসিংদা মদুদি অহানবা ক্লাস অমসুং অনীসুবা থাক্তা অঙাংশিংনা সুপ্পতগী লোল অমা নত্রগা অনী অমসুং অঙ্ক খক্তা তমই। অঙাংশিংবু মখোয়গী অকোয়বগী মশক খঙহ বগীদমক্তা, ই- পাউ, ৱারী- ৱাতাই শাবা ঙম্নবা, অঙ্কগী তার্মশিং, প্রোব্লেমশিং করিনো খঙনবা, স্লোব তৌবা ঙমননবগীদা, বিষয় অসিগা পুল্লপ পু লসি। মরুওইবা অমনা অঙাংশিংদা ঙ া অঙ্কা তাকপী- তন্বীবদা ওজানা অঙাংশিংগী ওল রাওন্দ দিভলপমেন্ত অমসুং মদুগী মরি লৈননবা অঙ্কগী আউতকমশিং লোলশিং, এনভাইরনমেন্টল ষ্টদিজ পু ন্দুনা হৈহনগদবনি অমসুং খুদমশিং পীবদা অঙাংশিংগী পু দা থেংনরিবা, অকোয়বদা লৈবাশিং পোৎ চৈ, ফিভমদা য়ুম্ফম ওইহল্লগা পীগনি। খুদমওইনা মশিংসিংগী (নম্বরশিং) মতাংদা নৈনবা মতমদা নম্বরশিং নৈনবা, শীজি বসি মখোয় য়াওখ্রবরা, অমদি মখোয়গী নুংতিগী ওইবা পু দা নম্বর অমসু নম্বরগী ওপরেসনশিং করম্না শীজি বগে, তোংঙান- তোঙানবা মফম মতমশিংদা নম্বরগী মমিংশিং অমসুং সিম্বলশিং শীজি দনা অঙাংশিংনা করম্না ফোংদোক্তুনা ৱারী শা বগে, হায়বসি ক্লাসরুমদা খ গদবনি। অসুম্না খ রবদি অঙ্কগী তরমিনোলোজি অমসুং সিম্বলশিং অসি লোলগী মরুওইবা শরুক অমনি হায়বসি অঙাংশিংনা খঙবা ঙমগনি। খুদম ওইনা মিজরমেন্টকী মতাংদা খ রবদি, ইয়ুনিৎশিং অসি নুংতিগী শীজি বদগী খঙবা ঙমই অমসুং লোল অমদা হেক্তা ৱারী শা বদা য়াওহনদুনা হে া খঙবা ঙমলকই।

নোলেজশিংবু তোংঙান তোংঙানবা বিষয়শিংদা (সবজেক্ট) খায়দোক্তুনা সেলেবসতা শেমদোক্তুনা থমহল্লি। অঙাংশিংনা স্কুলদা মহৈ তমলিবসি মখোয়গী থম্মোয়দা খঙনিংদুনা লৈরিবা, খঙনিংলিবা ৱাহংসিং, অদু পাউখুমশিংদু মখোয়গা হকথেংননা লৈরিবা অকোয়বদগী থীজিলহল্লগা, খঙহ বা হোৎহ বনি। অঙাংশিংবু হারাও তায়াম্না মপুংফানা স্কুলগী মনুং অমসুং মপান্দগী অমসুং সবজেক্টশিংগী থমলিবা পনখৈগী ৱাংমদা থিজিন্দুনা খঙহল্লসি।

# Upper Primary থাক্কী অঙ্ক

Upper Primary থাক্তা অঙ্ক অসি য়াম্না মরু ওইবা শীংনবা অমনি অমদি মসিনা অঙাং অদুগী মশাগী লৈজরিবা ৰাখল অমদি লৈরিবা ফীভম অদুগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমসু ওই। অঙাংশিংনা মশা মতোমতগী ৰাখন্না করিগুম্বা অমতা তৌবা ঙমদে। মখোয়না হায়রিবশিংদুগী অর্থ মশানা খংনবগীদমক context নত্রগা model শিং হায়বদি খুদম চাংয়েং পিদুনা তাকলিবা মওং মতৌশিং অদু য়াম্নমক দরকার লৈগনি। অসিগুম্বা থাক অসিদা অসিগুম্বা context অসি অঙাংশিংদা খংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা শীংনবা অমা ঐখোয়গী মাংদা তারি। অদুদগী তপ্না তপ্না মীগী মতেং লৌরম্বা অদু চৎখিগনি। অদুনা অঙাংশিংনা মশা মতোমতনা context নত্রগা model দা য়াওরিবা/ শিজিন্নরিবা পোৎশক অদু তাকপা ঙমলক্কনি। অদুগা অমুক মখোয়বু context অদুগী মখাপোন্না নত্রগা অককনবা অমদা লৈহল্লোইদবনি। ঐখোয়না middle school গী থাক য়ৌরকলবা মতমদা অঙাংশিংগী অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌবদা অমুক্কা হেন্না হোৎনবা চংই। খুদম ওইনা Class V কী অঙাংশিংদা মীৎনা উবা পোৎশক্কী মশিংশিং শিজিন্নদুনা মশিং থিবা তমবিগনি অমসুং Class VI য়ৌরকপদদি negative number অমদি integers গী মরমদা নৈনগনি। অঙাংশিংনা খেন্নবা মশিংগী নোমুনা মুন্না য়েংই অদুগা মদো পুন্নমককী ওইবা ৰারোল পীবসু য়াওই। Upper Primary গী থাক্তা অঙাংশিংনা arithmetic কী ৰারোল পীবা ওইনা algebra তমবা হৌই। মসিনা মশিংগী নোমুনা মমুৎ তানা য়েংলগা পুন্নমক্কী ওইবা ৰারোল পীবা অমসুং প্রমান তৌনবা হোৎনবদা symbol/letter শিজিন্নদুনা য়াম্না তেনশিনহনবদা মতেং ওই। মদুগীসু মথক্তা হায়রিবা তাঙ্কক অসিদা geometry তমবনা মখল মখা কয়াগী 2-D অমসুং 3-D গী পোৎশক মওংশিং, মখোয়গী মগুনশিং edge, vertices, angle, surfaces নচিংবদা য়ুমফম ওইরগা মওং মরিন নাইনা নৈনবা, পুথোকপা, অমসুং পুন্নমক্কী ওইবা ৰারোল পীনবা পান্দম ওই। অঙাংশিংবু polygon শিংগী properteis গী পুন্নমক্কী ওইবা ৰারোলশিং পুরকপা ঙমহনগদবনি হায়বদি Polygon ১গী মনুংদা angle শিং তিনশিন্নবগী ফল অসি side মশিংদগী ২ হন্থরগা $180^{\circ}$ না পুরিবনি (sum of interior angles of a polygon = $(n - 2) \times 180^{\circ}$), triangle অমা অমসুং মাগী congruent triangle গা পুল্লগা parallelogram অমা শেমই, মরম অদুনা triangle ১গী area অসি parallelogram গী area গী তঙ্খাইনি। অঙাংশিংনা তুংদা Class X অমসুং XII তা অসিগুম্বা পুন্নমক্কী ওইবা ৰারোইশিন/ প্রমানশিং পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী আশা লৈ।

**Pedagogical Processes**

অঙ্ক তমবদা factors কয়ামরুম অমনা ঈথিল পী অদুবু ওজাশিংনা অঙ্ক তন্বীবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌই। মরম অসিনা মহৈ য়ান্না অঙ্ক তন্বীবগী মওং করম তৌগনি অমদি ওঝাশিংনা হায়রিবা মওং অসিদগী কদাই ফাওবা শেমদোক শাদোকপা য়াগদগে খংবা তংঙায় ফদে। অঙ্ক য়ামনা হৈবা অঙ্কগী ওজাবু খ্বাইদগী ফবা অঙ্ক তাকপা হৈবা মীনী হায়না society না লৌনৈ। অদুবু ''অঙ্ক তমবীব হৈবা'' হায়বা ৱাফম অমা লৈরি, মসিনা করিনো? অঙ্কখক হৈবনা অঙ্ক তমবীবগী থৌওংদা মপুং ফাবা ঙমদে অদুনা মহাক অদো অঙ্ক মতৌ করমনা তমবীগনি হায়বগী চপ চাবা জ্ঞানসু লৈগদবনি। অঙ্ক হৈবা অমসুং অঙ্ক মতৌ করম্না তমবীগনি হায়বগী অপুনবা থৌওং অসিবু Pedagogical Content Knowledge (PCK) কৌই। মখাদা পিরিবা খর অসি অঙ্কবু নুংঙাইনা তমনবগী থৌদৌশিংনি।

- শরুক য়াবা
- শীজীন্নবা
- য়েংশীনবা
- Hypothesis শেমবা অমসুং মদু চুন্নব্রা য়েংবা
- ৱাহং হংবা
- ফল পুথোকপা
- পোৎশকনা মহুৎ শীন্দুনা তাকপা
- মরী লৈনহনবা
- মথং মনাও নাইবা মরমশিং পুথোকপা
- অঙ্কগী ওইবা পাউ ফাওনবা

**Exempler I**

মসিগী থৌদৌ অসি pre-school গী অরোইবা চহি নত্রগা Class I হৌরকপদা পাঙথোকপা য়াগনি।

**তমলুবগী মহৈ ঃ**

মশিং ১ দগী ৯ ফাওবগী পোৎশক য়াওবা গ্রুপকী মশিংগী মমিং শীজিন্নৈ।

**থৌদৌসিগী পান্দম ঃ**

অঙাংশিংনা

- পীরমলিবা গ্রুপ অদুগা চান্নবা মশিংগী মমিং হায়বা ঙমগনি।
- মশিং ১ দগী ১০ ফাওবগী মশিংগী মমিং মথং মনাও নাইনা শেন্বা ঙমগনি।

**চঙগদবা পোৎলমশিং ঃ**

- শৈরেং/ ৱারি, ওডিয়ো-ভিজুয়েল এইডস
- শৈরেং অমদি ৱারিদা মতেং পীবা য়াবা চান্নবা পোৎলমশিং, ওডিয়ো-ভিজুয়েল এইডস

**থৌওং ঃ**

- মহৌশানা অঙাংশিং অসি ক্লাসরুমদা লাইরিক তমদ্রিঙৈগী মমাংদগী মশিংগা থেংনরকই খুদম ওইনা, মখোয়গী অহলশিংনা নুংতিগী পুন্সিরোলদা মশিংগী মমিং হায়বা তাই হায়বদি, ''ঐ বিসক্যুট ১ হেন্না দরকার ওই, অদুনা ঐঙোন্দা লুপা ৫ পীয়ু; ঐখোয় দাদিগী য়ুমদা নুমিৎ নীনীগী মতুংদা চৎকনি'', অসিনচিংবা।
- অঙাং খরদি হান্ননা মশিংগী মমিং মথং মনাও নাইনা নত্রগা নাইরগা খংঙন্বা য়াই। থৌদৌসিগী পান্দমদি অঙাংশিংদা মশিংগী মমিং হৌদোকপা নত্রগা অঙাংশিংনা মরি লৈনবা কনটেক্স শিজীন্নদুনা মথং মনাও নাইনা মশিংগী মমিং থীবনি।
- মহৈরোইশিংনা মশিংগী মমিং মথং মনাও নাইনা খংবা ঙমনবা মশিংগী মমিং য়াওবা শৈরেং মচা (ক্লাস ১ গী মহৈরোইশিংগা চান্নবা) ঈশৈ, মশান্ন নত্রগা ৱারি লিবা (মথং মনাও নাইনা নত্রগা নাইদনা) ক্লাসরুমদা তৌহনবা য়াই।
- শৈরেং অমা মখাদা পীরি। ওজাশিংনা অসিগুম্বা মফমদুগী লোলদা শৈরেং কয়া পুথোকপা য়াই।

অমা অমা অমা
অঙাং মচা অমা
বন অমা চারি

(মশিং অমখক ওইবা পোৎশকশিং উৎলু হায়বদি - নাতোন, অতিয়াগী নুমিৎ অসিনচিংবা, অমসুং অঙাংশিংদা মশিং অমখক ওইবা পোৎশকশিং নত্রগা হকচাংগী শরুকশিং

পাইবা নত্রগা উৎনবা হায়গনি।)

অনী অনী অনী

অঙাং মচা অনী

জুদা চৎলি

(মশিং অনীখক ওইবা পোৎশকশিং উৎলু হায়বদি – মীৎ, সাইকলগী টাইয়র অসিনচিংবা, অমসুং অঙাংশিংদা মশিং অনীখক ওইবা পোৎশক নত্রগা হকচাংগী শরুকশিং পাইবা নত্রগা উৎনবা হায়গনি।)

অহুম অহুম অহুম

অশংবা তেনৱা অহুম নীংতম্না পাইরি

মরি মরি মরি

মবুক লামলবা হুইনাও মরি

হেন্ন হেন্না চানিংই

মঙা মঙা মঙা

হয়িংখোই মঙা

মহুমদা চৎলি।

(অসুম্না শৈরেংশি গ্রুপ ৯ ফাওবগী পোৎশককী মশিংগা মরি লৈননা মখা থীথৌ।)

কয়া য়াওগনদবা অঙাংশিংসু য়াওনা অঙাং লোয়নমক য়াওননবগী খুদোংচাবা পীবীগনি। তোঙানবা এবিলিটিস লৈবা অঙাংশিংদা মখোয়গী ওবজরভেসনগা মরি লৈনবা খুদম পীহনগনি।

**Exempler II**

প্রাইমারী স্কুলগী অঙাংশিং মহৌশানা জিওমেট্রিগী ওইবা এঙ্গলগী কনসেপ খংবদা খুদোংথিবা মায়োক্লে। মসি অয়াম্বা মতমদা ওজাশিংনা অঙাংশিংদা তম্বীবগী মওংননি। এঙ্গল ডিফাইন তৌবদা লাইরিক খরদা পিরিবা অঙ্কগী টরমিনোলোজি শিজীন্নবগী মহুৎতা, ঐখোয়না তোঙান–তোঙানবা নুংতিগী পুন্সিরোলদা মীৎনা উরিবশিং শিজীন্নদুনা তাকপীগনি। খুদম ওইনা

- সড়ক অনী তাইনফম, কাটিগী, ঘড়ীগী খুৎ অসিনচিংবা।
- টেবল মথক্কী কাচিন, মৈখেৎ উপুগী কাচিন, অসিনচিংবা।

ὐ খুৎ নত্রগা খোঙ কোনথবা

ὐ অঙন্বা, রেমপ, য়ুমথক, চীংমাই, রেলৱেগী সিগনেল অঙাংশিংগী নানথবী শান্ননবা, অমসুং

ὐ থোঙ হাংদোক হাংজিনগী রোটেসন, ৱাইপর, শিলিংগী ফেন, চাকাগী মথৈশিং, অসিনচিংবা।

হায়রিবা ফিভমশিং অসিনা এঙ্গলগী কনসেপ নিয়ম চুন্না শাগৎপদা খুদোংচাবা য়াম্না পী। অদুগীসু মথক্তা এঙ্গলগী কনসেপ তন্বসি অসুক্কী মতিক দরকার ওই মরমদি জিওমেট্রিদা তমগদবা তোঙান-তোঙানবা সেপশিং অমদি জিওমেট্রিগা মরি লৈনবা ইলিমেন্টরি থাক্তা তমলিবা অতোপ্পা সবজেক্টশিংগী হৌরকফম এঙ্গলগী কনসেপনা ওইরি। মরম অসিনা মসিগী exemplar অসিনা এঙ্গলগী অর্থ অমদি কনসেপ শাগৎপা অমদি এঙ্গলগী মখলশিং এক্যুট, রাইট অমসুং ওবটিউস এঙ্গলশিং খংহন্নবা অমদি অঙাংশিং কদায়ফাওবা খুৎমাঙ চাওশল্লবগে চাংয়েং তৌননবা থৌদো খর পীরি।

**কি. কনসেপশিং ঃ**

এঙ্গল, এঙ্গলগী চাং, এঙ্গলশিংগী মখল, এঙ্গলশিং চাংদম্নবা

**তমলুবগী মহৈঃ**

ὐ এঙ্গলগী ৱাখল্লোন থীজীনল্লি।

ὐ এঙ্গলবু রাইট, এক্যুট অমদি ওডটিউস হায়না মখল খাইদোকই।

মথক্তা পল্লিবা ‘তমলুবগী মহৈ’ অসি ফংননবা অঙাং নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংবু চপ মান্নবা মশিংদা গ্রুপ খাইদোকপিরো। গ্রুপশিং অদু মখাদা পিরিবা থৌদৌশিং অসি তৌহনবিয়ু।

# Game

মশান্ন কয়ানা খোয়রাংবা, হরাওবা, নুংঙাইবা, নীংবা কাইহনবা, ফাগি জুগাই নত্রগা কুম্মৈগী ৱাখললোন ফাওহল্লি। অঙ্ক তন্বীবদা মশান্ন কয়া য়াউশীনবনা অঙ্কগী মীৎলৈ-নারৈ, মোটিভেসন হেঙ্গৎহল্লী অমদি অঙাংশিংগী প্রোব্লেম সোলভিং তৌবগী হৈশিংবা হেঙ্গৎহনবদা মতেং ওই। অঙ্কগী মশান্ন কয়াদা অঙ্কগী ওইবা খন্ন-নৈনবা কয়া চৎথবনা অঙ্ক হেন্না খংনবগী মরম ওইহল্লি।

ক্লাস VII গী অঙ্কগী লাইরিককী লমায় ১২ তা য়াওরীবা Game I দা য়েংউ।

চেবাং অপাকপা অমদা box মচা মচা খরা (snakes and ladder অমদি chess কী মওংগা হায়রপ মান্ননা) 19 rows অমদি 11 column দা য়েকলি।

- – 104 দগী 104 ফাওবগী মশীং ইরি।
- সোকা মরু হীকোক মচুগী অনী অমসুং অঙাঙবা মচুগী অনী খাউ অমগী মনুংদা হাপলো। সোকা মরু মচু অমদা য়াওরিবা dot মশিং অদুনা positive integers কী মহুৎ শিল্লো অদুগা অতোপ্পা মচুগী সোকা মরুনা negative integer ওইহল্লে। অঙাংশিংদা মখোয়গী অপান্বা মচু খলহনবসু য়াই। মতাং অসিদদি অঙাঙবা সোকা মরুদা য়াওরীবা dots শিং অসিনা positive integers ওইরি অদুগা অতোপ্পা মচুগী dots শিংনা negative integers represent তৌরি।
- ছাত্রশিং অদু Group খর থোক্না খাইদোকউ। Group size ছাত্রশিংগা লোয়ননা লেপথোকউ। Groups শিংদা য়াওরিবা ছাত্রশিংনা শান্নবা হৌগনি। Group size অদু 4 নি হায়না লৌরসি।
- Player খুদিংমক্না মখোয় মখোয়গী counter অদু 0 mark তা থমগনি।
- Player শীংনা খাউ মনুংদা য়াওরিবা সোকা মরু অদু য়েংদবীদা ওৎখায়গনি অদুগা সোকা মরু অনীখক লৌথোক্কনি। লৌথোকলবা সোকা মরু অনীদু চপ মান্নবা মচু নত্রগা মান্নদবা ওইবা য়াই।
- Player অদুনা লৌথোকলবা সোকা মরু অনীদা য়াওরিবা dots কী মশিংশিং অদু পুরীনগনি।

- ὺ করিগুম্বা সোকা মরু অনীদু মচু চপ মান্নরবদি পুরীনবগী ফলদু positive ওইগনি, নত্রবদি negative ওইগনি।
- ὺ পুরীনবগী ফলনা positive ওইরবদি player না counter অদু 104 লোমদ চৎকনি অদুগা করিগুম্বা negative ওধরগনা counter দু – 104 লোমদা চৎকনি।
- ὺ 104 নত্রগা – 104 হান্ন য়ৌবা অদুনা winner ওইগনি।

Game অসি শান্নবদা ছাত্রশিংনা integer শিং হঞ্জিন হঞ্জিন পুরীনগনি অমদি মখোয়গী group তা য়াওরিবা অতৈনা তৌবসু য়েংগনি। অসুম্না তৌদুনা ছাত্রশিংনা integer শিং পুরীনবগা মরী লৈনবা facts শিং খুলোইনরকই।

ওজা অমা ওইনা ছাত্রশিং integers গী পুরীনবা হৈরব্রা য়েংবগী খুদোংচাবা অদু games না পী।

**Exemplar 5**

**তমলুবগী মহৈ ঃ**

- ὺ cuboidal object শিংগী surface area পুথোকই।
- ὺ cuboidal object শিংগী volume পুথোকই।

**তমবগী পান্দম ঃ**

Activity অসি লোইরকপদা ছাত্রশিংনা

ὺ cube অমদি cuboid শেমগনি অমসুং মখোয়গী surface area গী formula পুথোকপা ঙমগনি।

ὺ cuboid কী volume গী formula সু পুথোকপা ঙমগনি।

## Activity 1

**চঙগদবা পোৎলমশিং ঃ**

Carbord, ruler, cutter, cellotape, sketch pen, pencil, white paper, chart paper.

**থৌওং ঃ**

ছাত্রশিং অদু মখোয় মরি–মরিনা শাবা group শিংদা খায়দোকপীরো।

ছাত্রশিংদা cardboard, ruler, cutter, cello tape, sketch pen/pencl, white paper, chart paper অসিনচিংবা পীবীগনি।

ছাত্রশিংবু side খুদিংমক ‘a unit’ ওইবা square তরুক (৬) শানবা পুক্লিং যৌগৎপীগনি। (Fig. 1)





*Fig. 1*


*Fig. 2*

Solid অমা শেমনবগীদমক্তা square শিং অদু Fig. 1 দা উৎলিবা লৈইগী মপাদা থুপচিল্লু (Fig 2)

**খন্ন নৈনবা/ উৎপা ঃ**

Fig. 2 দা ফংলিবা solid অদু করম্বা মখলগী solid নো হায়বগী খন্ন-নৈনবা য়াই। মসি cube অমনি। ছাত্রশিংনা মসি cube নি হায়বগী মরম হাইহনবা য়াই। অসুম্না ওজাশিংনা ছাত্রশিংবু cube কী attribute কদায় ফাওবা খংলবগে য়েংগনি।

Cube অমগী face অসি side 'a' ওইবা square নি। মরম অসিনা cube অসিগী মমাই অমগী area অসি $a^2$ নি।

Cube অমগী অপুনবা surface সি 6 নি। মরম অসিনা cube অমগী অপুনবা surface area অসি $6a^2$ নি।

## Activity 2

**খন্ন-নৈনবা ঃ**

Cuboidal object অমগী side কয়া লৈবগে?

ছাত্রশিংনা মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা shapes কয়া হায়বদি eraser, box, room অসিনচিবা য়েংশীনলবা মতুংদা cuboid কী মতাংদা খন্ন নৈনদুনা মথক্তা হংথ্রিবা ৱাহংগী পাউখুম পীগনি। মসিনা ওজাশিংদা ছাত্রশিংনা cuboid কী মতাংদা কদায়ফাওবা খংলবগে য়েংবা ঙমগনি।

মখাদা পীরীবা $a$, $b$ and $c$ না side ওইবা cuboid অসি য়েংউ –

ছাত্রশিংনা 2D shape শিংগী area গী মতাংদা তমখ্রে। অদুনা মখোয়দা মমাইশিং অসিগী shape করিনো হায়না হংবা য়াই। মমাইশিং অদু চপ মান্নবা shape ওইব্রা? করম্বনা মান্নে নত্রগা মান্নদে?

মতুং তারকপদা পীরল্লিবা dimensoin শিং অসি লৈবা 3D shape অদুগী মতাংদা নৈনবা য়াই।

Solid অমগী surface area গী মতাংদা মতম চংনা খন্ন–নৈনগনি। ছাত্রশিংনা মসিদি মমাই ময়ামগী areas শিং পুনশীন্নবনি হায়বা খঙগনি।

Side $a$ & $b$ unit ওইবা cuboid কী মমাং অমসুং মতুংগী মমাইগী area = $ab$ নি।

Side a অমসু c unit ওইবা নাক য়েৎকী মমাইশিংগী অপুনবা area = $ac + a$c = $2ac$ নি। Side $b$ অমসুং $c$ unit ওইবা মথক অমদি মখাগী মমাইশিংগী অপুনবা area = $bc + bc = 2bc$ নি।

অপুনবা surface area = $2ab + 2bc + 2ac$

$= 2(ab+bc+ac)$

করিগুম্বা a=b=c ওইরবদি, অপুনবা surface area = $2\cdot^2 + 2a^2 + 2a^2 = 6a^2$ নি।

## Activity 3

**চঙগদবা পোৎলমশিং ঃ**

Cuboid কী net অমা, Plastic/Clay, cutter, ruler, cardboard.

**থৌওং ঃ**

অশাংবনা $l$, অপাকপনা $b$ and অৱাংবনা $h$ ($l = 4$, $b = 4$, $h = 3$) ওইবা cuboid কী net অমা লৌরো।

- Open cuboid অমা শেমনবা থুপচিল্লো।
- Cuboid অসিদা clay/plastic হাপচিল্লো। মতুংদা net অদু লৌথোকলো।

Ù Plastic/clay cuboid অসি cardboard অমদা থমলো অদুগা ময়ুংলোমগী ($l$) side তা চপ মান্নবা piece মরি থোক্লা ককথৎলো (Fig. 4)।





*Fig. 3*

Ù Cuboid অদু মরাক $b$ গী side লোমদা চপ মান্নবা piece তা অমুক ককথৎলো (Fig. 5)।

Ù Cuboid অদুগী অৱাংবা লোমদা চপ মান্নবা piece অহুম থোক্লা অমুক্কসু ককথৎলো (Fig. 6)।




*Fig.4* *Fig.5* *Fig.6*

**খন্ন–নৈনবা ঃ**

Cuboid অসি unit length লৈবা cube কয়ামরুম থোক্লা ককথৎলে।

শেমলবা unit cube মশিং অসি 48 নি, মসিবু 4 x 4 x 3 হায়না ফোংদোকপা য়াই। ছাত্রশিংনা dimension 1 x 1 x 1 ওইবা cube কী volume হায়গনি।

Cuboid অসিগী volume = 4 x 4 x 3 cubic unit নি হায়বদি $l$ x $b$ x $h$ নি।

মতৌ অসুম্না, ছাত্রশিংনা অতোপ্পা dimensions হায়বদি 2, 4, 4 units; 3, 4, 5 units অসিনচিংবা লৈবা cuboid শিং শেমহনগনি অদুগা মদুদা cube মশিং কয়া য়াওবগে য়েংনবা হায়গনি।

মসিগী থৌদৌ অসি Volume of a cuboid = *l* x *b* x *h* হায়বা formula অসি তাকপদা শীজীন্নবা য়াই। খন্ন-নৈনরিঁঙেদা ওঝাশিংনা মতৌ করম্না ছাত্রশিংনা formula অসিদা চঙশল্লকপগে হায়বদু য়েংগনি।

# Class-wise Learning outcomes

## Class - I

তমলীবশিংনা :-

- খনদোকপা য়াবা পোৎশিংবু মশক, মওং অমসুং মগু চীংবা য়েংদুনা group নাইনা খনদোকপা ঙম্বা অমসুং অয়েকপা লাইনা অমসুং পোৎশিংবু মশীং ২০ ফাউবা মশীং থীবা ঙম্বা।
- মশীং ১ দগী ২০ ফাওইবদা মশীংশিংদা অঙ্ক হোৎপা।
- মশীং ১দগী ৯ ফাওবা পোৎশকশিং শীজি দুনা মশীং থীবা।
- মশীং ২০ ফাওবা চাংদম্নবা। খুদম ওইনা, ক্লাস অমদা লৈবা নুপীমচা মশীংগা নুপামচা মশীংগা কনানা হেল্লি হায়বা।
- ১ দগী ২০ ফাওবা তিনশিনবা অমদি খাইদোকপা নুংতিগী শীজি বদা পানশনবা।
- মশক মওং নাইবা পোৎ শীজি রগা ৯ ফাওবগী addition fact শিং শাগৎপা। খুদম ওইনা পেনশীন ৩ দা চপ মা বা পেনশীন ৩ হাপচিল্লগা ৩ + ৩ = ৬ তাই।
- মশীং ১দগী ৯ ফাওবা শীজি দুনা খাইদোকপা খুদম ওইবা পোৎশক ৭দগী পোৎশক ৩ লৌথোকহল্লগা অরেম্বদু মশীং থীহনবদা ৯ – ৩ = ৬ ফংই।
- নুংতিগী থেংনবা problem শিংদগী তিনশিনবা অমসুং খাইদোকপগা মরী লৈনবা মশীংশিং ৯ ফাওবা, অঙ্ক হোৎপা।
- মশীং ৯৯ ফাওবা খঙবা অমসুং ময়েক ওইনা ইবা ঙম্বা।
- মশাগী ওইবা লোন্দা মপানথোংগী ওইবা পোৎকী মশক মওং তাকপা ঙম্বা। খুদম ওইনা, বোল অমনা থরো থরো ওনবা, উপু অমনা নান্দুনা অসিনচিংবা।
- খুৎশা, কাপ, খুদুপ, খোংকাপ অসিনচীংবশিং অসি শীজি দুনা অশাংবা ওনবা অমসুং পুথোকপা ঙম্বা।
- মওং মতৌ অমসুং মশীং পুথোকপা ঙম্বা। খুদম ওইনা shape শিং অমসুং নম্বরশিং arrange তৌবা।
  - △ □ ▭ △ □ ▭
  - 1, 2, 3, 4, 5 ................
  - 1, 3, 5, 7, ..............
  - 2, 4, 6, ..............
  - 1, 2, 3, 1, 2, 3

- মীৎনা উবা পোৎশিংবু উরগা অচন্বা data শিং খোমজনবা, record তৌবা (অয়েকপা লাই / নম্বরশিং শীজি ুনা) অমসুং মনুংগী ওইবা অর্থ ফোংদোকপা ঙম্বা (খুদম ওইনা লৈকোল অমগী Picture দা অঙাং অমনা লৈ মখলশিং য়েংলগা াইরোইশিল অমা পুশিল্লকই মদুদি লৈশিংদুগী অকক্লবা মচু অমদি য়াম্না মরাং কাই)
- Zero গী concept শাগৎপা ঙম্বা।

**Class - II**

তমলীবশিংনা :-

- কা ২ লৈবা মশীংশিংদা অঙ্ক হোৎপা।
- মশীং ৯৯ ফাওবা ইবা অমদি পাবা ঙম্বা।
- কা ২ লৈবা মশীংশিং ইবা অমসুং চাংদম্নবদা শীংশিংদুগী place value মতুংই া শীজি বা ঙম্বা।
- কা অনীগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং পীকপা মশীংশিং শেন্বা ঙম্বা।
- নুংতিগী ওইবা থৌদোক্তা য়ুস্ফম ওইরগা কা অনীগী মশীংশিং তিনশিনবা, খাইদোকপা ঙম্বা।
- পৈশা ময়েক চেগী অমদি ধাতুগী শীজি দুনা লুপা ১০০ ফাওবগী মশক খঙবা ঙম্বা।
- 3D অমসুং 2D গী মওংগী লৈবশিংগী লীচৎ শুগাইনা তাকপা।
- 3D গী মওংশিং হায়বদি cuboid, cylinder, cone অমসুং sphere গী মমিংশিংগা লোয়ননা খনদোকপা ঙম্বা।
- অচুন্বা অমসুং অখোয়বা লৈইগী খে বশিং খনদোকপা ঙম্বা।
- য়েক্তুনা নপ্পগা উৎতুনা অচুন্বা লৈইগী অয়ুংবা, অফৈবা অচে নচীংবা হায়বা ঙম্বা।
- চাং মা দবা খুজিং হায়বদি চৈ, পেনসিল, কপ, bucket নচিংবা শীজি দুনা অশাংবা, অপাকপা, অচনবনচিংবা ওনবা অমসুং পুথোকপা ঙম্বা।
- অচুন্বা শের ফালা শীজি দুনা পোৎশিংগী অরুন্বা অয়াংবা চাংদম্নবা ঙম্বা।
